মৈত্রবাক
মনিপুরগী ফুশা–ৱানশারোন



অইবা :

বি: কুলচন্দ্র শর্ম্মা

পুথোকপা :

কে: ছত্রেশ্বর সিংহ

মৈত্রবাক মনিপুরগী
ফুশা-ৱানশারোন

অইবা ঃ—

বিঃ কুলচন্দ্র শর্ম্মা

পুথোকপা
কেঃ ছত্রেশ্বর সিংহ
১৯৯৮

লাইরিক মমিং — মৈত্রবাক মনিপুরগী ফুশা-ঝানশারোল

অইবা — বি: কুলচন্দ্র শর্ম্মা, ব্রহ্মপুর থাঙ্গপাৎ
মপাল, ইম্ফাল—৭৯৫০০১, মনিপুর

পুথোকপা — কেঃ ছত্রেশ্বর সিংহ
উরীপোক, খোইস্নাম লৈকাই,
ইম্ফাল—৭৯৫০০১, মনিপুর

লাইরিক ফোংবা — খৃ: ১৯৯৮, জানুয়ারী

লাইরিক্কী মমল — লুপা ৮০ (মরিফু)

লাইরিক্কী হক — ১) বি: কুলচন্দ্র শর্ম্মা
— ২) কে: ছত্রেশ্বর সিংহ

কোপী মশীঙ — ১০০০

নম্ফম — নিমাই এণ্ড সন্স প্রিন্টিং ৱার্কস
পাউনা বাজার, ইম্ফাল—৭৯৫০০১,
মনিপুর,

লাম্থোকচবা

মৈত্রবাক মনিপুরগী ফুশা-ৱানশারোনলী মরম্দা মৈতৈ পুন্নমক্না নীঙথীনা খঙনহ্নুনা লৈরবনি। অদুবু হায়রিবা মৈত্রবাক্কী অথোইবা মুপী শীন্‌ফম্ অসিগী মরমদা নীঙথীনা ইথোক্লবা লাইরিক অমতা ফাওবা লৈতবসিদা লাইরিক অসিমতং খুদমদা ওইরবস্থু উৎননবা হায়দুনা লাম্থোকচবনি। অনৌবা লাক্লিবা মীরোন্না অমস্থুং ইশাগী মীরোনসিগী অখঙ-অহৈশিংনা হেন্না ফজবা লাইরিক পুথোকপীরকখিগনি হায়বা আশা থমজবগা লোয়ননা লাইরিকসি লাম্থোকচরি।

লাইরিক অসিনা মরু ওইনা উৎনীঙরীবসি লৈবাকসিগী তোংঙান্-তোংঙান্‌বা চফু শাবা খুনশিং লৈরিবশিংসিগী তোংঙান-তোংঙান্‌বা মশক অদু নত্তে, মখোয় ময়াম অদুগী অপুনবা মশক্না থোকহল্লকপা শক্তম অদুনি। অদুবু তমজরিবা পান্দম অদুমক য়োদ্রবস্থু হোৎনবা মখৈদি হোৎনজরম্মী হায়বা ৱাফম অদুথক্তনি— লাইরিকসিনা উৎচরিবসি।

ফুশা-ৱানশা নত্রগা চফু শাবগী মরু ওইবা পোৎচঙ-চৈজঙ অমস্থুং মরু ওইবা থৌরম পরেং মখৈদি লাইরিকসিনা পঞ্জরে, অৱাৎপা-চিংথবশিং অদু থবম ওইনা শীন্থোঙ-শীল্লম অসিদা খুৎ থাবীরিবা-থাবীরিবী, ঈকাই খুম্নজফম ওইরবা, থবক্কী-মীশিং" না শুমাঙগী মতুং ইন্না, পুংলোনগী তান্থা মতুং ইন্না জগোয় শাবা হায়দুনা অৱাৎপা হাপচিনবীবা অমস্থুং অহেনবা লৌথোক্পীনবা ৱাফম্ লানখৎচরি।

ফুশা-ৱানশাগী শীল্লম-শীন্থোঙ্ অসিগী মরমদা খন্তুরুরগা অমদি হৌগ্রবা মনিপুরগী শাংলবা লমদাংবু হঙ্গংনা য়েংখৎলুরগা মনিপুরগী মুপীশিংনা চহি ৩০০০ দগী তাদনা লমদমসিগী

মীশিংবু থোংহুনা চাননবগী থোংফম-থাক্ফম পীহুনা লাকখি হায়বসি থঙলকপদা ঈমা ওইবী মথোয়গীদমক্তা ওন্থোক্লা চাওথোকচবা পোক্চৈ। মীগী মীরাইলেম-মীরমদমশিংদদি শীল্লম-শীন্থোঙ অসি হুপা শীনফম অয়াম্বনা ওইবনা রাফম অসি পঞ্জরুবনি, রাখল অসি পোকচরুবনি। রাখল অসিমক অইবগী থম্মোইদা লৈবগুম তৌবগী ঈথিন খরসু ফংবগুম তৌই।

লাইরিক অসিনা মৈত্রবাক্কী সোসিও-ঈকোনোমিক সার্ভিসতা ফুশা-রানশানা পীবা কনত্রিব্যুসনশিংহু মরোন শুনা ফোংদোকপা ঙমজদ্রবস্থু মালেমসিগী অতৈমী কাংলুপ-ফুরুপশিংনা হুঙগী যুগকী মতমদগী লৈফম থোকপা খুংনা শুবা শীনশুগী শীল্লমহুদি রাত্তনা লৈ হায়বসি ফাওবদি ফোংদোক্লি। রাফমসিগা লোয়ননা শাংলবা মৈত্রবাক্কী হৌখ্রবা খুন্নাইশিংদা মখুৎনা ফুশা-রানশাখিবী, কনানসু থঙবী-উবীদনা মশা-মশাগী খুন্নাইশিংহুদা শীল্লমসিনা শীনফম ওইহুনা য়ুম ভাকখিবী ঈমা-ঈবেনশিংহুবু, মিৎকুপ অমতং নীঙশিংজরগা লাইরিক অসি ঙসিগী মীয়ামদা লান্থোকচরি।

লান্থোকচরিবা
কেঃ ছত্রেশ্বর সিংহ
উরীপোক, খোইস্নাম লৈকাই,
ইম্ফাল—৭৯৫০০১, মনিপুর
২৫। ১২। ১৯৯৭

হিরম-লামায়

মশীঙ	হিরম	লামায়
১—	ৱাহৌদোক	১—২২
২—মহী হাপফমশিং শারিবা পোৎচাকশিং : ফু শাবগী পোৎচঙশিং : পোৎচঙ্শিং, খুংশু-খুংলায়শিং অমসুং অতৈ মচাকশিং		২৩—৪২
৩—ফু শাবগী লৈপাক পোৎচাক : লৈপাক্, লৈপাক্তা য়ানবা পোৎয়ান-পোৎচাকশিং, মচু শঙনবা মচাকশিং অমসুং অতৈ অতৈ		৪৩—৬১
৪—ফুশা-ৱানশা : লৈপেকপা, লৈচাম্বা, লৈপাক্-শেম্বা, লৈনোইবা		৬১—৮১
৫—ফুহিং মিতম্বা : ফুহিং ফুশাবা, ফুয়ৈবা, লৈরোং/লৈতেং হাপ্পা		৮১—৯৯
৬—ফুয়িকপা অমসুং মচু শংবা		১০০—১৩১
৭—লৈফু মখল, মশক অমসুং শীজিন্নফম		১৩১—১৬১
৮—মনিপুরগী নুঙফু অমসুং ক্ষুঙফু শাফম্, লম্মাংদোং থোংজাও		১৬১—১৭১
৯—Appendixes		১—৪৮
i) কাংখোঙ লৈবী ফুশাগী ফু		
ii) সেরামিক/ষ্টোন ৱেয়ার/শোর্সিলেন		১৫—২২
iii) ফুশাবগী মওং-মতৌ খর		৩২—৪৮

অতেনবী খণ্ডনবী

১) চৈ:, কু:, = ৺লাইরেনময়ুম ইবুংঙোহল সিংহ অমসুং নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহ: চৈথারোল্ কুম্বাবা (মনিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ইম্ফাল্, ১৯৮৯) ॥

২) লা: = লামাঙ্গী

৩) ম: য়াও: = মথক্কী য়াওফম = IBID,

৪) ম: লাই: = মথক্কী লাইরিক = OP CIT,

৫) খুংয়ি = খুংয়িদা লৈরিবা লাইরিক/পুয়া = M.S. Manu Script and MSS. = Manu Scripts.

৬) রিফ: = রিফরেন্স, Reference.

৭) নং = নম্বর, Number.

ৱাহৌদোক

পোৎ অমগী মথৌ তাৱকপা হাঙৈবসিনা পোৎশক্ অদু থোক্হল্লক্লবগী মরম ওইরকই। মথৌ তারক্লিবা পোৎশক্ অদু থোকহন্নৱা হোৎনবা অমসুং ফংনবা লাক্লবা অসিনা পোৎশক অমগী হৌরকফম ওইরকই। তাইবংপানৱা মপুগী পাক-চাওরবা মালেম অসিদা লৈরিবা থৱাইপানবশিংগী মরক্তা মখোঙ অনি পানবা, শাগী কাংলুপ্তা চিংলিবা মীওইবা হাঙৈবসিনা মৈদা মুলহনবা চিঙাক চাবা হেক হৈরকপগী থোং-থাক্তুনা চানবা খোংফম ওইবা পোৎকী তঙাইফদনা চঙবগী মওং-মতৌ অসি থওলক্কই। থোং-থাক্লবা থোংফমগী পোৎচঙ অসি লাকপনা মৈতৈনা 'ফু' হাঙৈনা অরিবা লোন্দা, হাপ্পবা-থোংনবা হাপক্কম-থোংফমশিংবু শুপ্না থঙনবা অদুগা অনৌবা লোন্দা চফু, চানবা পোৎলম থোংনৱ ফু 'চাফু/চফু' হাঙৈরিবসি থোকহল্লকখি অমসুং লৈহল্লকখি।

ফু/চফুনা মীওইবগী অতৈ কাংলুপ অমসুং ফুরুপশিংদা শীজিন্নবা অমসুং শীজিন্নফম ওইনা চঙবা অদুদগী য়াম্না হেন্না মৈতৈদা চঙই ; মৈতৈগী পোক্লবসু নাওফম-ফুমফু, শিরবসু লুচনফু/মঙচনফু*[১] হাঙৈদুনা পুন্সিগী থৌদোক-থৌদো অমসুং মঙ্গৌ-মঙম অমতদা চফু য়াওদবা লৈতে। অদুগা খুনবান—লৈপানবগী থৌওং-থৌরম খুদিংমক্তসু ফু/চফু শীজিন্নদবা য়াওদে। মালেম পৃথিবীগী লৈমাঙৈগী অরাং লেটিচুড ২৩·৮৩^{0} দগী ২৫·৬৮^{0} ফাওবা অমসুং নোংপোক লেটিচুড ৯৩·০৩^{0} দগী ৯৪·৭৮^{0} ফাওবনা শন্দোক্লিবা লমদম

অসিদা খুবান-লৈপাল্লিবা মৈতৈ হাঙবা অসিনা মী অমা ওইনা পোক্লকপদগী ফুঙ্গী লুপ মরক্তা চাওরকপনা ফুরুপ মরক্তা হিংনক্লিবা অমম্বুং হেক পোক্লকপদগী ফুগী মথৌ তাত্নুনা লাকপনা মৈতৈ হিন্দু ফাওবদা মৈকোঈফুনা থাখৈনম্নুনা পুন্সি পোল্লোঈ ভান্দুনা লৈরক্লি, লৈরি অমম্বুং লৈখিগনি।

মৈত্রবাক মনিপুর অসিনা নোংপোক অমম্বুং নোংচুপ অনিগী উন্নফমদা লৈরুবসিনা মাঈকৈ অনিমক্কী মনাৎ-মনাৎকী পোৎলম—চৈরমশিংনা মতম অয়াম্বদা চেনশিল্লরুবম্বু লমদমসিদা পানবা মীওইশিংনা শেম-শাবগী রাখল্লোন শাগোম্নবা অমম্বুং শীল্লমদা মথীবোং পানবা অমদি মখুত্তা মমিৎ পান্‌বনা য়ান্নবশিংগী মরক্তুদগী মশাগী ওইজবা অমা হেক্তা পুথোরকই। অদুবু রাংঙম পোইরৈ মৈতৈশিংদি ওল্লিভৈগী মতমদদি মমাঈ নোংপোক ওল্লি, থেংনরুবা মতমদা মমাঈ নোংচুপ ওল্লি। অদুনা মনিপুরপু লোর্ড আইরিন (Irwin) না, 'ইন্দিয়াগী স্বুইজলে'ণ্ড,' জর্জ হ্বার্টনা, নোংপোকলমগী লৈপাকমচা তাজদবগী লৈকংলাগী লাইজা ঈয়োক উরিংকান (An Oasis in the desert of the Barbarism of the East.), পৃথিবী অনীশুবা লাঙ্গাওগী জপানীজ কেপ্তেন অমগী "Taka ne no Hana, লোইবী চীঙদোলশিংগী অরাংবদা শাৎশা শীঙেঙল (Sir Geoffrey Evans and Antony Brett-James : Imphal a flower on lofty heights),"
পাণ্ডিত জরাহরলাল নেহরুনা "'ইন্দিয়াগী মনি-মুক্তা থোল্লবা পৃথিবী অনীশুবা লাঙ্গাও (খৃঃ ১৯৩৯-৪৫) দা লমদমসিদা য়ৌরকপা নেমন খুদিংমক্কী খুৎলাই পাঈবা লাল্লোঈশিংগী মরক্তা, "মালেমসিদা লৈবা অপিকপা নন্দনকানন (A little paradise on the earth)" হাঈনা অমগা অমগা তাকখিবা লৈপাক্লিনা লমদমসিগী

মশাগী ওইজবা মহৌশাগী খুদোলদা খ্বাই ময়ামগীগা মান্নবা করিগুম্বা খর লৈজৈ হাঙৈবসিদি খুৎ থিন্দুন তাক্কবনি। মরম অসিনা চীঙগী শন্নম-মীনম ফংদে হাঙৈনা খল্লবা, চাওখৎপগী হুন্নকপা নামিবগী শউম কয়ামুকপু চীঙলোন মাপজনা খন্দোক্লবা লমদম অসিদসু মীওইবনা হিংবগী মচাক্তি অতুম্মক ফংবনা ফুশা-রানশাবগী শীনসু-শীল্লম অসিসু মশাগী ওইবা অতুম্মক লৈজে।

মনিপুরদা ফুশা-রানশারকপগী রারী-রাখোঙ

থাঙৈনবৈগী পোৎলমশিং অমসুং অরিবা পোৎশকশিংবু হৌজিকী মতম কাইনথংসিদা থাঙ থাহনা লেংগদৌরিবা আর্কিও-লোজী কৌবা শহে অসিনা পোল্লক-শাৎলক্তি ঙৈগী লা-মমাঙদা মালেমসিগী মীওইবা কাংলুপ অতৈশিংগী হৌরক-শাৎলকপগী রাফমদা লাই-তীনশিংগা মীওইবগা শন্নরকপা অমসুং লাইনা মী শেম্নকপগী রারী-শীঙবুনশিং লৈনবগুম মৈতৈগীসু অতুম্মক লৈজে। রারী-শীঙবুনশিংগুগী মরক্তা চফু-রানফু পুথোরকপা, ফুশা-রানশা-রকপা অমদি ফুয়ৈ-ফুঙিরকপগী রারী-রাতাই শেঙৈদনা লোঙৈনরি। অহুনা মৈতৈগীসু পুয়া খরদা অসিগুম্বা হিরমশিংসি পাল্লি। মৈতৈগী অমিবা পুয়াশিং অয়াম্বগী রাল্লোল-রাফমশিং অসি অথেংবা মতমদা চেবাংথক্তা তাহনবা ওইরবসুং অঙনবা মতমগী কুইনা চীনবুঙদা পুরক্লবা চীন অমদগী চীন অমদা শমথরকপা রারমনি হাঙৈবাস মী অয়াম্বনা মানরি। হাঙৈরিরা পুয়াশিং অসিদা "ফুরেপ লৈমা লুচাওবী"*২ হাঙৈনা ফুগী মশক ওইনা লেপ্লিবী লৈমরেল, মালেম তাইবংপানগী মমা লৈশারেম-লৈপুনবীবু তেংথারিবসি লৌখৎফম থোকই। মরম অসিনা মৈতৈশিংনা থাজজবদা ফু খ্বাইদগী ইহান

হান্না পুখোরকপসি মালেম লৈপাকপুম্মু শীরিবী, অমুকস্মু মালেম লৈপাকপু পুনশিবী, মুগী ময়েপকী মবেম্মা ফুরেপ লৈমা লুচাওবী লৈশীয়েন-লৈপুনবীনি।

অতুপা অমুক অময়োমদা, "মু হান্না শারকপদি চকপা লৈশা ওনবমনে,"*৩ হাঈনা পীরি। চকপা কাংলুপকী লৈপাক্কী মশা ওনখিবা ময়ুম অসি মমৈথংদা, "চকপা ওইনম" হাঈনা খঙনরকখি। চকপা লৈশা ওনবনা মুরা খুনহোংলৈ/খুম্ফোংলৈ কৌবা লৈগী মহৈগী মওং তময়ুনা মু শাখি*৪ হাঈনা পীখি। হাঈরিবা লৈ অসিগী লৈমা পানফম লৈথোক্কী শরুক (Thelamus), লৈচুগী মহৈ ওইরক্কদৌরিবা অসি চকুগী মওং-মতৌগা চপ মান্নৈ। হাঈরিবা লৈ অসিগী শৈথাবদা হাঈরি:—

.... ॥ কেকে য়োঈপা ফানাউচামপা ॥ মমোম মোইপী অসইপী ॥ চীঙঙাপম নিংঙোনপীনা ॥ মপাম থাঙঙা খুনহোংঙই ॥ কারাং খুনকুমঙইতা ॥ শীঙলেন খুৎতা সু ॥ লৈরাং থাতা থেংনা ॥ মপাম থাঙঙা খুনকুমনা ॥ কারং খুনহোংখি—এ ॥ অতুনোংকিপু ॥ মুরা খুনহোংলৈ-ও ॥ কৌপাপু পোইরই তাফা থিপানা ॥ মুরা খুনতোংলৈ-ও ॥ ভৌনা কৌএ ॥ শীঙেল মনাতাতি ॥ খমকোন লৈচু মানপা ॥ লৈরাং মপালতাতি ॥ কাইরৈ য়েললুম মানপা ॥ শীঙলেন মহৈতাতি ॥ চাইরেল লীনুংচঙকুমপা ॥ লৈরাং মপাম-তাতি ॥ হাওকা মতালী মানপালৈ ॥ মুরা খুনতোংলৈমা ॥ থাঙঙা লিংপী চীঙঙা ॥ .... ॥"*৫

পীরিবা শৈথা অসিদগী "শীঙলেন মহৈতাতি চাইরেল লীনুংচঙকুমপা," হাইবসিগী রহস্যোক্তি, "লৈ অসিগী মহৈগী

মওং-মতৌদি চাইরেলগী থৱাই তাজরবা ঈশিং/মহী হাপতুনা থক্লবা ফু/পাত্রগুম্বা" হায়বনি। হাঈরিবা মহৈ অসি ওইরক্লদৌরিবা লৈথোক অসিমক্তগী অতুম্মক ফুগী মওং-মতৌ কাঈদনা লৈজরবনি।

অতুগা ফু শাবগী লিখুন অমদা অমুক পীরি*৬ :—

পান্থোইবীনা কোরৌ নোংগী ৱাবু লোইরবদা মালেম খুন্থোক্তুনা মপুগী থৌদা মতুং ইন্না শীনশুরকপদা শীল্লোইফম খঙদ্রে, করম্না লোঈশিগে খন্দুনা লৈরকপদা মপুনা উবীরদুনা তাক্পীরকই, 'হা পান্থোইবী, নহান নঙনা কোরৌ নোংদগী খুন্থোকলুগে খন্দুনা নদোম চংখিবদা কোরৌনোংগী শীঙেঙল অমা লৈ ওইনা চিনখিবদাই, লৈরাং অতু মফম কদাইদা তাহৌরে,।" ৱাহৈ অতু তাবদা পন্থোইবী চমৈ। "লৈরাং অতু খুল্লগা শীঙেল লৈশক য়েংদুনা শীল্লোইশিল্লো,।" মপুগী য়াথং তাবদা লৈমা শীঙেঙল মাবু থিরুবদা লৈরাং ওইনা হৌরম্লে। পান্থোইবী লৈরাং অতু উবদা, শীঙেঙল নঙসু পান্থোইবী ঐগুম লাংওল্লম্নরোইরে, শীঙেঙল নঙবু লাও-ও, পান্থোইবী ঐগা খুন্থোকলুরসে," হাঈদুনা পান্থোইবীনা শীঙেঙল মাবু হেক্লক্লে। লৈরাং লেশক য়েংলগা শীনশুরে। নিংঙোল মানা শীনশুরিঙৈদা লৈরাং মহাক্তি পান্থোইবীনা, "নুজা ওইবী নহাকপু পান্থোইবী ঐগী নাপদা মপুগী থৌদা মতুং ইন্না লৈরাং পোংথাবিয়ু" হাঈনা পান্থোইবী শীঙেঙলবু চিন্দুনা শীন শুই। ইবেম্মনা চিল্লিবা লৈ অতুবু "নুরা খুন্থোক্লে, খুন্দোংলৈ, নুরা খুদোংলৈ" কৌখিএ॥

মথক্কী ৱাফমসিদগী খঙবনা ফু অহানবা শাবসি পান্থোই-বীনি হাঈবসিনি। ফু শারিবা মফম্না চকপা চাইরেলদনি। চকপরোলদা অসিগুম্বা ৱারী ৱাখোঙগা কোননা ফু শারকপগী

য়াৱীসি পীদে। চুম্নদ-ক নুরা খুন্দোংলৈগী মহৈ তম্লগা ফু শাই হাঙ্গৈবসিদগী হেন্দে। অদুনদি ফু শাবা অহানবসি পাংগোইবীনি। য়াফম অসি থাঙজা য়াঙজু/য়াঙজু চীঙগোইরোল, অমসুং য়াংঙু/য়াংনু-তম্ফা লাইরেম্বীগী য়ারী য়ারোলনসু শোগংলি। চকপা চাইরেলনা পান্থোইবীদগী তমদুনা ফু শাবা হৌখিবনি। পান-থোইবীবু চকপা চাইরেন্না হৈয়াইনু হাঙ্গৈনা লমদুগী মমিং ওইনা কৌই*৮। অদুগা চাইরেনগী খুনবু খুনম্না অমসুং খুনবু খুনমাবী (মৈতৈনা চাইরেল লাকপা অমসুং চাইরেল লাকপী হাঙ্গৈ, মখোঙ্গীগী মমিংদা য়াওফু রাকপা কৌই) অনিগী মচানি হাঙ্গৈ*৮। অদুবু য়াওফু রাকপগী চাদা-নাওদাদি কোম, খেন্দে ওইখি। অদুগা মাগী মনাও নুপা য়াওসুরাকপগী চাদা নাওদানা হৌজিক্কী চাইরেলসিদা খুন্দাখি অমসুং পানখি। অদুনা মৈতৈনা চাইরেল লাকপা হাঙ্গৈরিবসি য়াওসুরাকপবুনি। পান্থোইবীনা খোইবু ক্বাথাদগী খারনা তানখাইরকপগী চেল্লকপদা চাইরেল লাকপা য়াওসুরাকপনা চঙজফম পীদুনা মচা শক্কা য়োকখিবনি। মফমসিদা নোংপোক নিংথৌ কাইনৌ চীঙশোম্বগী মমিং পাখংবা থোল্লি, তাংখুল হুইতোক পাখংবা (নোংপোক নিংথৌগী মমিং অমা)*৯ হাঙ্গৈবনি। মফমদুদা পানথোইবীনা ফু শাবা হৌদোকখিবনি। *১০ মরম অসিনা চকপলোন্দা ফু হান্না শারকপদি চকপা লৈশা ওনবমনি হায়রিবসি মখোয় চকপ মশা মনুংগী য়াযমনি। মনিপুর অপুম্বগী ওইবা য়াফম নত্তে।

অদুগা মতাংসিদগী ঐখোঙ্গৈনা খঙলে, পান্থোইবী করম্বা পান্থোইবীনো হাঙ্গৈবদু। মহাক অসি খাবা তরংখোই নুচানা হান্না লৌরম্বা, অঙৌ পুরৈরোম্বগী (অঙৌ পুরৈরোম্বা) ময়াম্বা*১২ কাইনৌ চীঙশোম্বনা অমুক কোন্না লৌখিবা য়াংঙমলোন তম্পা,

তুবী ঙাংয়েক চহু নোংপোক পান্থোইবীনি। অতুনদি চফ অহানবা শাবগী মতম মৈতৈ পুয়াশিংনা পীরিবসি চৈথারোল কুম্বাবগী কুম্বারোল লৌরগা হাঙ্গবা তারবদি কেলেণ্ডর ইয়ার হৌগদবা চহি ১০০ ৱাংলিডৈগী মতম খৃষ্ট মমাঙগী কুম্‌চা অহানবগী মনুংদনি। প্রোটোহিষ্টোরিকেল পেরিওডকী মতমদনি।

আর্কিওলোজীগী মাঙ্গৈকৈরোমদগী ফুশা—ৱানশাবগী হৌরকফম

অনৌবা চক্কী অনৌবা মহৈ আর্কিওলোজীগী ওইবা অরিবা মতমগী চফু ৱানফুগী মপুম্‌, মচেং-মকাঙ্গ অমসুং চেগাঙ্গগী মচাকশিং, হৌজিক হৌজিক্কী থাক (১৯৯৩) অসি ফাওবদা ফংলিবা অসিগী মিৎয়েং লোমদগী ফংজরকপা ৱারী ৱাখোঙগী পরিং খরদং মখাদা উংচরি :—

মৈত্রবাক মনিপুরগী অরিবা মুঙগী চক অসি চাওরাক্লা ঙসিদগী মমাঙ কুমশীঙ লিশীং ২৫ গী অতুৱাইদগী হৌরকখি। হাঙ্গরিবা মতম অশ্বাইদা হৌরক-শাংলকফম খঙদ্রবা চীঙ লৈখুনগী মীওই চান্দেল ডিষ্ট্রিক্কী সোংবু চীঙ-লৈখুন্দা লৈরম্বগী খুদম ও, কে, সিংহনা আর্কিওলোজীগী প্রিহিষ্টোরী থীজিনবা অমা ওইনা পুথোক্লকখি। হাঙ্গরিবা সোবুং-চীঙ-লৈখুন মীশিং অসি শাহিং চাবা শাশিংদগী খজিক্তুং হেনগংপা মুঙগী খুংগু-খুংলাঙ্গ খরতনা মচিঞ্জাক ওইবা শা-ঙা ফাবা অমসুং মশা কঞ্জবা মীওইশিংনি। হাঙ্গরিবা মীওইশিংসি করম্না, কদোমদগী, করম্বা মতমদা চঙলকখিবা নত্রগা কদায়দা করি ওইঋবগে হাঙ্গবা কনানসু হাঙ্গবা ঙম্নদ্রি। অতুবু চাওরাক্লা মখোঙ্গইদু ঙসিদগী মমাঙ কুমশীঙ লিশীং ১০ দগী ৭

ফাওবগী মতমদা লৈরম্বা য়াই।*[১২] সোংবু চীং লৈখুনমীশিং-সিদগী খরা থেংথরগা ঙসিদগী ময়াঙ কুমশীঙ লিশিং ৬ কী অহুরইদা সোংবু চীঙ-লৈখুন-মীশিংদগী খর হেন্না চাওখংপা নুঙগী খুংগু-খুৎলাঈদগী হেন্দুনা শা-ঙোগী শরূ শয়াঙগী খুংগু-খুৎলাঈ ফাওবা শীজিন্নরম্বগী খুদম ফংলবা চীঙ-লৈখুনমী, খর লৈরম্বগী খুদম উখ্রুল ডিষ্ট্রিক্কী থংখুই চীঙ লৈখুন্দা ও, কে, সিংহনা অর্কিও লোজীগী প্রি-হিষ্টোরিগী ওইনা থিজিনবদা থেংনখি।*[১৩] অহুবু মখোঙ্গী অসি করম্বা মাঙ্গীকৈদগী কৈদৌঙৈ, কদোমদা চঙলকখিবগে কনানসু হাঙ্গীবা ঙমদ্রি। অহুদসু নত্তনা মখোঙ্গীগী চক-লোঙ্গীহুনা মখোঙ্গী করম্বা মতমদা, কদায়দা, করম্না, করি ওইখিবগে নত্রগা ওনখিবগে হায়বসিসু খঙবা ঙম্নদ্রি। হাঙ্গীরিবা মতমসিদগী খর থেংথরগা ঙসিদগী মমাঙ কুমশীঙ লীশিং ৬ গী অহুরাইদা থংখুই চীঙ-লৈখুনমীশিংসিদগী খর হেন্না ফবা নুঙগী খুংগু-খুৎলাঈ শীজিন্নবা ঙম্নবা চীঙথক্কী চীঙমী কাংবু অমা থৌবাল তুরেলগী ঈশিং চাবা লমথৈগী মনুংদা লৈবা নোংপোক কৈথেল থানবীগী চীঙথক অমদা ও, কে, সিংনা থেংনখি।*[১৪] মখোঙ্গী অসি কদায়দগা, করম্না, কৈদৌঙৈ, করম্বা লম্বীদা লাকখিবগে হাঙ্গীবা কনানসু খঙনবা ঙমদ্রি। মখোঙ্গী অসি থংখুই চীঙ-লৈখুনগী চীকমাঙনখিবা থংখুই চীঙ-লৈখুনমীশিং অহুগা করি মরী লৈনবগে, থংখুই চীঙ-লৈখুন-মীশিং অহুনা খুনহোংলাক্লিব্রা নত্রগা ইতোপ-তোপ্পা মফম অমদগী লাক্লিবরা হাঙ্গীবহু অমম্বগী পংথৈনুংদা লৈরি। অসুম্না অরিবা নুঙগী চক্কী লোঙ্গী শিল্লকপা ঙসিদগী মমাঙ কুমশীঙ লীশিং ৬/৫ গী মতম অহুরাই ফাওবদা থোং-থাক্তনা চাবা হৈত্রিবা, মৈগী মশক, ফাওবদি খঙলবা মীওইশিং চীঙথক্কী চীঙমী ওইনা নোংপোক কৈথেল মানবীদা লৈরম্বগী খুদম ময়েক লানা ফংলে হাঙ্গীবসিদি আর্কিওলোজিষ্টশিংগী অশেংবা থাজবনি।*[১৫]

অরিবা মুংগী চক্কী মমি শামখিবগা লোন্নীননা ময়াঙ্গ ওইবা মুঙগী চক (MESOLITHIC AGE) ঙসিদগী মমাঙ কুমশীঙ লিশিং ৫/৬ অত্তুরাইদগী হৌরক্‌খি। হাঙ্গরিবা চক অসিগী খ্বাইদগী তোপ্পা তাবা মসক্তি পান্বী শীঙবীশিংগী কোনলিং-য়িংখোনলিংবা,, চিঙ্গাকওইবা মনা মশীং য়োকপা-লোঙ্গবা (DOMESTICATION OF PLANTS) অসিনি । *১৬ পৃথিবীগী মফম অতৈদা মেসোলিথীক এজ কৌনবদু ঐখোঙ্গগী মাঙ্গকৈ অসো-মদদি হোঅবিনহ্যান কলচরেল এজ হাঙ্গনা ভিয়েটনামগী লমদম "হোঅবিনহ" মনাংনা মপুঙ্ ওইনা য়িংথোল্লি । * ১৭ হাঙ্গরিবা মনাং অসিগী খুদম–চাংদম মনিপুরগী আর্কিওলোজীষ্টশিংনা তমেংলোং ডিষ্ট্রীক্কী থারোন্ চীঙ্ লৈখুন অমসুং থৌবাল তুরেলগী ঈশিংচাবা লমথৈ মন্নুংগী নোংপোক কৈথেল্ মানবীগী হান্ননা অরিবা মুংগী চক্কী চীঙথক্-চীঙমীশিংগী চীঙথক অত্তুদা ফংই । ১৮ * মনাং অসিগী মীওইশিংসি থারোন্দনা চীঙ–লৈখুনমী ওই অত্তুগা নোংপোক কৈথেল মানবীদনা চীঙথক্কী চীঙমী ওই । হোঅবিহ্যান মনাংনা শন্দোক্‌লিবা মনিপুরগী লমদম শিংসিগী লমথৈ মন্নুংদা মৈ অসি অইংবা ঙাকথোক্লবা ওইনা খঙ্‌নরবস্থ থোং-থাক্কুনা চাবা ফুং-মুনহন্দুনা চাবগী থাক্তি য়ৌদ্রি । হাঙ্গরিবা মুঙগী চক্ অনিসিদা ফ়শা-রানশাবগী মমিদি লাঙ্গরত্নুনা মৈদা অচাপোৎ/চিঙ্গাক মুনহনবা/লৌবগী মমি ফাওবা তাফাত্রিবগুম তৌরি অমসুং ফ়শা-রানশাবগী থবক *১৯ থৌরম অসি খৃস্ত মমাঙ কুমশীঙ লিশিং ৩ দগী ৪ ফাওবা অত্তুরাইদ পীনৈ অত্তুগা থোং থাক্কুনা চাবসি মথং হৌগদবা অনৌবা মুংগী চক্ ঙাইত্নুনা লৈবগুম তৌরি ।

হিষ্টোরিয়ান (পাল্লারী-পুল্লারী নৈনরোঙ্গ শিংনদি প্রোটো

হিষ্টোরী কৌবা, এন্থোপোলোজীষ্ট (নমু তাইবং মী-নৈনরোঙ্গী) অমসুং আর্কিওলোজীষ্ট (নমু তাইবংপান নৈনরোঙ্গ) শিংনদি নিও-লিথীক্ (অনৌবা নুঙগী) এজ কৌবা চক অহুনা চকৱাইরকপদা মৈতৈ লৈপাক মনিপুরদা চফু-ৱানফু লৈরম্বা/শীজিন্নরম্বগী মমি তারকখি। নোংপোক্ কৈথেল্ মানবীদা পন্থুংবা হোআকিনহ্যান মনাংকী খুন্নং ইল্লক্পা মথংগী মীওইশিংহুগী নুঙগী খুৎশু-খুৎলাঙ্গশীংদগী হেন্না কান্নবা, মরম শুবা অমসুং হেন্না চাওখৎপগী থাক লৈরবা মীকাংবু অমা নোংপোক কৈথেল মানবীগী হান্ননা অরিবা নুঙগী চক্কী চীঙথক-চীঙমীশিংনা খুন্দারম্বা অমসুং ময়াঙ্গ ওইবা নুঙগী চক্কী মীওই, চীঙথক চীঙ্মী পাময়োক-উয়োক্পশিংনসু কাইদোংলম্বা চীঙহুম চীঙথক অহুদা খুন্দা-লৈতারম্বগী খুদম চাংদম্ ও, কে সিংহনা প্রিহিষ্টা রীক্ আর্কিওলোজিগী থিজিল্-হুমজল্লিকপদা থেংনহুনা থোক্লক্খি। *[20] আর্কিওলোজিকেল এন্থোপোলোজিষ্ট অসিনা পীবা ৱারোল্গী মতুংইন্না মৈতৈলোন্দা ইথোক্পা ৱারোল মখাদা পীজরি : *[21]

নোংপোক কৈথেল মান্বীগী মফম্ (Site) অহুম্দা আর্কিও-লোজিগী চাংয়েং খুত্তৌ তৌহুন থিজীনবগী থবক চৎথবদা মথক্তা পঙ্খিবা অহানবা মফম (অরিব নুঙগী চক্কী অমসুং হো আবিন-হ্যানগী মনাংকী থাঙ্গনগী পোৎ-চৈশিংগী অতেক-অকাঙ্গ ফংখিবা মফম) অমসুং অহুম সুব মফম অনিসিদা অনৌবা নুঙ্গী চক্কী মীওই-শিংনা শীজিন্নরম্বা নুঙগী খুৎশু-খুৎলাঙ্গ অমসুং চফু-ৱানফুগী চেগাঙ্গ-শিং অমদি মখোঙ-অহুম খোঙ্নাইবগী মখোঙ অতেকপগী মতেকশিং ফংখি। অনিশুবা মফমদদি অরিবা নুঙগী চক্কী নুঙনা শাবাখুৎশু খুংলাইতমক ফংই। অহানবা মফম অসিদা হোআবিনহ্যান কলচরগী লৈরোনবু সে : মি : ৪ (মরি) থক্তুং থাবা মেলটল-ক্লে

•লুম সোইলগী লৈরোন অপাবা অমখক্তংনা কুপ্লগা অনৌবা নুঙগী চক্কী নুঙনা শাবা খুৎশু-খুৎলাঈশিং অমসুং চেগাঈ (চফ্ মচেৎ) শিং অমদি মখোঙ অহুম খোঙনাইবগী মখোঙ অতেক-অকাঈশিং ফংই। ফংলিবা লৈরোন অসি মথক ইথং থংলিবা লৈমাঈ অসি-দগী সে: মি: ৪৬ (নিফ্ তরুক) লুবা মরেপ্তগীনা মথক্লোমদা সে: মি: ৩৭ (কুন্থ্রাতরেৎ) কাখৎলক্লগা, মপান্গী লৈমাঈ য়ৌগদবা সে: মি: ৯ (মাপল) ব্রাংলিঙৈ ফাওবগী লৈন্নুংগী লৈরোন অসি-দনি। হাঈরিবা লৈরোন অসিস্থ মেলটল ক্লে-লুম্ সোইল্গী লৈপাক লৈহাও, সেডিমেন্টরী রোক মথল অতুগীনি অমসুং লৈরোন অসি অনৌবা নুঙগী চক্কী মীওইশিংনা শীজিন্নরম্বা পোৎ-চৈশিংগী অতেক-অকাঈ শিংগী পৈশিন্দুন লৈরিব লৈরোন্নি। হাঈবিবা লৈরোনসিগী অথাবা সে:মি: ৩৭ অসি মনুংদা মখা থংব সে: মি: ৩১ (কুম্থ মাথোই) গী লৈরোন্ মনুংসিদা থন্নম্বা, মমি অমতা শোক্তবা/তাদবা চেগাঈশিং (Plain potsherds) অমসুং অফাইবা লংশুং নত্রগা থৌরী মচাগুম্বগী মমি/ময়েক থোকপা/ য়েকপা/তাবা চেগাঈশিং Corded ware potsherds) য়ান-শিন্নতুনা লৈরম্ব থেংনখি: অতুগা মথক থংবা লৈরোন সে: মি: ৬ (তরুক) থাবা অসিগী মনুংদনা অচম্বা, মমি য়েক্ত-তাদবা চেগাঈশিং, থবাক্কী শরূ পোল্লাংগুম্বা ময়েক্ (Rib-bone design) থোকপা চেগাঈশিং অমসুং মখোঙ, অহুম্ পানবা ফু (Tripod legged pot) মখোঙ্গী মতেক্পশিং ফংখি। ফংলিবা চেগাঈশিং অমসুং ফুখোঙশিং অসিনা তাকপদগী খঙলিবদি চফুশিং অতু খুৎনা শাবা ফূশিং (Hand made pottery) নি অতুগা শারিবা পোৎচাক লৈপাক অসি মহুপ কুপ্পা অমুবা লৈমুনি অমদি পোৎচাক অসি মচাক ওইরিঙৈদা য়াম্না মুন্না থিৎপাতোৎপা নোইবা তাই। মফম অসিগী

লৈহাও অমসুং পোৎচাকশিংসি কার্বোন ডেটিং (C-14 dating) তৌদুনা মতম পুথোকপদা লংশুং ময়েক থোকপা চফু—ৱানফুশিং অসি ঙসিদগী চহি ৪৪৬০+১২০ (খৃষ্টমমাঙ কুমশীঙ ৩৪০ দগীনা ২৫৮০) গী মমাঙগী মতম্দা নোংপোক কৈথেল্মানবীগী চীঙথক্কী মফমসিদা লৈরে।

অসিদসু নত্তনা আর্কিওলোজিগী চাংয়েংগী মনুংদা চঙলবা মফম্শিংগী মরমদা "ষ্টেট আর্কিওলোজী, মনিপুর" না পীবা ৱারোল-শিংগী মতুং ইন্না ফংলবা ফুশীজিন্নরম্বা অমসুং চেগাঈনচিংবশিংগা কোন্নগা ফংখিবা মফম্শিং অমদি মথোঈশিংদুগী সাইন্টিফিক ডেটিং তৌবগী মতমশিংদি :—

১) ৱাংঙু নাপচীক[২২] : অফংবা পোৎ-চৈশিং অচম্বা চেগাঈ, লংশুং-ময়েক থোকপা চেগাঈ, মথোঙ ৩ খোঙনাইবা চফু/ফুগী ফুথোঙ : মতম্ পুথোকপা—খৃষ্ট মমাঙ কুমশীঙ ১৪৫০গী অদুৱাই (পি,/আর,/টি,/এল ৭৭)।। ময়েক

২) ফুনানচীঙ (ৱাইথৌ) : [২৩] অফংবা পোৎ-চৈশিং —লংশুং ফেজেনবা লৈয়ি অমসুং খম্বাংনবা লৈয়ি করুবা ময়েক্ (parallel & diagonal appliques), খম্বাংনবা লৈয়ি ময়াম হক্পা ময়েক (Parallelincised marks in band) অমসুং অকোঈবী ময়েক (Circular impressions) নম্বা/থোকপা চেগাঈশিং : মতম্ পুথোকপা : ঙমহৌদে।

অদুগা কোন্গী চক্ (ধাতুগী য়ুগ : (Metal Age) কী মতমগী হাঈনা লৌনরিবা মফমশিংগী ৱারোলনা : [২৪]

৩) মোংজম (ইম্ফাল ডিষ্ট্রীক) : অরংবা/লংথৎপা চেগাঈ,

মখোঙ্ অহুম খোঙ্নাইবা ফুগী ফ্খোঙ্গী মতেক্শিং (অনৌবা মুঙগী চক্কী ফ্খোঙ্শিংগা খুংশা-লাকশাদা থোইনা খেন্নদে) অচম্বা, চেগাঈশিং, হক্তুনা ময়েক থোক্হনবা ফু অমসুং চেগাঈশিং, মহুৎ মহুৎ হুৎপা (perforated) ফু অমসুং চেগাঈশিং অমদি অনম্বগী ময়েক থোক্পা ফু অমসুং চেগাইশিং (Impressed wares and sherds) : খুংনা শাবা ফুগী ফুচেং-শিংহু অমুবা, ঙৌরুনবা, অঙাংবা অমসুং ৱাওথাংনবা/ উংমানবা মচুশিংগীনি : মতম পুথোক্পা : ঙম্খিদে, অনৌবা মুঙগী চক্তগী থেংথরমনি।

৪) নোংপোক্ কৈথেলনমানবী : হান্নগী অহানবা মফমদুদগী ঈচেল হঙ্গংনা কি: মি: ২, অনি চংথংলগা লৈ,) অহুমশুবা মফম হাঙ্গৈরিবহুনি)*২৫ ; অফংবা পোং-চৈশিং :— পাম্বী-শ্রীংবীগী মনা-মপালনচিংবশিং মওং-মতৌগী ময়েক থোক্পা অরংবা/লংখৎপা চেগাঈশিং, মখোঙ ৩ খোঙনায়বা ফুগী ফুখোঙশিং, লৈয়ি ময়ায়দা পঙকক্তা করুবা (Criss-cross), ওন্ন-তৈনবা কাথোরুখিবা লৈয়ি (Herring bone), পঙফক্শা/ফক্লোঙ (Basketary) নত্রগা থক খাওন্নবা কো-ন (Chevron) ময়েকচিংবশিংগী ময়েক্ থোক্ই। চেগাঈশিংহু ৱাওথাংনবা মচুনা মপুঙ ওই। ফুচেংশিংহুদগী ফুগী ফুওং শাগংলকপদা মচীন কোঈনা লাওনা কাথোকপা, মচীন কো-ন (^) গুম্ তুম্খৎপা নত্রগা ফুপারুবা, (Flat) মপান্ হাপ্পা/পানবা ফু মখল, ঙাংখা অমসুং খরুংশিং শাগৎপা য়াই। নোংপোক কৈথেল মানবীগী মফমসি মনাৎকী

পোৎলম্শিংসি ম্নোংজমগী পোৎলম্শিংগা মান্নে। অঙ্কু মখোঙ্গী অশেংবা ৱারোলশিংদি শাগঠ্রি।: মতম্ পুথোকপা: তৌখিদ্রি।

৫) পঞ্জাও পল্লু মচীঙ (ককচীঙ)*[২৬] : অফংবা পোং চৈশিং-মশা মতুম তাবা (Globular body), মঙক শাংবা নপ্রগা শারৈ/লারৈ মওংগী মঙক্ পানবা ফু, মখোঙ কোঙ্গনা খোঙনাইরগা খুদা য়াওবা (pedestal), মচীন লাওনা কাখোকপা ফুশিং, চাইথশেল/চাইশেলশিং, কম্বী মওংগী লৈ-তেঙ্গোৎশিং অসিনচিংবশিংনি। মশা মতুম তাবা ফু অমদি মচু পা-মা অকা-অকুঙ তৌবা (wavy) লৈয়িগী পরেংশিংনা মঙক য়ৌরমদায়দা লৈতেং হাপ্পা ফু অমস্তু য়াওই। মতম পুখোকপা- তৌখিদ্রি।

৬) ম্নোইরাং (বিষ্ণুপুর/বিসেনপুর ডিষ্ট্রিক)*[২৭]— অফংবা পোং- চৈশিং—পঞ্জাও পল্লু মচীঙদা ফংবা পোৎলম্শিংগা মান্নে অমস্তুং ফুশিংহু মচু পান্না লৈতেংবন্থুস্থ অতুম্মক লৈতেংই। মতম পুথোকপা: মফমদুগী পোৎলমদা য়াওবা উন্না শ্বাবা কু অহু কার্বোন-১৪ (ডেটিং খৃষ্ট কুমশীঙ ১১৭০ (1770), পি:, আর, এল্:,-৫৩৮) মতম পীরকখি।

৭) সেক্তা (ইম্ফাল ডিষ্ট্রিক)*[২৯] : অফংবা পোং-চৈশিং—আচম্বা ফুশিং অমদি চেগাঙ্গীশিং, মচু অঙাংবা অমস্তুং মুরৈনবা লীশিং, মকোই মচা মচা অমদি ন্থুমিৎকী মওংনা লৈতেংবা লী মঙক শাংবা, লারৈ/শারৈ মওং খজিক্তং

চঙবা নত্রগা চঙদবা লী শিং, খুম খোঙনাইবা নত্রগা খোঙনাইদবশিং, চমফুশিং, উয়ানশিং, খরুংশিং, ঙাংখাশিং, মুঙগী তেঙ্গোৎ, কাংচুপ অসিনচিংবশিং : অঙ্কুগা মফমসিগী লৈন্নুংদা খ্‌াইদগী নুথবা লৈরোন, লৈশা (৭শুবা লৈরোনগী) মথক্কী লৈরোনশিং ৬শুবা অমসুং ৫শুবদা কাংখোঙ লৈন্নুনা শ্রাবা চফুগী চেগাঙ্গশিং ফংলিবসিনা মৈত্রবা ক্ষা কাংখোঙ লৈন্নুনা ফুশা-ষ্লানশারগী শীল্লম-শীনশু লাক্লম্বগী মমি তাক্লি, অঙ্কুবু ইকুই কুইদনা মুংখি হাঙ্গবত্তুস্তু থংনবা মথক থংবা লৈরোন্দুনা তাক্লি। মতম পুখোকপা : সাইন্টিফিক ডেটিংগী পাম্বৈগী সেম্পাল লৌখি, মতমদি লাক্লি, মেটারিয়েল কলচরগী মাঙ্গকৈদগী (১৯৯) খৃষ্ট কুমশীঙ চা ১৬/১৭ কী মতমদা পীনৈ।

৮) পুঙদোংবম (সেক্তাগী মনাক্তা)*২৭ : অফংবা পোং চৈ— ঙাংখা অচৌবা মনীঙ ফুম্বারুবা, মঙক লারৈ/শারৈ মানবা, মথা লাওনা ফাকপা লৈয়িগী অহকপশিংনা লৈতেংবা ফুশিং, খুম খোঙনাইবা নত্রগা খোঙনাইদবা মশাদা করিস্তু লৈতেংদবশিং, চফুশিং, উয়ানশিং অমসুং অতৈ ফুশিং অমদি কাংচুপ, কেগাম, কম্বী খোঙনাই-দবশিং অসিনচিংবা ফংখি। মতম পুখোকপা— বিজ্ঞানগী চাংয়েং তৌহৌদ্রবস্তু সেক্তাদা ফংলিসিগা থংমুন-নাওমুন্নি হাঙ্গনা লৌবা য়াই।

৯) লাইমনাই (ককচীঙ), (১০) কৈবী (ইম্ফাল ডিষ্ট্রিক), (১১) শঙাইথেল অসিনচিংবা মনিপুরগী তম্পাক অমসুং চীঙগী লমদমশিংগী মফম কয়াদস্তু লৈপাক তৌথোক্লুবদা

ফংখিবা ফু অরিবা মতমগীশিংসি মথক্তা পীজথ্রিবা মশীঙ (১) দগী (৭) ফাওবগী পোংফংশিং অসিগা মান্নবা ঙাক্তনি ৩০।

মথক্তা পীজথ্রিবা পুন্নমক অসিদগী অমসুং ইকাই খুম্ননীঙঙাই ওইরবা আর্কিওলোজিষ্টশিংগী নৈনরোলশিংসিদগী ঐখোয়না মৈত্রবাক মনিপুরদা ফুশিংনা অহানবদগীনা অথেংবা মতম ফাওবদা চঙলক্লিবশিং অসিগী মাঙৈকৈ থিরকপদা খা-নোংপোক এসিয়াগী মাঙৈকৈরোমদা থিন্দুনা তাক্লি। *৩১

ফুশিং, অহানবা পুশিল্লকখিবশিংসি মাঙৈকৈ অসোমদগী খুনহোংলকপা মীশিংনি অমসুং মতম্না ঙসিদগী চহি — ৪৫০০ (লিশিং মরি চামঙা) গী মমাঙগীনি*৩২। হায়রিবা মতমসিদদি চকপশিংগী মন্ধ মনিপুরগী হৌজিক্কী লৈঙাকলোনগী লমথৈ মন্থুংসিদা হুন্দ্রি, নোংপোক পান্থোইবীগী মন্ধ হুনগদবা ২,৪০৯ (লিশিং অনী চামরীরোম) ৱাংলি।

মনিপুরদা ফংবা চফু-ৱানফুগী ৱারী-ৱাখোঙদা থেংলবা মতমগী ওইনা সেক্তাদা খ্রী: ১৯৯১ দা আর্কিওলোজিগী অশেংবা অমসুং অচুম্বা খুত্তোদা তৌহুনা থাঙৈনগী পোংলম-চৈরম থিজিনবগী লমদাংদা ফংলিবা ফুশিং অমসুং চেগাইশিং অসিদগী খঙবা ঙম্বদি নোংপোক্লমগী মনিপুর ৱাংমগী চফুপুৱানফু পুরক্কুনা মনিপুরদা থম্বা অমসুং শীজিন্নবসি অহুম্মক থেংলবা পারারী-পুৱারী ময়াঙৈ চল্লবা মতম ফাওবদা তৌনরম্মী হাঙৈবা অসিনি। সেক্তা চক্পশিংসি অথেংবা মতম ফাওবদা মখোঙৈগা য়াম্না ফুরুপ-কাংলুপকী মরীদা নক্লবা, মঙাই-মশেনস্থ ওইবা ম্যানমার লৈপাক্কী খ্যোং, সন্দু, অন্থু,*৩৩ অসিনচিংবা পেগুয়োমা অমসুং চিন চীঙশাংগী ফুরুপশিংগী লেপ্তুনা পোংশিন-চৈশিন্নরি হায়বসি সেক্তা এক্সকেভেসন, ১৯৯১ না খুদম-চাংদম পীরি।

নিওলিথীক এজ, অনৌবা চক্কী লুঙগী চীঙথক-চীঙমীশিংনা খ্বাইদগী ইহান হান্না মনিপুরগী লমদমঅসিদা ফুশিংগা শক-খঙনখি। অদুবু ফুশিং অসি মতম পুম্বগী ওইয়ু য়াদবা, অকাঙ্গী-অতোঙ্গী নংগনু য়াদবা অমদি মল্লক-মাংলক্কনু য়াদবা পোং-লমশিংনিনা খর পুরকপন্নুনা মীওইবগী হিংবগী নল্লগা পানবগী চঙবা পোংচঙবু মতীক চানা পীবা/পুবা ঙম্লক্তে। মরমসিনা পোংচঙ ওই-রকপনা শাবগী তংঙাইফদতা লাকখি। অস্নুন্না ফুশাবা হৌরকখিবসি শাংলবা খৃমাঙ: চহি ২৫০০ গী মতমসিদগী খৃষ্ট মমাঙ চহি ১০০ গী মঙ্গুংগী মতমসিদা কনাগুম্বা অমনা/খরনা শারে হাঙ্গৈবা খঙলবসু মদুগী মতম লেপ্পগী ব্লারোল-ব্লাফমসি মতীক চাবা খুদম-চাংদম লৈতবনা কনানসু হাঙ্গৈবা ঙম্লদ্রি, ঙমসু ঙম্লরোই। অদুবু হাঙ্গৈরিবা মতমগী মরক খৃষ্ট মমাঙ ২৫০০-১০০ সিদা ফু শারে হাঙ্গৈবসিদি তশেংনা লৌবা য়ারে। অদুবু হৌরকফম শীন্থাখিবা মীশক, মাগী ফুরুপ, মতম, পোংচাক, করম্না তৌবা হাঙ্গৈবনচিংবা ব্লাহংশিং অসিদি অমম্বগী ফিজংনুংদা লৈরি। মৈতৈ লৈপাক, মনিপুরদা ফু শাবা হৌরকপসি পুম্নমক পুমখঙ খঙলগা হৌরকপা নত্তে। চাংয়েং কয়ারক, থৌদৌ লাকতৌ, খুংশা লাকশা কয়া মরুম হোংনরবা মতুংদা মসিনা, মস্নুন্না, মসিদা তৌরগা/শারগা ফৈ হাঙ্গৈবসি লেপ্লক্লিবনি, তং তারক্লিবনি। হায়রিবা থৌওং-থৌদৌ অসিদা মতম লৌরম্লোই হাঙ্গৈনা খনবা ঙমদে, য়ামদ্রবদা চহি ১০০/৫০ শোঙ্গৈদনা চঙলম-গনি হাঙ্গৈনা থাজজে। অদুম ওইনমক হৌজিক ফাওবদা মনিপুরদা খুংনা শাবা ফুশিং অসি নান্দে, মহুপ কুপতে অমসুং পৌনা উঙ্গী অদুগা ঙসি ফাওবদা অরংবা/নল্লগা লংখংপা (Glaxed ware) ফু শারকপগী মমি তাদ্রি।

পাৱারী-পুৱারী চক (Metal Age : Iron age, copper age, bronze/belmetal age) লাকপা হৌরকপগী মতমদদি মনিপুরদা মীরৈপাক্কগী ফু পুশিল্লক্ত্রবস্তু লৈপাকসিগী লৈরি-পাল্লিবা মীওইশিংগী কোন্ননবা ফু শাহ্নুনা শীজিন্নরে হাঈবসি খঙবা ঙমলে। ঐতিহাসিক মনিপুরী/মৈতৈ সমাজ অহূগী লন্নাইগী অমস্তুং মীয়ামগী থবক-থৌরম, থৌওং-থৌদৌ, থৌদা-থৌশিন কয়াদা শীজিন্ননবা ফু মথল কয়া খেন্ন-খেন্নরবা মওং মতৌ; চাওবা-পীকপা অমস্তুং থাবা-পাবদা শাহ্নুনা চৎনরকখি। অস্থুন্না লৈপাকসিগী খুৎহৈবা শীন্মীশিংনা পুরকপা থৌদাং অসিগী খ্রাইদগী হেন্না চাওবা শরুক্তি তম্মীশিংগী মরক্তা চকপা ফুরুপশিংনা মাঈপুনরকখি[৩৪]। পাৱারী-পুৱারীগী ময়াঈচনবা চক্কী তাংকক হৌগৎলবগী মতম, অঙনবা মতমগীস্তু মমৈ হুইথরকপা মতম অনিসিগী বৃত মন্নুংদগী লোইবী চীঙখোঙ-চীঙয়া অমস্তুং লোইয়া-তময়াদা খুন্দা-খুনপানবা চকপশিংনা মনিপুরগী পোইরৈ মৈতৈগী ইতিহাসকী ময়াঈ চনবা মতমদগী মৈতৈ নিংথৌগী লোইগী শীংদা চল্লক্রবা মতমদা ফুশিংতনা লোইহাবা-চকপা খুঙ্গংস্তু য়াও-রকখি[৩৫]।

তম্পাক্তা চকপশিংনা ফুশা-ৱানশাবগী শীনওইনরিঙৈগী মতম-সিদা মৈতৈ তম্পাক্কী অকোঈবদা লানবন ওইনা খারিবা চীঙলোন মপনসিদা তোংলিবা লোইবী হেম্বচা চীঙমীশিংস্তু মখোঈ মখোঈগী ফুরুপ-কাংলুপশিংগী য়ুম্বান-কৈবানগী চঙদ্রবা য়াদ্রবা মহী অমস্তুং ঈশিংগী হাপফম অতৈ পোংচাকশিংগী হাপফম্না মথেল ওইনা শীজিন্নরবস্তু লৈফু (লৈপাক্কী ফু) শীজিন্নবগী মফমদি হন্থরমদে। মখোঈস্তু মখোঈগী শীজিন্নবা কোন্ননবা পোংথোক পুথোকপদগী হেন্দোক্তুনা অতোপ্পা মঙাই ওইবা ফুরুপশিংগী অৱাৎপা মেনখৎপা

ঊন্নবা শীনফম শীনশূ পাঙ্গখংপা চীঙগী ফুশাবা খুন খরস্থ হৌরকখি অমস্থং থবক্না মখোঙ্গীতুগী মমিং য়েল্লখি। মখোয়শিংতুগী মরক্তা ন্নুঙবী, হুন্দং, থোংজাওরোক, ওইনাম ঙসি ফাওবদা মমিং লৈরি[৩৫]। লাক্লিঙবা মফম অমদগী, লাক্লিঙবা মতম অমদা ফুশা-ব্লাশাবনা মৈত্রবাক্তা লাক্লবস্থ মীওইনা হিংবগী য়ুম্বান-কৈবানবদা চঙদ্রবদা য়াদ্রবা মচাক অমস্থং পোৎচঙ অমা ওইরকপনা ফুশা-ব্লানশাবা নত্রগা চফু শাবা হাঙ্গবা থবকসি মৈতৈ লৈপাক মনিপুরদা লৈফম থোক্নুনা অস্থম্মক লৈরকখি অমদি লৈখিগনি।

রিফরেন্সশিং

*১ — মসিল (খুংয়ি) : পুরোঙ্গ মসিল (খুংয়ি) ॥

II) চৈ:, কু:, লা:, ৫১ অমস্থ ৫৮

মৈতৈনা হিন্দু ধর্ম্ম খৃ: ১৭০৪ দা লৌদ্রিঙৈগী মমাঙ অমস্থং মতুং খৃষ্ট ১৭২৫ গী মমাঙদগি অনিশুবা ওইনা ফুম্বা (Secondary Burial), লু-শক্ন ফুদা হাপ্লগা ফুম্বগী পোৎলোঙ্গ মখলসি চৎনরম্মী মতুবু লু চনবা কৌই। মৈ থাহুনা পোৎলোইবগী হিন্দু চংনবীসি লৌরবদস্থ ফুদা উৎ হাপতুনা ফুম্বগী চম্বনবীসি ঙাক্লরম্মী, মসিবুনা মঙচনবা কৌই। ফুচনবগী খুদমশিং মথক্কী লা: ৫১ অমস্থং ৫৮ দা য়াওরি।

*২ — ওইনাম ভোগেশ্বর : লৈমরেন মিংথৈ (ইম্ফাল, ১৯৭০) লা: ১২ ॥ (লৈমরেনগী ৫০ শুবা মিংলেন্নি) ॥

*৩ — চকপরোল (খুংয়ি) ॥

*৪ — ম: য়া: ॥

*৫ — লৈরোল, (খুংয়ি) ॥ মহাদেব লৈহেক্লোন (খুংয়ি) ॥

লৈ অসি মে-জুন্দগী সেপ্তেম্বর থা ফাওবগী মতমদা মকা ফন্না, মতম ফনা শাৎপা লৈনি। Botanical identification তৌদ্রি।

*৬— I) চকপা চাইরেন লোন (খুৎয়ি)॥

II) রাজো মাইবী : লাংদাই (ইম্ফাল ১৯৮০) লা: ৬৬-৭॥

*৭— চকপা চাইরেনরোন (খুৎয়ি)

*৮— ম: য়াও:॥

*৯— সোগাইজম রুহিনীকুমার : উমং লাই—উমং লাই লায়-কোন (ইম্ফাল, ১৯৯) : লা: ১২॥

*১০—রাজো মাইবী : ম: লাই: লা: ৬৭

*১১—অঙোম খোঙহৌ (খুৎয়ি)॥

*১২ –State Archaeology. : Archaeology of Manipur (Imphal, 1988) : P. 3.

*১৩—Ibid : P 3.

*১৪—O. Kumar Singh : Prehistoric Archaeology of Nongpok Keithelmanbi (Imphal, 1986) : Pp. 58-9.

*১৫—Ibid Pp. 58-9.

*১৬ –State Archaeology : op. cit p. 4.

*১৭—Ibid p. 4.

*১৮ –Ibid : Pp. 4–5.

*১৯—Ibid : p. 5.

*২০—i) Ibid. p. 6·

ii) O. Kumar Singh ; op. cit 10–11.

*২১—Ibid Pp. 10-11, 2-5-30, 47, 62-68.

ii) State Archaeology : op. cit. p. 6.

*২২—Ibid : Pp. 6-7.

ii) O. K. Singh : A stone Age Site in the Manipur Valley (Imphal, 1983) : Pp–17-8, 22

*২৩—State Archaeology ; op. cit : p. 7.

*২৪—Ibid : p. 8.

*২৫—Ibid Pp. 8-9.

*২৬—Ibid : p. 9.

*—Ibid. p. 9.

*২৮—B. Kulachandra,
Sekta Treasure No. 2
(M. S.).

*২৯—Jayanta Bhusan Bhattacharjee ;
12th Session : Proceedings of North East India History Association (Jagroad, 1991) p. 120-121.

*৩০—Superintendant, Stat Archaeology, Manipur গা অইবগা পুন্না চংমিন্নহুনা য়েংলুবা অমসুং থিরুবদা উরকপা ফংলকপা ॥

*৩১—O. Kumar Singh : op. cit. Pp. 67-68.

*৩২— i) Ibid p 62.

*৩৩—ii) State Archeology : op. cit. p. 6.

*৩৩– By Authority : Gazetter of Burma Vol. I (Gian Publishing House, Delhi-110007, 1987) : Pp. 184-6.

*৩৪— i) তম্পাকলোই মসিল (খুংয়ি) ॥

ii) মসিল (খুংয়ি) ॥

iii) লোইয়ম্বা সিনয়েন (খুংয়ি) ॥

*৩৫—ম : য়াও : (খুংয়িশিং) ॥

*৩৫—মুতুম্বা বাহাদুর ; মনিপুরী আর্টকী ৱারী শীঙবুল (ইম্ফাল, ১৯৭৬) : লা: ২৩-২৫ ॥

(২)

মহী হাপফমশিং শারিবা পোৎচাকশিং : ফু শাবগী পোৎচঙশিং : পোৎচাক, খুৎশু-খুৎলায় অমসুং অতৈ মচাকশিং :—

মৈতৈ লৈপাক মনিপুরদা ঐখোঈগী শতাব্দীসিগী তংখাঈগী মমাঙদগীহঙ্গৎনা হৌখ্রবা শতাব্দী ৪৪ রোমগী শাংলবা মতমসিদা য়েংথংলবদি মহী ওইবা পোৎলমশিং হাপ্পা অমসুং তুংশিন্দুনা থম্বগী থবক থৌরম খুদিংমক্তা হাপফম ওইরকপশিংসি লৈফু নত্রগা লৈপাক্না শাবা ফু/চফুশিংনা মরু ওইনা শীজিন্নরকই হাঈবসি আর্কিওলোজিকেল প্রি-হিষ্টোরিক, প্রোটো-হিষ্টোরিক্ অমসুং হিষ্টোরিকেল্ সাইটশিং এক্সভেসন তৌরবশিং অসিগী ফংলিবা পোৎলমশিংগী মেটারয়েল কলচর নৈনরগা খঙবা ঙমই। হাঈরিবা মতমসিগী মতুংদা খৃ: ১৯৫০ দগীদি কোন (ধাতু Metal) গী ফু/হাপফমশিংনা নম্না শীজিন্নরক্লি। অদুবু মনিপুরগী হৌজিক্কী লৈঙাক্লোনগী লমথৈ মনুংদা লৈরিবা চীঙমী-তম্মীগী ফুরুপ-কাংলুপ-শিংনা থাঈনবৈদগী শীজিন্নরকপনা হৌজিক ফাওবা থাদোক্তিবা খেন-খেন্নবা পোৎচাকশিংনা শাবা মহী অমসুং মহী নাইবা হাপ্পবা হাপফমশিং অসি মখোয়ঈবু শারিবা পোৎচাক অদুগী মতুং ইন্না মখল ১১ (তরামাখোইরোম) শুই। মখোঈশিং অদুদি—(১) লৈপাক্না শাবা লৈফু/ফু/চফু (খুদম : ইরাংপুন/পাংঙ্নপুন/পুন্-কংনানবী), (২) নুঙনা শাবা নুঙফু (খুদম্ : নুঙ্দেংকোৎ), (৩) কোন্না শাবা কোনফু/কোফু (খুদম : চাইশেল), (৪) উহৈগী অকনবা মকুনা শাবা কোরেক্/তুম্বা (খুদম : খোমতুম্বা, খোংদ্রুম

অখাবগী মকুনা শাবা তুম্বা), (৫) উহৈগী মরুগী অকনবা মকুমা শাবা/শেম্বা ফু (খুদম : হীদাকফু), (৬) উদগী খেত্ত্না শাবা উরুক (খুদম্ : য়ুবী খুজাই), (৭) ব্লাগী মতোংনা শাবা/শেম্বা-ব্লাউতোং (খুদম : উতোং) (৮) প্লাষ্টিক্না শাবা পাত্র (খুদম : প্লাষ্টিক বকেট), (৯) লীক্লিনা শাবা পাত্র (খুদম : লীক্লি গ্লাস), (১০) এনাম্টে/চীনামাতিনা শাবা পাত্র (খুদম্ চাগী কপ), অসিনচিংবশিংসিনি। মখোঙ্গশিং অসিগী মরক্তা কোনগী মখল তোংঙান তোংঙানবনা মনিপুরদা ফংলবা কোনগী পাত্র কয়ামরুম লৈ। মনিপুরদা ফংলিবা কোন্গী মরু ওইবা মখলশিংদি—(I) য়োং, (ii) ষ্টিল, (iii) কোরী, (iv) টিন, (v) লুপা (সিলভর) (v) সনা, (vii) নিকেল, (viii) মিশি, (ix) জিঙ্ক অমসুং (x) য়ানবা ধাতু (Alloy) শিং হাঙ্গবদি, মরু ওইনা (A) শেন (Belmetal), (B) শেঙ্গাং (Bronze), অমসুং (C) পিথ্রাই (Brass), অসিশিংসিনা মরু ওইবা কোন/ধাতুশিংনি। অদুবু হাঙ্গরিবা ধাতুশিং অমতা নীঙথী ন্নুংঙাইনা মনিপুরদা ফংদে হাঙ্গবা য়াই।

মৈতৈনা মথক্কী পোৎচাক ময়ামসিগী ফুশিংগী মন্নুংদা মনাৎকা কোন্ননা থাদোক্লবা য়াদবা লোঙ্গনরিবা ফু মখল অসিদি লৈপাক্লা শারগা মৈ য়িক্ত্না মথৌ হাপ্লবা ফু অহুনি। অদুগা মথক্কী ময়ামসিদগী নম্বর (৪), (৫) (৬) অমসুং (৭) অসি থাদনা মৈতৈ লৈপাক্তা শাবা ঙম্লিবসি নম্বর (১) অমসুং (২) গী লৈপাক অমদি ন্নুঙগী ফুশিং অসি থক্তনি। অদুগা অনিসিগী মরক্তসু হেন্না হোঙনা, হেন্না য়াম্না শান্নবসি লৈপাক্কী ফুশিং অসিনি। মরমদি মসিদি মমাঙ্ঙৈদগী হৌনা মনিপুরদা শারক্লবা অমসুং মচাক ফংবা মখলগী পোৎথোক্নি।

মনিপুরদা কোন শাবা/শুবা/হৈবা, শেন শাবা হৈবা অসিনচিংবগী থবক অসি তৌরম্মী হাঙ্গৈবসি ইতিহাসকী লমা-ঈদা কুম্বাবগী খুংথাংদগী ফংই * ১ অমসুং আর্কিওলোজিকেল রিমেন্সনসু সৌগংলি (খুদম্ ওইনা : শেন্ ময়েকশিং * ২) হাঙ্গৈরিবা খুৎশা-হৈবগী শীনফম অসি মনিপুরদা মনীঙ্ তম্বা মৈতৈ নিংথৌশিংনা পাল্লিঙৈদা কোন্‌শঙ মৈফম লিংজুনা লৈনরম্মী। মতুংগী খুদম হাঙ্গৈববু কোন শাবা ময়ুমনি হাঙ্গৈজুনা 'কোনশাবা ময়ুম' শমজিল্লক্লগা কোনশামময়ুম' কোনশাবম্ কোনশাম অমসুং অরোঙ্গৈবদা, কোনশম হাঙ্গৈনা য়ুন্নাক তাজুনা লৈরি। অতুগুমজুনা শেঙ্গম, শেল্লৈবম/শেল হৈবম, অহৈবম অসিনচিংবা ওইখি। অতুদসু নত্তনা য়োৎ-থাঙ্গী কোনশঙ মৈফম লিংবদা থাঙজম; সনাশাবগী কোনশঙ মৈফম লিংবদা সনাশাবা ময়ুম সনাসাবম, সনাসাম, সনাসম, স্নসম; অসিশিংসিনি। মসিদগী তোঙ্প্পদা লুপাগী কোনশঙ্ মৈফম লিংলম্বদি কাংঙা—শেনবা ময়ুম, কাংঙাশেনবম, কাংঙবম্ অসিনি। অতুবু হিংনবগী লানফম মাঙ্গৈয়োক্লরক্‌পদা মতম মতমগী ওইবা মান্নদবা শীনফম্মা শেন্দান লম্বী নুংঙাইবনা মরম ওইজুনা খৃষ্ট কুমশীঙ ১৯৭০ শিংগী মনুংদা কো-ওপরেটিভকী খোঙথাংদা কোনহৈবগী সোসাইটি লিংখত্তুনা চঙশিন্নরকপদগী মনিপুরদা ধাতু হৈব (**Metal Mouldery and Foundry**) গী কোন্‌শঙ্ শিং লিংখৎনরকখিবা ঙাক্তনি।

ফু শাবগী থাঙ্গৈনঙৈদগী চৎনরক্‌পা শীনফম্ অসি চকপশিংতনা মমাঙ্ ঙৈদগী তৌরকপনা মনিপুরগী কাচিন-কোয়া থুংনা তারিবা চকপা খুন অয়াম্বা * ৩ পুন্নমক্ অসি ফুশা—রানশা হৈবা অমসুং ফু শারকপা খুঙ্গং ঙাক্তনি। অতুবু চকপা থোংজাও/থোংজাওরোক্ (বিসেনপুর ডিষ্ট্রিক্কী মনুংদা বিসেনপুর টাউনগী নোংচুপ্লোমদা

চীঙলক্তা তারিবা চকপা খুল্) কী মীওইশিংসিনা চফু শাননবা পোৎচাক লৈপাক পেকফম লৈতবনরা নত্রগা অতোপ্পা মরম অমদগীরা খঙদে লৈপাক্কী ফু শাবগী শীনফম অসি থাদোকখিত্নুনা নুঙগী ফুশিং খেংপা, য়িংপা, শাবনচিংবা তৌত্নুনা নুঙ্গী ফুশা লাকশাবদা চঙ্শিন্খি। চুম্নদমক চঙশিনখিবদা নত্তনা নুঙ্গী ফুগী পোৎথোক পুথোক্পদা ঙসি ফাওবদা মমিং লৈরিবা খুঙ্গং অমা ওইরি অমস্তুং মফম অসিগী নুঙদেঙ্গোং, নুঙ্গী শুম্বল (মচা অমস্তুং অচৌবা), নুঙগী হীদাকফু, থাউমৈ মখোঙ্নচিংবা মমিং চৎলি।

লৈপাক্কী ফু শাবগী মথল অমস্তুং পোৎচঙশিং ঃ—

পৃথীবীগী মফম অতৈদা তৌবগুম মনিপুরদসু লৈপাক্কী ফু শাবগী ফুশা মওং অসি মথল অনি শুনা লাইরিক অমদা ফুশা মথল অমা পল্লম্বগী মতুং ইন্না * ৪ মতম খর চৎনরম্বগী মওংদা ফংই। মখোঙ্গ অনি অতুদি থাঙ্গৈনদগী চৎনরক্পা হৌজিকসু চৎনরিবা খুংনা শাবা ফুশা অমস্তুং মীরৈপাকচাশিং খুন্থোক্লপদা পুশিল্লকপা মতম তেন্না হিংলম্বা কাংখোঙ লৈত্নুনা শাবা খুংশা অনিসিনি। অহানবগী ফুশা অসিদি মনিপুরগী মতমচুপ্পগী ওইবনা মসিগী মরমদতা নৈনরক্খিগনি। অতুগা অকোনবগী খুংশা অসিগী মরম্দা চাওরকপা অফংবা রারোল্শিং উংচরি :—

কাংখোঙ লৈত্নুনা শাবা ফুশা (wheel made pottery) অসি খুরোই হাওবা লমাংতোংগী খৃ: ১৬০৬ কী লানফমদা * ৫ ফাহোবা পাংঙল মুসলমান, নুরিয়া শৈখ কৌবা অমনা খৃ: ১৬০৬ কী অতুরাইদা মনিপুরদা হৌদোক্খি। মতুগী মরমদা পীরিবা রারোলদি :—

"নুরিয়া সৈথ, তরপ সনালৈপাক্কগী ... লাম্মী অমনি। খৃ: ১৬০৬ কী ইংঙাগী ১৭ নি পানবদা ময়াংগা মৈতৈগা য়াঙ্গোইদা শোরুবা লান্ লোঙ্গৈরবদা লানফা মুসলমানশিংগী মরক্তা য়াওহুনা মৈতৈ লৈপাক্তা লানখোম ওইনা খুন্দাখি। মহাক হান্নদগী হৌনা চফু শারকপা কুমার ফুশাবনি। মহাক্তা মৈতৈ লৈপাক্তা ময়াং তৌবুলচা সলিয়াগী মতেং লৌহুনা লৈপাক্তা, শিং মান্না সনাবুল অমথক তরেংনা চাকা লৈহল্লগা চাকা শিজিন্নহুনা শারগা প্রেমেনা লানচিংলেন (মহম্মদ সানি)গা লোঙ্গননা লাইয়িংথৌ খাগেম্বদা কংখি। মাগী থবক অসিদা মৈতিংঙুনা পেনবিহুনা য়ুম্নাম চনু নাইওইবী, নিংথৌ নাক্তা খনবী শ্রীবেদীবু তাল্লোই মতু ওইনা মনা পীবিখি। অমসুং মাগী ময়ুমবু মুসলমানগী চফু শাবা ময়ুমনি হাঙ্গহুনা ফুসম হাঙ্গনা মৈদিংঙু খাগেম্বনা থোনবিখি॥" * ৬ অসিনি॥

ব্রারোল্গি কোন্নরিবা ফুসম হাঙ্গবা মৈতৈ পাংঙল য়ুম্নাক অসি হৌজিক হৌজিকমক লৈরি, লিল্লোংদা তাবাশিংদি ফুসমদগী 'পুসম' হাঙ্গনা হাঙ্গখ্রে। মথক্তা সেক্তা এক্সকেভেসনগী মতাংদা সাইট/মফম অহুগী খ্বাইগী ঈরোই লোঙ্গবা লৈহুংগী লৈমাইগা তাইনবা ৬ শুবা লৈরোন অমসুং ৫ শুবা লৈরোনশিংদা কাংখোঙ উংবীগী ফুগী চেগাঙ্গ অমসুং ফু ফংই হাঙ্গরিবসিনা তাক্লিবদি কাংখোঙ উংবীগী ফুশা (wheel made pottary method) অসি চহি ১০০ রোমদি হিংলম্বা য়াই। অহুবু মহুগী মতুংদগীদি ফুশাসি মুংথিহুনা থাঙ্গনদগী চংনরকপা খুংনা শাবা ফুশা অহুদমক হিংহৌখি অমসুং কাংখোঙ্ লৈবীগী খুংশা শীজিন্নরম্বা ফুসম ফুশাবশিংগী খুংনা শাবা ফুশাদা শীন্থাখিবগুম তৌই।

অহানবগী খুংনা শাবা ফুশা অসিদি খ্বাইগী ওইনা লৈপাক খ্বাইদা পোংথোক মরাং কাঙ্গনা অমদি মমল হোঙনা পোংলম

ফংহনবা ওন্বা খুংশানি। মসি হৌজিক হৌজিকমক মনিপুরদা চংথরিবা তম্পাক্কী মমিং লৈবা ফূশা রানশাবা খুঙ্গংশিংদি (১) অন্দ্রো (ইম্ফাল ডিস্ট্রিক), (২) চাইরেল্ (থৌবাল ডিষ্ট্রীক) (৩) নোংপোক সেকমাঈ (থৌবাল ডিষ্ট্রিক', (৪) খা সেকমাঈ (থৌবাল ডিষ্ট্রীক, মুংঞ্জে), (৫) অরাং সেকমাঈ (ইম্ফাল ডিষ্ট্রীক) (৬) থোংজাও (থৌবাল ডিষ্ট্রীক্কী ককচীঙ অমসুং লাংমৈদোংগী মখাদা ইম্ফাল শুগনু লম্বী পনথৈ মনুংদা তাই, মখোঈ অসি বিষেনপুর ডিষ্ট্রীক্কী থোংজাও /থোংজাওরোক চকপখুল অতুদগী হোংলকপা মীওইশিং ওইরম্বা য়াই), (৭) থৌবান্দোং (ইম্ফাল ডিষ্ট্রীক) অসিনচিংবশিংনি।

মনিপুরগী হৌজিক ওইরিবা লমথৈগী মনুংদা লৈরিবা চীঙগী লমদা লৈরিবা ফূশা-রান্শাবা মফম/খুঙ্গংশিং অসি মথক্তসু পঞ্চ-গ্রে, অতুবু অমুক হন্না শীঙথাজরি, (১) হুন্দুং (উখ্রূল ডিষ্ট্রীক), (২) নুঙ্বী (উখ্রূল ডিষ্ট্রীক্), (৩) ওঈনাম (সেনাপতি ডিষ্ট্রীক) (৪) থোংজাওরোক/থোংজাও (চুরাচান্দপুর-বিসেনপুর ডিষ্ট্রীক) অসিনচিংবশিংনি। মখোঈশিংসিগী মনুংদা নুঙবীদদি লৈপাক্কী ফু শাবতা নত্তনা ম্নুঙগী ফু অমসুং অতৈ পোৎলমশিং শাবগী-দমক্তসু মমিং চংলি। ওঈনাম খুনগী মীশিং অসি তমপক্তগী খুনহোংলক্তুনা মখোঈগী লমথৈ মনুংদা তারম্বদগী মখোঈগী মী ওইখিবনি হাঈদুনা পুমৈশিংনা কহোক-ঙাকথোক্লবা কন্না লাক্লে * ৭। তশেংনমক্সু মখোঈগী খুলগী মমিং অসি খল্ল্রগা, মখোঈ অসি, খা-সেকমাঈ (ককচীঙ্গী মমাঙ্দা লৈবা সেকমাঈ তুরে-ল্গী মরূগী লমদমদা লৈবা চক্পশিংনা খুন্দাবা খুন) দগী "খৃ: ১৭০১, শকাব্দ ১৬২২ গী লমদা থাগী ৫ নি পানবা থাংজদা চকপা সেকমাঈবু ইহারাইদা লৈস্নুনো হাঈনা থোমগৎলে," * ৮ হাঈবসিদা য়াওরকপা চাকপা লৈসাওনবম/ওঈনম অরাং সেকমাঈদা

তাবশিংনা হিংনবগী পোংথি-চৈথিবা, শীনশূ-শীল্লংবদগী চীঙ্দা কাহুনা পান্থিবা, মখোঈগী ওঈনম হায়না ফুরুপকী মিং অহু ট্রান্স-প্লাণ্ট তৌবা অমস্তুং মহুদগী ওঈনাম হায়না থঙ্নখিবা মাল্লি ।

হৌজিক ফাউবদা মনিপুরদা চৎথরক্লিবা আর্কিওলোজিকেল এক্সেভেসন অমস্তুং মসিগী ট্রায়েল্ ডিগগীংশিংদগী লৈন্নুংদগী পুথোক্লক্লিবা নিওলিথীক অমস্তুং মেটেল্ এজেশিংগী ফুশিং অসিগী অয়াম্বা শরুক্শিংদি মনিপুরদা শাবা ঙম্দবা (খুদম: গ্লেজ ব্যার *৯ (অমস্তুং শারমগদবা মান্দবা (খুদম: হুমিং অমস্তুং মশেক্লা লৈরোং নম্বা মচীনখুবা লৈরীশীং) ফুশিংনি। পুঙদোংবম, সেক্তা, লাইমনাই অসিনচিংবা আর্কিওলোজিকেল্ সাইটশিংদা ফংলিবা লৈরী অমস্তুং লীশিং অসিগী * ১০ পোংথোক য়াম্না মফমশিংসিদা থোক্পসিনা মনিপুরদা য়াম্না মরাং কাঈনা ফংলম্মী হাঈনা লৌ-রবস্থু, ফুশিং অহুগী ফুওং-ফুদা, পোংচাক্-পোত্তা, মহুপ কুপ্পা, শাবদা শীজিন্নরমগদবা হৈ-শীংবা অমদি থৌওং-থৌদৌ, থোক্লিবা ময়েক অমদি লৈতেংলিবা লৈরোং-লৈহং (ceramic impression and design), শংলিবা মচু অমদি মচু শীজিন্নবগী হৈ-শীংবা অসিনচিংবশিংসি য়েংলুবদা মতমহুগী মনিপুরগী ওইবা য়াবা ফিবম-ফিরেপ্পচিংবগা চাংদম্নরকপদা চমন্নবা কয়ামরুম লৈর-কই । * ১১ অহুগা মনিপুরদা অরংবা/লংখৎপা ফু Glazed ware) অমস্তুং মখোঙ অহুম খোঙনাইবা ফু (Tripod legged pot) শারম্বা নত্রগা শীজিন্নরম্বগী ৱাফম থোইনা থেংনদে অমস্তুং লৈতে * ১২। মনিপুরদদি ফুগী মখোঙ্ অসি য়োংশুবী মখোঙ শাবা শীজিন্নদে, খোঙনাইবা তারবদি মখোঙ্ অসি কোঈ-না ফুগী ফুনীঙদা অকোঈবী মপান নাইবা ওইনা হাপ্পৈ ।

মনিপুরগী থাঙ্গৈনঙৈদগী চৎনরকপা খুৎনা ফুশা-ৱানশাবা হৌদোক্লকপগী ৱাফম অসি চহিগী মতাং থেন্নরবস্থু পারারী-পুৱারীগী মহৈরোঈশিংগী ওইবা চক্কী মতাংদদি লাইরিক্-লাইশুগী ৱারোলগা আর্কিওলোজিগী ওইবা ৱারোলগা চীনখুম্ চপ মান্নে, অনিমক প্রোটো-হিষ্টোরিক্কী চক্তা ঙাক্তনি । অদুগা লমদমসিদা মহী অমসুং মহী নাইবা পোৎশিংগী লৈপাক্লা শাবা হাপফমশিং অসি মৈ য়িক্তনা মথৌ শংলবা ঙাক্তনি । হাঈরিবা ৱাফমসি ঐখোঈনা হৌজিক হৌজিক শীজিন্নবদা উরিবা, থেংনরিবা পুন্নমক্ অসি অমসুং আর্কিওলোজিগী পোৎথোকশিং অসিনা খুদম চাংদম ওইরিবসিনি । মৈতৈ লৈপাক্তা ফুশা-ৱানশাবগী চৎনরকপা ৱাফম খরদি :—

(১) মনিপুরদা থাঙ্গৈনদগী চৎনরকপা ফুশা-ৱান্শাবগী মওং অমসুং খাইনা য়ান্না পান্নবা অমদি খাইগী ওইবা খুৎশা-লাকশাগী মখলদি, খুৎনা শাবা ফুশা অসিনি অমসুং খুৎশা মওং অসিমক হৌজিক্সু চৎনরি ।

(২) মনিপুরদা ফুশা-ৱানশাবগী থৌরম শীল্লমদা থৌ ওইনা শীগারিবা ফু শারক্লিবা শীগ্নীশিং অসি নুপী ঙাক্তনি অমসুং নুপী শীনফম ওইনা লৌনৈ ।

(৩) ফুশা-ৱানশাবসি মনিপুরদা নুপাশিংনা তৌনদে, পাঙ্গৈনদে অমসুং চংনদে । নুপাশিংনা শীনফম অসি তৌবা চোপ্পে, লেম্নদে ।

(৪) লাঙ্গৈ-তীনগী অকক্নবা ফুশিং, লাইথৌ-তীনথৌগী ফুশিং অমসুং মৈতৈ নিংথৌগী থৌরম-থৌদোকশিংদা শীজিন্নবা ফুশিং ফুশা-ৱানশাবগী অকক্নবা ফুরূপ অমদি য়ুম্নাক, লৈপাকপেকফম্গী অকক্নবা মফম লৈনৈ * ১৩ । মৈতৈ নিংথৌগদি

চকপা থৌবান্দোং অমসুং লীসম (মোইরাং য়েক) না কংলৈ মৈতৈ লৈমগী চাবোক-ব্রাঙ্গোন শঙগুম্বদা লৈপেকপা অমসুং ফুশাবগী থবক তৌই * ১৪। লৈপেকফম্না কোংবা অমসুং হাওখা অনিসিদগী মথক্তা পীথিবা ফুরুপ অমসুং য়ুম্নাক অসিনা পেক্কদবনি।

(৫) খ্বাই পুন্নমক্কী ওইনা শীজিন্ননবা ফুশা-ব্রানশাবদসু লৈপাক পেকপগী থবক অসিদদি লাইথৌ-তীনথৌ তৌবসি * ১৫ মমাঙ ঙৈদগী য়াম্না নীঙথীনা চংনরম্মী। অহুবু হৌজিক্কী মতমদদি থর লাঈথোক্রবগুম তৌরে।

(৬) ফুশা-ব্রানশাবগী লৈতৌবদা লাইথৌ-তীনথৌ তৌবা অসিগুম্না ফুয়িক্পদ (চফু মৈ ইকপা) সু থৌনী-শীন্নীবা, য়াইফ থৌরাংবগী ঈরাৎপগী, থৌরম শোঈদনা তৌনরম্মী * ১৬অহুবু হৌ-জিক্তি মসিমসু লাঈথোক্লরক্লে।

মৈতৈদা ফু মৈ য়িকপগী থবক অসি ফু অতুগী মপাঙ্গল হাপ্পা অমসুং মথৌ শংবনি হাঈবা থঙলবসু মসিগী অকুপ্পা মচং-মওং, মতীক্-মপাঙ্গল অমসুং মথৌ-মসিল্দি খঙনা চৎপা উদে, মরমসিনা লংখৎপা/অরংবা (glazed) ফুশিং পুথোক্লমদবরা হাঈনা খন্দবা ঙমদে। চাক্পশিংনা ফুশা অমসুং ফুয়িক্পা ওল্লিঙৈগী মতমদা তৌরে হাঈনা পীরিবা ব্রারোল্দি মৈতৈগী লাইরিক্-লাইশুগী পরিংদা পীরি :— * ১৭

" সেনবী মতাইমা ।। থেংয়া চাঙৌরোক কৌবদি ।। চীঙ-খোঙ্ পোইরৈতোন্না ।। য়োৎপী চইসু মথৌ কুম্ ।। নোংপোক তমপু কেন্না ।। সেনপী সিতাপা কপো নাতাপাপু খুন্থিরকপতা ।। চকপা কৈতোং হাও পাখংও ।। মৈখু নোংলোন কাপা ।। অসিপু করি মৈনো ।। ময়ুম চক্পা হেমচেংনুপী ফুয়িক্মৈ ।।

চেকাঙ্গৈ কাকুপমৈ ॥ চক্ক তাংশোইমৈ ॥ ফুতিৎ নোংফাই মৈরা পাওংপাপু ॥ ....”

অসিদসু নত্তনা তেংথারিবা অমদি * ১৮:—

.... ॥ চকপা নুপী ফুয়িকমৈ ॥ হেমচেং নুপী ফ থামৈ ॥ চেকাঙ্গৈ কাকুপমৈ ॥ .... ॥” হাঙ্গৈবসিসুনি ॥

অদুগা ফুশা-ৱানশাবা অমসুং ফুথা-ফুয়িকপগী শীন্থা অসি চকপা ফুরুপশিংনা শীনফম ওইনা তৌগ্রবসু মখোঙ্গৈদা নত্তনা তম্পাক্কী অতৈ ফুরুপ খরসু শীনখোঙসিগী মহৈসি হৈদুনা লৈরম্বগী খুদম্ চাংদম লৈ। অদুগুম্বা ফুরুপশিং অদুগী য়ুম্নাকশিং অমদি শৌগ্রাক্পম/শৌক্রাক্পম, শৌকুলাক্পম/শাকুলাক্পম হাঙ্গৈবা অসিনি। মখোঙ্গৈগী য়ুম্নাক অসি “শাকু” (শা-কুবা/শা-থোংবা/ পীবা ফু) অসি শাবা অমসুং শাকুগী পীন্নবা/শেন্নবা/লাকপা ওই হাঙ্গৈদুনা থোন্বা/খঙনবা য়ুম্নাক্নি। য়ুম্নাক মসিদা, * ১৯ ...... ॥ “শৌক্রাকপম নঙতি শাকু ৱাললোং শা-ও ॥” হাঙ্গৈনা ষ্টেট ইমপোজ ফেমিলী দিয়ুতী ওইনা রোয়াল ওর্ডর পীরবা শীনফমনি। মসিদা ৱাললোং (ৱাল-য়িৱাল/উৱাল/উয়াল; লোং=লোংবা/ উপ্তবা : ৱাললোং=অরোংবা উয়াল, য়েন্শাং থোংনবা মথা লাউবা ফু) হাঙ্গৈরিবসি ইৱালবুনি। মরম অসিদগী খঙবদি শৌ-ক্রাকপম (নিংথৌজা য়েক্) অসিসু ফুশা-ৱান্শাবা য়ুম্নাক্নি হাঙ্গৈবসিনি।

ফু শাবদা শীজিন্নবা খুৎসু-খুৎলাঙ্গৈ

মৈতৈ লৈপাক্তা ফুশা-ৱান্শাবদা শীজিন্নরিবা খুৎশু-খুৎলাঙ্গৈ-শিং অসি মৈতৈ য়ুম্বাল অমগী নুংতিগী শীজিন্নরিবা খুৎশূ-খুৎলাঙ্গৈশিংদগী পঙতোপ তোপ্পশিং পঙয়াও য়াওদে। হেক খর খর অথন্নবা হাঙ্গৈববু ফৈয়ৈচৈঅসিমখক্তনি হাঙ্গৈবা য়াই। খুৎলাঙ্গৈশিং

অসি খর ঙল্লিঙৈ মতমদগী মথং মথং শমথরকপা অমসুং খুদোং চাবা য়েংহুনা হাপচিল্লকপা ঙাক্তনি । মমাঙদা শীজিন্নরম্বা খুংশ্ খুংলাঈশিংগী মমিংশিংদি *২০ (১) লইতওশুক/লৈতৌশুক্, (২) লইতওতোক/লৈতৌতোক্ (৩) খুক্উখাঙ্, (৪) ফুশাফাল, (৫) ফুয়ইচই/ফুয়ৈচৈ, (৬) লই-তাফাল/লৈতাফাল, (৭), লইশুশুক /লৈশুশুক, (৮) শাফু-ফু থমফাল, চফু ফুথমফাল অসিনচিংবশিংনি । অহুগা হৌজিক হৌজিক শীজিন্নরিবগী পীবিরকপা খুংশু-খুলাঈশিংগী মমিংশিংনা *১১ ফুনোইউপাক্, (II) উপাক মাঈকোঈ, (IV) লৈশুশুক, (V) নান ফদী, (VI) ফুয়ৈহুঙ্ (VII) ফুয়ৈচৈ, (VIII) লংশুংলংলা, (X) ফুনান ব্রাচেং, (X) উরীকাং (XI) কোঙ্গেং মকু অসিশিংসিনি । মখোঈশিংসিগী মওং-মতৌ অমসুং মথৌ-মঙম তাক্পীরকপশিংদি :—

(১) লইতওয়োং :— মসি ঐখোঈনা খঙ্লিবা চুন্নগী য়োংপাক অহুনি। লৈপাক তৌবদা শীজিন্নবা য়োংপাক্কি হাঈহুনা লৈতৌয়োং হাঈখিবতনি । ব্রানা মখোক পানবা লৈপাক তৌনবা য়োংনি ।

(২) লইতওতোক্ :—

মসি উনা/ব্রানা/য়োংনা মখোক্ পান্বা, অকোঈবা মকোঈ অমগী তংখাঈনা ময়া ফন্দোক্ত্না পানবা লৈপাক্, উথুল্ন-চিংবা তৌননবা য়োংকী তোক অহুনি ।

(৩) খুকউখাঙ্:— মসি ফিনা/লশিংনা থা-না শেম্নগা ফিনা য়োমশিন্দুনা মোনগুম তুশিনবা, লৈপাক তৌবা পেকপা নত্রগা থবক তৌবা মতমদা খুকউনা শৌবদা নাদনবা খুকউ মপাদা থম্নবা থৌরাং-মোন/ফিবুল্নি ।

(৪) **ফুশাফাল :**– ফু শাবদা শারিবা মী অতুনা ফম্নবা ফিদা ওইনবা উনা শাবা ফালনি। লৈমাঈদগী সে: মি: ৪ দগী ৭ ফাওবা ৱাংই।

(৫) **ফুয়ইচই :—**ফুয়ৈচৈ হাঙ্গৈবসি উনা শাবা ফুহিং (মৈ য়িক্তিবা ফু) না পেংলিক্কৈগী মতমদা ফুগী মতম লাকপা নত্রগা ফুমি তম্বা ফুহিংতুদা য়েঞ্চুনা/ফুতুনা/কন্দুনা/ ফুগী মওং শেম্ন-বা অমস্তুং লৈরোং নত্রগা ময়েক হাপ্পনা ফুগী মওং শেম্নবা অমস্তুং লৈরোং নত্রগা ময়েক হাপতুনা ফুগী লৈতেং শেম্নবা উগী থেঙ্গদগী মতোনগী শরুক্তা থর হন্থবা/পীকপা থোইনা পঙথা থাদবা খুৎলাঙ্গ অমনি। মসি হৈক্রু পাম্বীগী উনা লৈয়ই/ লৈয়ৈগী মওং-মতৌ লৌতুনা শানৈ। মসি, হৈক্রু উসিতনা মরু ওইনা শানৈ, মরমদি অতৈ উনা শারবদি উশিংতু চেকথাঙ্গগনবনা থবক নীঙথীনা পাংদে। থাইদগী হেন্না য়াংবা, চেকথাঙ্গগন্দবা উদি ৱাং উনি। অতুবু ৱাং পাম্বীগী উদি হোঙনা অমস্তুং মরাং কাঙ্গনা ফংদে। হৈক্রুদি চীঙ-মান্দা, ফুশাবা চকপশিংনা খুন্দা-রিবশিংগী অকোঙ্গবদা মরাং কায়না ফংই। করিগুম্বা ফুয়ৈচৈ অতুনা চেকথাঙ্গরক্রবদি ফু য়ৈবা য়াদে। ফুয়ৈচৈগী মরু ওইবা শীজিন্নফম হাঙ্গৈবু ফুগী মওং শেম্বনি। ফুহিং মিতম্বগী পেংলিবা লৈপাক্তু য়ৈ-য়ৈতুনা পাথহন্দুনা ফুতু চাওথোকহল্লকপনি। অতুগা অতোপ্পা অমনা ফুতুনা লৈরোং হাপ্পা অতৈ ময়েকশিং থোকহনবা অমস্তুং লৈতেংগী মওং-মতৌশিং শেম-শাবনি। মরম অসিনা ফুয়ৈচৈ অসি মখল অনি থোক্না লৈ। মখল অমনা (১) অচম্বা ময়েক অমতা থোক্লোইদবা, মওং শেম্নবতা ওইবনি, অতোপ্পতুনা (২) লৈরোং ময়েক/লৈতেং মখল ময়ামগী মন্নুংদগী অমা নত্রগা অনি হাপ্পা লৈতেং হাপ্পবা মখলসিনি। মখল অনিসি ফুয়ৈচৈ

অমতদা মনম অমস্তুং মবুক্তা হাঙ্গবদি মপাক্তুগী নাকল অনিঙ্গুগী মনুংদা অমনা ময়েক হাপ্পা অমদনা হাপ্তবা, পুমতিং তিংবা মওং দা ফুয়েচৈ শাবস্তু য়াই। অতু নত্রগা কুয়েচৈ অমতগী নাকল অমমমদা খেন্ন-খেন্নবা লৈরোং অনি হাপ্তুনা ময়েক থোক্হন্নবা/ লৈতেংনবগী ওইনা ফুয়েচৈ শাবস্তু য়াই। ফুয়েচৈ শীজিন্নবগী মওং মতৌদি-শাগদৌরিবা ফু অতুগী ওইগদৌরিবা মওংগী মতুং ইন্না, অহানবদা ফুতুগী মঙক্কী শরুক ফুশাববী খুত্তা চারবা লৈপাক/লৈননা শারগা ফুহিংগী মিতম্ লাক্কূনা ফুগী মিতস্থতু লোইশিন্দুতা থমগনি। মতুংদা ফুগী মনুং থংবা শরুক্তা ফুয়েন্নুঙ খুংনা পাঙ্গৈরগা থমগনি। ফুয়েন্নুং মনুংদা ঙাক্লিবা মপা অতুদা ফুগী মপানথংবা শরুক্কূদা ফুয়েচৈনা ফুতুনা মওং শেমগনি অমস্তুং লৈরোং/ময়েরুচিংবা হাপকনি।

(৬) লইতাফাল/লৈ-তাফাল :— লৈ-তাফাল্ হাঙ্গবসি লৈপাক্ তা-ননবা/নোইহংনবা/শেম্নবা উনা শাবা ফাল্নি। ফাল অসিদা লৈপাক পোংচাক ফুহিং মিতম লাক্কদৌরিবতু নোইগদবনি। চোংলি চোংলিবা, পেংলিবা পোংচাক্ লৈমু/লৈতান/ লৈখোম অতু মচল হাপ্তুনা নোইগদবনি।

(৭) লইশুগুক্/লৈশুগুক্ :—মসি লৈপাক্ শুননবা শুকনি। উনা শারগা কোন্থাং হাপ্তুনা পোংচাক লৈপাক্কী মচল্ নুঙজেংনচিংবা হাপতুনা লৈপাক্কু মনুং থীংনা চাং মান্ন-নবা শুবা মতনদা শীজিন্নে। লৈপাক পোংচাক অতুগী মচলশীংতু কুপ্ পা-পৌবা মান্ননবা লৈপাক্কী লৈকুপ মরীক্কী চাংদা শুতুনা শেম্না খুংলাঙ্গনি।

(৮) শাফু ফুথমফাল :— শাফু ফুথমফাল নত্রগা চফু ফুথমফাল হাঙ্গবা অসি উনা শাবা সেঃ মিঃ ৪ দগী ৮ লোম

ফাওবা ৱাংবা ফালনি। মসিদা ফুহিং মিতম্বা ফু নল্লগা শাক্বা লোঙ্ঈরবা ফুহিংশিং থম্লনবনি। লৈরোং লৈতেং হাপক্লদবা ফুহিং পান্দম লাকপশিং থম্বদনা হেন্না শীজিন্নৈ।

হৌজিক্কী মতমগী খুংগু-খুৎলাঙ্ঈশীংগীদি—

(I) **ফুনোই উপাক :**— মথক্কী নম্বর (৬) কী লৈতাফাল অহুনি, মমিং খেন্নবা/হোংদোকপগী ৱাফম্নি।

(II) **লেপশুম/লেপশুম্বল :**— উনা শাবা অরেপপা শুম্বল হাঙ্ঈবনি। মসিগী মরু ওইবা শীজিন্নফম হাঙ্ঈববু ফুহিং মিতম্বা ফুহিংশিংগী মঙক্, মচীন/মখানচিংবা শাবা মতমদা থম্লনবনি। মসি মথক্তা শারিবা নল্লবা শাবা লোঙ্ঈদ্রিবা নল্লগা শাগদৌরিবা ফুহিং পান্দম লাকপশিং অহু থম্লগা মঙক মথা/মচীন শাবগী থবকশিং অহু তৌই। অচৌবা খরুং, ঙাংখনচিংবা শারকপা মতমদনা নম্না শীজিন্নৈ। মখাদা নল্লগা মাঙ্ঈকোঙ্ঈফাল নল্লগা মাঙ্ঈকোঙ্ঈ উপাক (মথং নম্বর (III) দা য়েংবিয়ু) তা থম্বদি অয়াংবা ফু ওইরবদি য়াই অহুবু অচৌবা অথাবা অমস্নুং অরুম্বা ফু ওইরবদি ওইরবদি খুংলোঙ্ঈদে অহুনা লেপশুমদা শীজিন্নৈ। তশেংমক্তি মসি উনা শাবা মখোঙ/ফম্বাক স্তেন্দ/প্রোপনা মতেং পাংননবা থাঙ্গৎফম ওইনা শীজিন্নবনি। মনিপুরগী অতৈ ফুশাবা মফমশিংদগী চাইরেন্দনা হেন্না শীজিন্নৈ।

(III) **উপাক মাঙ্ঈকোঙ্ঈ :**— উনা অকোঙ্ঈবা উপাক মচেৎ অমনি। ফুগী মমাঙ্ঈনা উপশিনহুনা থম্বদা ফুগী/ফুহিংগী মচীন/মখা ওইগদৌরিবা অহুগী লাউবদগী হেন্দোক্লবা মকোঙ্ঈহু খর চাওগদবদি। শীজিন্নফমদি লেপশুমদা য়েংবিয়ু।

(IV) **লৈশুশুক :**—মথক্কী নম্বর (৭) তা য়েংবিয়ু।

(VIII) **লংশুং লংলা** :—মসি লংজাশিং ফাঈজিল্লগা তাশিনহুনা শুংজিনবা লংগী থৌরীনি। লংশুং লংলাগী চাওবসি পাম্লিবা অচৌবহুগী মতুং ইন্না লংজা মশীংদা লৈরে। মসি ফু ময়েক থোকহনবদা শীজিন্নে। ফুহিং মিতম্বা নত্রগা ফুহিং পান্দম লাকপা ফুহিং অহুগী লংশুং লংলা ময়েক থোকহন্নীঙলিবা মপা অহুদা থম্লগা অচম্বা নত্রগা ফুওং শেম্নবা ফুয়ৈচৈনা য়ৈহুনা লৈপাক পেৎলিবা/কংদ্রিবা অহুদা মমি তাহনগদবনি। ফু ময়েক মখল অসি থোকহদবগী ফুশাবগী ঙল্লিঙৈগী থাক্তা খ্বাইদগী হেন্না শীজিন্নবা খুৎশ্নি।

(IX) **ফুনান ব্রাচেৎ**:—ফুনান ব্রাচেৎ হায়বসি ব্রাচেৎ মতেক অমনি। ফুহিং মিতম্বশিং মশাদগী পোংচাক লৈবাক লৌথোকপা, ফুগী ফক্লাংশিং পাথহনবা, ফুহিং পান্দম/মিতম লাকপগী পোৎচাক, লৈপাক অশেম্বহু শাংবা হেল্লগা থাঙ ওইনা ককপা অসিনচিংবা থবকশিংদা শীজিন্নে। মসি মরু ওইনা ফুহিংগী মঙক শাবদা নম্না শীজিন্নে। ফুহিং মিতম্বগী ফুহিং শারকপা/ওইহল্লকপগী ফুনুং, ফু পান লৈমাঈ/মমাঈ নান্হন্বা, লৈতেং হাপ্পগী শেম-শাবদসু ফুনান্ ফদীগা লোঈননা শীজিন্নে। মসি ব্রাচেং মতেক অফবা অমা য়িংলগা হেক্তমক শেম্বা য়াই।

(X) **উরীকাং** :— মসি উরীকাং হাঈনা অহুম্মক মিংথোল্লবা উরী পাম্বাগী থারক পানবা মহৈগী মকু অকনবা মরুনি। মরু অহুগী মচু অসি কোফি কল্লরগুম কাংচেৎ মচু মাল্লি। মরু অমনা চাওবসি সেঃ মিঃ ৩ দগী ৩·৫ মুক পাকপা, মসিদগী খজিক্তং হেন্না শাংবা, চুথেকসু নাঈদবা, পুমকোঈ কোঈবসু নত্তবা, "কাংখীন, কাংখীন কাং" হাঈনসু খঙনবা উরী

মহৈগী মরুনি। উরীকাং উরীগী মহে থরাক অসি সে: মি: ৫০ দগীনা ১০ ফাওবা শাংবা, সে: মি: ৬ তগীনা ৮ ফাওবা পাক-পাল্লি। মসিগী মরু অসি মৈতৈ-চে শাবশিংবা চেগী লামাঙ্গ লান্নবা নান্‌বা-তক্‌পগী থবক্তা শীজিন্নৈ। ফূশা-ব্লানশাবদসু হাঙ্গিরিবা মরম অসিদা শীজিন্নৈ, মরু ওইনা ফুগী মপানগী মমাঙ্গ/লৈমাই নানহন্নবদা শীজিন্নৈ। হৌজিক্কী মতমসিদদি লীল্লী মন্নুং হোবা নত্রগা হোদবা (paper weight) ফাওবা শীজিন্নরে।

(XI) কোঙ্গ্রেং মকু :— মসি ঈশিং মন্নুংদা লৈবা থরাই পানবা কোংগ্রেং হাঙ্গবা অতুদগী অশিবা মশাগী অকনবা মকুনি। কেলসিয়ম্না মরু ওইনা শাবা, হাইরপ থাগৎনা অমসুং কনশিন্না ওইরকপা পোৎশক্নি। মসি সনা শাবশিংনদি সনাগী মকুপকা অতৈ পোৎলম্‌গা (নপশিন্নবা) তোংথাঙ্গননবা হাপ্পদা মরু ওইনা শীজিন্ননৈ। ফূশাবগীদমক্তদি মসিনা শীজিন্নবগী মওং অমসুং মরম অসি নম্বর (IX) গী ফুনান ব্লাচেংকা মান্নৈ। অয়াম্বদা অপিক্‌পা, হেন্না খুং-নান্‌বা পোত্তা নানবদা/য়িংপদা শীজিন্নৈ।

মথক্কী চঙগদবা পোৎচঙশিং অমসুং খুৎশু-খুংলাঙ্গশিং অসি ব্লাংলবদি/লৈত্রবদি ফু শাবগী শীনফম অসি পাঙ্গথংপদা মাঙ্গ-পাক্লা নত্রগা মাঙ্গপুননা অতৈ লাম্বাশিংগা পানবদা মাঙ্গয়োরুবা ঙমদে। মাঙগী অহল-লম্মনশিংনদি মথোঙ্গশিংসিগী থোইদোকনা থন্দনা খুং থারম্লবসু মতু খল্লমদবা মানবনি, পোৎচঙগী মতম লাকপদা পোৎচঙশিংতু ফংনবা,শানবা লাক্লরমদবা নত্তে, অতু নত্রবদি অস্থক কুইনা (কুমশীঙ ২০০০ রোম) ফুশাবগী শীন-ফমসি চৎথবা ঙমফম থোক্তে।

রিফরেন্সশিং

* ১— চৈ:, কু:, লা: ৩৭ :

...... । ভাঙোম কবোগী কুম্ শক ১৫৫০ (খৃ: ১৬১৮) ...... নোংমৈ অপুম্বা (কেনোন'তোপ) হুৎপস্থং অহুৈ হৌএ ॥ ......

* ২—State Archaeology : Op. cit : Pp. 11-12.

* ৩—চকপা খুঙ্গশিং (মুন্নাঙভৈদদি লৈরম্বা হৌজিক্তি মুংগ্র বশিংহুদি মখাদা লৈয়ি চংলিবশিংসিনি):

(১) **খরোই** (১) থোংজাও (থোংজাওরোক), (২) থোংজাও (ককচীঙ্ লোমগী), (৪) **হেমচেং** (৫) **মহান্নীমরু** (৬) চাইরেন, (৭) অন্দ্রো, (৮) **পুংপুন**; (৯) **মুমাথৈ**, (১০) **লংমাই** (১১) থৌপান্তোং, (১২) **কোনতাং**, (১৩) কাথা (১৪) খা-সেক-, মাই (১৬) অৱাং সেকমাঙ্গ, (১৭) ফয়েং, (১৮) সেক্তা (১৯) লৈম াম (২০) ওঙ্গনমখুল, (২১) খুরুখুল্ (২২) কমেং, (২৩) **সোইচেপ/ সুইসা কমেং** (২৪) কান্তো অসিনচিংবা ॥

* ৪—নোংশামৈ পুয়া (খুংয়ি), (II) পাংঙল থোরকপা (খুংয়ি) ॥ হাঙ্গরিবা লাইরিকসি, চৈ: কু: লা: ৩৯০ দা পল্লিবা, ... "১৩ নি ঈরাইদা ক্ষেত্রিময়ুম্গী মৈহৌবরোল নাগরি ১ পাঙন লাইরিক ১—২মা পুখংলক্পবু পাঙল লাইরিক্তি চুমদে হাঙ্গ-হুনা মখুংনা চান্নথোকহল্লে। নাগরিদি হন্তখিএ ॥ হাঙ্গরিবসি ওইগনি, লাইরিকসি ওথোরিটীনা এপ্রুভ তৌরমদবা লান্না ইবা লাইরিক্নি। অহুবু ফুশম য়ুম্নাক (পাংঙল্গী) লৈরিবসিনা ফেক্ত অসিমদি অচুম্বা ওইনা লৌখংচরি।

* ৫ – চৈ; কু:, লা: ৩৩।

* ৬ কুলচন্দ্র ১মুং বডরুদ্দিন: মৈতৈ পাংঙল হৌরকফম (ইম্ফাল, ১৯৯১) : লা: ২৬-২৭ ॥

* ৭—**Mr. K Nepuni, Paomata village** দা লৈবগা অইবগা খৃ: ১৯৯২ গী জুলাই তারিক ২৭ তা উন্নতুনা হংজবদা তাকপীরক্পা ॥

* ৮—চৈ: কু: লা: ৬৬।

* ৯—নোংপোক কৈথেন মানবীগী অহুমশুবা মফম অমসুং অতৈ হিষ্টোরিকেল পেরেডকী সাইটশিংদা ফংই।

* ১০—লৈরী=লৈপাক্লা শাবা লী ॥ লী= ঈশিং নল্লগা মহী ওইবা/লাংবা/নাইবশিং হাপতুনা থরুনবা ফু-মচা/পাত্র। মখাদা ফুগী মথলগী পন্দুন্তা য়েংবিয়ু।

* ১১—লৈতেংলিবা/হাপ্লিবা নল্লগা ময়েক/মমি থোকহললিবা লৈরোং, খুংয়েক, মওং-মতৌ, নমুনা মথলশিং অসি মনিপুরদা তোঙ্গনা শীজিন্নবদি লাঙ্গরতুনা মরক মরক্তগা ফাওবা ফুশাল্লানশাবদা শীজিন্নদে।

* ১২—ব্লাঙড্ নাপচীক্, নোংপোক কৈথেনমানবীনচিংবগী পোংথোকশিংদা য়াওরিবা ফুগী মখোঙগী মতেক মতেকশিং অতুনা শাগৎলগা ফংবা য়াবা চফুনি য়েংবিয়ু ॥

* ১৩—মসিল (খুৎয়ি) : কংলৈ মৈতৈলৈমগী চাবোক ব্লাঙ্গোল (মসিল খুৎয়ি) ॥

II) শ্রীখুলেম চনদ্রশেখর সিংহ : লোঙ্গয়ন্বা সিনয়েন (ইম্ফাল, ১৯৭৫): লা: ৫৫-৫৭—

কংলৈ মৈতৈ লৈমগী চাবোক-ব্লাঙ্গোল মসিল চঙবদি ...... ॥ থৌবান্দোংনা ফুশাএ॥ লৈপেকপদি খুরাই মরক-সিতাকি পেকএ ॥ কোংবা লাইফমতাকি লৈপেকএ ॥ ময়াং য়িরুপপমন্না লুপ্এ ॥

* ১৪—মঃ য়াওঃ লাঃ ৫৭ —

লৈপেকপতি ॥ থৌপালতোংনা লৈপেকপতা ॥ নাহৈথাঙ ॥ লৈতৌয়োং ॥ খাপৈ-চেকপ ॥ য়োংস্নুপি ॥ সরেং, ঙাতেন ॥ থুম, মোরোক, ॥ চেঙ, লা ॥ চফু, য়িৱান ॥ য়েনশাং-নাপী ॥ কোনয়াই ॥ খুনেংয়োং, খুনেংশেন ॥ লৈ-তৌতোক ॥ ফমফি ফিরাক ২ । লইয়োমফি ॥ অথুম-অহাও পানা, ক্বা ॥ লৈশং ॥ অসি য়াওএ ॥ লাইফম্‌তি কোংপা মনুংতা লৈয়ে ॥

লাইফম্ অসি কোংবা তুরেলগী মপাল্ "কোংপাল্" দা লৈবা শজিবু চৈরাওবগী "কোংবা লৈথোঙ ফাংপা, শজিবু লৈখুন ফুনবগী থৌরম পাংথোক্লিবা মফমতুগী মনাক্তা লৈরিবা খয়োম্ লাকফম পুখ্রি/ঈয়োককোম মপাল অতুদনি ।

II) মঃ য়াও : লাঃ ৫৫ —

.........লীসমনা লী শাইএ ।.........

অতুগা মোইরাং (ঈৱাং) য়েক্কী য়ুম্নাক লীসম্ লী শাবা ময়ুমনা লী ঈশিং/মহী হাপতুনা থক্লনবা কোন/ফু/পাত্র শাবগী থবক তৌই ॥

III) মঃ য়াওঃ লাঃ ৫৭—

লীসম্‌না লৈপেকপতা ॥ লাইকি ॥ ফমফি ॥ লইয়োম্ ফি ফিরাক্ ২ ॥ কোন্‌য়াই ॥ খুনেংয়োং খুনেংশেন্ ॥ চফু, ইৱান ॥ খাপৈ, চেকপ ॥ য়োংস্নুবী ॥ ঙাতেন ॥ থুম, মোরোক লা, য়েনশাং ॥ চেঙ্ ॥ লৈ ॥ চু, হৈ ॥ লফোই ॥ অথুম-অহাও ॥ পানা-ক্বা ॥ লৈশং ॥ লইতৌতোক ॥ নাহৈথাঙ ॥ অসি য়াও-এ ॥ লাইফমতি হাওখাতনে ॥

লাইফম অসি থৌবাল হাওখা সোরারেলগী লাইকোল লৈরিবা অদুদনি ।

* ১৫—লাইথৌ-অসিদা খুরুম্লিবা লাই অসি চীঙঙ্ কাসা সোরারেল, তাইবং নমু লাইবক খেল্লাই নোংদম্লিবা (বিধি নোংদম্বা কৌবা পুয়াদা য়াওরিবা) অদুবুনি । চীঙঙ্ মাগী সানওন ওইরিবা চীঙঙ্ থংবা নোংনিংথৌ অরাং পাখং য়োঙ্গৈ-রেনবা (সোরারেল) : খোঙ্গৈরীফাববু পোক্লিবা ; হাওখা সোরারেল অমসুং নোংপোক মালং হুমওইবা চীঙঙ্ কাইনৌ চীঙশোম্বা (কোংবগী অঙোম পোকপা লাইফমগী লাইরিংথৌ চীঙশোম্বা) অনিসিগী লাইফমশিংদা থৌনিদুনা পাংথোক্লিবনি ।

* ১৬—ক্ষেত্রি কুমার : মনিপুরদা চফ্ (ককচীঙ, ১৯৫৮) লা: ৮ :—

চফ্ য়িরান য়িকপদা ॥ ঙা পরেং ॥
ঙাখা ॥ ঙাচিং ॥ অথুম-অহাও ॥ অসি য়াওই ॥

* ১৭—শ্রীয়াইমা সিংহ : পোইরৈতোন খুন্থোকপা (ইম্ফাল, ১৯৭১) : লা: ৩৯-৪০ ॥

* ১৮—মৈগী তেংথা (খুংয়ি) ॥

* ১৯—I) লোইয়ম্বা সিনয়েন : য়ীমনাক্ মাইবা মসিল (খুংয়ি)

II) শ্রীখুলেম চন্দ্রশেখর সিংহ : ম: লাই:, লা: ২৩ (২)

* ২০— I) মসিল (খুংয়ি) ।

II) খুলেম চন্দ্রশেখর সিংহ : ম: লাই:, লা: ৫৬ ॥

* ২১—ক্ষেত্রি কুমার : ম: লাই: লা: ৯ ॥

II) লাইশ্রম মনিসনা সিংহ (৫০) চাইরেল খুঙ্গাঙদা লৈবগা খু: ১৯৯৩ গী মে তাং ১৫ দা উন্নদুনা হংজবদা তাকপীরকপশিং ॥

ফুশাবগী লৈপাক্ পোৎচাক্ঃ লৈপাক্, লৈপাক্তা য়ানবা পোৎয়ান-পোৎচাকশিং, মচু শঙ্নবা মচাক্-শিং অমসুং অতৈ অতৈ ॥

লৈপাক হাঙ্গৈবসিনা ফু শাবগী খ্বাইদগী হেন্না পেন্নবা, পান্নবা অমসুং নীঙ্বা থুংবা মচাক্নি। মসিগী লান্নবা ফংবা ঙম্বা, খুংনা পাঙ্গৈবদা নুংঙাইব, শানীঙ্বা মওং শাবা য়াবা পোৎচাক ওইবা অমসুং মৈ য়িন্নক্পদা ওন্থোক্না নুংঙাইগ্রবা মতৌদা পুরক্নিবা অহোংবসিনা শকশা-শকশেন্বা, শক্তম-মিতম্ব-শিংবু কুম্জা লিশিং. কয়াবু শুমহত্নুনা লাক্নি। মনিপুরদা ফংলিবা লৈপাক মথলশিং অসি লমদমসিগী মীশিংসিনা থাঙ্গৈদোকচবা মথলশিংদি :— (১) লৈখোম, (২) লৈঙোই, (৩) লৈহাও (৪) ঈনাম/ঈনাংতাবা, (.) লৈতান, (৬) লৈমু (৭) চীঙলৈপাক অমুবা, (৮) চীঙলৈপাক লৈঙাং, অসিশিংসিনি। মথোঙ্গৈশিংসিগী চাওরক্না মশক তাকপদি :—

(১) **লৈখোম** :— মসি লৈপাক মথল ময়ামসিগী নত্রগা খরগী শরুকশিং য়ান্নহুনা ওইরকপা, অয়াম্বা মতমদা মচু মকশিন্না মুবা লৈপাক মথলনি। লৈপাক্তা ঈশিংগা য়ান্নহুনা পেত্রবদি লৈখোম কোদে, মসি লৈনাং হাঙ্গৈমা মহী খর হেন্না লাংলগা, ঈশিংগী শরুক্না খর হেল্লগা খঙনৈ। লৈখোম শারিবা লৈপাক অসি মশা চেংশিন্দবা ফ্রা ফ্রা লাউবা (loose soil), লৈকন (compact soil) ওইদবা লৈপাক্তা শাবনি। লৈখোম =মচোই মচোই তাররুবা লৈপাক মথল ময়ামগী খোমজিনবা লৈপাকসিদা ঈশিং হৈজিন্দুনা পেংহনবনিনা অতৈ লৈপাক মথলশিং অমমমগী অপেৎপশিংবুসু লৈখোম হাঙ্গৈহুনা খ্বাইগী ওইনা খঙনবসু য়াই। অপেৎপা লৈপাক হাঙ্গৈবনি।

(২) **লৈঙোই :**— লৈঙোই হাঙবা অসি ঈচেলশিংনা অকনবা চীঙলৈপাক (**Igneous rock**), অমসুং মশক হোং-লক্লবা চীঙলৈপাক (Metamosphic rock), শিংবু ঈচেলগী শাফু অমসুং তক্লবদা থুগাঈহুনা/চাথত্তুনা ফক্তুনা পুরক্লগা ঈচেল-গী খোঙজেল হন্থরক্তুনা ঈশিং মপান্দা থনম্বা তুংশিলহৌবা চীঙলৈপাক (Sedimentary rock) মথলদা মরীকশিংহু নপশিন্নদবা: সিলিকাগী শরুক্কা য়াম্না হেন্না য়াওবা লৈপাক মথল অমনি। লৈঙোই অসি মনিপুরদা (১) লৈঙোই চোচ্রোবী, অপৌবা মি: মি: ১ দগী ২ ফাওবগী চুথেক নাইবগী চাংদা ওইবা মথল অমসুং (২) লৈঙোই যোলি হাঙহুনা চোচ্রোবীগী ১/৪ দগী ১/৬ ফাওবগী চাংদা মরীক/মকুপ অমনা ওইবা মথল অমা, অনিসি লৈ।

(৩) **লৈহাও :**— লৈহাও হাঙবা লৈপাক মথল অসি পাম্বী-শীঙবী, উপাল-ৱাপান্নচিংবশিংগী মচিঞ্জাক অমসুং খোংগী পোৎলমশিং (**Minerals**) য়াম্না য়াওবা লৈপাক মথলনি। মসি মালেমসিগী কংফালগী লৈমাঈগী শরুক্তা য়ামদ্রবা মপালগী লৈমাঈশিদগী সে: মি: ১০ (তরা) রোম্ ফাওবগী লৈপাক্সি ওই অমদি ওইগল্লি।

ঈনাম/ঈনাং তাবা :— মসি লৈপাক লৈমাঈদা ঈশিং ঈচেলনা খোৎথরক্তুনা চেন্থরকপদগী অকুংপা লৈতেম মান্নদবা মফমশিংদা হাজিনহুনা লৈহৌবা লৈঙোই নত্রগা চুন্নগী লৈপাক্কী মরীক্তগী হেন্না কুপ্পা মরীকশিংনা শাবা লৈপাক মথলনি। তুরেলগী ঈচাও হন্থগ্রগা ঈচাও ওইনা চেল্লিঙৈগী মথক্কী খোং-লমগী মপানশিংদা খোংবানগী লৈমাঈদো কুপশিন্দুনা লৈহৌই। মসিসু লৈহাওগী মথলনি।

(৫) **লৈতান :—** মসি মহুপ কুপ্পা মচু রাওথাংনবা লৈপাক মখলনি। চেকখাঈগনবগী ময়াই লৈবসিনা অচৌবা নত্রগা অপাবা পোৎলম-চৈরমশিং শাবদা খুদোং চাদে।

(৬) **লৈমু :—** মহুপ কুপ্পা, মচু লৈতান্দগী মুশিনবা, তম্পাক্তা কংলিবা লৈপাক মখলশিংগী মনুংগী ফু শাবদা থ্বাই-দগী হেন্না ফবা ঈঙ্গে জীবা (clay) হাঈরিবা লৈপাক মখলহুনি মনিপুরদা ফু শান্নরিবা লৈপাক অসি ওঈনাম, হুন্দুং, নুঙবীন-চিংবা চীঙগী ফুশাশঙ থর নত্তনা অতৈদি লৈমুনা শাবা/শুবা ঙাক্তনি। (মথাদস্থ নৈনরক্‌থিগনি)।

(৭) **চীঙলৈপাক অমুবা :—** হাঈরিবা মখল অসি ইগ্নীয়স রোক নত্রগা মেটামোর্ফিক রোকশিং ওইবনা ঈশিং হৈজিন্দুনা নত্রগা ঈশিংদা থীত্তুনা পেংথহনবা ঙমদে। কল্লি, থাকই অমসুং কোন্থোক-কোনশিনবা য়াদে। তশেংনমক্তি মখোঈসি নুঙ ন অহুবু লৈঙোইনুঙ (sand-stone) নত্তবনা ফু শাবদা হাপ্তুনা শীজিন্নবা য়াদে।

(৮) **চীঙলৈপাক লৈঙাং :—** মসি ইগ্নীয়স রোক, মেটামোর্ফিক রোক অমসুং অঙাংবা কম্পেক সোইলগী কোম-থোক্লক্লবা, ফ্রা ফ্রা লাউরবা লৈপাকশিং পুমতোং তোংনবা, পুময়াম য়ানশিন্নরবা লৈপাক মখলনি।

লৈমু অমসুং মহুগী মতোক ময়াই :—

অশেংবা লৈমু হাঈবসি, হীদাক-হী ওইবগী মথন্তা চঙশিঞ্জরকপা ময়ালশিং য়াওবা ময়ালশিংনু চাকথেক্লরকপা/চুংশিনরকপদা মতোমতা কনশিঞ্জরকপা লৈপাক লৈমুহুগা তাইয়োন্নবা মথলগী মহৌশা লাই-রেম্বীগী মচাক ওইরিবা খুদোলনি। মসি চহি লিশিং কয়াগী

মমাঙদগী চীঙলৈপাকশিংসি নোংসিং অমসুং নোংগী অইং-অশা হোংহনবগীময়াইশিংনা থুগাইরকুনা ওইহল্লকপনি । হাঙ্গৈরিবা মহৌশা লাইরেম্বীগী লৈমাঈদা ওলহলবগী থৌরম থৌদৌ অসি লেপ্তনা চৎথরি । অদুনা লৈপাক লৈহোম অমসুং লৈমুশিংসি কংফালশিংগী লৈমাঈ থুংনা ফংলি । অদুবু অশেংবা লৈমু/লৈপাকশিংসিদি মখোঈগী মচং-মনাৎ মওং-মতৌ, মহী-ময়াই অমসুং মতীক-মপাঙ্গলগী মাঈকৈরোমদা য়েংলুরবদি য়াম্না শাথীনা খেন্নৈ। তুরেলগী ঈচেলনা চীঙলৈপাক্কী লৈমাঈ থুগাইদুনা চেস্ত রক্লগা তুংশিন-পৈশিন্দুনা কুইনা লীরবা লৈপাক/লৈমু অদুনা ফুশা-ৱানশাবগীদমক্তদি, থ্বাইদগী হেন্না মমল য়াম্মী । মরমদি মসিদি লাঙ্গৈনা পেকপা অমসুং পাঙ্গৈদুনা শীজিন্নবা য়াবতা নত্তনা মখোঈনা শাথ্রবা মওং-মতৌ অদু হোংহন্দনা নীঙথীনা থম্বা ঙমই । অদুনা লৈমুগী/লৈপাক্কী তাংদাংবা মশক খঙবগী মথৌ তংঙাইফদনা ফুশাবা অমগী ওইবা তাই ।

মহৌশানা পীরিবা লৈপাক মতুম অমা হাঈবা অসি কেগাম খোঙনাইদব(প্লেট)গী মওং মান্বা পীক্লবা লৈরীক লখা কয়া-মরুম্না শারিবনি * ১ । ঈশিংনা অমুম্না পানা পাক্লপ তৌবা লৈ-রীকশিংসি মখোঙ্গীগী মওং-মতৌদু হোংহন্দনা অমগা অমগা ঙামশিন্নহন্দনা নান্থোক-নানশিন (অমুক লোন্নবা অমুক লোন্নদবা) তৌনহনবা ঙমই । অদুগা মদুদগী কংথ্রবা মতমদদি লৈরীকদু লেংদনা অদুম্মক লৈখিগনি; অদুগা করিগুম্বা মদুদা পাঙ্গল শীজিন্নরুরবদি পোত্তগী মওংদু কাঙ্গৈখিগনি মরমদি লৈরীকশিং-দুগী হান্না লৈরম্বা ফিবমদা ঈশিং য়াওদনা হোংহনবদুননি । অদুনা ঈশিং থজিক্তমক য়াওরবদি লৈরীকশিংদুগী লেং-ওৎপসি অকক্লবা চাং খরদগী হেন্দে অমসুং লৈপাক্ত/লৈমুদু ইরিং-লিংখংলি। করিগুম্বা লৈমুদুদা ঈশিংগী শরুক্তা ২৫%য়াওরবদি

য়াম্না লাঈনা শীজিন্নবা য়ারে অমসুং মওং-মতৌ শাবা শেব্রগী ফিবম খুদিংমক্তা য়ারে * ২। ঈশিং য়াম্না হেল্লগনা লৈপাক্তু থোংহল্লি/পেংহলহল্লি অমসুং মওং মতৌ নাইদবা ওইহল্লি। লৈতানদি নাল্লি। থবক চংথবা মুংঙাই অমসুং লংখংপগুম তৌই, অদুগা শীজিন্নবদা মশা নাননা ফজবা ওই। লৈঙাং * ৩ (Terracotta clay) দি অনেম্বা মৈশা (Low temperature) পীদুনা পুক্লীং থোঙৈনানীঙ্ঙাই ওইরবা ঙাংলৈনবা চুদাগী মচু থোকহন্বকই * ৪। অদুনা ফংলিবা লৈপাক্তু ফু নত্রগা অতৈ পোংশিং শান্নবা পোংচাক ওইনবগীদমক চাংয়েং তৌবা চঙই। মদু তৌবগী মওংদি * ৫ :—

লৈপাক্তুগী শরুক্‌মচেৎ খর লৌরগা পুমকং কংহনগদবনি অমসুং মদু কয়া য়াম্না কনখংখিবগে হাঈবদু য়েংগদবনি। অদুগা অমুক অতোপ্পা লৈপাক্তুগী শরুক খর ঈশিং চোংহনগদবনি অদুগা ঈশিং কয়া য়াম্না হাপ্লগা লৈপাক্তুগী থোংপানেংবা, পেৎপা-কনবগী মগুনগী চাং অদুদা করম্বা মহৈ থোকহনবগে হাঈবদু য়েংগদবনি। মদুবু লৈপাক্কী প্লাষ্টিসিটী (plasticity) কোই। খুবীগা খুন্দোহীগনা চপ্তুনা লৈপাক্তু মেৎশিল্লগা/মেৎথংলগা ঈশিং খর শীজিন্নদুনা তিংলকপদা মচেৎ অনিদু থুনমক তোংশিন-য়ানশিন্নখগনি।

অদুগা লৈপাক্কী অফ-ফত্ত অমসুং থবক্তা শীজিন্নবগী মগুনগী চাংয়েং তৌবগী অমসুং থনবগী খ্বাইদগী হেন্না ফবা মওংদি * ৬:— চাং চানা পেৎলবা লৈপাক লৈখোম/লৈমু/লৈতানদু পাকথোকহন্দুনা খুংকী খুৎশা অমদা য়োমশিল্লগা ঙাইহাক লৈরবা মতুংদা লৈপাক্তুনা মরী অমা শেম্লগা মরীদু কোনশিন্দুনা খুত্তা

অমুক য়েংশিনগনবনি। করিগুম্বা লৈপাক্কী মরী অদুনা থেক-থোঙ্নবা কোনশিনবদুদা অতেক-অকাঙ্ব লৈত্রবদি, খুংশাদা চনপা চনপা নপশিন্দ্রবদি অমসুং মহাক্কী শেম্লিবা মওং-মতৌদু তাবা নত্রগা হোংদবা ঙম্লবদি লৈপাক অদু অচুম্বা মখলগী থিরিবা লৈ-পাক্তু ওইনীঙঙাই ওইরে। করিগুম্বা মহুনা কাঙ্বরবা, চিংথাঙ্ব-রবা, চেকথাঙ্বরবা, নত্রগা তংলবদি লৈপাক্তু কংমল্লি, অদুগা খুত্তা চনপ্লরবদি অমসুং থনোপ থনোপ্পা তুথ-ঙাথরবদি লৈপাক্তু চোংমল্লি/পেংমল্লি।

মথক্তা পীথ্রিবা পৃথিবী ওইনা চংনরিবা ৱায়েল অসিগী মথাদা মনিপুরগী ফুশাবীশিংনা থবক পাংথোকপা/তৌবা ঙমদে-দি হাঙ্ববু মখোঙ্না মনিপুরগী ওইনা ভারতকী অৱাং-নোং-পোক্কী চীঙ্লক্ অমসুং চীঙলক্কী তম্পাকমচা অসিদা লৈরিবা লৈপাক্কী মথলশিং অসিদগী মখোঙ্গী ফু শানবা লৈপাক্তু মশক খঙজে অমসুং খঞ্জে। মসি চহি মতম কয়া শীজিন্নরকপদগী থেংনরকপদগী অমসুং চাংয়েং ওইনা কয়ারক শারুবদগী খঙ-লকপা, খঙলক্লবশিংনা তাকপী-তম্বীবদগী খঙহৌবা অমসুং মশানা হকথেংনবদগী খঙলকপা লৌশিং অমসুং মহৈননি * ৭।

লৈপাক্ক থিবা :— ফু শানবা লৈপাক অসি মনিপুরদদি চেক শানবা লৈপাকুকুম্না হেক্তমক মকম পুম্নমক্তা ফংদে। ফু শা-বগী লৈপাকসি মরু ওইনা তুরেল অমসুং ঈচেল নাইবা ঈশিংগী তোর্ব্বান অমদি থোংলম মপান্দগীনা খ্যাইদগী হেন্না ফবা ওইনা লৌনৈ * ৮। অদুগা অতোপ্পা মফম (তম্পাক্কী) দা ফংলক্ত বদি চীঙগী চীঙদোলদগীসু লৌবা য়াই * ৯। অদুবু মৈতৈগী থাঙ্ব-নদগী চংনরকপা খরদদি ঈচেল লৈতবা ঈশিংগী মপান্দগীসু লৌনৈ। ঈচেল লৈবা ঈশিং নত্রগা তুরেলগী তোর্ব্বান্দগী লৈপাক

পেকপা তাৱবদি ঈশিংগী ঈমাঈগী অৱাংবগী চাংগী মপা ওইরিবা লৈপাক্কী অৱাংবদগী পেক্লনবা শেম শাগদবনি * ১০। মরমদি হাঈরিবা অৱাংবগী চাংগী পরিং অসিদদি লৈপাক্তু ঈশিংগী চাং য়াওকম থোকপহু অগাবা চাংদা য়াওগনি মরমদি ঈশিংদি মতমচুপ্পদা মাগী ঈমাঈ অৱাংবগী চাং অদু চপ মান্ননা লৈগনি (Water finds its level)। অদুদম্লু নত্তনা লৈপাক্লা মশাগী ওইবা পোংচাক-পোংয়ানগী ওইনা চুপশিনবা নত্রগা পোংয়ানশিংহুনা মতোমতা চুঙশিন-য়ানশিঞ্জরকপা অমদি তুংশিঞ্জরকদা তুমবা ঙমদবা নত্রগা তুমদবা খোংগী পোংথোক অমসুং শুম (Insoluble mineral products and salts) শিং অমদি অতৈ মখলগী পোংয়ানশিং য়াওবগী চাং য়াম্না হন্থে * ১১। অদুগা চীঙদোলগী চীঙ লৈপাক অসিগী মতাংদনা চীঙলৈপাক লৈঙাং য়াওবা অসি ইগ্নীয়স রোক, মেটামোর্ফিক রোক্কী শরুকশিং অদু নুংশিং-নুংশা অমসুং নোং-চীঙগী ফিবম্না অইং-অশাগী চাংদা ঙাইহাক লৈতনা অহোংবা পুরকপদগী ভোল্যুম চাওথোকপা অমসুং পীকশনবনা মরম ওইদুনা চিংথাঈ-চেকথাঈবা তোঈনা থোকপনা পংথ-পুমথবা নত্রগা খুইথ-পংথবগী পোংশকশিং থুগাঈবা/কাঈরকপা * ১২ অদুগী মওংদা চেংলম্বা মশাহু কোমথোরক্তুনা লৈহোম, ফ্রা ফ্রা লাউবা ওইরকই অমসুং ফেরস ওক্সাইড (Ferrous oxide, FeO, FeO_3) কী চাং মরাং কায়না য়াওবনা ফু শাবগী লৈপাক্কী মগুন/ময়াই চেনবা লৈপাক অদু ওইহল্লকবা শেম্বা য়াই।

ফু শানবা লৈপাক/লৈমুদা চেনগদবা ময়াইশিং * ১১ :—

(১) **প্লাষ্টীসিটী** (Plasticity)—লৈপাক অদু অপাম্বগী মতুং ইন্না পেংথোকহনবা অমসুং কনখংহনবা য়াবা ওইগদবনি।

অহ্নগা পোৎচাক ওইনা লৈরিঙৈদা পেৎথোকহল্লগা শাথিবা মওং মতৌহ্ন খজিক খজিক কনশিল্লকপদগীনা পুমকং কংহ্ননা পুমকন কল্লবা ফাওবদা মওং মতৌ হোংদবা অমদি কনশিনগ্রবা মতমদা খ্যাইগী ওইনা চংনরিবা অইং-অশাগী চাংদা অমস্তুং ফিবমদা কা হেন্না মওং-মতৌহ্ন হোংদবগী মহী-ময়াই চেনবা লৈপাক ওইগদবনি।

(২) **মিলিএবীলিটী** (Melleability) :— লৈপাক অহ্ন পেৎলিঙৈদা থেক্তোক-থেকচিন, কোম্থোক-কোনশিন, তাথোক-তাশিন, পাকথোক-চাওথোক অমস্তুং শুপতোক শুপচিন-য়াবগী ময়াই চেনগদবনি অমস্তুং শানীঙবা মওং শাবদা ওইহন্নীঙবা মতৌ ওইহনব য়াবগী মগুনস্থু চেনগদবনি ।

(৩) **লেস শ্রিঙ্কেবল** (Less shrinkable) লৈপাক অহ্ন কংশিলগ্রবা মতমদা মশাগী (শাথিবা পোত্নগী) চাও-শাংবগী মওং-মতৌ, ফিবম-ফিরেপ অমস্তুং চাং চিংশিন্দবা/, পীকশিন্দবা/হন্থদবা (Shrinkage) গী ময়াইগী চাং য়াম্না হন্থবা নত্রগা য়াম্না চিংশিনগন্দবা পোৎচাক-লৈপাক ওইবগী মগুন চেনগদবনি। হাঙ্গবদি লৈপাক অহ্ন শারিবা মোলিকুল (Molecule) শিং অহ্নগী মরক্তা অহাংবা শরুক য়াম্না লৈবা অমস্তুং ঈশিংগী মোলিকুলশিংনা অহাংবশিং অহ্নগী মরক্তা চঙ-হ্ননা য়াম্না লৈবা কম্পোসিট সোইল (Composite soil) গুন্বগী লৈপাক ওইরোইদবনি ।

(৪) **কুইক্ ইভাপোরেসনেলিটী** (Quick Evaporationality) :— লৈপাক অহ্ন চোৎলিঙৈদা য়াম্না থুনা মৈশা লৌশিনবা নত্রগা মৈশানা মোলিকুল অমদগী অমদা লাঙ্গনা ফাউহ্ননা চংপা (Good conductor of heat) গুন্বগী লৈপাক

পোংচাকশিংনা শেম্বা লৈপাক ওইদ্রবস্থু থর থূনা ঈশিংগী মনীন্না পাইথোকখিবা/পীথোকখিবা লৈপাক্কী ময়াই অহু দি চেনবা তাই।

(৫) **মেচুরিটী ওফ টেম্পরেচর** (Maturity of temperature) :— লৈপাক্তু কনশিন্দ্রিহৈঙেদনা মৈশা থজিক্তনা ওকপা, কনশিল্লগনা অইং-অশা থাংবা অমদি অশাবগী চাং মপুঙ্ ফানা পুহুনা লৈবা ঙম্বগী মগুন চেনবা ওইগদবনি।

(৬) **এবজোবিলিটী ওফ পিগমেন্ট কলর** Absorbity of pigment colour) :— লৈপাক মথল অহুগী মচু অহু ফু শাবা লোঈরগা অপাম্বা মচু শঙলকপদা মচু হেক্তমক চঙগনবা অমসুং শঙথ্রবা মচু চেংকনবগী ময়াই চেন্‌গদবনি।

(৭) **মিক্সিং টেণ্ডেন্সী** (Mixing tendency) :— লৈপাক-লৈচাক অহু পোংচাক-পোংয়ান লাঈনা হাপচিনবা য়াবা অমসুং ওইহন্নীঙবা/অপাম্বা লৈপাক মখল শেম্-শাবদা খুদোং হেক্তা চাগদবা লৈমু, লৈতান, চীঙ-লৈপাক লৈঙাং ওইবগী ময়াই চেনগদবনি।

লৈপাক থিবা অমসুং শনবা

Earthenware clay is either red or white. It is fired at low temperature, and is soft and porous .... The relativity of low temperature at which the chemical changes take place in earthenware clay to make it hard means that it is ideal for use if you don 't have immediate access to a kiln. A garden

bonfire, for example, provides enough heat to 'bake' earthenware pots. * ১৩।

মনিপুরদা লৈপাক থিবা অমসুং থনবগী চৎনরকপা, হৌজিক ফাওবসু চৎনরুনা ইল্লিবা থৌওং-থৌদোদি ঃ—* ১৪

মনিপুরগী লৈপাক লৈহাও অসি অশিনবগী শরুক (Acidity) কী চাং য়াম্না রাংই। মরম অতুনা লমদমসিগী হাইড্রোস ফিয়ারগী মপান/মথক ইথংথংবা লৈরোন, এটমোষ্টফিয়ারগী নোংশিংকা তাইনরিবা, লৈহাও য়াম্না য়াওবা লৈরোনসিগী লৈপাক অসিদি ফুশা-রানশাবা য়াদে। হাঙৈরিবা লৈরোন অসি থাদোম্নগদবনি। চীঙ্দদি লৈরোন্ অসি সে: মি: ২০ রোমদগী হেন্না থাদে * ১৫। অতুগা মনিপুর তম্পাক্তদি সে: মি: ২৫ দগী ৫০ ফাওবগী চাংদা থাই অমসুং মসিদগী হেনবসু য়াওদবা নত্তে * ১৬। হাঙৈরিবা লৈরোন অসি লৌথোকথ্রগা থেংনরিবা কম্পেক সোইল (Compact soil) গী লৈপাক (লৈমু ওইরবসু, লৈতান ওইরবসু, লৈঙাং ওইরবসু), মহৎ কুপ্পা, মশা নানবা অমসুং য়োৎনা নত্রগা থাঙনা য়ানথিবা মফমতুদা লংখৎপগী মতৌ অমা লৈবগুম তৌরিবা লৈপাক মথলগী লৈরোন অমা থেংনগনি * ১৭। অসিগুম্বা মথলগী লৈপাক অসিবু ফুশাবা শিংনা "লৈকোক নত্রগা লৈকাঙৈ" হাঙৈনা কৌই * ১৮। হাঙৈরিবা লৈকোক/লৈকাঙৈ অসিমক ফু শাবদি য়াই, অতুবু ফু অতু য়াম্না কাঙৈগল্লি। অতুবু খঙগদবা অমদি, হাঙৈরিবা লৈকোক/লৈকাঙৈ অসি ফংলবদি ফু শাবদা মতীক চারবা, ফুসু নীঙথীজনা শীজিন্নবা য়ারবা ফু শানবা লৈপাক অতু লৈরোন অসিগী মথাদা লৈরে, ফংলগনি হাঙৈবসিনি। হাঙৈরিবা লৈরোন অসি মহৌশানা কয়া থাগন্দে, য়াম্নবদা সে: মি:

১০/২০ দগী হেন্না থাদে। লৈকোক/লৈকাঈগী লৈরোল অসি তৌথোকথ্রগা য়াম্না কন্না শুজিন-নমশিনবা লৈপাক (Compact soil) কী মখলদা মচু কমলা মচুদা ভাংলৈনবা (লৈঙাং) নত্রগা রাওথাংনবা (লৈতান) নত্রগা মুরৈনবা (লৈমু) লৈপাক মখল অহু-মসি মত্নুংদগী অম (য়াম্না তোঙৈনা লৈমু থেংনৈ)গী মখল থেংন-গনি। হায়রিবা লৈরোনসিগী হেক অহৌবা মথক ঈথং থংবা শরুক্তুদগী হৌনা কন্না নপশিন-ফাজিন্নবা মানবা হান্নগী লৈপাক-শিংহুদগী হেন্না মহুপ কুপ্পা উবা, মোল্লপ তৌবা লৈপাক মখল থেংনগনি * ১৯। লৈপাক মখল অসিনি ফু শাবদা খ্বাইদগী হেন্না চুনবা ফুশাবীশিংনা ফংনবা তান্নরিবা লৈপাক মখলহু। মসি মনিপুরদা ফু শানবগীদমক্তা মালেম লৈসেম্বনা পীবিরম্নবা লৈপাক্তি লৈপাক মখল অসি হেক্তমক পঙফংদা ফংবা নত্তে, মরাইবক শীম্নীশিংতনা ফংবনি।

অহুবু খ্বাইগী ওইনা মনিপুরদা অফবস্থ ওইবা, ময়াঈস্থ ওইবগী চাংদা ফু শাবদা চাংচৎ ওইনা শীজিন্নরিবা লৈপাক অসি তম্পাক্তনা লৈমু (করিগুম্বদা লৈমুগা লৈতানগা য়ান্নবা) গী মখল * ২০ অহুগা চীঙদনা চীঙলৈপাক লৈঙাং (করিগুম্বদা লৈঙাংগা লৈমুগা য়ান্নবা) * ২১ লৈপাক মখল অনিসিনি।

পোৎয়ান পোৎচাকশিং ঃ—

মহৌশা লাইরেম্বীনা পীনবিরিবা লৈপাক অসিনা হেক্তমক ফু শাবা য়াবা লৈপাক, পোৎচাক/লৈচাক/মচাক অহু ওইনা ফংবা হাঈবসি মফম পুম্নমক্তা ওইথোক্তে। মরম অসিনা লৈপেকফমদগী পেক্লুরবা লৈপাক অহু অমুক পোৎয়ান-পোৎচাক য়ান্দুনা শেম-শাবা তাই। মনিপুরগী অশিনবগী শরুক্না (High acidic)

হেনবা লৈপাক/লৈমু অসিদা ফু শাবা য়াবা পোৎচাক-লৈপাক/ লৈপাক-পোৎচাক অহু ওইননবা য়ান্নরিবা পোৎয়ান-পোৎচাক-শিংদি :- (১) নুঙজে়ং (Sandstone particles), (২) লৈঙোই (Silicony), (৩) চীঙলৈপাক লৈঙাং (Earth of high p. c. of Ferrous Oxide) হাঈরিবশিংসিনি * ২২। অহুবু অতৈ মালেমসিগী মফমশিংদদি মথক্তা হাঈগ্রিবশিংসিদগী হেন্দুনা, I) মাইকা (Mica) II) শুন্নুনুঙ নত্রগা শুনু (Limestone or lime for obtaining calcium for $CaOH)_2$ $CaCo_3$) অসিশিংসু য়ান্নে * ২৩। মনিপুরদসু মফম মফম অহুগী লৈপাক লৈশা অহু খেন্নবগী মতুং য়িন্না য়ানগদৌবা/হাপক-দৌরিবা পোৎয়ান—পোৎচাক অহুগী চাং খেন্নে। করিগুম্বা মফমদা পোৎয়ান্না শরুক অপুনবা লৈপাক-পোৎচাক (Texture of fibirc earth) ওইগদৌরিবহুগী মঙাথোকপগী অমা, করিগুম্বা মফমদনা মরি থোকপগী অমসুং করিগুম্বা মফমদনা অহুম থোকপগী অমা ওইনৈ। করিগুম্বা মতমদনা মফম অমতগী ওইরবসু লৈপাক্তা শারিবা/ওইরিবা মচাক (fibric) খেন্নবগী ওইনা পোৎয়ানগী চাং খেন্নে। য়াল্লিবা, হাপ্লিবা পোৎয়ানশিং অসি লৈপাক্তু পোৎচাক্কী ফুহিং অহুদা মৈ লিরি লিরি থাহুনা মৈশা পীরকপা মতমদা পোৎচাক অহুনা কনশিল্লকপা তাঞ্জা পোৎচাক-লৈপাক অহুদা য়াওরিবা মচাকশিং অহু শৌজিন-শমজিন্নহুনা মশাগী মুওং মতৌগী ফিবম-ফিরেপ অমা শেম্নকপা মতমদা চেৎশিনহনখিবগীদমক্তনি। মরম অসিনা থ্বাইগী ওইনা চংনরিবা পোৎয়ান-পোৎচাক নুঙজে়ংগী চাং অসি থোক্লকদৌরিবা অপুনবা লৈপাক-পোৎচাক অহুগী ২০%তগী ৩০% ফাওবা তানবা য়ান্নে।

মচু শঙনবা মচাকশিং :—

মনিপুরদা আর্কিওলোজিগী লৌবুক্তগী লোক্লক্লিবা ফু অমসুং ফুচেৎ-ফুকাঈশিং অসি মশা মশাগী মচু-মরাংশিং পুজরিবা ঙাক্তনি। মখোঈশিং অদুদা মরু ওইনা য়াওরিবা মচাকশিংদি (I) অমুবা (নুঙ মান্না মুবা), (II) মুরৈনবা (Sandstone, নুঙ্গী মচুদগী খর মুশিনবা, (III) চেক মচু অরাউবা, (IV) চেক মচু অয়াকপা (ঙাংশিনবা) (V) কাংচেৎ মচু (কোফি কলরদা খর য়াকশিনবা) অসিনচিংবা মচুশিংসিনি। অদুবু থবক ওইনা পাংথোকপগী চৎনরকপা অমসুং হৌজিক্কী মতমগী ওইবা মচু লাকপা নত্রগা শঙবগী লমদাংদসু হাঈরিবা মচু-মরাংশিং অসি অতুম্মক শীজিন্নে অমসুং থোকহল্লি। হাঈরিবা মচুশিংসিগী মনুংদা চেক মচুগী মচুশিংসিবু অঙাংবা অদুগা নুঙ (থোঙ্গু, Sandstcne; থৌ, Marbl, চকমোম, Quartz) গী মচুগী মচুশিংবুনা অমুবা হাঈনা কৌনৈ। অদুগা মখোঈশিং অসিদগী হেন্না মুশিনবা মচুবুসু অতুম অমুবা হাঈনা কৌইনৈ।

মনিপুরদদি ফুশাবদা শীজিন্নরিবা মচুশিং অসি থরাই পাম্নবশিংগী হকচাংগী অরেম্বশিংগী পোৎলমশিং (Organic pigments) দগী লৌই। মরু ওইনা উপালশিংগী উকু, মনা, মশা, মউ অমসুং মহৈ-মপালদগী লৌই। মমাঙঙৈদগী হৌনা অমুবা মচু লৌনবা পাম্বী অসি কুহি পাম্বী, "শায়ি-কুহি" (Bot: Holarrhena antidysenteria, fem: Aporynaceae) হাঈনসু খঙনবা অচৌবা উপাল অসিগী উকুনা শীজিন্নে * ২৪। হৌজিক্ হৌজিক্কী মতমদদি কুহি অসি খর হ্রানা ফংবনা মহুগী মহুৎ শীনবা য়াবা মচাক থিরকপদা ফংলহুনা হৈনৌ পাম্বী (Mango tree, Bot.: Mangifora indica, fem.:

Anacrdiaceae) অমসুং হৈক্রু/হৈগ্রু পাম্বী (Amla, Bot : Phyllanthus emblica, fem : Euphobiaceae) গী মনাশিংছু শীজিন্নরে * ২৫ । মসি মনিপুরগীতা ওইজবা মহৈগী লৌশিংনা ফংলকপা অমসুং পুথোরকপা পোংলমনি ।

ফুশাফম নত্রগা ফুশাশঙ ঃ—

ফুশাবগী থবক অসিনা ইমুং-মনুংগী পোংচঙ ওইবা পোংলমশিং ফংহন্নবা ঙাইহাক্কী ওইনা শাবগী মওং অসি নত্তবা, শীনফম ওইনা অমদি শেন্দান-থুমদান লম্বী ওইনা শাবা মীওইশিং অমদি ইমুং/লুপ/কাংবু/খুং ওইরবদি শীনফম অসিগী শীনশুশঙ অমা লৈবা হাঙ্গৈবসিদি য়াম্না তংঙাইফদে । থাঙ্গৈনঙৈদগী চৎননকপদদি হাঙ্গৈরিবা চফু শাবগী পোংচঙশিং অসিগী মরমদা অমদি মাঙ্গৈকৈরোমদা মচা তানা য়াত্তুনা পীবিরমদে । অতুদুনু নত্তনা হিরম অশোমদা থোইনা খন্নরুবগী রাফম থেংনজদে । ফু অমা ওইহল্লকপদা চঙলিবা মফমশিংদি — (১) লৈপেকফম, (২) লৈপাক হাপ্পগা লৈথমফম, (৩) ফুহিং মিতম লাকফম অমসুং ফুহিং শাফম, (৪) ফুয়িকফম অমসুং (৫) ফুপৈফম/ফুথমফম হাঙ্গৈরিবশিংসিনি । মসিগী মনুংদা নম্বর (২), (৩), অমসুং (৫) অসি পুনবা য়াগনি । মরম অসিনা য়ামদ্রবদা তিন্নবা য়াদ্রবা থবক শূফম মফম অহুমদি চঙদবা শুপয়া য়াদে । থাঙ্গৈনঙৈদদি হাঙ্গৈরিবা মফম অহুমসি লৈপেকফম্না লাইনা/মহৈশা লাইরেম্বীনা পীনরিবা, লৈনোই-লৈশেনফম, ফুহিং মিতমফম, ফুহিং-ফুশাফম, ফুপৈ-ফুথমফম অসিনা য়ুমগী অহাংবা কা অমা নত্রগা মাঙ্গোল নত্রগা অরৈম্বা শঙ্গোই/শঙতপ/খাংপোক অমদা হেক্তা ওইশিনবা অমসুং ফুয়িক-ফুথাফম অসিনা য়িংখোন মচী অমদা হেক্তমক তৌশিনবা অসি চৎনরম্মী । অতুবু হৌজিক্কী মতমসিগী তরা থোকপগী মশুং

অনিগী মতম (before two decades) দগী ব্রাফমসি মমাঙতৈঙুম অরায়বা ওইনা থন্বা য়াখিদে। মরমদি শীনফমসিনা পুক পুগদৌরি শীনফম্নি অমসুং থাঙ্গৈনগী লমহাং মরাং কাঙ্গৈরিঙৈঙুম মীগী মরমদা/লমদা হেঙ্গিল্লুবা পঙয়া য়ানরক্তে। অতুনা মথক্কী ফুশা বগী থবকশিংসিগীদমক্তা শীনশুশঙ অমদি তোপ্পা থন্বা তাই। মরমদি সরাহ পরনা হাঙ্গৈরি—"লৈপাক ফুশানবা অসি থিংপা-নোইবা-য়ৈবনা মরু ওইবা থবক্ ওইরবসু মতু চাকশঙমক্তা হেক তৌবদি য়াদে।" * ২৫

মথক্কী ব্রাফমশিংসি খঙলবা অমসুং থবক্তা ওন্থোকপা শুম্লগদবা মতম অতু য়ৌরক্লবদা ফুশাবদা অমসুং ফুয়িকপদা চঙগদৌরিবা পোৎচঙশিং অমসুং মথৌ লৈরিবা পোৎলমশিংসি ফংননবা লাক্লগদবনি। অতুবু কাউরোইদবা ব্রাফমদি শীনফম-সিগী খুৎপাঙ্গৈশেলনি। থাঙ্গৈনা মমাঙ অমসুং মমাঙতৈদদি খুৎ-পাঙ্গৈশেল অসি শুনোম্বা অমসুং পাঙ্গল পুৎথোক্লুনা নোম-লীক পনা ওইরম্মী, পোৎলম খুদিংমক শুবা-নোম্বনা ওইরম্মী অতুবু খৃঃ কুনশুবা শতাব্দগী তংথাঙ্গৈ লোঙ্গৈরকপদগী শু-নোম্বগী মমল হন্থরকখি অমসুং মতুগী মহুত্তা শেলগী মমলনা হেনগৎলকখি। রিজার্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াগী ব্রারোল মতুংইন্না খৃঃ ১৯৭১ গী লুপা অমগা খৃঃ ১৯৮১ গী লুপা ১·৭০ গা মান্নখি। অতুম ওইনমক থাঙ্গৈনগী চৎনবীদা য়ুম্ফম ওইবা চকপগী সমাজদদি শু-নোম্বনা শেলদগী হেন্না মমল য়াম্মী। অমসুং শু-নোম্বনা শেল্ তান্নবগী লম্বী ওই। অতুগা ফুশা-ব্রানশাবদা খ্বাইদগী মরু ওইনা চঙলিবা মচাক্তি শু-নোম্বনি, মতুনা খুৎপাঙ্গৈশেলনি। হাঙ্গৈরিবা অসি চকপা সমাজনা মপুঙ ফানা পুৎথোকপা ঙম্বনা

মখোঙ্গীনা মনিপুরদা ফুশা-রানশাবগী থবক অসি মাঙ্গীপুনরক্লি অমসুং মাঙ্গীপুনরি ।

* ১—Sarah Parr : Ceramics (Excalibur, 1997) : p. 6.
* ২—Ibid : Pp. 6-7.
* ৩—Ibid : p. 7.
* ৪—Ibid : p. 7.
* ৫—Ibid : p. 7.
* ৬—Ibid p. 7.
* ৭—Ibid : p. 6.
* I) Ibid : p. 9.

II) লোঙ্গীয়ম্বা শিনয়েন (খুংয়ি) : কংলৈ মৈতৈ লৈমগী চাবোক রাঙ্গোল মসিল্ ॥

a) লাঙ্গীফমতি কোংপা মনুংতা লৈএ ॥

b) লাইফমতি হাওথাতনে ॥

III) শ্রীখুলেম চন্দ্রশেখর সিংহ : ম: লাই:, লা: ৫৭০ মথক্কী পন্দুপকী রিফরেন্স নম্বর ১৪ ॥

* ৯—P. Dr. Gunindra Singh : Manipur University Museum Bulletin, Vot I (Canchipur, 1987) Pp. 1—6: L Kunjesori Devi: Pottery in Manipur : p. 2. ....Clay is mostly collected from the hill top or from the river bank at the water level ....

* ১০—Ibid : p. 2 : Reference No 9. above.

* ১১—Ibid : p. 2.

* ১২—Ibid : p. 2.

...... Local clays are tested for plasticity, shrinkage, maturity of temperature, colour, etc. When the ware is to be heated in an open fire its resistance to thermal changes is also determined. ......

* ১৩—Sarah Parr : op. cit. p. 8.

* ১৪—শ্রীলাইশ্রম মনিসনা সিংহ (৫০), চাইরেল খুঙ্গাওদা লৈবগা অইবগা খৃঃ ১৯৯২ গী মেঃ তাং ১৫ দা উন্নহুনা হংজবদা তাকপীরকপা ॥

* ১৫—Mr. K. Nepuni, D. C. Office, Senapati দা লৈবগা অইবগা খৃঃ ১৯৯২ গী জুলাই তাং ২৭ তা উন্নহুনা হংজবদা তাকপীরকপা ॥

* ১৬—শ্রীলাইশ্রম মনিসনা সিংহ : রিফরেন্স নম্বর ১৪ গা মান্নে ।

* ১৭—মঃ য়াও : ॥

* ১৮—মঃ য়াও :—

চফু শাবা য়াবা লৈপাকী মকোক্তা, মথক্তা হান্না ফংবা লৈপাক্লি হাঙ্গহুনা লৈকোক হাঙ্গনা কৌই। মসিনা ফু শারবদি ফুহু কাঙ্গগল্লি, অহুনা কাঙ্গগনবা লৈপাক্লি হাঙ্গহুনা "লৈকাঙ্গ" হাঙ্গনা মমিং থোল্লি ।

* ১৯—ক্ষেত্রি কুমার : মঃ লাইরিক : লা ;

* ২০— ম: য়াও: লা:
* ২১—P. Dr. Gunindra singh: Ibid. p. 3.
* ২২ – Ibid : p 3.

II). ক্ষেত্রি. কুমার: মথক্কী লাঈরিক: লা:

* ২৩—Omi Manchanda: A study of Harappa Pottery (Delhi, 1972): p, 1.

Clay: Harappan pottery falls ...., with a little shrinking of grey ware. It was made of good quality clay that burned with pink or light red in colour (Mackay 193 : 174) mixed with a small portion of sand, lime or mica as degraissant. A special paste very close in texture, devoid of any temper was used for small jars of fine fabric (Marshall, 1931 ; 289) A third kind of clay contaning Ferrous Oxide (Dr Hamid 's interpretation in (Marshall's 1931 : 311) was used for greyware.

* ২৪—মসিল (খুৎয়ি) ॥

II) ক্ষেত্রি কুমার : ম: লাই : লা: ১৬॥

* ২৫—Sarah Parr: op. cit.: p. 10.

Finding a working area :

When you begin to work with real clay, it is important that you have surroundings

in which you can work comfortable. Clay can be a messly substance and, although it is possible, it may not be practicable, to work with it on the kitchen table. Consider any garage, cellar or workshop space that you way have. If the weather is mild, you may even be able to set up your table out of door and do your work in the open air.

ফুশা-রানশাবা (১)

লৈপেক্পা, লৈচাম্বা, লৈপাক্-শেম্বা, লৈনোইবা,

থরাইনা পান্বা নত্রগা খোঙ্গদাবা লৈপাক মথল অহু চাংয়েং তৌহুনা ফংলবা অমসুং মহুগী থোকফম খঙলবগী মতুংদা থবক মখা চংথনবগীদমক্তা শেম্ শাগদবনি। শেম-শাবা অহুদালাইথৌ-তীনথৌ তৌগদবা লৈরগনা মহুগী মপোং-মচৈ লাংগনি। লাইথৌ-তীনথৌগী থৌরম্গী মপোং-মচৈ লাংবা লোঙ্গথ্রগা মথং চংথগদবা থৌরম পরেং, লৈপেকপা অসিদা চঙগদবা পোং-চঙশিংদি ; -

(I) নাহাইথাঙ, (II) লৈতৌয়োং, (III) লৈতৌতোক (IV) খুকউথাঙ, (V) লৈয়োম্ফি অসিনচিংবশিংসিনি। অনৌবা লোন্দা হাঙ্গরগা—লৈপাক তৌনবা য়োং অমসুং তোক অমদি অতৌবা লৈপাক্তু হাপ্পনবা হাপ্ফম্ (বোড়াখাউ, উগী বাগোস, নত্রগা অতৈ পাত্রশিং) অসিশিংসিনি।

লৈপেক্ পা (লৈপাক্ পেকপা) :—

Digging Your Own Clay.

"If you prefer it, it is possible to go out and dig up your own clay It may no even be necessary to go into the country to some — it is just as likely to exist in an urban garden. Inquire about the type of ground on which you live, and pay particular attention to the bank of rivers and steams. "* ১

অস্থুম্না লৈপেকফম অমা থিরগা ফংলবদা, মথক্তা পীথিবা পোৎচঙশিংসিগা লোঙ্গনবা লৈপেকপা চংকদবনি। মনিপুরদা ফুশাবীশিংনা চৎনরিবা লৈপেকপগী মওং অমস্থুং মতৌ অসি অনি শুনা ফংই। মথোঙ্গহুদি — চাইরেনগী লৈপেক্ পা অমস্থুং থোংজাওগী লৈপেকপা খুংপেক অনিসিনি। লৈপেকপা মখল অনিসিগী খেন্নবদি, লৈপেক্কদৌরিবা মযমশিং অহুগী লৈপাক্কী লৈওং/মওং-মতৌগী খেন্নবা অমদি লৈপাক্কুনা লৈরুরিবা লম-দমহুগী লম্মিং-তুমিং, ঈশিং-মাইশিং, নোং-চীঙগী ফিবম, নোং-শিং-নোংশাগী ফিরেপ অমস্থুং অহৈং-অশাগী চাং খেন্নবগী মতুং ইন্না লৈপাক্কুদা পীবা মহৈগী ওইনা লৈপাক্কুগী অকন-অপেৎ, অহোম-হোমদা, শুজিন-নমশিন অমস্থুং অনপ-নগুগী চাং খেন্ন-বদগী মমাঙথৈদগী চাংয়েং তৌহুনা চৎনরকপদগী শমথরকপনা খেন্নবসি ওইরক্লম্বা য়াই।

(১) চাইরেনগী লৈপেকপা খুংপেক ঃ * ২

চাইরেনগী লৈপাক পেকপা মপেক অসি ফু শাবা য়াবা লৈপাক থিবগী থবক্তা য়াম্না নকশিল্লি। চাংয়েং তৌবগী খুংতৌদা

থৌওং-থৌরম য়াৎনা থিরিবা পোৎশক্কুগী চাংয়েং তৌনা তৌনা মথংগী থবক থৌরমসু মথা তানা পাঙ্গথংপা য়ানবদা থৌদৌ-লাক্কৌদা চংথৈ। অদুগা তৌরিবা চাংয়েং অদুনা লৈপাক পেকপগী মতম অমসুং থৌরম চংথরকপদসু লৈপাক অদু ব্রায়েন পরিং চুম্না, খুংলোঙ্গনা অমদি লাঙ্গনা পেকপা য়ানবা মওং অমসুং থবক্তা চংথৈ। খুংপেক অসিগী অহানবা চংথরকপা থাক্তা — মরাক ময়ুং মান্নবা নত্রগা মান্নদবা কোম অমা তৌ-রগা মদুগী লৈন্নুংদগী ফংবা লৈপাক অদু পাম্লিবা লৈপাক অদুগী মতীক-ময়াইগা চান-চুনরবরা হাঙ্গবা য়েংজুনা লৈপাক থিবগী চাংয়েংগা লোঙ্গননা চংথগনি। হাঙ্গরিবা চাংয়েং অসিদা অপা-ম্বদু থুংদ্রবদি তৌরিবা কোম অদু থাদোক্লমজুনা, অতোপ্পা মফম অমদা হোংজুনা মমাঙগী অদুগুম্ব। কোম অমমুক তৌজুনা হান্নগী চাংয়েংজুগা চপ মান্ননা চংথগনি। লাইবক থীবদগী ফংদবদু লাইবক ফবদগী ফংলবদি হাঙ্গবদি অপাম্বা লৈপাক মথল অদু থেংনরবা নত্রগা থেংনরগনি হাঙ্গবগী থাজনীঙঙাই ওইবা খুদম-চাংদম ফংলবদি তৌরিবা কোম অদুগী লৈন্নুংগী লৈমাঙ্গ অদু লৈতেম মান্ননবা শেংগনি। মদুগী মতুংজুদা কোম অদুগী মন্নুংদা চাওরাক্লা লৈন্নুংগী লৈপাক্কু থোংহনগদবা চাং য়েংজুনা ঈশং খর হৈজিনগনি। কোম মন্নুংগী লৈথাগী লৈপাক্কু ঈশিং চুপশিন্দুনা থোংতোক্লক্লবদা মরাক-ময়ুং চাওরাক্লা মান্নবা লৈপাক লৈতুমশিং ফকপা/লৌবা য়াগদবগী মওংদা কোম মন্নুংগী লৈথাগী লৈমাঙ্গদু চুথেক চুথেক নাইবা লৈপাক্কী শরুক লৌগদবগী মওংদা মচেং মচেং কক্কুনা/য়ান্দুনা থমগনি। অসু-ম্না থম্নবা মতুংদগীদি লৈপাক লৌবগী থবক্ চংথনবা তৌগদবনি। লৌগদবা লৈপাক খুংলৌদি চুথেক নাইনা তৌথ্রিবশিংদগী চুথেক

নাইবা মতুম মতুম ফক্তুনা লৌগদবনি। অদুগা অসুম্না চুথেক নাইবা লৈতুমশিং লৌবা লোঙ্গৈরবদা চুথেক নাইবা লৈতুমশিং অদুদগী ফু শাবদা ফগদবা অমসুং য়াগদবা লৈপাক মথলহু লৈতুমশিং অদুদগী মন্দুনা লৌগদবনি। অসুম্না খনগত্তুনা মল্লবা লৈপাক মখৈ লৈয়োমফি, লৈহাফু, নত্রগা লৈপাক হাপ্পবা পুরকপা হাওফম/উপু থুম্মোক/টিন/শম্/লেংকোং/বোরা অসিনচিংবদা হাপক্কনি। অসুম্না শাগদবা ফুশিংগী চঙগদবা লৈপাক্কী চাং অদু য়ৌরবা/ওক্রবা নত্রগা লৈপাক লৌফম অদুগী পোংথোক লোঙ্গৈরবদা অপেকপা লৈপাক্তু থবক শুফম নত্রগা ফু শাফমদা পুরক্কদবনি। মতাংসিদা কাউরোইদবদি কালেন থা নত্রগা অশিং-অৱান থা ওইরবদি লৈপাক্তু মতম চুপ্পদা অচোংপা কিনা/ফদীনা কুপ্তুনা, ঈংগদবা মফমদা থমগদবনি। অদুগা লৈপাক পেকপগী মতাংদা খঙগদবদি, য়াম্না লুনা নত্রগা থেন্না তৌথদবদা লৈপাক্কী মথল হোংলক্কুনা নত্রগা লৈশা ওইবা লৈপাক ফংলবদি ফু শাবা য়াবা লৈপাক্কী পোংথোক লোঙ্গৈরে, ফংলিবা লৈপাক্তু, মথত্তা পীথিবা চাংয়েংশিং অদুনা ফু শাবা য়াগদরা য়ারোইদ্রা য়েংবগী মথৌ তারে হাঙ্গৈবা অসিনি।

(২) থোংজাওগী লৈপাক পেকপা খুৎপেক ঃ * ৩

থোংজাওগী লৈপাক পেকপা মপেক অসি ফু শাবা মফম /খুনশিং—অন্দ্রো, খা-শেকমাঙ্গৈ, নোংপোক সেকমাঙ্গৈ, থোংজাও-রোক্চিংবা মৈতৈ-চকপা খুনশিং অমসুং চীঙমী-খুঙ্গশিং ওঙ্গৈনাম হুন্দুং, হুঙবীনচিংবা অয়াম্বদা লোঙ্গৈনমক চংনৈ অমসুং শীজিন্নৈ। মসিনা খাইগী ওইনা চংনবা লৈপাক খুৎপেক্কি। লৈপাক

মপেক অসি মথং চৎথরক্কদৌরিবা ফু শাবগী থবক্কী পরেংগী লৈপাক-পোংচাক শেম্বদা মতেং ওইবা খুংপেক্নি। খুংপেক অসিগী অহানবা মতাংদদি লৈমাঈদগী কোম অমা তৌথরগা ফু শানবা লৈপাক চাংয়েং তৌতুনা থিবগী পরিংতুদা চংথরক্কদবনি। অস্তুন্না থিরক্পদা পান্নিবা লৈপাক মখলদু থেংনরবদি লৈতৌ-য়োং নত্রগা লৈতৌতোক্না লৈপাক্তু পরপ পরপ শোঈতুনা মপাক মপাক্কী মওং ওইনা লৌগদবনি। লৈতুমদু চাওজরবস্তু থক থাহ-ন্দে। অস্তুন্না শোঈরবা লৈপাক্তু মথক্তা তৌবগুম হাপ্পনবা হাপফম অমদা হাপ্তুনা থবক শুফম ফুশাশঙ নত্রগা ফুশাফমদা পুরক্কদবনি। লৈপাক পোংচাক্কী পোংথোক লোঈরে খঙনবদি মথক্কী চাই-রেনগী লৈপাক পেকপা খুংপেক্কীগা চপ মান্নে। লৈকন-লৈশা ফংলবদি লৈপাক পোংচাক লোঈরে অমস্তুং অমুক চাংয়েং তৌবা মথৌ তারে খঙগনি। অতুগা লৈপাক পৈতুনা নত্রগা পুন্না মথক্তা অচোংপা ফি/ফদীনা কুপ্তুনা অঈংবা মফমদা থমগদবনি, * ৩ অচোংপা অমস্তুং অথোংপা লৈপাক্তা শন্দোক্তু থম্বা য়াদে।

লৈচামবা (লৈপাক চাম্বা)

লৈপাক পেকফমদগী পুরকপা লৈপাক্তু শেংলে, লৈপাক পোংচাক শেম্বা য়ারগনি হাঈনা লৌবা য়াদ্রি। লৈপাক অতুদা পামদবা পোং উশা-ব্রাশা, শরূ-শায়াঙনচিংবা কয়া য়াওরম্লোই হাঈবা য়াদ্রি। অতুনা লৈপাক অতু মন্থোক-খোত্তোকপা, খন্দোক খঞ্জিনবা, লৌথোক-লৌশিনবা অমস্তুং শেত্তোক-ফক্তোক্তুনা য়েংবগী থবক লৈরি। অতুগীস্তু মথক্তা লৈপাক চামথোক্তুনা পান্নিবা অতু-থক্তা ময়েক শেংনা, তরু-তরুনা থম্বা চঙলি। মরম অসিগী-দমক অহানবা থবক হেক পাঈথংপদা, থাঙ/থাঙজৌ নত্রগা

খুংলাঈ অমনা লৈপাক্তু কুপয়ান য়ানখাঈবা নত্রগা কুপ্পা কুপথুং-থুগাঈবা হাঈবসি শোঈদনা তৌদবা য়াদ্রবা থবক্নি। অস্তুন্না কুপহল্লবা লৈপাক অসি টিন্দা/চফুদা ড্রম, (Barrel) অম্মদা হাপ্লগা ঈশিং হৈজিল্লগা খুংনা মত্রগা চৈ অমন্না ওংথাঈহনা চামগনি। অহানবা চাম্বগী মহী অহু চিথোক্তুনা হৈদোকথ্রগা অমুক অনৌবা ঈশিং হৈজিন্দুনা লৈপাক্তু পুং ২৪ নত্রগা নোংমদগী তাদনা তিংগনি। অস্তুন্না তিংহনা থম্লবদা লৈপাক লৈহাও/লৈশা/লৈকুপ্পা চুপশিনবা ঙমদবা থাউগী শরুক নত্রগা লৈপাক্কী মশাদা য়াওবা ঈশিং ঈচম্বদা তুমদবা/তুমগন্দবা নত্রগা তুম্বদা য়াক্সবা খোংগী পোংথোক্কী ধাতু (Metal), অধাতু (Non-metal) অমস্তুং মখোঈনা থোকহল্লকপা থরি অনদি থুমশিং পুন্নমক পোপথোক্লই। অহুগা থাউগী শরুক্তুদি ঈমাঈদা মরেক ওইনা তাউখংলকই, অমস্তুং ওংথাঈরকপা মতমদা তুমদবা পুন্নমক্তুস্তু ঈমাঈরোমদা কাখংলকই। অহুগা লৈপাক্কী পীক্লবা লৈরীক, মখোঙ য়াওদবা কেগাম নত্রগা চাগী প্লেট মানবশিংহু অমগা অমগা শান্থোক্তহনা ঈশিং মন্নুংদা কোঈতাউ তাওরকই। ঈশিংনা — লেংবগী থবক্তু লেপথ্রবদা লৈরীকশিং অহু ঈশিংনা মথা থংবা শরুক্তা য়াওরিবা হাপ্‌ফমগী লৈমাঈহুদা মথং মথং তারক্তুনা মনীঙদা ফংথরকই। * ৬

ঈমাঈদা তাউখংলক্লিবা থাউরেক অমস্তুং ঈমাঈগী মনাক্তা কাখংলক্লিবা তুমদবা, ফু শাবদা অপন-অকাঈ পীগদবা পামনদবা পোংয়াও/পোংয়ানশিং অহু ঈশিংহু ওংথাঈবা মতুং মিনিট ১০/১৫ রোম লৈরগা চিথোক্তুনা হৈদোকখিগদবনি। অহুগা অনৌবা ঈশিং অমুক হাপ্তুনা তিংগদবনি। অস্তুন্না ঈশিং ওংথাঈবসি

মতম কান্না-কান্নন য়ামদ্রবদা অহুম্লক্তি তৌগদবনি। অহুগী মতুংদা লৈপাক মনীঙ ফমথহনবা (Decandation) গী থবকসি চংথহনগদবনি। মসি লৈপাক চাম্বা নহৃগা শেংদবা/কান্নদবা পোৎয়ানশিং লৌথোক্লবগী অৱাঙ্গীবা পাম্বেনি। * ৫

লৈপাক চাম্বা অমসুং তিংবগী থবক পাঙ্গীথৎপসি অতৈ খুঙ্গংশিংনা খ্বাইগী ওইনা পাঙ্গীখৎলিবা মপাঙ্গীথং অসিগা অন্দ্রোশিংনা ভৌবগা থর খেন্নবগী মতৌ উবা ফংই। অতৈ মনিপুরগী ফুশাবা মফমশিংদদি পেক্লুবা লৈপাক্তু য়ানবা/কুপহ-নবা/থুগাঙ্গীবা অসি লোইরগা চাম্বা অমসুং তিংবগী থবক পরিংসি অতুম পাঙ্গীথৎনরে। অহুবু অন্দ্রোদদি লৈপাক য়ানবা/কুপহনবা অসি লোঙ্গীরগা "লৈপাক কংহনবা"—হাঙ্গীদুনা লৈফোবা, লৈপাক ফোবগী থৌরম মতেক অমা অমুক হাপ্লি * ৭। মসি লৈপাক অহুগী মচুম কংহনবা, লৈপাক্তা য়াওবা ঈশিংগী শরুক পাইথোকবনখিবা (By evaporation) গী থৌওং অম-নি। অমুম্না নোংশিং-নোংশা লাংহন্দুনা নত্রগা নোংশিং-নোং-শাগী অশাবদা ফোদুনা লৈপাক্তু কংহল্লবা মতুংদা লৈতিংবা (লৈপাক তিংবা) গী থবক অসি পাঙ্গীথংলি।

লৈপাক তিংবগী থৌরম অসিদা চংথরিবা অমনা লৈপাক অহুদা য়াওরিবা ঈশিংনা তুম্বা ঙম্বা খোংগী পোংথোক-পোং-লম (Mineral products) শিং অহুদি ঈশিংনা তুমহনখিগনি অমসুং পোংলম অহুগী সোলুসন (Solution) দু ঈশিংনা মহী ওইরগা শেমখিগনি। সোলুসন শেম্বা হাঙ্গীবসি সোলভেন (Sol-vent) ওইরিবা মহী অহুগী তায়নবা অহাংবা মরক্তুদা Solute সোল্যুং ওইরিবা মপঙ অহুগী মোলিকুলশিং অহুনা

চঙহুনা লৈখিবনি। মরম অসিনা ঈশিংনা তুম্বা ঙম্বা খোং-পোৎথোক্কী পোংলমশিংদি ঈশিংহু চিথোকখিবদা অহুম্মক য়াওখ্রবনি। মসি ওর্গনিক সোলুবল মেটরিয়েল (Organic soluble) শিংগী মরমদস্থু অমহানি, ইনসোলুবল (Insoludle) শিংগী মরমদনা মথক্কা পীখিবা তুম্বদবা মচাকশিংগী মতাং অহুগা অম্মহানি। অহুবু খর হেন্না অয়েংপা পীরিবসিদি খরাই পানবশিংগী হকচাংগী অরেম্বশিং অমদি ওর্গানিক মেটরিয়েলশিং অহুনি। লৈনুং/লৈথা খর হেন্না লুনা তৌথরগা কংবা লৈপাক-শিং অসিদনা ওর্গনীক মেটরিয়েল য়াওবগী চাং য়াম্নদি হন্থে অহুবু হাঈরিবা লৈপাক মথল অসি ফু শাবদা কয়া পাংদবা ওইবগী রাকম্নি।

লৈপাক চামথোকপা অমস্থুং তিংবগী থবক্কা অমোং-অকাঈ, পামদবা মচল্লশিং, কান্নরোইদবা ময়ালশিং, অপন-অয়েং পীগদবা মচাকশিং অমস্থুং য়ৈথাই-থীনগাইবা পীগদবা মথেলশিং লৌথোক-তান্থোকপা অমস্থুং মন্থোক-খোত্তোকপগী থৌওং অসি মনিপুরদা চংথবগা মীরৈপাক অতৈ লমশিং (মরু ওইনা ইন্দিয়াগী মফমশিং অয়াম্বা) দা তৌবগা খর খেন্নে। তম্নরিবা পান্দম-ফম মান্নরবস্থু মনিপুরদা পাঙ্গীথংলিবসিগী মরু ওইবা থবক্কী য়ুম্ফমদি ডিকাণ্ডেসননি অহুগা অতৈগীনা ফিলত্রেসন (Filration) -ডিকান্দ্রেসন প্রোসেসকী মখাদনি। ফিলত্রসনগী ফিজুম থাহুনা চুম্নগা লৈপাক চামথোকপগী মখোঙ্গৈনা তৌরিবা থৌওংগী মতৌদি * ৮ :—

ফু শানবা পেক্লু রিবা লৈপাক অহু উনা/খাতুনা নম্রগা অতৈ মচাক্না শাবা হাপফম অমদা হাপ্তুনা পুররুগা থবক শুফমদা

অমদা হাপ্তুনা পুরক্লগা থবক শুফমদা মহু থমগদবনি। মহু মহী হাপ্পা য়াবা হাপফম অমা অমুক শিল্লগা শিল্লে, শিন্দ্রগা শিন্দ্রে, অহেনবা ঈশিংনা লৈপাক অহুগী মরেপ থুম্না হৈজিনগনি। মতম ঙাইহক্তুংগী মনুংদা লৈপাক্ লৈকনশিং অহুনা ঈশিং চুপশিল্লগা পোপ্ থোক্লক্কনি। অমসুং পেন্থরক্কনি। অসুম্না পোপথোক্লবা, পেন্থরকপা হাঙ্গবদি লৈপাক্কী পীক্লবা লৈরীক্ শিংহুনা ঈশিংগী শরুক য়াওদবদগী ফাজিন-নপশিনরম্বা অহু কোমথোক্লরক্লবা মতমহুদা য়াম্না ক্নবা ওংখাঙ্গগনি। ঙাইহাক ওংখাঙ্গরবা মতুংদা মহু লৈনাং তারক্কনি। লৈনাং অহু অথা-অপা মান্নবা থীংকনি। অসুম্না লৈনাংনা থ্রক থ্রক লাউবা ফাওবা থীংলবা মতুংদা চোম্বং খরাঙ্গগুম্বা নত্রগা ময়াঙ্গ ওইরপ্ কুংনা ধাতু/ব্লানা শাবা খরাঙ্গ (লোংগুম্বা) অমা পাত্র অমগী মথক্তা থল্লগা হাঙ্গবদি ফিজুম/ছানা ওইহল্লগা লৈনাং অহু হৈথহুনা চুমথোক্কদবনি * ৯। চুমথোকপা অসিদা ঊনা-ব্লানা, নুঙ, ঊশা-ব্লাশা, শরূ-ঙারূনচিংবশিংগী মচেং-মকাঙ্গ, মতেক্-মতা অমসুং নাপী-শীংবীনচিংবা লৈপাক্তুদা য়াওরম্বশিং অহু লৌথোকপা ঙমই অনসুং লৈপাক অহু ফু শাবগী ওইনা শেংদবা অমোং-অকাঙ্গশিংদগী নাম্থোকহনবা ঙমই। অসুম্না চুমথোক্তুনা শেংদোক্লবা মতুংসিদা লৈপাক অথীংপহু নুমিং খরনি অমুক কমথহন্দুনা থমগনি * ১০। ফমথরক্লবা মতমদা অফম্বা লৈপাক্তুগী মথক্তা ঈরূ কারকপহু চিথোক্তুনা লৌথোক্কদবনি। অহুগা নোংশিং-নোংশা লাংহনহুনা লৈপাক্তু হাইফেং কংশিল্লকপা ঙাইরগা ফুশা-ব্লানশাবগী মথংগী চংথগদবা থৌরম পাঙ্গখৎনবা শেমশাই। অমসুং মথা তাবা থৌরমহু পায়থত্তুনা পোংচাক-লৈপাক্কী মচল-ময়াল হাপ্তনা ফুশাবগী থবক্তুদা চংথখি।

লৈপাক্কী মচল/ময়াল হাপ্পা
নত্রগা লৈশুবা (লৈপাক শুবা)

তিংবদগী নোংশিং-নোংশা লাংহনদুনা হাইফেং কংশিহল্লবা লৈপাক্তু লৈপাক মতোমতনা ফুশা-ব্রানশাবদা মতীক চাবা ফুগী পোংচাক ওইদবনা মচল/ময়ান/পোংয়ান হাপ্পনবা তৌগ-দবনি। হাঙ্গৈরিবা থবক অসি মনিপুরদদি পোংয়ান ওইরিবা নুঙজেং শুগাঙ্গৈরগা য়ানশিন্নবগী থবক্কা পুন্না অমুক্তদা তৌমিন্ন-বনা "লৈশুবা" নত্রগা 'লৈপাকশুবা' হাঙ্গৈরগা খঙনৈ। মসি পাঙ্গৈখংপগী মওংদি :—

মচুম কংলবা লৈনাংদগী লৈখোম ওইহল্লবা লৈপাক অদু উরুক/কোল্লুক/উখুদেং/কোন্খুদেং নত্রগা উ/ধাতুগী—মপাক অমদা নত্রগা পাকা চনবা লৈমাঙ্গৈ মচেৎ অমদা থম্লগা নুঙজেং হা-প্তুনা লৈশুশুক্ (মথক্তা খুংশু-খুংলাঙ্গৈগী মতাংদা পীখিবা লৈ-পাক শুনবা, নুঙজেং শুগাঙ্গৈনবা শুক) না শুই * ১১। অস্তুম্না লৈখোমগা নুঙজেংগা তোংনরবা লৈপাক-পোংচাক্তু শুগাঙ্গৈরকপা মতমদা নুঙজেংশিংদু তোঙ্গৈরক্তুনা মফোল তারকপদুনা লৈপাক্কা তোংশিন্নরকপদা লৈখোম অদু য়াম্নস্তু পেত্তবা, য়াম্নস্তু কন্দবা থাক্কা লাকখি। হাঙ্গৈরিবা লৈপাক্কা পোংচাক অসি তল হৌনবা অথিৎপা য়াম/আতা নত্রগা গোর্বধন পুজা নুমিত্তা লৈতান্না শল্ শানবা হোংনবা লৈপাকশিংদুনা ওইবা চাং অদু-গুম কনখৎহনগদবনি নত্রগা পেংথহনগদবনি। অসিগুম্বা লৈপাক পোংচাক্কী চাং অদু য়ৌদ্রিবা ফাওবা লৈপাক অদু মথক-মখা ওন-ওন্দুনা শুগদবনি। লৈপাক-পোংচাক্তুদা লৈশুবগী চাং অসি থুংনা মান্ননা ফংহনগদবনি। য়াল্লিবা পোংয়ান অদুগী শরুক্কী চাং মান্ননা লৈপেকফমদগী পেক্লকপা লৈপাক্তুদা মনুং থীৎনা

য়ান্‌তুনা, পেঙ্‌না নত্রগা মহুপ ইপৌ পৌনা অস্থুম লৈরবদি অমুক নুঙজ্রেংগী চাং হাপতুনা শুগদবনি। নুঙজ্রেংগী চাং হাপ্পা অসি মনিপুরগী লৈপাক মখল অসিদি ২০%দগীনা ৩০% ফাওবা হাঈবদি শরুক মঙাথোকপগী অমদগীনা শরুক তরা থোকপগী অহুম ফাওবা হাপ্পে। অতুনা নুঙজ্রেংগী শরুক ৱাংলিবা মথৈ হাঈরিবা চাং অসি য়ৌনবা হাপকদবনি। অতুবু লৈপাক-পোংচাক অতু পেংপা-কনবগী চাং য়ারব্রা, খুংনা মেৎপা-থিন-বদা খুত্তা লৈপাক্তু পক্লক্তবরা অমসুং পাঈবদা নপলি-নপলি তৌরিব্রা হাঈবগী চাংয়েংশিং তৌবদি তোকপা য়াদে। মরমদি অসুম্না নুঙজ্রেংগী পোৎয়ান হাপ্তুনা লৈপাক-পোৎচাক থীংপা অসিদা লৈপাক-পোৎচাক্তু নুঙগী শরুক্না/চাংনা হেনবা পোং-চাক ওইরবদি ফু হং শারগা ফুয়িকপদা (ফু মৈ থাতুনা মৈশা শীবা মতমদা ফুহিংগী) লৈমাঈ/মমাঈ হাঈবদি ফুহিংগী ফক্লাং ওইরিবা অপাবা লৈপাক্কী মরেপ (ৱাল) কী লৈমাঈ অতু পোকখা-ঈগল্লি * ১২। অতুগা নুঙজেং নত্রগা নুঙগী শরুক/চাং ৱাং-লবদি লৈপাক-পোৎচাক্তুনা শাবা ফুহিং অতু ফুহিং ওইরিক্কে-দগী কংশিল্লকপদা কংবগী খুংকং ফরক্লবা মতমদা ফুহিংগী লৈমাঈ/ মমাঈতু চেকখাঈবা/ককখাঈবা/চিংখাঈবা থোকই * ১৩। মরম অসিনা লৈপাক-পোৎচাক অতু মাগী অপিবা/অচঙবা/ওইফম থোকপা মচাক-পোৎয়ানগী চাংতুদা মচল/মথেল/মচাক্কী চাং পুনবা শেম-শাগদবনি। নুঙগী চাং হাঈবদি সিলিকোনস/Silicons : R_2 Sio], কার্ব্বোন [Carbon : C] গী কম্পাউণ্ড শিং কেলসিয়ম কার্ব্বোনেট [Calcium Carbonate : $CaCo_3$] অমসুং কেলসিয়ম হাইড্রোক্সাইড (Calcium Hydroxide : $Ca(OH)_2$] নচিংবা লৈপাক-পোৎচাক্কী ময়ালদা চঙবা

পাংচঙ ফংহন্দুনা মৈশা লিরি লিরি পীরকপদা [Heated on low temperature] পোংয়ানশিংদু শৌজিন্নহন্নবা, চেৎশিন্নহন্নবা অমসুং তাইশিন্নহন্নবা পোংয়ান-পোংচাকশিংগী চাং ফংহন্নবা থৌরাং তৌগদবনি। অদুগা কাউরোইদবা অমনা পোংচাক য়ানশিন্নবসিদা করিগুম্বা নুঙগী শরুক্তা হেনগ্রবদ লৈপাক্কী শরুক হাপ্পুনা অমুক শুগদবনি। অসুম্না পোংয়ানশিংগী চাং পুগদবনি হাঈবসি মনিপুরগী ফুশাবী শিংনা য়াম্না কুপ্পমক খঙদ্রবসু তৌদবা য়াদবা লৈ হাঈবসিদি খঙই অমসুং মদুগীদমক শেম শাই।

লৈপাক্-পোংচাক শেম্বগী পোংয়ান হাপ্পগী মওং-মতৌ, থৌদৌ-লাক্তৌ অমসুং পোংশক্-পোংলমশিং অসিগী খর খর হোংলকপা অমসুং খেন্নবগী মওং-মতৌসু অদুম লৈ। হাঈরিবশিং অদুদগী খরদি মখাদা পীজরি :—

(১) **পোংয়ান হাপ্পগী মওং মতৌ** :—মনিপুরদা চংনরিবা ফু শানবা লৈপাক্তা পোংয়ান হাপ্পুনা লৈপাক-পোংচাক শেম্বদা পোংয়ান হাপ্পগী মওং-মতৌ অসি থোংজাও (ককচীঙ-লোমগী) ফু শাবাশিংনা তৌরি মওং-মতৌ অসিগা অতৈ ফূ-শাবা ফুশাশঙশিংদা চংনরিবসিগা খর খেন্নৈ। থোংজাওদা পাঈ-খৎলিবা মওং-মতৌদি * ১৪ :—মথক্তা পীথিবা লৈপাক তিংবা অমোং-অকাঈ মন্থোকপা, ফত্ত-হাওদী লোথোকপগী থবক অসি থোঙজাওগী ফুশাবীশিংনা করিগুম্বদা কান্থোক্লগা নত্রগা কান্থোক্রবসু অহিংবা (হেক পেল্লকপা) নত্রগা অতিংবা লৈপাক অদু লৈতুম লৈতুম নত্রগা মতুপ মতুপ ওইনা অদুম্মক লৈহনখিগনি। অদুগা লৈশুফাল্ : উপাক/উফাল/কোমপাক/উরুক্ খুদেং নত্রগা

লৈতেম মান্নবা ধাতুগী মপাক, পাকা চনবা লৈমাঈ নব্রগা লৈশু-নবগীদমক্তা শেম্বা মফম অমগী মথক্তা নুঙ্জেংশিং অদু চাং মান্ননা শন্দোক্নুনা থমগনি। লৈহিং লৈপাক্ থম্লিবদুদগী মতুম মতুমশিংদু অমমমতা ওইনা লৌখৎলগা মতুমশিংদু থাডনা পানা-পানা নব্রগা মচেৎ-মচেৎ ওইনা ষ্বান্থরগা/শোইথরগা পোৎয়ান তোৎপগী চাং মান্নহল্লগা শুবগী থবক হৌরকই। অদুদগীদি লৈপাক-পোৎচাক ওইননবা ঈশিং চাই-চাইদুনা, লৈপাক লৈহিং নব্রগা অতিংবা লৈপাক হাপ-হাপ্নুনা নব্রগা নুঙ্চাক্ হাপ-হাপ্নুনা ফুশাবগী লৈ-পাক-পোৎচাক ওইরকপগী চাংদু য়ৌদ্রিবা ফাওবা শুই।

(২) **পোৎয়াম হাপপগী থৌদৌ-লাক্তৌ** :—মনিপুরদা চৎনরিবা ফুশা লৈপাক-পোৎচাক শেম্বগী থৌদৌ-লাক্তৌ অসি য়াম্না বৈজ্ঞানীক্ (Scientific) ওইবগী মওংদা নত্তে, চুম্না মপা লাতুনা ওইবা য়াবগী চাংদা তৌবা অসি থাঈনডৈদগী চৎনরক্লবা থৌদৌ-লাক্তৌনি। ফু শানবা লৈপাক-পোৎচাক অসিদা ঈশিংগী শরুক্ ২৫% য়াওগনি অমসুং লৈপাক্-পোৎচাক্তা লৈপাক্ অশেং-বনা ৭০% দগী ৮০% ফাওবা অমদি নুঙগী শরুক্তা ২০% দগীনা ৩০% ওইরগা অফবা মথল্গী ফুশিং তাহনবা ঙমই, হাঈবসি তশেংনমক লেপ্তনা লৈরবা ময়াম্না থঙননা য়ানরবা ব্রাফম ওইনা লৈত্রি।

(৩) **পোৎয়ান হাপপগী পোৎশক-পোৎলমশিং** ঃ—মনিপুরদা ফুশাবীশিংনা মখোঈগী শীনফমসিদা ফু শানবা লৈপাক-পোৎচাক শেম্বদা অশেংবা লৈপাক্তা য়াল্লিবা পোৎয়ান অসি নুঙজেং হাঈবদি নুঙকুপ (Sandstone dust) হাঈবসিনি। অদুবু

মনিপুরনি হাঈহুনস্থ লৈপাক্কী পোৎচাক খেন্নবা অমদি এসিডিটী খেন্নবগী মতুং ইন্না করি করিগুম্বা মফমশিংগী লৈপাক্তা লৈঙোই (Silicone) অমস্থুং চীঙলৈপাক্ লৈঙাং (Weathered rock soil) না ময়াল ওইনা শীজিন্নবস্থ য়াওই। অহুগা ভারতগী মফম খরদদি পোংয়ান্-পোংলমশিংসি খর খর খেন্নৈ। মথো- ঈগী মরুওইরিবা পোংয়ান্দি লৈঙোইনি অহুগা অতৈনা শুন্থ (Quicklime : $CaCo_2$) অমস্থুং কেলসিয়াম হাঈড্রোক্সাইড [$Ca(OH)_2$], মাইকা (Mica) অসিনচিংবশিংনি * ১৫। পোং- য়ান-পোংলম্শিংসিগী পান্দমদি পুন্নমকসি য়ান্নহুনা তোংলবা লৈপাক-পোংচাক অহুনা মৈ থারকপা মতমদা মৈশানা থবক তৌরকপগী মতুং ইন্না মচাকশিংসি শৌজিন্-শমজিন্নরগা যুহুগী ফক্লাং ওইরিবা লৈমাঈ অহুগী পোংলমশিংহু চেংশিন্ননা, যিরেপ কাঈদনা অমস্থুং অপান্বা মচুগী চুদা অহুগী মওং, ফিবম চুন্না, ফুহু চুঙ্-ফিরান্ চানা ওইননবগীদমক্তনি।

লোংশিৎ তান্থোক্পা :—

থৌরম অসি মনিপুরদদি লৈশুব (লৈপাক্ শুবা) গী থৌরম অসিগী থবক্কী পরেং অহুগী মন্নুংদা চঙ্গ্রবনি অহুবু অনৌবা মতমসিগী পৃথিবী ফুশাদদি য়াম্না মরু ওইবা থৌরম পরেং ওইনা তোংঙান্না পী। অনৌবা মওংগী চত্থবহুদা পীরিবদি :—

WEDGING *১৬

This is the best method to choose if the clay is full of hard lun ps or cf additives like pigments, are to be incorporated into the clay.

When the clay is thoroughly wedged, it can be kneaded lightly.

Take a piece of clay not more than about 2 kg (4 Ib) in weight at first and bang it into an oblong shape. Lift the blcck of clay upright and with a cutting wire, cut through the centre of blcck lengthways. Let the top half of the block fall away, and pick up the lower half so that the cut side is facing you. Both cut sides now face you,

Lift one half in your hand above your head, and slam this piece down on the lower half. Then square the block off by tapping it on the table

Turn the block so that it is upright and repeat the process. Do this about twenty times. It will mix the clay to an even consistancy right through and expel any air. It will also throw up stones and any other foreign bodies.

মসিনা লৈশুবা মতমদা লৈশুশুক্লা শুজিল্লক্পদা লৈপাক পোংয়ানশিং অহু চাং মান্নলা লৈহিং লৈপাক্তুদা তোংখাঙ্গৈবতা নত্তনা মন্নুং থীংনা, মরৈ মুন্না পোংচাক-পোংয়ানশিংহু তোংখাঙ্গৈ-য়ান্খাঙ্গৈনগ্রগনি। অসিগী মথক্তা ফু শাননবা লৈপাক-পোংচাক্ অহু ফু শাবদা শীজিন্নগদবা লৈপাক্কী কুংবা (Consistence) অহু

ফংননবগী মওংদস্থ কুংশিলহল্লকই। অদুনা লৈহিং লৈপাক্কী মোলিকুল (**Molecule**) শিংগী মরক্তা অমসুং পোৎয়ান-পোৎলম-শিংগী মোলিকুল্‌শিংগী মরক্তা অমসুং অনিদু তোৎশিন-য়ান্‌শি-রক্‌পদা লৈরক্‌পা মোলিকুলশিংগী মরক্তা ওইরকপা অহাংবশিং অদু খুজিল্‌হল্লক্তুনা মেন্‌শিল্লকপদা মরক্তা পন্দুনা/তাউদুনা/চঙদুনা লৈরম্বা নোংশিৎশিংবু তাম্নোক্‌খি। মরম্‌ অসিনা থৌরম পরেং অসি অমুক তোংঙান্না লৌখৎনদে।

লৈনোঙ্গৰা/লৈপাক-নোঙ্গৰা :—

ফু শাবগী লৈপাক্‌ শেম-শাবগী থৌরম পরেংগী মনুং চল্লিবা লৈনোঙ্গবা/লৈতা-বা হাঙ্গৈরিবা থৌরম অসি ফু শাগদৌরিবা লৈপাক-পোৎচাক্‌ অদু মনুং থীৎনা, মুন্না পোৎয়ানশিং চঙহন-তিন্নহন্‌খিবগী মথক্তা লৈপাক-পোৎচাক অদু মশা থোঞ্চনবা, খুংনা পাঙ্গবদা খুৎলোঙ্গনবা অমসুং লৈপাক্কী পোৎচাক অদুগী মচাকশিংগী অথা-অকুং মান্ননবা অমদি লৈপাক-পোৎচাক্‌ অদুগী মগুন-ময়াই চাংয়েং তৌবা, পেৎপা, কনবা, খুক্তা নপ্পা-নপুবনচিংবা চাংয়েং তৌবগী থবকশিংস্থ য়াওরিবনি। অমবু ওইরবস্থ অমবু ওইরবস্থ, লৈতাফাল্‌ শীজিন্নদুনা লৈনোঙ্গরগা/লৈতারগা পোৎচাক লৈপাক্তু শেম-শাগদবসি। থৌরম অসিগী থবক অসি তশেংনমক তল হৌননবা য়াম/আতা নোঙ্গবদুগা চপ মান্নে। লৈনোঙ্গবগী মতম-সিদা করিগুম্বা লৈপাক্‌-পোৎচাক অদুনা য়াম্না চনপ্পবা/নপ্পবদি লৈঙোই থর শীজিন্নবদি য়াই, পঙ্‌হেন হেন্না শীজিন্নবদি য়াদে। লৈফুল্‌ অকবা নব্রগা উফুল অশেংবা, ফজবা শীজিন্নবনা হেন্না ফৈ। অস্থুম্না লৈতা-বগী থবক অসি মালেম্‌সিগী ওইনা পীরিবা সান্টিফিক ওইবা মওংগী পাংথোক্লবা মওং-মতৌদি :—

KNEADING *১৭

If the clay is reasonably soft and even in consistency, you may only have to knead it. Kneading presses the air out, and forces closer together the tiny particles from which clay is made. This makes the clay more plastic. At the kneading stage grog can be worked into the clay. Grog is a commercially prepared substance. ... ... kneading employs a spiralling movement very similar to working dough. The weight of the body comes down through the shoulders and the wrists in a forward thrust. The aim is to turn the clay round and round, pressing it into itself in a rhythmic arching movement. Lift the block of clay forward and with the fingers behind the clay and the palms of the hands at the sides, press down and away with the heel of the thumbs. Roll the clay up towards you and press down again, taking a fresh hold as you push.

Build up a rhythmic movement, spiralling the hands in a forward thrust away from you, and up, inwards and back towards you. The palm must enclose the clay to stop it spreading sideways : keep your arms fairly straight

and use your body weight to exert pressure. Gradually, a bull's head-shape emerges. It is not easy at first, but the correct movement comes with practice. About 100-150 turns should be sufficient—if the caly is worked too long it will dry and crack. Bang the clay into a square and slice it into quarters with the cutting wire. Check that the consistency is even and that the caly is free from bubbles inside, finally, bang the pieces firmly back together again, and the clay is ready to use.

অস্থুম্না ফু শাবগী লৈপাক-পোংচাক অহু পেকপা, চামবা, তিংবা, পোংচাক-পোংয়ান্ হাপ্পা, নোংশিং তান্থোকপা, অমস্থুং লৈনোঙ্গবা/লৈতাবা অসিনচিংবা থৌরম পরেং ময়াম অসি তৌহ্লনা লৈপাক্-পোংচাক্ অহু শেম-শাই। অহুবু হাঙ্গৈরিবশিংসি মনিপুরদদি লৈপেকপা, লৈতিংবা, লৈশুবা, লৈতাবা হাঙ্গৈবশিংসিনা তৌই। থৌরম পরেংশিংসিনা পান্দমলিবা অহুদি চপ মান্নে অমস্থুং থাক অসি য়ৌরবদি লৈপাক-পোংচাক অহু শীজিন্নবা য়াবগী চপ চাবা ফিবম্দা লৈরবনি।

REFERENCES

*১—Sarah Parr : cp. cit : p. 9.

*২—শ্রীলাইশ্রাম মনিস্না সিংহ (৫০) চাইরেন খুঞ্জাওদা লৈবংগা অইবগা খৃঃ ১৯৯২ গী তাং ২৫ দা উন্নহুনা হংজবদা তাকপিরকপা॥

*৩—ৱাইখোম চাওথোই সিংহ (৬০), থোংজাও (কক্‌চীং মাঙ্গৈকেগী) দা লৈবগা অইবগা খৃ: ১৯৯২ গী সেপ্তেম্বর তাং৬ অ থোংজাও খুলদা উন্নদুনা ৱারীশ্বাতাই শাবজদা তাকপীরকপা ।।

II) ক্ষেত্রি কুমার: ম: লাই: লা: ১১ ॥

III) Sarah Parr : op. cit : p. 9.

... ... If you do the discover your own supply, the clay will probably be dirty and very sticky, so before use it must be weathered. This is a long but essential process. ....Leave the clay outside in loose heaps for at least a year. Sun, wind, rain and frost play over it and help to break it up and make it workable,

* ৪— Ibid : p. 3.

* ৫— Ibid : p. 9

After ... ... weathering process, mix the clay with water until it is a thick liquid. Then pass it through a coarse sieve to remove stones and twigs. After sieving, leave the clay to settle and drain the water off the surface. These processes leave a mass of soft clay, which should then be left to dry slowly until it is sliff.

* ৬—Ibid : P. 9 : Ref. No. 5

* ৭—Ibid : p. 9 : Ref. No. 8 (III),× (II)×

* ৮—P. Dr. Gunindra Singh : op. cit : p. 2 :

L, Kunjeswori Devi says —... ......Clay .... put into a large vessel, either tin or wooden. More water is added and stirred vigorously. The resultant slurry is poured through fly-wire screening into another vessel to remove leaves, twigs and stones. This slip clay is allowed to settle for a few days when the clear water at the top is descented.

* ৯—Ibid : p. 2.

.........Clay can be improved by mixing it with fine sand or fine granules of red clay locally known as Ching leipak (weathered rock of hill) Local clays are tested for plasticity, shrinkage maturing temperature, colour etc When the ware is to be heated in an open fire, its resistance to thermal changes is also determined. When the clay is too plastic or too sticky, then the sand is added to make the clay less plastic This addition prevents the ware from breaking while baking.

II) ক্ষেত্রি কুমার : ম : লাই :, লা : ১১ ।

* ৯—Sarah Parr : op. cit : p. 9.

After this weathering process, mix the clay with water until it is a thick liquid. Then pass it through the coarse sieve to remove stones and twigs.

*১০—Ibid : p 9.

After sieving leave the clay to settle and drain the water off the surface.

*১১—ক্ষেত্রি কুমার : ম :, লাই :, লা : ১১ ॥

*১২—I) ম : য়াও : লা : ১১

II) P. Dr. Gunindra singh : op. cit :

L. Kunjeswori Devi : op. cit p. 2.

*১৩—ক্ষেত্রি কুমার : ম :, লাই : লা : ১১ ॥

*১৪—ম : য়াও : লা : ১১

*১৫—Mrs. Omi Manchanda : op : cit : p. 1

*১৬—Sarah Parr : op. cit : p. 12.

*১৭—Ibid. : Pp. 12—13.

—(৫)—

ফুহিং মিতম্বা, ফুহিং ফুশাবা, ফুয়েম্বা, লৈরোং/লৈতেং হাপ্পা :

মথক্তা শেম-শাবা লোইহনা লৈতাফাল-মথক্তা থমখিবা লৈপাক-পোংচাক্ অহুদগী শাগদোক্লিবা ফুশিং অহুগী রাং চাওগদোরিবা ফিবম অহুগী চাং য়েংহনা লৈপাক-পোংচাক অহু মাগী মাগী শরুক খাইদোক্লুনা মতুম মতুম অহনা লৈতাফালগী

মথক্তা থমগনি। ফুশিংগা কোন্নবা লৈপাক-পোৎচাক খায়দোক্ শীন্দোকপা লোঙ্গৈরবদা হৌজিক্তি ফুহিং মিতম্বা নত্রগা ফুহিংগী শক্তম লাকপ গী থোরম পাঙ্গৈখৎকনি। ফুহিং মিতম্বগী খ্বাই-দগী ইশান্ হান্বা খোঙ্ফমদি হান্ননা মতুম্ তাহুনা থমখিবা লৈপাক্- পোংচাক্ মতুম্শিংহুদগী খ্বাইদগী হান্না তাখিবা মতুমতু লৌরগা মেত্তুনা অমুক ফুশাবগী লৈপাক-পোৎচাক্কী কনবা-পেৎপা, নক্পা-কংবগী চাং য়ারগদ্রা হায়না য়েংগনি। মসিদা চান্নদ্রে হায়না খল্লবা অমস্তুং চাংয়েংগী মহৈ ফংলবদি লৈপাক-পোৎচাক্তু অমুক শেমদোক-শেমজিন তৌবা য়াই। কল্লবা নত্রগা ফ্রা-ফ্রা লাউরবা ঈশিং হাপ্তুনা অমুক তোং-নোঙ্গৈবা, পেৎলবা নত্রগা চনপ চনপ-রবদি হুঙ্কুপ শুহুনা হাপ্লগা অমুক তোং-নোঙ্গৈবা তৌহুনা শেম্নে। মীরৈপাক্তদি লৈঙোই হাক্তুনা অহুগা মনিপুরদদি হুঙ্-কুপ্, চীঙ্ লৈপাক-লৈঙাংগী অমোন লৈকুপ্পচিংবা হাপ্তুনা শেম্নে। চীঙগী ফুশাবা লমশিংদদি চীঙ লৈপাক্ অমুবগী লৈকুপ শীজিন্নবস্থ অতাংবা নত্তে। অস্থুন্না শেমহৌবসিনা ফুহিং অহু মৈ য়িক্লকপদা থোক্লক্কদবা খুদোংথীবশিং অহুদগী ঙাক্থোক্পা ঙম্ই। মহুগী মতুংদা লৈপাক-পোংচাক্তু হান্নগুম্না অমুক্ হন্না খুংনা মতুম্ম তাশিনগনি।

ফুহিং মিতম্বা *১

পেৎস্থু পেত্রবা কনস্থু কন্দ্রবা, নপস্থু নপত্রবা লৈতাফাল/ফুনোই উপাক্তা থম্লগা খুং অনিনা— নোঙ্গৈ-নোঙ্গৈহুনা/তা-তাহুনা কোঙ্গৈনা —শাংবা মশাং অমা থোকহনগনি। মশাং অসিগী অশাংবা অসি, মশাং অহুনা কোনশিল্লক্তুনা অকোঙ্গৈবা কাংথোঙ্গী মকোন অমা শেম্বা অকোন্বা অহুগী মনুংগী অকোঙ্গৈবা অহুনা পান্দম্লিবা ফু

অতুগী মরেংবান্গী মন্নুংগী অকোইবা অতুগী চাং ওইরপা লৌগদবনি। অতুগা শারিবা অশাং অতু ফুনোঙ্গৈ উপাক মথক্তা অমুক শাংনা তিংথোক্তুনা থম্লগা খূংপী অনিনা মাঙ্গৈকৈ অমরোম্দা থরথারপা ইন্দোক্তুনা থনম্লগা লেমহৌরিবশিংহু অহানবা থমখিবহু অতুগী ওন্ন-তৈনবা মাঙ্গৈকৈরোমদা অমুক খুবী অনিনা ইন্থোক-ইন্থোক্তুনা পানা পাকথোকহল্লি। অস্তুম্না পানা পাকথোক্লিবা পান্দম্লিবা ফুগী মরেপ খজিক্তুং হেনবা নত্রগা মপা চারগদবা মতমদা তক্থোক্তুনা পাকথোকহনবগী থবক্তু লেপকদবনি। মতুগী খূং অনিনা মপাক্তুগী অথাবা মাঙ্গৈকৈরোমগী মতাঙ্গৈ অনিহুদা পাঙ্গৈতুনা মপাক অতু ফুনোই উপাক মথক্তগী হৌগংকনি/লৌখৎকনি। অতুগী মপাক্তু য়াগী উতোং অমগুম কোন্শিল্লক্তুনা মচীন অনি অতু শমজিন্নতুনা অশেংবা উতোং মনীঙ্-মমাঙ হোবা অমা ওইনা শাগদবনি। মনীঙ্ মমাঙ্ হোবা লৈপাক্কী উতোং অসি পান্দম্লিবা ফু অতুগী য়াংগদবা মরেপ অতুগী চাং য়েংলগা ঙসাই পানা পাকথোকহন্দুনা থমখিবা অরোঙ্গৈবা শরুক অদোমদা য়াম্না হেনগদবা লৈরবদি ফুনান য়াচেংনা থাঙ ওইনা শীজিন্নতুনা হেনগদবা শরুকশিং ককথংপা য়াই। অতুগা অহেনবা শরুক কক্থংলগা নত্রগা কক্তবা লৈপাক্কী অপাবা মপাক্কী মচিনশিং অতু কোনশিল্লগা শমজিন্নতুনা মেনশিনগনি। অস্তুম্না মেন্শিল্লবা লৈপাক্কী উতোং অতুপী মেনশিল্লিবা মাঙ্গৈকৈ অতুনা ফুগী ফুনীঙ (ফুগী মনীঙ্) ওইগনি। অতুগা মতুগী ওন্ন-তৈনবা মাঙ্গৈকৈদা থারপ তৌনা খুবীনা ইন্থোক্তুনা থাক্লগা থমখিবা শরুক অতুনা ফুগী মঙক অমস্তুং মচীন নত্রগা মমাঙ্গৈ শানবনি।

ফুহিং মিতম্বগী থবক্ অসিদা ফুহিং অমগী মিতম্বা লোঙ্গৈরবা মতুংদা মতু ফূথমফাল্ (ফুশা-ফুথমফাল তত্রগা শাফু-ফুথমফাল) দা

খঙ্গগা মতু-মমান থর কংহনবা নত্রগা মহী-মচুম থর চুপশিনহন-থিবগী মথৌ তাই। হাঙ্গৈরিবা অহাংবা নতম অসিদা অতোঙ্গা ফুহিং অমা অমুক্ মিতম্বা নত্রগা মপা/মওং লাকপা হাঙ্গৈবদি ফুহিংগী মওং শেম-শাগদবা অহানবা থাক্কী ফুহিং শাবগী থবক পাঙ্গৈথংকনি। অসুম্না মথং মথং ওইনা নোংমত্তগী ওঈনা নত্রগা অকক্লবা মশীংগী শাগদবা ফুহিংগী মশীং শুনা শাগদবনি। অমসুং মচুম কংহনগদবনি।

অসুম্না মচুম কংলবা ফুহিং মিতম্নবশিং অদু শাথিবগী অহান-অকোনগী মতুং ইন্না ফুনোঙ্গৈ উপাক্তগী লোথংলগা লেপশুঙ্ক (লেপ্ শুম্বল্) মথক্তা পরেং শাত্নুনা/নাইনা থমগনি।

ফুহিং মিতম্বগী অতোপপা মওং-মতৌ অমা :[*২]

মথক্তা পীরিবা ফুহিং মিতম্বগী মওং অসি লৈপাক খুাইগী ওইনা চংনবা ফুহিং ফুশাবগী ফুহিং মিতম্বগী মওংনি। অদুবু অন্দ্রোদদি হাঙ্গৈরিবা চংনবী অসিগা মান্নদবা ফুহিং মিতম্বগী মওং-মতৌ অমা চংলি, মদুগী চাওরকপা ৱারোলদি :—

লৈপাক-পোংচাক্ অদুগী কোঙ্গৈনা মতুম তাবা মশাং অদু মপাক ওইনা খুংপীনা ঈন্থোক্তুনা পাকথোকহল্লকপা অদুগী থাক অদু তৌদ্রগা মদুগী মথা তারকপা খোঙ্ ফম্দি অদুম্মক মান্নে। মখোঙ্গৈনা কুনোই-উপাক্তা ফুহিং মিতম্বগী লৈপাক-পোংচাক্কী মপাক্না লৈপাক্কী উতোং শাবগী থবক অসি পাঙ্গৈথত্তনা অতোপ্পা থৌওং অমা ওইনা পাঙ্গৈথংলি। অন্দ্রোগী ফুশাবীশিংনা লৈপাক পোংচাক্কী অকোঙ্গৈবা মতুমগী মশাং অদু মথক-মখা ওন্ননা লৈ-মাঙ্গৈদা উপতুনা থম্বা থরুং অদুগী মথক্লোম থংলিবা ফুনীঙ (ফুগী-মনীঙ) অদুগী মপানগী লৈমাঙ্গৈ/মমাঙ্গৈ অদুগী অকোঙ্গৈবদা কোঙ্গৈনা

থম্মী। অতুগা লৈপাক-পোৎচাক অমসুং খুংপীনা ইন্থোক-তকথোক্তুনা পাক্‌থোক-শাংদোক্‌হল্লক্‌ই। অসুম্না পাক্‌থোক্-শাংদোক্লকপা অসিনা পান্দম্লিবা ফু অতুগী মরেপ/অন্নাংবগী চাংদগী থর হেন্দোক্তুবা ফাওবা চথে। ফুগী মরেপ্তুগী হেল্লক্লবদা ফুনীঙ মেন্‌গদবগী চংদবা অশাংবগী চাং য়েংলগা অহেনবা লৈপাক্-পোৎচাক্কী শরুক অমসুং অউপ্পা খুরুংতুদা কোঙ্‌শিল্লগা মথারোদা য়াম্বতুনা লৈরিবমসু ফুনান ব্রাচেংনা মমাঙ্‌গী মতাংদা তৌখিবগুম ককথংলি। অতুগা খরুংদা কোঙ্‌শিন্দুনা থম্লবা অমসু লৌথোক্লগা ফুনীঙ্‌গী শরুক অমসু হান্নগীগুম কোনশিন্দুনা মেনশিল্লি। অসুম্না ফুহিং মিতম লাক্‌পা অমসু লোঙ্‌শিল্লগা থম্‌ই।

অসুম্না মথং মথং থম্লবা ফুহিং মিতম্বা ফুশিং অতুগী মশা অমসুং মঙক্/মচীন ওইগদৌরিবা শরুকশিং অতুগী মপান থংবা লৈমাঙ্‌শিং অমসু খুৎপীনা ঈশিং লুপলুক্তুনা চোংহল্লগা তক্তুনা-নান্দুনা অতোং-অকুৎ লৈতবা, অনানবা লৈমাঙ্‌ ওইনবা শেম-শাই। হাঙ্‌রিবা থৌরম্-থৌদৌ অসিদা মিতম্লিবা ফুহিং অতুগী মনুং থংবা লৈমাঙ্‌ অতুসু লৈতেম মান্নহল্লি অমসুং নানহল্লি।

ফুহিং মঙক অমসুং মচীন শাবা *[৩]

মশাগী লৈমাঙ্‌শিং নানহল্লবা ফুহিং মিতম্বা নত্রগা ফুহিং মঙং লাকপা অমসু অমা লৌতুনা লেপশুম মথক্তা থম্লগা ফুহিং মঙক্কী শরুক শাবা হৌগদবনি। লেপ্‌শুমগী মথক্তা থম্লিবসি ফুহিং শাবা মতমদা ব্রাংখৎহনবা মফমদা থম্বা অতুনা শারিবা মী অতুনা ফমতুনা নত্রগা লেপ্তুনা শাবা মতমদা নুংঙাইনবা অমসুং খুদোং চাননবা য়েংতুনা তৌবনি অমসুং লেপশুম্ অসি ষ্টেণ্ড নত্রগা প্রোপ ওইনা শীজিন্নবনি। অসুম্না লেপশুমগী মথক্তা থম্লিবা ফুহিং মিতম্বা অতুগী মঙক্কী শরুক অমসু ফুনান ফদী (অচোৎপা)

না নান-নান্দুনা শাবা হৌগনি। অপাম্বা মখলগী মঙক্, মতুগী মওং-মতৌগী ফিবম-ফিরেপ অহ্ মঙক ওইননবা থাক্তুনা থম্‌হৌবা লৈপাক-পোৎচাক্কী শরুক অহ্দা খুৎকী খুৎশাশিংনা মেৎ-মেত্তুনা মওং শেম্লগা ফিবম-ফিরেপ তাহন্দুনা পাম্লিবা মতৌ কাঙ্গদা অহ্ শাই। মঙক শারকপগী মতম অসিদা য়াম্না শীজিন্নরিবা খুৎলাঈদি ফুনান ব্রাচেৎ (মত্তেক) নি। মঙকী কুৎশিনবা (মপাল্লোম্ থংবা শরুক্কী) অহ্ শেম্নবা হোংনবদা ফুনান ফদীনা খুৎপাঈননবা ওইনা মঙকী মথক্তা মচীনগী শরুক্কী মপাল্ ওইনা মপাল্লোমদা ফন্দোক্লিবা অহ্দা চপ্তুনা পাঈরগা ফুনান ব্রাচেৎ অহ্গী মনম্না লৈপাক্তুদা নমশিন-নমশিন্দু কুৎশিনবগী মওংহ্ শেম্লগা ফিবম-ফিরেপ তাহল্লক্লবা হোৎনৈ। ফুহিং মিতম্বা নম্রগা লাকপা ফুহিংহ্ উরু-উরু লৈহুনা ফুগী মঙকী মকোঙ্গ মান্ননা অহ্গা অকোঙ্গবগী মওং-মতৌহ্ চুম্না তাননবা য়াম্না পুক্লীঙ চঙনা অমস্তুং চেকশিন্না হোৎনবগী তাঙ্গা অমা চঙই। অস্তুম্না পুক্লীঙ থিংজিন্না শারকপা ফুশিং অসিগী মফম সনা কৈথেললেন্দা অহ্স্মক লৈরম্মী।

ফুহিং মঙক্ শাবগী অতোপ্পা খুৎশাশিং ঃ *৪

— চাইরেন খুঙ্গাংগী ফুশাবীশিংনা ফুহিংগী মঙক্ অমস্তুং মচীন/মপান শাবগী খুৎশা অসি থোংজাও (কক্চীঙ্লোমগী) ফুশাবীশিংনা শাবা খুৎশাদগী থর তোপ্পা খুৎশা অমদা শাই। চাইরেনগী খূৎশাদদি ফুগী পীকপা অমস্তুং চাওবগী মতুং ইন্না শীজিন্নরি। ফুথমফম ষ্টও অসি মখল অনি শুনা শীজিন্নে। অচৌবা ফুশিং-ঙাংখা, থরু, চেঙফু, ঙারি-খরুংনচিংবগুম্বা মঙক শাবা মতমদা লেপশুম শীজিন্নে। অহ্গা ফু মচাশিং —চফু, উয়ান, খুম, য়িরাংপুন্ন-চিংবগুম্বগী মঙক শাবা মতমদা মাঙ্গকোঙ্গ উপাক শীজিন্নহ্‌তা শাই।

লেপশুম শীজিন্নবগী মওং-মতৌদি হান্নবা মথক্তা পীখিবতুগা মান্নে। মাঙ্গৈকোঙ্গৈ উপাক [মথক্তা পন্দুম (২) শুবদা পীজখ্রে] অমগী মথক্তা মঙক শাগদৌরিরবা ফুহিং মিতম্বা অদু লোংনা হাঙ্গৈবদি মঙক্ শাগদৌরিবা শরুক অদুনা মথক্লোমদা গুনখত্নুনা থম্লগা ফুহিংগী মঙক শাবগী থবকসি তৌই। মাঙ্গৈকোঙ্গৈ উপাক্, ফুহিং মিতম্বা মথক্তা হাপ্লিবা অদুগী মথংদা ফি অমশু থম্ই। হাঙ্গৈরিবা পুম্নমক অসি খুকউ মথক্তা থম্লগা মঙক শাই। শাবগী থৌরম খুংশা-লাক্শাদি মমাঙ্দা পীজখিবতুগা চপ মান্নে।

২ — মনিপুরগী ইম্ফাল-শুগ্নুরোড়গী লমথৈ মন্নুংদা তারিবা চাঙ্গৈরেল অমসুং থেংজাওদা চংনরিবা ফুহিংগী মঙক শাবগী খুংশা-লাক্শা নত্রবা মনিপুরগী অতৈ মফমশিংদা চংনরিবা অতোপ্পা খুংশা অমত্তু লৈরি।*৫ মফম অনিসিদদি ফুগী ফুহিংগী মশা অমসুং মঙক-মচীন অসি পুন্না, শম্ননা লৈপাক অমতদগী শাই। অদুবু অতৈ মফমশিংদদি ফুহিং মশানা অমা, মংকে-মচীন্না অমা তোংভান তোংভান শাই। অনিত্তু শাবা লোঙ্গৈরবা অমুক শমজিন্নদুনা ফুহিং মপুম অমগী মশা ওইহল্লি। অত্তুন্না কোন্না ফুগী ফুহিং অদুগী মওং-মতৌ শেম্মী।

লুঙ্বীগী থাইগা মান্নদবা মওংদা ফুহিং মিতম্বা :*৬

মনিপুরগী চীঙ্গী ফু শাবা খুল, লুঙ্বী হাঙ্গৈরিবসিদদি মথক্তা পীজখিবা ফুহিং মিতম্বগী থৌরম—অসিগী মওং থবা মান্নদবগী শক্তম উবা যংই। থৌরম পুম্নমক—লৈপেকপা, লৈতিংবা, লৈপাক-পোংচাক্ য়াnবা, লৈনোঙ্গৈবা, ফুহিং মিতম্বগী ফুহিং ফুশা হৌবা, লৈপাক-পোংচাক্কী উতোং শাবা অসি ফাওবসি চপ মান্না চত্থরল্লগা ফুনীঙ্ মেনবগী মতাং অসিদদি খেন্নরক্লে। ফুনীঙ

অহু ক্ষুগী ফুশা ওইগদৌরিবা লৈপাক-পোংচাক্কী উতোং অহুনা কোনশিল্লক্কুনা মেন্‌শিনবগী মওং অহু তৌদ্রে। লৈপাক্‌-পোংচাক্কী শরুক খর লৌরগা মহু মতুম তাশিল্লগা ফুনোই-উপাক/লৈতা-ফালগী মথক্তা থম্লগা খুংপীনা তক-তক্কুনা, ইন্থোক-ইন্থোক্কুনা মকোঙ্গী হাইরপ মান্ননা পাক্‌থোক-চাওথোক্‌হল্লকই। ফুনীঙ্‌ ওইগদৌরিবা অহুনা লৈপাক্‌ উতোং অহুগী মখাদা লৈপাক্কী ফক্লাংনা য়াম্থরিবহুগী মকোঙ্গদগী চাও-শাংবদগী খর হেল্লক্লবা চাংদা পাকথোকহনবা লেপকনি। অহুগা মহু ফু-শা ওইগদৌরিবা অহুগী মঙক শারোইদবহুগী মপাদা পুশিল্লগী উতোংগী অহোবগী অহাং-বহু মেনশিনগনি। অহুগা খুংপীনা ঈশিং লুপ-লুপ্পনা নান্দুনা মচেং অনি অহু তাইশিন-শমজিন্নগনি। অহুগা ফূয়ৈ-চৈ শীজিন্ন-হুনা অনি তাইশিন্নবগী থাগংপা মকোঙ্গী অহু পাথহল্লি। অম্তুম্না ফুয়ৈ-চৈনা য়ৈ-য়ৈহুনা অথা-অপাগী চাংহু মান্ননবা শেমগদবনি। অকোঙ্গীবা মকোঙ্গগী তাইনফমশিং অহু অপা-অথাগী চাং মান্ননবা শেম্বা শাবতা নত্তনা শম্নরিবহুগী লৈপাক-পোংচাক্কী মরীকশিংগী মরক্তা অহাংবা নত্রগা নোংশিংকী কোঙ্গোল মরীক য়াওদনবা অমম্থুং কুংবগী চাং অহু চফুগী অতৈ মফম্‌শিংগা মান্ননবা ফুয়ৈচৈনা য়ৈ-য়ৈহুনা শেমগদবনি। অহুগা পোংচাকশিং অহুগী মরীক্কী মরক্তা লৈরিবা ঈচূম্‌ ফাওফম্‌ (Porous Hole) শিংহু লাঙ্গৈনা ফুয়িক-পদা শৌজিন্‌-শমজিন্নহুনা ফু ওইরবা মতমদা য়ুদনবা শেম-শাগ-দবনি।

ফুয়ৈবা ঃ ফুহিং ফুওং শেম্নবা থৌরাং, ফুহিং ফুওং শেম্বা নত্রগা ফুয়ৈবগী চথরক্‌পা থৌওং-থৌদো ঃ

ফুহিং ফুওং শেম্নবা থৌরাং অসি ফুহিং মিতম্বা নত্রগা মিতম লাকপগী থৌরমসি লোঙ্গৈরগা পাঙ্গৈথংপা চেকশিন থৌরাংনি।

মথক্তস্থু চেকশিন থৌরাং কয়া লৌথিবা উৎচশ্রে অদুবু হন্দক্কী থৌরাং অসিদি য়াম্না তংঙাইফদবা অমা ওই। মরমদি মসিনা পান্দ-ম্লিবা ফু অদুগী মপুন্সি লেপক্দৌরিবনি। অদুনা ফুহিং মিতম্নক্পা মতমদা লৈপাক-পোংচাক্তুদগী হেন্বা, পাম্নদবা পোৎলম্শিং য়াও-খিবা নত্রগা ফুহিং মিতম্নিঙৈদা, ফু ওইরবা মতম্দা ফুছুদা অকাঙ্গী-অতোঙ্গী নত্রগা অপন্-অথিন থোক্হনবা য়াবা পোৎলম শিং শম-নানচিংবা পাইশিন-খোৎচিনখিবনচিংবা য়াওদনবগীদমক্তা চেক্শিনগদবনি। মরম্দি মখোঙ্গীদুগুম্বদু হেক য়াওখিবদা ফুয়িকপদা চেকথাঙ্গীবা, ককথাঙ্গীবা, পোকথাঙ্গীবা অমদি ফু ওইরক্লবদা য়ুবা, হোবা অসিনচিংবা হেক্তমক থোক্পগী মরম অসিনা ফুহিং-ফুওং শেম্নমদায়গী থৌরাং অসিদা হিরম্ অসিদা মতম ঙাইহাক্তং কাই-থোক্তুনা মিংয়েং চঙবগী মথৌ তংঙাইফদনা তাই। অসুম্না ফুহিং মিতম্বগী ফুনীঙ্ মেনবা, ফঙক্/মপান শাবা লোঙ্গীরগা ফুহিং মিতম্বা, ফুহিং ওইদ্রিবা অদুগী লৈপাক-পোংচাকশিং অদু চেংশি-ন্নহন্নবা ফুহিং মিতম্বদুগী মশাদু খরা কংশিন্নবা নত্রগা মচুম হাঙ্গীফেং লাংশিন্নবা নোংমা, নুমিং অমা চুপ্পা উরুমদা নোংশিং লাংহন্দুনা থমই।

খোঙনাইবা ফুশিং শান্নবগীদমক্তস্থু ফুহিং মিতম্বগী মতমসিদা মখোঙ্ অদু অপাম্বা মওংদা শারগা মমাঙ্দা নুঙ্গী ফুনীঙ শম্বা অদুগী মওংদা শমগদবনি। অকোঙ্গীবী, ফৈজা মওংগী ফুখোঙ্ মখা পাক্কপ্ন য়াওবা নত্রগা য়াওদবা অসিনচিংবগী ফুগী মখোঙ কয়ামরুম শারগা নপশিন-শমজিনবা য়াই। মখোঙ অহুম ফুঙ্গা লোঙ্জুম/নুঙ্তুম্ শানা খোঙনাইবা ফু অসি মনিপুরদা শীজিন্নবদি থেংনদে অদুবু আর্কিও লোজিকেল ঈভিডেন্সতদি ফংই। হাঙ্গীরিবা

মথোঙশিং অসি শম্বা অসি ফুনান ফদী অচোৎপা শীজিন্নহ্না শমই, মঙক্-মপান শম্বদস্তু অহু মঙাই।

অদুগা নোংমা নোংশিং লাংহন্দুনা থম্ননবা তৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা ফুনান ফদী অহু কাবক কাবক চোংহল্লগা ফুহিংগী মপান অমস্তুং মনুংগী লৈমাঈশিংহু নান-নান্দুনা লৈতেম মান্ননবা অমস্তুং নান্ননবা তৌগদবনি। অস্তুম্না ফুনান্ ফদী অচোৎপনা নানবা অতুদা লৈপাক পোংচাক্কী লৈমাঈ অতুনা থামন্দুনা নত্রগা মচৌ-মচা নাইমন্দুনা নীঙবা থুংবা ঙমদ্রবদি ফুনান ৱাচেৎ অমস্তুং কোঙ্গেং মকু শীজিন্নবস্তু য়াই অমস্তুং তৌনৈ। ফুনান ৱাচেৎ অমস্তুং কোঙ্গেং মকুনা অথাবা অহেনবা কোথোক্কুনা নত্রগা অতোংবা শরুক নত্রগা ফুরী থুংবা শরুক তেমথোক্কুনা অকুৎপা নত্রগা চামশিনবা শরুক শেম-শাহুনা মেনগনি। অতুগা অচোৎপা ফুনান ফদীনা লৈমাঈ/মমাঈশিং অহু ৱাই তৈবগুম কংতৈ তৈহুনা নান্হনগনি। মনিপুরগী চীঙগী ফশাবীশিং মরু ওইন ৱুঙ্ (তাংখুল) কাংলুপ্তী ফুনান ফদী শীজিন্নবগী মহুত্তা ফুনান ৱাচেৎ শীজিন্নবনা নমই। অস্তুম্না ফুহিং মিতহ্বগী লৈমাঈশিংহু নান্হল্লবা মতুংদা মচুম লাংশিন্নবা নোংমা হুমিং চুপ্পা অমা উরুমদা ফুহিং মিতহ্বহু নোংশিৎ লাংহন্নবা থমগনি।

ফুয়েবা নত্রগা ফুহিং ফুওং শেম্বা[**]

(i) **"শারিঙৈদা য়েহো, শাজনীঙ্বা শাহো"।**

(ii) **"থৌবান্দোংগী চফুবু কাঙ্গনবা য়েবরা, ফুওং শেম্বনি।"**

অহানবগী অসিনা কোন/ধাতুগী ৱাফমদদি, অদুগা অকোনবগীঅসিনা লৈপাক্কী ফুহিং শাবগী ৱাফম্দনি। অদুনা তশেংনমক ফুগী ফুওং শেম্বা হাঈবসি ফুহিংগী লৈপাক

অদুনা পেংলিংঙৈগী মতমদা ফুরৈবা হাঙ্গবা থবকী থৌরম অসিনা তৌগদবনি অমদি তৌরিবনি। পাম্লিবা ফুওং অদু শেম্নবা ফুরৈবগী থবক অসিদা শীজিন্নরিবা খুংলাঙ্গশিংসি মরু ওইনা—(১) ফুরৈচৈ, (২) ফুরৈন্থুঙ্ অমসুং (৩) ফুনান্ ফদী অসিনি। ফুরৈন্থুঙ্ য়েরুম্ মওং নত্রগা মৈতৈগী কাং মওং মান্বা অমসুং য়েরুমগুম মতুম্ তারগা শাংলপ তৌবা অসিনা খ্বাইদগী হেন্না ফৈ।

নোংমা চেক্লবা মতুংদা ফুহিং অদু হান্নগী কনবগী চাং অদুদগী খজিক্কং হেন্না কনখংলে। মতাং অসিদদি ফুরৈ-চৈ থাবা য়াররক্লে। রৈগদৌরিবা ফুহিং মিতম্বা ফু অদু লেপগুম নত্রগা মখোঙ্ ওইবসু য়াবা, ফু থম্ফমসু য়াওবা অমগী মথক্তা থমগনি। অদু ফুরৈন্থুঙ্ অদু খুং ওইনা পাঙ্গরগা খুং য়েংনা ফুরৈ-চৈ পাঙ্গ-তুনা নত্রগা খুংলাঙ্গ খুংপাঙ্গসিগা ওন্ন-তৈন্ননা খুংলাঙ্গশিংদু পাঙ্গ-রগা ফুরৈন্থুঙ্ পাঙ্গবনা ফুহিং মিতম্বগী মনুংদা অদুগা ফুরৈ-চৈ পাঙ্গবনা ফুহিং মিতম্বগী মপাল্লোমদা পাঙ্গদুনা খুং অনিগী লৈগদবা মফমদা শেম্-শাগদবনি। ফুরৈন্থুঙ অদুনা ফুহিং মিতম্বা অদুগী ফক্লাং অদুদা শদল থাবগুম ঙাক্তুনা মনুং লোমদা থম্লগা ফুরৈ-চৈনা ঙাক্লিবা মপা অদুদা রৈ-রৈদুনা লৈপাক-পোৎচাকী ফক্লাং অদু চাং মান্ননা পাথহন্দুনা চাওথোকহল্লকই। অদুগা ফুরৈন্থুঙগী মওং মতুম্ তানা য়েরুম্ মওং মানবা অদুগী ফক্লাংদু ঙাক্লিবা মাঙ্গকৈ অদোম্গী মওং অদুগী ফিবম-ফিরেপ, মওং-মতৌ অদু লৈপাক্কী ফক্লাং অদুনা লৈহৌই, ওইহৌই। অসুম্না ফুরৈবা হৌদুনা ফুহিং মিতম্বদুগী ফক্লাংশিং অদু থুংনা ফুগী ফুওং শেম্গদবনি। ফুওং শেম্বা অসি থবক খুত্তৌ অমুক্তদা লোঙ্গশিনব য়াবা থবক-থৌরম নত্তে। অমুক্তদা য়াম্না হেক্তিন্না হেক্তা লোঙ্গরগেদা হাঙ্গদুনা তৌবা য়াদে, মরমদি ফুহিং মিতম্বা ফুহিং অদুগী লৈপাক্কী ফক্লাং অদু

পেংমল্লিঙৈহ্দা হেন্না পাহনবা/পাথহনবা য়াদে; পাথহল্লরগা ঈশিংসু চাঈ-চাইহুনা য়ৈরিবা/ফুরিবনিলা য়াম্না হেঞ্জন্না পেথখিহুনা ফুগী ফুওংগী ফিবম-ফুরেপতু চুম্না পুবা ঙম্লক্কুনা ফুওং কাঈরকনি, ফুহিং ওইবা ঙম্মদনা কিহ্নরক্কুনা তোক্কনি। খজিক খজিক থেম-থেমহুনা অমুক খর কংহন্, অমুক খর কনখংহন তৌহুনা য়ৈগদবনি। অসুম্না ফুহিং মিতম্বশিং অদু অমা অমুক য়ৈ, অমা অমুক য়ৈ, মনাহ্নহু শিল্লোল শিঙ্জিন তৌহুনা য়ৈগদবনি। ফুহিং অমা চপ চানা ওইননবা য়ৈবসি লৈপাক্ অহুনা খর খর কংলকপগী চাং অনসুং থাকশিং য়েংহুনা ফুগী পান্দক্লিবা/পাম্লিবা ফুওং অদু তাননবা ফুয়ৈগদবনি।

থরুং, ঙাংখা, চেঙফুনচিংবা অচৌবা ফুশিং শারকপদদি ফুয়ৈবগী লোঙ্গশিনফম নত্রগা ফুয়ৈবা লোঙ্গশিনবা অসি ফুহিং-মিতম্বা অদুগী ফুনীঙ্লোম্নদা লোঙ্গশিল্লি। ফুহিং অহুনা চাওখিবহুনা ফুয়েন্নুঙনা মন্নুং থংবা শরুক্কা মখ থানবা লাক্লবদা খুদোং চাদবদগীনি। ফুয়েন্নুঙ্ শীজিন্নবগী অসুম্না খুদোং চারক্কুবা মতমদা লোঙ্গশিনগদবা ফুহিংগী মঙক অমম্নুং মপানগী শরুক্ অদু য়েহুনা শাবা লোঙ্গ-রগা ফুহিং মিতম্বা অদুগী ফুনীঙ্গী শরুক মেন্‌শিন্দুনা থম-গদবনি। অসুম্না মেনশিন্দবা শরুক্কুদা খুং খিংজিন্দুনা ফুয়েন্নুঙ্-না মথা থারগা মথক্লোমদা অসুম অসুম য়ৈখংলক্কদবনি। অসুম্না পাম্লিবা ফুহ্নগা অচৌবগী চাং অদু ফংলবা মতুংদা ফুনীঙ্গী অহোবা অদু মেন্‌শিন্‌গদবনি। অদুবু অসিগুম্বা ফুনীঙ্ মেনব-সিদা চেক্‌শিনগদবদি ফুহিং অহুনা ফু ওইরবা মতমদা য়ুদনবা শেম্-শাহোবা অমসুং য়েংশিনহোবা হাঙ্গবসিনি।

ফুয়েচৈনা ফুহিং মিতম্বহুনা পেংলিঙৈগী মতমদা য়ৈখিবা, ফুখিবা মতম্দা তাখিবা মমিশিং অদু ফু য়ৈবগী লোঙ্গশিল্লক্পা

মতম্দা মমিশিংথু মাঙহন্নবা তৌগদবনি অমত্তুং ফুহিংগী ফুমাঙ্গইথু নান্নবনা ফুয়েচৈ, ফুনান যুদ্দী, ফুয়ে ব্লাচেং, কৌঙ্গেং মকু অমত্তুং উরীকাং শীজিন্নদুনা লৈতেম মান্নবা লৈমাঙ্গই ওইহগদবনি। ফুহিংগী মন্থুং অমত্তুং মপানগী লৈমাঙ্গইশিংগী ব্রাফম অসি ফু অত্তুনা অচম্বা, অনানবা, লৈতেং-লৈরোং হাপ্পুনা নত্রগা হাপ্লোইদবা ওইবা তারবদি হাঙ্গইরিব। থবক অসি য়াম্না মরু ওইবা থবক্নি। করিগুম্বা য়াম্না নান্বা পুন কংনানবীগুম্বা ফু শারক্পা মতাংদদি ফুয়ে/ফুনান/ফুথেং ব্লাচেং মতেক্ নত্রগা উরীকাংনা তক্কুনা অমত্তুং ফুনান ফদীনা নান-নান্দুনা ফুহিং ফুমাঙ্গইদু নানহন্নবা শেম্গদবনি। ফুগী মন্থুং থংবা লৈমাঙ্গই অন্থু ফুয়েন্থুঙ থন্বদা অতোং-অকুং নাইদুনা মপা চাননবা ফিবম্ তাহনবা ঙমদ্রবদি ব্লাচেং মতেক নত্রগা কৌঙ্গেং মকুনা অতোংবশিংথু থেক্কনা লৈতেম মান্নহনগদবনি।

ফুয়েন্বগী থোরম, অসিদা চথরিবা বৈজ্ঞানিক ওইবা ব্রায়েন কাংলোন ঃ—ফুয়েবগী থবক অসি বিজ্ঞানগী মিংয়েংদগী য়েংলক্লবদি মপাঙ্গলগী ময়াই শীজিন্নদুনা, লোন্নদুনা লৈরিবা, থৈদোক্-থৈজিন অমদি লৈথোক্-লৈশিন্ য়াবা মরীক্শিংবু অপাম্বা ফিবম-ফিরেপ্পা লৈহনন্বনি। মদুগী মওং হাঙ্গইববু ফুহিংগী মন্থুংদা ঙাক্কুনা থম্লিবা ফুয়েন্থুঙ্ অসিনা মপানলোমদগী য়েশিল্লক্পা শাফু অমা ফংবা মতম্দা ফুয়েন্থুঙ্দুনা ঙাক্কুনা থম্বনা শাফু অদুগী মপাঙ্গল অদু ফুয়েন্থুঙ্ অদুগী মাঙ্গইকৈ মরিমক্তা চাঙ্গইথোক্খি। হাঙ্গইরিবা মপাঙ্গলগী চাঙ্গথোক্লক্লিবা ময়াই অদুনা ঈশিংগী শরুক য়াওবদগী অমগা অমগা ইন্থোক্-ইনশিন্, থৈদোক থৈজিন য়ানরবা তৌইগুম্বত্তুং লোন্নদুনা লৈরিবা লৈপাক্-লৈথোম অদুবু শাব-শেন্বগী মচাক ওইরিবা ক্বেগাম্ খোঙনাইদবা নত্রগা প্লেট মাল্লবা লৈরিকশিং অদুবু শাফুগী মপাঙ্গলগী ময়াইশিং অদুনা

মখোঙ্গীনা চাঙ্গীথোক্লবা নত্রগা মখোঙ্গীনা চংলিবা মাঙ্গীকৈ অদোম্বদা ইন্থোক্লকই। মতুনা লৈরীকশিংতু লোন্নহুনা লৈরম্বদগী থৈদোক্লরকই অমসুং মতুনা লৈপাক্কী ফিবম অতু পাকথোক্লকই অমদি লম কল্লকই। অসুম্না ফুয়ৈচৈ অতুদসু শাফু অমা পীরুনবা থোমজিনবগী মপাঙ্গল অমা পীরতুনা ফুজিল্লকপা মতমদা লাক্লিবা মপাঙ্গল অতু লৈপাক্কী লৈরীকশিংতু মথং মথং লাল্লক্লগা ফুয়ৈনুঙ অতুদা য়ৈরবদা ফুয়ৈনুঙ অতুনা ঙাকপতুদা য়ৈশিল্লক্লিবা শাফু অতুগা মান্নবা মপাঙ্গল অমা য়ৈশিল্লক্লিবা মাঙ্গীকৈ অদোম্দা থক্তোক্লকই। [If there is an action, there is a reaction :*৮ Action and reaction are equal and opposite]

থক্তোক্লক্লিবা মপাঙ্গল অতুনা অতুক ফুয়ৈচৈহুদা ঙসাই মপানগী শাফু অমা ফুয়ৈনুংদা থোকথীবা পাঙ্গলগী ময়াই ময়াম অমা মাঙ্গীকৈ মরিমক্তা চাঙ্গীথোকথিবতুগা মান্ননা থবক-থৌওং থোক্লকই। মতুনসু লৈপাক্কী ঈশিং চোংলবা মরীকশিংবু থৈদোক্লহল্লি, লম কল্লকই অমসুং পাকথোকহল্লকই। অসুম্না থোক্লক্লিবা শাফুগী মপাঙ্গলগী ময়াইশিং অসিগী অপনবা ওইনা তারকপা মপাঙ্গলগী ময়াই অতুনা থোকহল্লকপগী মহে ওইনা ফুহিং অতুগী লৈমাঙ্গী অতু পাকথোক্লকই অমসুং চাউথোক্লকই। অসুম্না ময়াইশিং শীজিন্ননা ফুগী অপাম্বা পান্দম্লিবা ফুওং শেম্বা অমসুং পরিং উতোংগুম চপ্ তিংনা লৈরম্বা ফিবমতু হোংহন্দুনা ফুগী কিরেপ তাহল্লকই। মনিবু এল, কুঞ্জেশ্বরী দেবীনা ফোংদোক্লি : — *৯

"............ Slightly upward thrust from the inner surface and downward pressure of the beater made a resultant force which helps

smoothen (ing) the surface of the pot. The pressure from the inner surface and the other surface are controlled by the index finger and by the right hand respectively. while shaping the pot, the beater and the surface of the pot are wetted frequently in the order to be free from stickness and cracking of the pot."

এল, কুঞ্জেশ্বরীনা হাঙৈবগুম ফুহিংগী ফুমাঙৈগী লৈমাঙৈ অমসুং ফুযৈচৈগী য়ৈরিবা লৈমাঙৈদু চোংহনবা অসি য়াম্না মরু ওই মরমদি ফুহিংগী মনাঙৈগী লৈমাঙৈশিংদুদা য়াওরিবা লৈরীকশিংদু নাম্থোক-নানশিল্, লৈথোক্-লৈশিন অমসুং থৈদোক্-থৈজিন, তৌবসি ঈশিংগী শরুক্তা লৈথোমদুগী ২৫% ওইদ্রবদি ৩মফাত্তে, অদুনা লীংখৎতুনা লৈ অমসুং অসুম্না লীংখংলবদি থৈদোক্-থৈজিন্গী মহুত্তা লৈরীকশিংবু নপ্পনবা ফাজীনবগী মপাঙ্গল মাংহল্লকই অমদি তোখাঙৈ তারক্তুনা লৈমাঙৈ অদু কাইহল্লকই।

মথক্তা পীরিবসিনা ময়েক থোক্পা লৈরোং নত্রগা লৈতেং হাপ্তুনা ফুশিং শাবগী ব্রায়েল-কাংলোনশিংনি। অসিগুম্বা মথলগী চফু অসি মনিপুরদা অন্দ্রো ফুরুপ্তুনা শাই। *১০ অন্দ্রোদি অচম্বা ফু নত্রগা করিগুম্বা লৈতেংবা তারগনা অয়েকপা ওইনা তৌই। মখোঙৈগী ফু অসি মনিপুরগী অতৈ মফমদগী থর তোপ্পী।

ময়েক/লৈরোং/লৈতেং হাপ্পা ঃ *১১

মথক্তসু পঞ্জগ্রে, অন্দ্রো নত্তনা মনিপুর তম্পাক্কী ফুশা খুলশিংদদি ময়েক খজিক্তং/খরনংদা ওঈরবসু হাপ্পে। ময়েক্শিংসিগী মনুংদা হেক শোঙৈদনা হাপ্লবা মায়ক্সি ফুমিৎ নত্রগা ফু মমিং ময়েক হাঙৈবসিনি। হাঙৈরিবা মমিং ময়েকশিং অসি মথল-মখা য়াম্মী।

অহুবু অন্দ্রোশিংদি ফূগী মমিৎ, ফুগী মমিৎকী ময়েক নল্লগা মমিং/ময়েক থোকপা ফু হাঙ্গবহু অমতা খঙদে। মমিং-ময়েক অসি ময়ামদগী অপাম্বা খল্লগা ফুগী মঙক্কী অকোঙ্গবগী মথাদা কোঙ্গনা, ফুগী মকোঙ্গ থুংনা তংঙাঙ্গফদবা থোকহল্লি। মমিৎ অসি মঙক্তা ফুহুনা থোকহনবসিনা ফু অহুগী লৈতেং হাপকংলি, য়েংবদা ফজবা হেনগংহল্লি। মমিং ময়েক অসিদি পুম্নান নানবা, শাদা ওইবা ফুশিং অমম্সুং অতৈ ময়েক থোকপা ফুশিং লোঙ্গনবা ফু মখল্ খুদিংমক থোক্নৈ অমম্সুং ময়েকসি হাপ্পে। ফুমিৎ ময়েক অসি ফুয়ৈচৈ অয়াম্বদা লোঙ্গনা য়াওনৈ, অমম্সুং খ্যাইদগী হেন্না পাম্নবা অমম্সুং পুন্নমক্লা য়ানরবা ময়েক্নি। ময়েক অসি চৈফু/শাফুনা কুংশিন্দুনা তাহন্‌বা ময়েক্নি।

অতৈ মখলগী ময়েকশিং, লৈরোংশিং, ফক ময়েক থোকপা, মোইমিং লাললু, হৈকোঙ্গ, নুম্নিৎ, চুথেক্ নাইবীনচিংবা জ্যোমিত্রিগী মমাঙ্গগী মওং-মতৌশিং অসিনচিংবসিগী মনুংদা খা-নোংচুপ এশিয়াগী ঙল্লিঙৈগী মতমদা খ্যাইদগী হেন্না হোঙনা মনিপুর য়ৌরকপা ময়েক্তি লংশুং —লংলা ময়েক (Corded Figer) অহুগা অথেংবা মতমদনা কৌনাকক ময়েক *১২ অসিশিংসিনি। অহুদসু নত্তনা কুংথবী (Groove) ময়েক অসিসু য়াম্না শীজিন্নৈ।

ময়েকশিং অসি ফুহিং মিতম লাকপা লোঙ্গদ্রিঙৈ মতমদা ফুহিংগী পোৎচাক-লৈপাক্নুনা য়াম্না কন্‌শন্দ্রিঙৈগী মতম ফুয়ৈবা, ফুওং শেম্বগী মতম অসিদা ফুয়ৈচৈনা য়ৈ-য়ৈহুনা লৈপাক্তুদা মমি তাহনবনি। ময়েকশিং অসিগী য়েং-ওঙ্গ ওন্নবা ময়েকশিং ফুয়ৈচৈগী মমাঙ্গ/লৈমাঙ্গদা হান্ননা লোঙ্গনমক য়েক্নগা হক্তুনা হাপ্লগা শেমগ্রবা ঙাক্তনি। অহুগা মনিপুরদা তোংথোক-ইন্থোক্লকপা ময়েক শীজিন্নবা থেংনদ্রি।

ফুহিং শাবা লোঈশিনবা *১৩

ফুহিংশিং শাবা লোঈশিল্লকপদা হাঈবদি লৈতেং-লৈরোং অমসুং ময়েকশিং হাপ্পা/থোকহনবা লোঈরবা মতুংদা ফুহিংশিং অহু কংলে হাঈনা খল্লবসু উরুমদা থমহুনা কংহনগদবনি। অসুম্না কংহল্লবা ফাওবদসু ফুহিং অহু কংহনগদবা হাঈবদি কংবগী চাং য়োহুনা পুমকং কংগদবা ব্রাংলি। মরম অসিনা উরুমদা থম্লম্বা অহু নোংশাদা পুথোক্কুনা ফোগদবনি। অসুম্না নোংশাদা মতীক চানা ফোহুনা লৈপাক্কুদা য়াওরম্বা ঈশিংগী শরুকশিং অহু মনিল ওইনা পাইথোক্হনখিগদবনি। নোংশাগী মৈশা ফংলকপা মতমদদি ইভাপোরেসন্ (Evaporation), মনিল্ ওন্থোকখিবগী থবক অহু মপুঙ ফানা চত্থবা ঙম্লক্ই। অসুম্না মতীক চানা কংলবা মতমদা ফুহিং শাবহুগী পুন্নোঈ-লোঈশিন্বা "কংনা ফুনা-ন্বা" নত্রগা ফুহিং তকথোক-শেংদোকপগী থবক্ তৌই।

ফুহিং অহুগী লৈমাঈ অহুনা কংলক্লবা মতমদা লাকপা ইন্থোক-তোংথোকপগী মফম্শিংদা চোংলিঙৈগী মতমদা পাঈথংপা য়াদবা থবকশিং অহু তৌগদবনি। অকংবা ফুহিং অহুগী মপানগী ফুমাঈ-লৈমাঈ অহু উরীকাং/কাংখিন [Bct : Ccstus Specicsus] না তক্কুনা নান্থোক্লগা নানহনগদবনি। করিগুম্বদা কাংখিন্না তকপদা চৎপা ব্রাগদবা ওইরবদি কোঙ্গেং মকু (Shell Of Oyster) অমসুং ব্রাচেং মতেক্না খোত্তুনা লৈতেম মান্নহল্লগা কাংখিন্না নানগদবনি। অহুগা মথক্কী লৈমাঈ নানহন্নবশিংসি, অন্দ্রোদদি। উরীকাং/কাংখিল অসিতনা শীজিন্নৈ। অহুগা মতুংদা ব্রাচেং মতেক অসিত্না শীজিন্নৈ।অসুম্না উরীকাং/কাংখিন্না নত্রগা ব্রাচেং মতেক্না নত্রগা কোঙ্গেং মকুংনা নান্দুনা/খোত্তুনা/তক্কুনা ফুহিংগী লৈমাঈ

অহু শিং-নাননা শেম্নবা মতুংদা হুম্মিং নিনি হুম্নি উরুম্নদা থমগদ-বনি। অস্নুম্না ফুহিং শাবগী থবকশিং লোঙ্গশিল্লি॥

রারী-রাখোঙ্ তাকপা

* ১—শ্রীমোহন সিংহ (৫৫) রাইখোং অরাং লৈকাঙ্গদা লৈবগা অইবগা খৃ: ১৯৮৫ গী সেপ্তেম্বর তারিক ২০ দা তোপা শ্রীসিংহগী ময়ুমদা উন্নহনা হংজবদা তাকপীরকপা॥

i) ক্ষেত্রি, কুমার: ম: লাইঃ লা: ১১—১২॥

* ২—খুনুংময়ুম শ্রীতোম্পোক সিংহ (৬০), অন্দ্রো অরাং কৈথেল্ মনাক্তা লৈবা অমসুং শ্রীহিরাসিং (৬০), অন্দ্রো খুঙ্গা ওদা লৈবা অনিমক্তা খৃ: ১৯৮৮ গী জুলাই তাং ১৭/১৮ দা অইবগা রারী শান্নহনা হংজবদা তাকপীরকপা॥

ii) Dr, P. Gunindra Singh: op. cit. L. Kunjeswori Devi : op. cit. : P. 3.

* ৩—ক্ষেত্রি কুমার : ম: লাই: লা: ১২॥

ii) রিফরেন্স নং, ১॥ iii) রিফরেন্স নং, ২॥

* ৪ – ম: য়াও:, লা: ১২॥

* ৫ – Dr. P. Gunindra Singh : op. cit. : P. 3.

* ৬—Ibid : P 3.

* ৭ – Ibid : P. 3. —

The next day, the constructed pot is taken for final shapping. The shapping is done with the help cf a wooden beater and an oval shaped stone. The oval stone is held in the potter's hand and pressed the inner surface of the pot and the beater on the outer surface of the pot. Slightly upward thrust from the inner surface

and downward pressure of the beater made a resultant force which helps to smoothen the su face of the pot The pressure from the inner surface and outer surface of the pot are wetted frequently in order to be free from stickness and cracking of the pot.

ii) ক্ষেত্রি, কুমার : ম: লাই: লা: ১২— ৩ ॥

* ৮—Sir Isaac Newton's, "Third law of motion"

* ৯—Dr. P. Gunindra Singh : op. cit. : P. 3.

* ১০—ক্ষেত্রি, কুমার : ম:, লাই:, লা: ১৩ ॥

* ১১—ম: য়াও: লা: ১৩ ॥

* ১২—MARTIN FEDDERSEN : Japanese Decorative Arts (New York, 1962) : P. 39.

* ১৩—Dr. P. Gunindra Singh : op. cit. P. 3.

(৬)

ফুয়িক্পা অমসুং মচু শংবা

ফুহিং, হাঙ্গবদি ফু অহিংবা, মৈ চঙন্ত্রিবা ফু হাঙ্গবনি। মৈতৈনা উগী নল্লগা পাম্বীগী মহৈশিংবু মপুঙ্-মরৈ চপ চানা ফাবদগী হেন্দোক্লক্কুনা মহৈদুগী ময়াই/মগুন পুন্নমক শুরবশিংতবু অমুনবা হাঙ্গনা কৌই। অদু নত্তবা মৈ চঙদবা নল্লগা মৈদা লৌদুনা/থাদুনা/য়িকুনা/ইদুনা মুলহন্ত্রিবা, পোত্তুগী মগুন লৈহন্ত্রিবা ফাওবদি পোৎশিংদুবু অহিংবা হায়না কৌনৈ। অদুগা মৈদা থাববু মৈতৈলোন অরিবদা মৈদা ইকপা/য়িকপা হাঙ্গনা কৌই। মরম অসিনা ফুয়িকপা হাঙ্গবা অপুন-ব্রাহৈ অসিনা খঙনরিবসি ফু মৈদা থাবা অসিবুনি।

ফু য়িকপগী থবক-থৌরমসি মৈদা য়িক্লিজৈদা নোংশা য়িকপগী থৌরম হৌগ্রবনি। প্রোংশক অমা মৈ য়িকপগী থৌরম অসি তশেংনমক হাঙ্গবা তারবদি মৈ হৌগল্লগা (IGNITION), মৈ চাকহন্দুনা (BURNING : Combustion : A chemical reaction or complex of chemical reactions in which a substance combines with oxygen producing heat, light and flame.*) পীথোরকপা মৈশা লৈপাক্কী পোৎচাকশিং অদুদা পীশিন্দুনা পোৎচাকশিং অদুদা য়াওবা পোৎলমশিংদু য়ৈথাঙ্গ-চাঙ্গনহন্দুনা ওক্সিজেনগী শরুক কার্বোন-ডাই-ওক্সাইড ওনহনবগা লোঙ্গনা পোৎচাক্কী মোলিকুলশিংদু অতোপ্পা পোৎলম অমগী মোলিকুল ওনহনবনি। মসি, অকোনবগী মোলিকুল শিংদুনা শাবা পোৎলমদুনা হেন্না মীওইবনা শীজিন্নবদা কান্নবা পোৎ ওইবদগীনি। অদুনা ফুয়িকপা হাঙ্গবসি লৈপাক পোৎচাকশিং অদু

শৌজিন্নহন্দুনা হেন্না কনবা ফু থোকহনবনি, পোংলম্গী মথৌ শংবনি। মরম অসিনা ফুয়িকপদা চঙল্লিবা পোংচঙশিংদি :—

(১) শীং/চরূ, (২) শীঙ ওইনবা শন্থী অকংবা, (৩) উৎ, (৪) রাশাং অমা, করিগুম্বা কাংথক হানরা উ-রাগী মচাকশিং অসিনচিংবা, (৫) ফুয়িরুবা মফম, ফুয়িকফম্ অসিশিংসিনি।

ফুয়িকপদা খ্বাইদগী মরু ওইরিবসি অনেম্বা থাক্কী অশাবগী চাংদা মৈথাবা (burning at a low ten perature) অসিনি। *২ মাঙ্গৈকৈ অসোমদা য়েংলুরবদি মনিপুরদদি মৈশাগী অশাবগী চাং অসিনা ফু হিং শারিবা লৈপাক পোংচাক অসিদা করি নত্রগা কদায় ফাওবা তৌবগে হাঙ্গৈবসি তশেংনা খঙদ্রি। মখোঙ্গৈদি থাঙ্গৈনদগী চংনরকপনি. ফু ঈশিং মচুম চুমথদনবা অমসুং শীজিন্নবদা কন্ননবনি হাঙ্গৈবসিগী মরুমদা লৈছুনা ফু মৈ য়িক্কিবনি। মরম অসিনা মখোঙ্গৈনা অরংবা/লংখংপা-ফু (Glazed ware) শারমদ্রিবনি অমসুং শাদ্রিবনি। অতুগা ফুয়িরুবগী লৈরঙ্, থোংজাও নত্তনা, শাত্থনা থন্নদ্রিবনি; অতুবু থোংজাওগী লৈরঙ অসিসু ফুশাবগী লৈরঙ্ [Pottery oven or kiln] হাঙ্গৈবত্তুমক্তি তশেংনা ওইরে হায়বা য়াদে, চুন্নগী লম্মৈ মৈথাফম, নত্রগা লম্লক মৈহৌফম নত্রগা লংফৈ লৈরঙ্ গুম্বনি। অতুগা ঐখোঙ্গৈনা কাওরোঙ্গৈরোইদবদি – (১) লৈফু ফুহিং শারিবা লৈপাক/লৈতান অসি য়িকপদা চঙবা মৈশা নত্রগা অশাবগী চাং অসি সিন্টিগ্রেট ডিগ্রী ১১০০ (ফরেনহাইট ডিগ্রী ২০১২) নি *৩। অত্থুগা নুঙফু য়িকপদনা চঙগদবা মৈশা নত্রগা অশাবগী চাং অসি সেন্টিগ্রেট ডিগ্রী ১২৫০ (ফুরেনহাইট ডিগ্রী ২২৮২) নি। *৩ অত্থুগা হায়রিবা মৈশা নত্রগা অশাবগী চাং অসি য়ৌদ্রবদি লৈপাক অত্থুদা পোংয়ান পোংচাকশিংনা

চাঙ্গৈনবা, য়েৎথাঙ্গৈনবা নত্রগা চাথংনবা থোকহনবা ঙমদে অসিনচিংবা হাঙ্গৈবদি ফুহিং অদু মুনবগী মমুন্ ফাবা ঙমদে।

ফু়য়িকফম *৪

মনিপুরগী তম্পাক্তা ফুয়িকপগী শঙ শাদুনা লৈবা মফম অসি থোংজাও (ককচীঙ্ মাঙ্গৈরোম্গী) মথক্তনি : মথোঙ্গৈদি ফুশাবা অসি শীনফম্মক ওইনা চৎথে, অদুনা কুম্বী-কালেন্ কাংদনা ফুশাবগী শীনফম তৌই অমসুং মথোঙ্গৈগী ফু শাবদা চঙলিবা শীজিন্নরিবা লৈপাক অসিগী মওংনা ফুহিং শারগা কুইনা মৈ য়িক্তুনা থন্বা য়াদ-বনা নোংজু-নোংশা কন্ননবা ফুয়িক-লৈরঙ, তংঙাইফদবনা ফুশাশঙ নমদুনা শাহনবনি। চাইরেনদদি ফুয়িকফম্ অসি অহাংবা সুমাঙগী শঙ্ শাদবা সুমাঙ্ ময়াঙ্গৈ মাঙ্গৈয়োকফম্ সুমাঙ্গৈ উরোংথীনফ-ম্মক্তদা ওই, মরম অসিনা সুমাঙগী মাঙ্গৈয়োক থাবা লম্দা উরোঙ্ শীনবা, তুলশী থাবা নত্রগা অতৈ অতৈ অয়ুং-অথীন্ অমসুং অশা-অথন অমতা তৌদে।

সেকমাঙ্গৈ থা/নোংপোক/অরাং অমসুং অন্দ্রোগী ফুশাবীশিংদি ফুয়িকপসি মথোঙ্গৈ মশা মশাগী য়িংথোল্গী অহাংবা লম মচেৎ অমদা হেক্তা নত্রগা খুনগী লম্বেন্গী লম্বী মচী অমদা য়িকই অমসুং মথোঙ্গৈগী ফু য়িক্পগী মফম/ফুয়িক্ফম তং তানা লৈতে। মতম মতম্গী খুদোং চাগদবা, থোকউ-থোকউবগী মতুং ইল্লি। অদুনা মী চিন্বা, য়ুম কুংনা তাবা লম্দমশিংদগী মথোঙ্গৈগী মচং-মওং অসি তোংঙাল্লি।

ফুয়িক্পগী পান্থা অমসুং মতম্ : *৫

মনিপুরদা কুম্বী-কালেন্ থাঙ্গৈদনা, নোংলেপ-থারেপ্তুনা ফুশাবা মফম খুল অসি থোংজাওদনি। থোংজাওদদি শীনফম অসিনা

নীংথমথা, উললী-রাওরীথা, নাচোংথা/য়েন্নীংথানচিংবদা ফুশা-রাশান্‌বগী থবক তৌই। অদুগা মরুওইনা খঙ্‌গদবা অমনা লৌউবগীমদক লৌবা মতম্ অসি চিংজীন/নোংজুথাগী মতম অসিনি অদুনা পুক্নী মরুওইবা মচাক্নী পোংথোক্ ফংনবা হোৎনখিবনা খরস্থু কোম্‌থোক্‌খিবনি।

ফুয়িক্‌ফম লৈরঙ শেম-শাবা ;

মৈতৈলৈপাক মনিপুরদা চংনরিবা ফুয়িকপগী মখল অসি অহাংবা লমহাংদা মৈরৌ-মৈফিকপ (Baked in open space : BONFIRE METHOD OF FIRINC)*৬ গী মখলনি।*৭ ফুয়িকপগী অথন্নবা লৈরঙ (Pottery-oven : KILN)*৮ দা ফুয়িকপগী রায়েল-কাংলোন নত্রগা থৌওং-থৌদৌ অসি মনিপুরদা খঙবা ঙম্নদে। পৃথিবীগী থাঙ্গৈনগী মতমদা, মৈতৈ-চকপশিংনা ফু-য়িক্লিবা অসিগুম চৎনরম্মী, অদুবু অনৌবা যুক্নী অনৌবা মহৈ অমসুং লৌশিংশিংনা অরিবা থৌদৌ অমসুং পোংলমশিংবু থাদোক্লহনখিবা ঙাক্তনি, তৌইগুম্বসুং লোইবী চীঙলেন ৯ গী পল্লোন্নুংদা চাওখং-থৌরাং মমিনা থেংনা চঙলকপা অমদি কংলৈগী মহৈ-লৌশিংগী মুংশিং য়ৌদ্রিবা লোইয়া-তময়া, চীঙখোঙ-চীঙয়াগী ইমা-ইবেল-শিংনা থাঙ্গৈনগী পান্বে অমসুং থৌওং-থৌদাদগী হৌজিক ফাওবা অওন্‌বা পুরকপা ঙম্‌দ্রিবা খুং-শা হৈবগী থবক অসিগী অচঙ্‌বা পোৎচঙ্ অসি শেম-শাবগী থৌরম/থৌদৌশিংদি :—

Dr. Kunjeswori M. U. provides : *৯

"...... ....A bed of straw has been made over which cow dung cakes are spread. Then the pots which are to be baked are put upside

down. Again the same layers of straw and cow dung cakes are made in the same manner. The coverage is carefully checked in order to droughts of cool air and to retain heat........."

ফুয়িরুবগী মৈতৈ লৈপাক্তা খ্বাই পুন্নমক্কী ওইনা চংনরিবা ফুয়িকফম লৈরঙ শেম্বগী মওংদি *১০

ফুয়িরুবগী খল্লবা মফম্ অচুগী লৈমাঙ্গৈ মথক্তা য়িরুদোরিবা ফ্গী মশীঙ্ নত্রগা অয়াম্বগী মতুং ইন্না ফ্হিং অচু নীংথিনা চন্নবা ফিবম য়েংলগা চরূ চাঙ্গৈথোক্কুনা থাগদবনি। চরূগী মরোল অচু ফ্গী মশীঙ্গী মতুং ইন্না থাবগী চাং য়েংগদবনি। চরূচু খরা থারপ্পা মোম্পাক্কী মওংদা থুংননবা শেম-শাগদবনি। চরূ মোনপাক অচু শন্থী অশাবা, অকংবা মতুম-মতুমশিংনা মাঙৈথা থাবগুম থাচুনা শেমগদবনি। করি করিগুম্বা মতমদা শন্থীগী মচুত্তা নত্রগা শন্থীসু য়াওনা ব্রাই নত্রগা হোরাঙ্গৈ মকুপ (SAW DUST) না থুংনা থাচুনসু শেমই। মসিনি ফুয়িরুবা লৈরঙ হাঙ্গৈরিবসি। মসিবু চরূ অমসুং শন্থী/ব্রাইগী ফম্বাক হাঙ্গৈনসু পী।

থোংজাওগী হাঙ্গৈরিবা চরূ অমসুং শন্থী/ব্রাই/হোরাঙ্গৈ মকুপকী লৈরঙ অসিসু শাই অমসুং শীজিন্নৈ, অচুগা মসিগী মথক্তা ফুহিংশিং অচু হান্ননা য়াইচুসা শাহন্নবা (মৈশা/অশাবা পীচুনা মহী-মচুম চপ্শিনহনবদগী হেন্দুনা মশা থিংহন্নবা) অহানবা মখলগী লৈরঙ্ অমসু শাই অমসুং শীজিন্নৈ। হাঙ্গৈরিবা মখলসিগী লৈরঙ্ অসি শাবগী মওং মতৌদি*১১ —

লৈমাঙ্গৈদগী সেঃ মিঃ ৫০ দগী তাদবা ব্রা/উনা মখোঙ ওইচুনা মরাক/ময়ুং মান্নবা/মান্নদবা চুথেক মরি নাইবগী মওংগী ফম্বাক/

কাংথক্ অমা শাবা য়ানবা মফম অমা ফুশাশঙগী মনুংদা শেমগনি। মহুগী মথক্তুদা মিটর ৩.৫ রোম শাংবা পৌ-রাশাংশিং নত্রগা উগী ফৈরেনশিং নত্রগা য়োংকী বারশিংনা ফৈছনা খর লল্লপ তৌবা খরায়গুম ফৈনা নত্রগা য়ুংনা ফৈছনা শেমগনি। কাংথক/কম্বাক্/ফোপ/খরায় অহু মফম চানা পুল্লিবশিংহু ততনবা অমসুং ফৈরিবশিং নীঙখাঈদনবা চেকশিল্লা য়েংশদবনি।

ফুয়িক্পা ঃ

ফু মৈদা য়িকপবু ফুয়িকপা কৌই। মনিপুর তমপাক্তা ফু য়িক্লিবসি অহাংবা লমহাংদা অমসুং মথুম/কুয়োম চেংনা খুমজিন্দবা নত্রগা মৈশা মপান্দা হেন্দোকহনখিদবা লৈরঙদা য়িকপা নত্তবনিনা অইং-অশাগী চাং হোংদোক-হোংজিন তৌবা অহু থিংননবা লারুবগী তঙাইফদবা লৈ। অহুনা অনেম্বা/হন্থবা অইং/অশাগী চাংগী মৈশাদা ফুয়িকপগী পাম্বৈসি নত্তবা অতোপ্পা পাম্বৈ শীজিল্লবা ঙমদ্রিবনা অমদি চাওথংপা লৈবাকশিংগী খুংগু-খুংলাঈশিং ফংবা ঙমদ্রিবনা, হিংননবগী লানফমদদি চেনবা য়াদবনা থাঈনডৈগী পাম্বৈসিদা অহুম্মক হঞ্জিন্দুনা লৈরি। অহুনা মনিপুরদা চংনরিবা ফুয়িবগী মওং অমসুং থৌরম-থৌদোদি—

(১) খাইগী ওইনা চংনরিবা থৌরম-থৌদোদি*[১২]—ফুয়িক লৈরঙ নত্রগা চক্র-শম্বীগী কম্বাক শাবা লোঈরবদা নোংশাদা ফৌদোক্তুনা মকং ফংনা কংলবা ফুহিংশিং অহু ফুয়িকফম্ লৈরঙ অহুদা পুরক্লগা লৈরঙ কম্বাক মথক অহুদা পরেং শানা মথক-মখা ওম্থোক্লগা উপ্তুনা থমগনি। থম্বা মতমদা ফুহিংশিং অহুগী মনুংদা নোংশিং চংথোক-চংশিন তৌবা য়ানবা ফুহিংগী মচীন কারপ-কারপ

তৌননবা মপান নামা কাংলপ-কাংলপ তৌহ্না থিনগদবনি। মচীন পুমউপ উপশিন্দুনা নোংশিং থোক্লকপা নত্রগা চঙশিনবা ঙমদ্রবদি মৈ য়িকপগী মৈশা পীরকপদা মনুংদা লৈরগা নোংশিংকী ভোল্যুম চাওথোরক্কুনা লৈফম চল্লক্কুবদা নোংশিংশিংহুগী থোক্‌ফম লৈত্রবদি ফুহিংশিং অহু পোথায়রক্কনি। অস্থুম্না ফুহিংশিংছু য়িক্কদবমথৈ ফম্বাক লৈরঙহুদা থম্বা লোঙ্গৈরবদা মথোঙ্গৈশিং অহুগী মথক্তা, মখাদা থাখিবা অহুগা চপ মান্নবা শম্বীনা মখা থারগা মহুগী মথক্তা চরূনা কুপশিনগনি। কুপশিনবা অসিদস্থু মখাদা তৌখিবা অহুগা থাবা চপ মান্নহনগদবনি। অহুগা চরূগী ফৈজুপ অহুগী মথক্তা অমুক্কা উংনা পারপ্পা চরূগী ফৈজুপ্পুগী মথক্ অহু শীনবা থুংনা চাঙ্গৈহুনা কুপকদবনি। অস্থুম্না কুপ্লিবা অসিগী মরমদি মৈশানা মপাল্লোনদা ফাওদোক্কুনা চংথিবা থীংননবগীদমক্তনি। হাঙ্গৈরিবা পান্থে অসি নত্তনা মৈশাগী অইং-অশাগী চাং হোংদোক্-হোংজিন্ তৌহনবা, মপান্দগী অইংবা চঙল্লক্পা থিংহুনা অমস্থুং মনুংদগী অশাবনা চথোকখিবা থিংহুনা লৈরঙ্ মনুং অহুদা অশাবগী চাং অহু হন্থহন্দনা থম্নবনি।

অস্থুম্না শেম-শাবগী থবক্‌শিংসি পুম্নোঙ্গৈ লোঙ্গৈরবদা অশেংবা ফুয়িকপগী থৌরম অহু হৌননবা শেম-শাগদবনি। মৈহুম অম্না পাঙ্গৈরগা চরূগী লৈরঙ অহুগী অকোঙ্গৈবদা মৈহুনা চুহুনা থাগদবনি। মৈ অসি মকোঙ্গৈ মান্নবা মখাদগী চাং মান্নবা নীঙথীনা রি-রি চাক্লনবা থাহুনা ফুহিং অহু য়িক্কদবনি। হাঙ্গৈরিবা মওং অমস্থুং থৌওং-থৌদৌ অসিদা ফুয়িকপা অসি য়ামদ্রব্দা পুং ৫ দি চঙ্ই। অস্থুম্না পুং ৫ রোম অসি হৌগ্রবদা থারম্লিবা শীঙশিং অহু উংপুঙ ওইহুনা তাগ্রগনি। অস্থুম্না ফুয়িকপগী থবক অসিদা ফু অহুদা মচু শঙলোইদবা অমস্থুং মচুগী লৈতেং শীজিন্নরোইদব।

নহগা লৈতেংলোইদবা লৈরবদি অয়াম্বনা হুমিদাংগী মতমদা য়িক্তুনা থম্লম্লগা নোংঙাল্লগা অয়ুক্তা কাইবা অসি চৎনবী ওইনা তৌই। করি করিগুম্বদা মচু শংগদবা ফু ফাওবা অসুম্না য়িকপা য়াওই। নোংথিল-নোংমাঙদা ফুয়িকপা ওইরবদি ফুযিকপা হৌখিবা মতুং পুং ৪ই — ৫ হৌরবদি, ফু অদু মুম্লক্লবা মতমদদি মথোঙ্গী অদু, মশা মতীক্ চানা কন্থৎখ্রে। অদুনা ব্রা লম ২ রোম শাংবা পিক্লপ তৌনা পাঙ্গীবদা খুংলোঙ্গীবা অমা পাঙ্গীদুনা ফুশিং অদুগী মঙুংদা চঙলম্লিবা নত্রগা লৈরম্লিবশিংদু ওংথাঙ্গীগদবনি। মরম্দি মদুগী মনুংদা মৈ ওমদুনা ফু অদুগী অশাবগী চাং হন্থহল্লকপা মতমদা তপহল্লি। অসুম্না ওংথাঙ্গীরবদি ফু অদু থুনমক ইংথহনবা ঙমই।

(২) থোংজাওগী ওইনা চৎনরিবা থৌরম-থৌদোদি*[১৩] খ্বাইগী ওইনা চৎনরিবা মওং অমসুং থৌদোশিং অসিগা থর খেন্নবগী মওংদা লৈ। মসি, মফম অসিগী ফু শাবগী ফুহিংগী লৈপাক পোংচাক্কী মচাক লৈপাক/লৈতান অদুনা ওইরম্বা য়াই। তশেংনমক মফম অসিগী লৈপাক অসি মনিপুরগী মফম অতৈদা ফংলিবা ফু শানবা লৈপাকশিং অসিদগী থরা তোপ্পা ময়াই লৈবগুম তৌই। মসিগী লৈপাক/লৈমু অসি তুরেল মপান্দগী থরা লাপ্পা, লৈহাও লৈ-কুপকী লৈনাং অসি চেনগনবা, পাংপান নকপা অসিনা ওইবা য়াই। মসিদদি কেলসিয়ম অমসুং সিলিকেটকী শরুক ব্রাৎপা নত্রগা ফেরস ওক্সাইডকী শরুক ব্রাৎপনা চেংশিনবা ঙম্ফাত্তবা লৈপাক্কী শরুক্না হেনবনসু ওইরম্বা য়াই। অদুবু হৌজিক ফাওবা কনা অমতনসু চাংয়েং তৌদুনদি য়েংদ্রি। মফমসিদা চৎনরিবা ফুয়িক্পগী থৌরম থৌওং অসি থাক্ (Phase) অনিগুনা চথবা উবা ফংই।

(i) অহানবা থাক :— থোংজাওগী লৈপাক্লা শাবা ফুহিং অসি চেক্শিন্বগী থবক খরা চঙই। মখোঙ্গীশিংসি ফুহিং মিতম্বা লোঙ্গৈরগা ফুহিং ওইন্নবা নোংশিং-নোংশা লাংহন্দুনা উরুমদা থম্লগা কংহন্বা নক্লগা নোংশাদা ফৌদুনা কংহনবা য়াদে। অদুম্না তৌরগা হাঙ্গৈবদি নোংশিত্তা নক্লগা নোংশাদা ফৌরগা মৈ য়িক্লরবদি ফু অদু কাঙ্গৈদুনা মাঙই। অদুগা মাগী য়িকপগী মতম হেন্দোক্লা থম্বস্থ য়াদে, মতুস্থু মৈ য়িকপদা চেখাঙ্গৈ-চিংখাঙ্গৈদুনা মাঙই। মরম অসিনা শাবা লোঙ্গৈরবা ফুহিং অসি মৈদা য়াইরগা কংহনগদবনি, মতু নক্লবদি মৈ য়িকপস্থু অমুক্ য়াদে। অস্থুম্না তশেংনা ফুয়িক-পগী থবক তৌদ্রিদৈদা পাঙ্গৈখংলিবা য়াইবা নক্লগা শাহনবগী, থবক অসিবুনি অহানবা থাক্কী ফুয়িকপা হাঙ্গৈনা খাঙ্গৈদোক্লিবসি। মসিগীদমক হান্ননা লৈরঙ শাদুনা লৈখ্রবনি অমস্থুং মখল অসিগী লৈরঙ/কাংথক/খরাঙ্গৈ অসিদি ঙাইহাক্-ঙাইহাক্কী ওইবা মওংগী নত্তে, ফুশাশঙদা মতম চুপ্পগী ওইনা শাদুনা থমবনি। হাঙ্গৈরিবা ফুয়াই-লৈরঙ অসিগী মথক্তা ফুহিং শারকপগী খর খর লৈপাক কন্শিল্লক্লবা ফুহিংশিং অদু পরেং শানা উপ্পুনা থমগনি। মতাং অসিদা থম্লিবা খুংথম অসি ফুহিং অদুগী মচীন অহোবা অদু লৈরঙ খরাঙ্গৈদুগী ফৈরেন ওইরিবশিং অদুনা মৈ মথাদা থারক্পা মতমদা খঞ্জিল্লোইদবা মওং অমস্থুং ফিরেপ্তা থমগদবনি। অস্থুম্না মৈরি অমস্থুং মৈশা ফংনবা শেম-শারিবা ফুহিংশিং অদুগী মথাদা চক্র-চানাই, ইমন-ইনানচিংবা থাদুনা মৈ হৌরগা য়াইবগী থবকসি তৌগ-দবনি। মসিদা শীঙ ওইনা রাচেৎ অকংবা, শীঙজানচিংবা শীজিন্নবস্থু য়াই, তৌবদবু মৈরি থোকপা শীঙ থাবা তাই। অস্থুম্না য়াইব-সিদা অমস্থুং মনিন অদু লৈরঙ খরাঙ্গৈ অদুগী মথক্তা লৈরিবা ফুহিং অদুদা শীন্বা থুংনা য়োঁহনগদবনি। লৈরঙ্ অসিদগী মৈশা মপান্দা

হেন্দোকৃখিবা নত্রগা চখোকখিবা থীংবা মওংগী নত্রবস্থু, পুমহাং-হাংনা লম্লক্ত-মৈগী মওংদা মৈশা-মৈনিন ফংহনবা ওইরবস্থু ফ হিংশিং অদু পুংথাঙ্গমুক্কী মতুংদদি নীঙথীনা অশাবগী চাং মান্ননা মৈশানা লাংলক্কনি অমস্তুং শারক্কনি। অস্থুন্না শাগৎলকপা অসিনা মৈশা/অশাবগী চাং অসিনা খুংনা পাঙ্গবা ঙম্লক্কবগী চাং অদু য়োঁবা নত্রগা অশাবা ফ হিং অদুগী লৈমায়দা খুজিন্না নত্রগা মচীন তুম্বা খুৎলাই/পোং অমনা খেত্তুনা য়েংবদা লৈমাঙ্গ অদুদা অল্লাওবা মচু থোক্লকপগী থাক অদু য়োঁদ্রবদি মদু য়োঁবা ফাওবা মৈথক্ অদুদা ফ হিংশিংদু য়াইগদবনি।

(ii) **অনিশুবা থাক**:- অনিশুবা থাক অসিবু তশেংবা ফুহিং য়িকপা হাঙ্গনা কৌবা য়াই। মসিগীস্থু লৈরঙ অসি হান্নন শেম-শাদুনা থমগদবনি অমস্তুং শেম-শাবগী মওংদি ময়াম খ্বাইনা ফুয়িকপগীদমক্তা শানরিবা লৈরঙ অদুনি, চক্র অমস্তুং শন্থী নত্রগা চক্র অমস্তুং ব্রাই নত্রগা হোরায় মকুপ অসিনচিংবশিংনা শাবা ঙাইহাক-ঙাইহাক্কী ওইবা খুৎশাগী লৈরঙ অদুনি হাঙ্গবা য়াই। তৌইগুম্বস্থুং নমুনা, খুংশা-লাকশাগী মওং মান্নরবস্থু ব্রাংবা, অমস্তুং থাবগী মতাংদদি থোংজাওগী লৈরঙ অসিনা সেকমাঙ্গ খা/ব্রাং /নোংপোক্, অন্দ্রো. চাইরেন অসিনচিংবশিংগী ফুয়িক-লৈরঙদগী থরা হেল্লি। মসি, শীজিন্নরিবা শীঙ অদুগী মখল অদুনা ওইবা য়াই, থোংজাওনা শীজিন্নরিবা, ফুয়িকপা মতম্দা মৈ থারিবা শীঙ নত্রগা ফুয়িক লৈরঙ তুংকোইদবী শারিবা অসি চক্র অমস্তুং শন্থী/ব্রাই/হোরাঙ্গ মকুপকী অদু নত্তে, চক্র অমস্তুং উশা-ব্রাশা/শীঙজা নত্রগা শীঙ মচা মচা ওইনা থাঙ্গরবা অমদি কক্লবশিং অদুনি। ঙসাই মথক্কী অহানবা থাক্কী ফুথাবদা মৈ য়াইদুনা শাহল্লবা ফুহিং-শিং অদু ইংথহন্দনা অদুম্মক্ শানা-শানা, খুংনা পাঙ্গবা ঙমদ্রবস্থু

অকংবা ফি নল্লগা অদুগুম্বা মথলগী পোৎ অমনা চপ্তুনা ফুথম্ লৈরঙ অদুদগী থাংদোক্লকপা ফুয়িক-লৈরঙ অসিগী মথক্তা খ্াই ময়ামগী ওইবা ফুয়িকপদা থমখিবা থম্বগী মওং অদু কাঙ্গদনা থম্গদবনি। অসুম্না ফুহিংশিংদু পরেং শানা মওং তানা থম্লবা মতুংদা মখোঙ্গশিংদুগী মথক্তা চল্লনা সে : মি : ৭/৮ দগী তাদননা থাবা মরোল্ অনি থুংননবা কুপশিনগনি। অসুম্না সে: মি : ১৫/১৬ থাবা চল্লগী ফৈজুপ মরোল অসি ফজনা শীনবা থুংনা নাকল্গী অহোবা-অহাংবশিং ফাওবদা খোপচিন্দুনা খুন্বা য়াবগী মওংদা শেম-শাগদবনি। অদুগা অসুম্না কুপশিল্লিবা চল্লগী মরোল অসি অথা-অপা নাইরবদি অপাবা মফম্শিং অদুনা হান্না চাকথোক্খিদুনা অইং-অশা চাং হোংদোক্-হোংজিন তৌবগী অথিংবা (Resistance to thermal changes) অদু থুগাঙ্গদুনা অশাবা নল্লগা মৈশাগী মপুঙ ফাবা চাং থম্লিবা (Retaining the maturing temperature) অদু থুগাঙ্গরক্ই। অমসুং ফুহিংশিং অদু মুলহন্নবা লাক্লরকপদা মপান্দগী নোংশিং চঙলক্তুনা মৈশাগী চাংদা অকাঙ্গবা পীদুনা ফুহিংদু মুলহন্দনা তৌরুরিবা থবক্তু মাঙ্গ পাক্তনা অরেম্বদা মাঙহল্লি। মরম অসিনা খর চেকশিন্না থুংনা নম-নমদুনা অথা-অপা মান্নরব্রা হাঙ্গদুনা য়েং-য়েংদুনা চল্লগী ফৈজুপ অদু শেমগনি। অসুম্না শেম্বা লোঙ্গরগা চল্ল অদুগী মথক্তা অমুক উংকী সে: মি: ৪ দগী তাদনা থাবা মরোল অমা অমুক কুপগিন্গদবনি। মসিদসু ফুহিং মথক্তা কুপ্লিবা চল্লশিং অদুগী মকা অমা ফাওবা উহল্লোইদবনি। অসুম্না শেম-শাবা পুন্নমক্সি লোঙ্গরগা মৈগী থবক পাঙ্গৎখনবা থৌরাং তৌগদবনি। মৈহুম্ অমা পাঙ্গদুনা লৈরঙ্ অদু মখোঙ, মখা ইথং থংবা মরোলদা মৈ চুদুনা থাগৎকদবনি অমসুং লৈরঙ্ অদুগী অকোঙ্গবা মখোঙ্শিং

অহু চাং মান্নবা মৈ চুগদবনি অমদি চাকহনগদবনি। মৈ চাকহন্দুনা ফুয়িকপগী থবক্ চথরিঙৈসিদা লৈরঙ্ মৈফম অদুদা থোক্লকপা অক্লাঈ-অতোঈ পুম্নমক য়েংশিনগদবনি। মৈ চাক্লকপদুনা মরম ওইদুনা মথক্তা মৈশা চঙ্খোক-চংশিন তৌদনবা, মপানগী অইং-অশাগীগী চাংগা লৈরঙ্ মন্নুংদা ওমদুনা চাক্লিবা মৈগী মৈশাগা ফাওনদনবা অমদি শম্নদনবা কুপ্শিল্লিবা মথক্কী উৎ অদু নীংখা-ঈরকপা নত্রগা নোংশিংনা হুমদোকখিবনচিংবা তৌরবদি মফম অদু শেনজিন-শাজিনগদবনি অমসুং অনৌবা উৎ হাপ্তুনা কুপশিন-খুমক্সিগনি অমদি মৈশাগী লুম্বী থীংগদবনি। করিগুম্বদা চাক্লিবা লৈরঙ্দুদা চাকুদবা চাকুফম থোকপদু চাত্তুনা মৈখু খুরক্লবদি মফমদুদা নীঙথীনা চাক্লিবদু করিগীনো হায়বদু য়েংশিনগদবনি অমসুং চাক্লনবা শেম্-শাগদবনি। অসিগুম্বা অশোঈ-অঙামশিং অসি ঙাইহাক লৈতনা য়েংগদবনি অমসুং অশোঈ-অঙামশিংদু থীন্দনা শেমজিন-শাজিন্নবা শেম-শাদুনা, থৌরাং তৌদুনা লৈগদবনি। অসুম্না থোংজাওগী ফুয়িকপা অসি পুং ১২ দগীনা ২০ ফাওবগী মতম্ চঙ্ই অমদি চেক্শিনবগী শাজেনশিং অসিসু চঙ্ই।

লৈপাক্ লৈহিং অসি মৈ য়িক্লগা ফু হাঈবসিগী মওং-মতৌ-শিংসি নীঙথীনা থম্বা ঙম্লিবনি অমসুং ওইরক্লিবনি। ফুগী ফুচেং-ফুগাই, চেগাঈশিং অসিদা লৈরিবা ময়াই/মগুন অসিগা লৈচেৎ-লৈকাঈ, লৈহিং-লৈতুমশিং অসিদা চেল্লিবা ময়াই অসিগা মান্নদে। হাঈরিবা মান্নদবা ময়াই অসি মৈশানা থোকহল্লিবনি। অদুবু লিরি-লিরি থাবা মৈ (Low temperature heating) অসিগা মৈশা য়াম্না কন্না থাবা মৈ (High temperature heating) অসিগা অনি অসিনা মৈশা ঙাক্তা পীবগী পান্দমলোম্দা মান্ন-রবসু মৈশাগী চাংদা মান্ননা ফংহল্লবসু চঙলিবা মতম্ অমসুং

থোক্লিবা পোৎচাক মচসশিং য়ানথাঙ্গনবা অমদি চাকখাঙ্গনবগী মওং অমসুং মগুন্দি খেন্নে। লিরি লিরি থাবা মৈগী মৈশাদা-শাহনবা নল্রগা য়িক্পা ফুশিং অসিদি থাক্ই অমসুং কাঙ্গল-তোয়গল্লি অমসুং অরংবা নল্রগা লংখৎহন্নবা মচাক্ (Glaze) * ১৪ হাপ্লদা শোঁদোক্হনবা অমসুং লৈহিংগী পোৎচাকশিং অত্তুদা চুপশিনহনবা /চুশিনহনবা ঙমদে। মরম্ অসিনা লংখৎহনবশিংসিগীদমক্তদি মৈশা কনবা, অশাবগী চাংগী মৈ য়িক্পগী খুৎয়িক শীজিন্নবা তাই। অত্তুবু মনিপুরদদি মসিগুম্বা মথল্গী মৈ খুংয়িক্কী ফুয়িকপা অসি পাঙ্গথংপা ঙমদ্রি।

মনিপুরদা থোংজাওগী ফুয়িকপগী নমুনা, ফুয়িক মওং অসি ফুশিংদা লংখৎহনবা লৈতেং হাপ্পগী ফুয়িক (Glazing) কী মওংগা চাওরাকপা অমা মান্নে হাঙ্গনা লৌবা য়াই। হাঙ্গরিবা মৈ ময়িক অসিদসু অহানবা ফু থাবগী থাক অমসুং অনিশুবা ফুয়িক্পগী থাক অসিদা পাংথোক্ই অমদি অহানবগী থাক অসিবু "বিস্কুইট মৈথা (Biscuit Firing)" * ১৫ অমসুং অনিশুবগী থাক্ অসিবু "গ্লোষ্ট মৈথা (Glost Firing)" * ১৬ হাঙ্গনা খঙনৈ। অত্তুবু অহানবগী মৈথা অসিদি মপংগী মরীক্শিংগী মরক্তা মহীগী মরীক্শিংগী চঙফম্ মখুন নত্রগা চঙ্ফম লৈহনবগী থাক ফাওবতনি। মসি থোংজাওগী অহানবগী ফুহিং য়াইবগী ফুথা অত্তুগা পান্দম পুয়মক মান্নে। অত্তুবু অমনা লো টেম্পারেচরদা অত্তুগা অমনা হাই টেম্পেরেচরদা তৌথিবগী মওংনি। অত্তুবু ফুয়িকপগী ৱাফম্সিদা ঐথোঙ্গগী ৱাথলদা মতম চুপ্পদা পুগদবা ৱায়েল্দি * ১৭ :—ফুহিং অমা শাবা লোঙ্গরগা মত্তু মশাপুম্বত্তু পুমকং কংননবা চেক্শিন্না থমগদবনি। অত্তুগা ফুহিংত্তু য়িক্লনবা তোগে হাঙ্গরবদি ফুয়িক্ফম্ লৈরঙ/ফম্বাক্ অত্তুদা

ফু হিংশিং অদু নীঙ্ থীনা পাঙ্গই্রনা পুরক্লগা মওং চানা থীনগ-দবনি অমসুং মদু তৌবা মতমদা য়াম্না কা-হেন্না চেকশিন্‌গদবনি। মরমদি মসিগুম্না ফুগী লৈমাঈদা ময়েক থোক্‌হনবশিং অসি শোকপা-থেংবদা য়াম্না কা-হেন্না হেক্তা মমি ফাওগল্লি। ফু হিংগী লৈপাক্তু মৈ য়িক্লবা মতুংদদি ফুগী চেক/চেগাঙ্গ ওইরবনি অদুব মথোঙ্গই্ল হৌজিকসু য়াম্না কা-হেন্না চেক্‌শিন্না য়েংবিগদবনি মরমদি অনেম্বা মৈশাগী লিরী লিরী থাবা মৈগী মৈরিদা য়িক্‌পা পোৎলম্‌শিংসি মশানা খাক্কন্‌বা-কাঙ্গগন-তোঙ্গগনবা অমসুং শ্বাই-শ্বাই লাউনা কীম্ব-নীঙথাঙ্গগনবা ওই। তক্লুনা, খোগাঙ্গইদুনা, য়াংখাঙ্গইদুনা অমসুং হোগাঙ্গ-হোংকাঙ্গইদুনা লৈতেংবা ফুগী কাংলুপশিংদি নীঙথী-ফজহনবা লৈতেংগী পোংশক্‌-পোৎলমশিং ওইনা শীজিন্নবদদি ইমুংগী অচা-অথক্কী হাপ্‌যম ওইনা শীজিন্নবদগী হেন্‌হন্‌দনবনি।

মচু শংবা অমসুং য়েক-তৈবা

মৈতৈ তম্পাক্তা শীজিন্নরিবা কুশিং অসি মচু শংবা নত্রগা মচুনা য়েক্‌-তৈবনা অয়াম্বা ওইরম্মী, মসি রাল্লোং/য়িরান/ইরাল্/উয়ালদনা খর হেন্না উবা ফংই। মনিপুরদা শংনরিব মচু অসি মুনা ঙাংলপ তৌবা, কফি কলরগী মচু অসিনি। মমাঙঙৈদগী হৌনা চংনরক্‌পা মচুসি মচু মখল্ অসিমথক্কনি। অদুবু মতম খরগী মমাঙদগীদি থোংজাওদা ফুশিংদা অমুবা শংবা হৌদোক্‌খি [১৮]। মনিপুরদা ফু মচু শংবদা শিজিন্নরিবা মচু অসি উপান-রাপানদগী ফংবা নত্রগা শেম্বা মচুনি। মচু শেম্বদা লৌরিব। উপাল অসি ঙল্লিঙৈদগী শীজিন্নরক্‌পসি কুহী [Kuhi : Bridelia retusa Or Holarrhena antidysetrica Fem. Apocyna-ceae] গী উকু অসিনি [১৯]। অদুগা চীঙ্দনা উপানশিংগী

অশংবা উনানি* [২০]। থোংজাওনা নৌনা পুথোরকপনা হৈনৌ [Heinou : Mangefera indica L. : Fem Anacardiaceae] মনা, হৈক্রু [Heikru : Phyllanthus emblica L, Fem. Euphobiaceae] নত্রগা চক্পা-হৈক্রু [Chakpa Heikru : Phyllanthus urinaria. L. Fem, Euphobiaceae], মনা অসিশিংসিনি *[২১]।

হাঙ্গৈরিবা কুহী মকু নত্রগা হৈনৌ মনা নত্রগা হৈক্রু মনা অসি ঈশিং ঈচম্দা তীংগদবনি, অমসুং য়ামদ্রবদা পুং ৩ লোম্গী মতম তীংলকপদা উকু নত্রগা উনা অচুদা য়াওরিবা থব্লাই পানবশিং হক্চাং শাব্রিবা পোৎলম (Organic material) শিং অতু ঈশিংনা ডিকম্পোজ/তৌহন্দুনা মতুদগী থেব্লকপা রিএক্সনা অমুবা মচুগী শংননবা মচাক্ (Pigment) কী অকুপ্পা মরীক ময়াম্ অমা ঈশিংতুদা তাওথোরক্ই। হাঙ্গৈরিবা অসি লৈপাক্কী পোৎচাক্শিংদা চুপশিনবা ঙমই অমসুং মৈশাগা থেংনরকপা মতমদা মচু থোক্হন্বা ঙমই। কুহী তীংবা ঈশিংনা থোক্হন্বা মচুদি মুনা ঙাংবা মচুনি অতুগা হৈনৌমনা অমসুং হৈক্রু মনা তীংবা ঈশিংনা থোকহল্লকপা চুমনা অমুবনি। মখোঈশিং অসি নত্তনা মনিপুরদা ফুদা শংবা, য়েকপদা শীজিন্নবা মচু নত্তনা অতৈদি শীজিন্নদে, লৈপাক্ মৈদা য়িকপদগী থোক্লকপা কোমলা মচুদা ঙাংবা নত্রগা চেক মচুগী চুদা অতুদা মৈতেসি অতুম্ পেল্লবগুম উবা ফংই।

মনিপুরদা চফুশিংদা লৈয়ি মচাশিংনা লৈতেংবসি থাঙ্গৈনবেদগী চৎন-রকবা ওইনা চেংনা থাজনবা রাথল্গী ঈচেল অমগা লোঙ্গৈনা লৈরক্পগুম্ তৌই অতুবু রাথল অসি চঙ্লক্পা কয়া কুইরবগে হাঙ্গৈবা রাহংসি পুখৎপীরক্লবদি মতু কনানসু পাউথুম পীনরক্তি হাঙ্গৈজবা তাই। অতুগা মথা চথজরক্পদা — ঙসি ফাওবদা ফুশিংদা

মচু শীজিন্নবগী মথল্ অসি (১) :—য়েক্পা/তৈবা, (২) লুপ্পা, (৩) তক্পা, (৪) খীক্পা/চাঈশিনবা মথল মরি অসিনি। মখোঈসিগী মনুংদা তক্পা অসি নত্তনা অতৈ অহুম অসি লংখৎহন্নবা মচল/ময়াল্ অরংবা ফু ওইহন্নবা হাপ্পা নত্রগা শীজিন্নবগী থৌওংশিংগী মনুংদা য়াওবা ঙাক্তনি * ২২। মখোঈশিংসি থবক ওইনা পাংথোকপা নত্রগা মচু ফুশিংদা চুহন্নবা তৌবগী থৌওংশিংদি :—

য়েক্পা/তৈবাঃ-মসি কুহী পান্থীগী উক্ু তীংলগা তৌই *২৩

কুহী মকুহু ঈশিং ঈচম্দা তীংলগা মহী অহু ফু অমদা লৌগনি। কুহী মহীনা য়েক্পা নত্রগা তৈবা অসি ফু য়িকপগী ঈংথদ্রিঙৈ, ফু অহু মৈশানা ঙাংশং ঙাংলিঙৈগী মতমদা তৌগদবনি। মৈশা অহুনা কুহী মহী অহুগা লৈপাক অহুগা থেংনরকপা মত-দা থবক তৌরকপা হৌরকই অমসুং মহুনা মচু অহু ফু অহুনা ঈংথরক্লবা মতমদা মুরপ-ঙাংলপ তৌনা থোক্লকই। অসুন্না কুহী মহীনা য়েকপগী য়েক্লনবা খোর্জে/তুরী অসিগী শারিবা উ/পোংচাক অসিসু খেন্নবা উবা ফংই, মহুদি—(১) থোংজাওদদি উরীকাঙ্/কাংখিল (Bot, Costus speciosus) মপানগী মরী অহুগী মতোন নাকল অমা শুগাঈহুনা পোরোং থোক্হল্লগা মহুনা কুহী মকু তীংবা মহী অহুদা লুপ্লগা য়েক্পগী থবকসি তৌই :—অহুগা সেক্মাই (খা/রাং/নোংপোক্) য়েন্তৌ/য়েংথৌ (Yentou/Enghou : the Kagra reed Bot., Arundo dodax., fem. Gramineae)গী মপান্না শুমচীৎকুম্না শেল্লগা য়েক্ই। অসুম্না কুহী উকু তীংবগীমহীনা য়েকপা অসি ফজনবা লৈতেং হাপ্পনি। কুহীগী মচুনা য়েক্পগী কোয়শিল্লক্লিবা

মচীন অনিহু খক শম্নহন্দে, মহু শম্নরবদি মৈকোঈফু তাই/ওই হাঈনা চেংনা থাজনৈ * ২৪। অসুম্না কুহীগী অয়েক্পা অসি ফ্গী মওক্কী মখা, মরেংবান ওইগদবা অহুগী অকোঈবদা কোঈনা লৈয়ি অমনা মচীন অনি শম্নদনা য়েক্লগা লৈয়িসিদগী মখারোমদা অতেনবা লৈয়ি ময়াম অমা য়ুংনা য়ুংনা চিংথহ্না য়েক্ই।

লুপ্পা ২৫ *ঃ— মসি হৈনৌ মনা নত্রগা হৈক্রুগী ঈশিং ঈচমদা তীংলবা মহী অহু মখা লাউবা ফু নত্রগা উরুক খুদেং, কোম্পাক্মবা পাত্র অমদা হাপ্লগা থমগদবনি। হাঈরিবা উনাশিং অসি তীংবা মতমদা ঈশিং অহুগী মচু অহু থোইনা পংওন ওল্লোই অহুগা ফুহিংগী লৈমাঈ অহুদা করিস্থু চুদবগুম উগনি। উরুক্ খুদেংদা য়াওরিবা হৈনৌ নত্রগা হৈক্রু মনা তীংবগী মহী অহুদা কংলবা (য়াম্না থীনা চোংপা নত্তবা) ফু অহু লুপশিনগনি নত্রগা মশা পুম্নমক্কু থুংনা মহী অহু খুংনা লৌ লৌহ্না খুংনা তৈগনি। মহুগী মতুংদা ফুহিং অহু হাইফেং কংহল্লি। অসুম্না কংহল্লবা ফুহিংহু মৈ য়িকফমদা মৈ য়িক্ই। মৈগী মৈশা অহুনা ফুহিং অহুগী শারিবা মচাকশিং অহুদা থবক্ তৌরকই। লৈপাক মৈদা য়িকপগী ঙাংলি-ঙাংলিবা চেক্ মচুগী চুদা থোক্কদবা অহু হৈনৌ মনা তীংবগী মহী অহুগা লৈপাক্কা তিন্নরকপদুদা মৈশা পীরকপদা মচুহু অমুবা মচু ওইনা থোক্লকই। হাঈরিবা ফুহিং লুপ্পুনা মচু শংবগী থৌরম অসিদি থোংজাওতনা তৌই। মখোঈনা ম-হৈ অসিনা মনিপুরগী মনুংদা চফু অমুবা শাবা ঙম্ই। অহুবু হাঈরিবা চফু অমুবা অসি মতম পুম্নমক্কা শাবা নত্তে। অশীঙননা নত্রগা অখন্ননা অমদি অকক্ননা শাই। থৌরম্ অসিদি ফুয়িক্তি ঙৈগী মমাঙদা তৌগদবনি।

তক্পা *২৬ঃ —তক্কুনা মচু শেম্বা/থোক্হনবগী থৌরম অসি,

মনিপুরগী চীঙ্গী ফুশাবা খুন, ন্নুঙবী হায়বা মফমত্থ্দা তৌনৈ। হিরম অ দা মখোঙৈনা শীজিন্নরিবা পান্বী অসিস্থ কুহীনি। ন্নুঙবীগী ফুশাবা/ফুশাবী শিংনা কুহীগী উকু তীংত্থ্না য়েক্‌পা নম্রগা অতৈ মওং অমা তৌবগী মত্থ্তা মখোঙৈনা কুহী পান্বীগী মনা অত্থ্না ফু অত্থ্ মৈ য়িক্‌পগী ঈংথদ্রিঙৈ, ফু অত্থ্দা মৈশানা ঙাংশং ঙাংলিঙৈগী মতম অত্থ্দা ফুমাঙৈ/লৈমাঙৈ অত্থ্দা ভক্কুনা মচু থোকহন্নবা লাক্লে। অস্থুন্না তকপা অসিদা থোক্লকপা য়াবা মচুদি মন্না-মুবা মচু অসিনি। অস্থুন্না ন্নুঙবীগী ফুশিং অসি লোঙৈনমক অমুবা মচুগী ওই অমস্থুং ন্নুঙ অমুবনা শাবা মাল্লি।

খীকপা/চাঙৈশিনবা :— * ২৭ হাঙৈরিবা মচু শীজিন্নবগী খুংশী-জিন্না অসি অন্দ্রোগী ফুশাবা/ফশাবীশিংনা শীজিন্নে। মসিদা মচু থোক্‌হন্নবা শীজিন্নরিবা মচুগী মচাক অসিস্থ কুহীদগী লৌ-বনি। মসি য়েকপা/তৈবগী থৌরমগা মচু শেম-শাবা চপ মান্নে। মচু-মহী অত্থ্ শেন্নবা মতুংদা ফু অমদা মহীত্থ্ হাপ্লগা থমগনি। য়েকপদা তৌবত্থ্গুম্না ফুত্থ্ ঙাংশং ঙাংনা অশাবগী মনীন য়ং য়ং কারিঙৈগী মতমদা ফুহীং অত্থ্গী মপানগী লৈমাঙৈ অত্থ্দা কুহী মকু তীংবগী মহী অত্থ্ উশা মচা অমনা লুপ্লগা খীক্-চিন্‌গনি নম্রগা অপিক্‌পা কোন্ অমনা কন্দুনা চাঙৈশিনগনি। মরম অত্থ্না অন্দ্রোগী ফুশিং অসি মরাং-মরাং তৌবা নম্রগা মুরৈনবা মতুপ-মতুপ, মকোঙৈ-মকোঙৈ তাংত্থ্না/লাংত্থ্না লৈ। অত্থ্গা অন্দ্রোশিংনা মসিগুম্না মখোঙৈগী ফুশিংদা লাংহল্লিবসি ফু অত্থ্ কুইনা চংনবনি হাইনা হাঙৈ।

ফু য়িকপা অমস্থুং মচু শংবা/লাকপা নম্রগা য়েকপা তৈবগী থৌরম অনি অসি পুন্না চংমিন্নবা থৌরম পরেংশিংনি। অস্থুন্না

ফু য়িকপা লোঈরতুনা মৈফম অদু ঈংথহনবগা লোঈননা ফুশিং অদুস্তু ঈংথরুগনি। য়িকপা অমা ঈংথবা, অমা; অনি অসিপুল্লগা পুং ১২ দগী তাদনা মতম চঙ্ বনা ফু য়িকপা অসি নোংমা লেল্লগা কাঈথোক্লৈ। মসি মমাঙভৈদগী অহুম্মক চংনরকপগুম তৌই। ফুশিং কাঈথোকপা অসিদা অকাঈ-অতোঈশিং, হেক্তিন্না কাবা নত্রগা মৈরো হেনথিবা অমসুং মুনফাত্তবনচিংবা খন্দোক-খজিন তৌই। অদুগী মথক্তা ফুশিং অদুদা শেমজিন-শাজিনবা য়াবা মথৈ শেমজিল্লি। অসুম্না ফুশাবগী মনিপুরদা থাঈনভৈদগী চং-নরকপা ফুশাগী লমথৈ মনুংদা চংথরিবা ফুশাবগী থবক লোঈশিল্লি।

= রিফরেন্সশিং =

*১—Alan Isaacs & E. B. Uvarov : A Dictionary of Science (Great Britain, 1979) : P. 87.

*২—Sarah Parr : op. cit : p. 116.

(ii) Dr. P. Gunindra Singh : op. cit : p. 2 ... ... Local clays are tested of ... ... maturing temperature ... ... etc, when the ware is to be heated in an open fire, its resistence to thermal ehanges is also determined.

*৩—Sarah Parr : op. cit ; p. 127.

Earthenware clays require a temperature of 1100°C (2012°F) and stoneware clays a temperature of 1250°C (2282°F).

*৪— ক্ষেত্রি কুমার : ম : লাই : লা : ১৪, ১৫-১৬ ॥

(ii) লাইশ্রম তোনস্না সিংহ (৬০), চাইরেন খুঙ্গাওদা লৈ-বনা খু : ১৯৯২ দা তাকপীরক্ পা ॥

(iii) মোহন সিংহ (৫০) থোংজাওদা লৈবনা খৃ: ১৯৮৮ দা অইবগা উন্নজ্বনা ৱারী শাবদা তাকপীরকপা ॥

*৫— ম য়াওফমশিং, রিফ : নং, ৪।

*৬—Catherine Schwarz, George Davidson, Anne Seaton, Virginia Tebbit : Chambers English Dictionary (New Delhi, 1990). P 160.

bonfire, bonfir n. a large fire in the open air, on occasions of public rejoicing, for consuming garden refuse etc.—originally a fire in which bones were burnt.

Bonfire method of firing : To fire anything in the form of such carelessness of the meaterials and ener gyproduced or to uncare for the thermal changs of heat in the open air or to supply as much quantity of light, heat and flame as it were given out by the action of combustion.

*৭—Dr. P. Gunindra Singh : op cit : Kunjesworí Devi: op. cit : p. 3.

The potters in Manipur followed the pots in the open space.

*৮—Sarah Parr : Pp. cit. : Pp. 127-131.

Introduction to Kilns : — Natural clay must be baked before it will become a hard

লৌউশিংগী থ্বাইদগী হেন্না মরুওইবা, হিংননবগী লম্বী ওইনবা ১স্থুং অরা-পোংথাফম ওইনবা শীনফম্মি। থোংজাওশিংনা শেন্দাল্লম্বীগী অমসুং চাগা-চাদিং/শেন্থোক্-শেল্চংগী ওইরবা শীনফম অসিগীদমক নোংজুপান্থাদা অহাংবা লমহাংদা নত্রগা মথক্ কুপ্পবা শুমাঙ-থেল্লোং, য়েন্নথা-লুক্‌খা, য়িংখোল-লমচী নত্রগা লম্বী-সোরোক্তা ফু য়িকপা য়াদবনা অসিগুম্বা মতমসিদা ফুয়িকপা য়াননবা থৌরাং পাঙ্গখৎপদগী মখোঙ্গগী ফুশাবা ইমুংশিংগী অমসুং মরুপশিংগী তোংঙানবা ফূশাশঙ তোপ্পা লিংখি অমদি লৈখি। অদুনা থোংজাওগীদমক্তদি ফুয়িক্পগী পান্থা অসি লৈতে।

অতৈ ফুশাবা মফম/খুনশিং, চাইরেল, অন্দ্রো, সেকমাঈ, থোংজাওরোকুচিংবদদি ফুশ্রাবগী পান্থ। লৈ অমসুং মদু ফুয়িকপগী অয়াব-য়াদবগী মতমদগী লৌদুনা ওইহল্লকপনি। মথক্তসু পঞ্জত্রে, ফু থোংজাও নত্তবা অতৈ মফমশিংসিদি ফুশাশঙ নাইদে অমসুং লৈতে। মখোঙ্গগী ফুয়িকফমশিংসি মথক কুপ্তবা লমহাং-লমলেমশিংদা লোঙ্গ-নমক ওইনবা ঙাক্তনি। মরম অদুনা নোংজু পান্থাগী মতমদদি নোংনা মথক কুপ্তবা, করিগুম্বদা মথক কুপ্পশিং ফাওবা, লৈমাঙ্গশিং লোঙ্গনমক চোংহল্লি। অসিগুম্বা অচোংপা মফমশিংসিদা ফুয়িক্কবা লৈরঙ শাবা য়াদে অমসুং নোংনা ফুয়িকপগী শেমলিবা ফুয়িকফু অদুদা অকাঙ্গ-অতোঙ্গ থোকহল্লি। মরম অসিনা নোংজুপান্থাদা ফুয়িকপা য়াদে। ফুহিং শারগা য়িক্তদুনা কুইনা লীদুনা থম্বা য়াদে মরমদি ফুয়িকপা মতমদা লীদুনা থম্ল বশিংজি শেৎ-শেৎ চিং-থাঙ্গদুনা, কাঙ্গদুনা মাঙই। মরম অসি ফুয়িক্কবা মফম লৈতবা মতম, নোংজুথাগী মতম অসিদা মথক্তা পীখ্রিবা মফম থরসিদা ফু শান্নদে। অদুবু নোংজু পন্থাগী মতমসি কাঙ্গথোক্লগা কুম অমগী লেমহৌব্রিবা অতৈ পান্থাশিং ওলাং থা, নাকেন্থা/অসিৎ-অরান্থা/

and durable material. The bonefire method of firing is suitable for making small sturdy pots, but for any kind of delicate pot that is to undergo wear and tear a k ln (or pottery oven) essential

The intense heat that can only be generated by a kiln is also necessary melting a pottery glaze. Glaze, as well as, being the most usual decoration feature on all kinds of pots, makes the clay waterproof. It also gives it a smooth, hard surface that is easy to clean. There should be no cracks in the pot or the glaze, and the glaze must melt completely during the firing which requirs an extremely high temperature. For most firing and all types of glazing, therefore, you will need to own or have access to an effictien kiln.

Structures & Temperature.

A kiln is basically a chamber which can be heated to a very high temperature. The chamber is usually constructed from special heat-absorbing bricks like those used in Electrict strage heaters. The bricks insulate in the chamber by absorbing heat 50 it is important that the Chamber is well sealed, or the

heat will excape and the kiln will not functon properly.

The Kiln must be designed and built to produce the right amount of heat for the temperature required, evenly and efficiently. The temperature your kiln should be capable of reaching depends on which vurity of clay you intended to use. Earthenware clays required a temperature of 1100°C (2012° F) and stoneware clays a temperature of 1250°C (2282°F).

Once the Kiln has reached the requried temperature, the heat should be evenly distributed so that the pots are fired properly and your work is not wasted. Even more important, the kiln must be functioning properly or it can be dangerous to use.

*৯—Dr. P. Gunindra Singh : op. 3-4.

*১০—ক্ষেত্রি কুমার : ম: লাই: লা ১৪ ॥

(ii) লাইশ্রম তোন্সা সিংহ (৬০) চাইরেল খুঙ্গাওদা লৈবনা খৃ: ১৯৯২ দা তাক্পীরক্পা ॥

(iii) খুন্থংময়ুম শ্রীতোম্পোক সিংহ, অন্দ্রো, অরাং কৈথেল্ মনাক্তা লৈবনা তাকপীরক্পা (১৯৮৮) ॥

*১১ – ক্ষেত্রি, কুমার : ম : লাই : লা: ১৪-১৫ ॥

(ii) শ্রীমোহন সিংহ (৫০), ব্রাইখোং অরাং লৈকাঈদা লৈবনা খৃ : ১৯৮৮ দা তাক্পীরক্পা ।

*১২—মথক্কী মীশকসিনা, তাক্পীরক্পা, রিফ : নং ১০ ।

(ii) Dr. P. Gunindra Singh: op; cit. p.4.

(iii) ক্ষেত্রি কুমার : ম : লাই : লা: ১৪ ॥

*১৩—ম : য়াও : লা : ১৪-১৫ ॥

(ii) শ্রীমোহন সিংহ (৫০) ব্রাইখোংদা লৈবনা তাক্পীরক্পা ॥

*১৪—Sarah Parr . op. cit. : Pp . 121—125,

Glaze is a special kind of glass which is chemically formulated to adhere to the surface of the clay when heated. The chemical composition of the glaze is highly complex and basic material composition varies acccidıng to the type of the clay the glaze is to be used on. Glaze for earthenware clays are basically lead and borax; and for stoneware, ground felspar or others stones are used.

Glaze is composed of flux, which affects the colour and texture as well as the temperature at which the glaze liquifies; a refractory, which aids the application of the glaze and make it more durab e; and silica which is the glass forming material of the glaze. A varity of other ingredients are also added to lend particular qualities such as extra colour. shine or opacity.

Buying glazes :– Glaze mixing requries a great deal of skill and experience .... the beginner or the hobby potter, ready mixed, bought glaze are perfectly satisfactory These can be obtained from a potter supplies........ The type of the glaze you buy sh uld be suitable for the clay body being used stoneware glaze for stoneware clay, earthenware glaze for earthenware clay and so on. Earthenware glaze are usually shiny and heavy because of their lower firing temperature... . Purchased glazes usually comes in liqurid or powder form...

Safety : –It may be dangerous to add metallic oxides, particulary copper to low temperature glazes This accelerates the release of lead from the glaze when brought into contact with acids.......legally tolerated levels of lead and heavy metals released from any glazed article intended to come into contact with food.

Applying glaze:- Glaze can be applied to pots by dipping, pouring, spraying, trailing, painting and splashing. Always remember to stir it before use as the ingredients settle at the bottom even if the mixture is left standing for only a short time.

* ১৫ – Ibid : Pp. 132–133.

Biscuit firing techniques.

A firing is not simply a matter of applying heat to clay. The right timing is an important for a good firing as the right temperature. ...... If a pot is to be glazed they are fired twice. The first firing is called a Biscuit Firing. Craft potters usually apply biscuit fire pots to a temperature of about 950 C (1742° F). This temperature is sufficiently high to give the pots a certain durability, but leaves the clay porous enough to absorb glaze.

Method :-When the pots are absolutely bone dry, they are ready to be fired. The loading method for a biscuit firing depends on the size and type of kiln but there are some general principles to follow.

Loading the kiln :- For this first iring the pots can be stacked on top of one another. They can touch, but must not be any uudue stress—rim to rim is a good way to do it. Very heavy pots should not be placed on the top of light ones and hand-built and moulded pots with an irregular shape are better packed on special kiln shelves.

Heat regulation :-When kiln is full, the door is closed. Heat is then applied gradually and evenly until the required tempertaure is reached. Electric kilns can be fitted with special heat regulators to control the rate of temperature rise in other types the fuel impute is restricted manually.

During the firing :-A biscuit firing should be slow at first as the heat drives chemically-combined water out of the pot. If this happens too quickly they will crack. The water is driven off in the from of steam which must be allowed to excape from the kiln—it is fitted wtih a special bung or removal section for this. Leave it out at the beginning of the biscuit firing until the temperature has reached about 500°C (932°F.). Then replace it and speed up the firing.

When the maximum temperature is reached the kiln is switched off automatically or manually, and allowed to cool with the pots remaining inside. Depending on thə size of the kiln, a firing can take about 7 to 14 hours. The cooling period also corresponds to the size of the kiln—a large model can take up to 48 hours to complete a firing cycle.

* ১৬—Ibid : p. 134 :—

Glost firing technique.

The process of glost firing, like biscuit firing, need careful planning, More care should be taken when loading the kiln for a glost firing, both in handling and packing the pots. The glazed pieces should not touch each others or the side of the kiln. or the glaze will be smudged. Before packing the kiln sort out pots of the same height so that they can be arranged on the same shelf ....

Unlike biscuit firing there is no chemically combined water to be driven off and so the firing can proceed much faster without risk of damage to the pots. As in biscuit firing however, the silica change occurs at between 500°C and 600°C, so make sure that the heat rise is steady and even up to and just beyond this point. After this the heat control can be adjusted repeatedly until the required temperature is reached.

Temperature required for a glost firing can be very high indeed. The graph given here, for example, shows how a final temperature of 1250°C (2282°F) should be gradually achieved

over a ten-hour period for a stoneware firing.

Glaze firing, until you are a really experienced potter who understand the properties and reactions of the material, can often be a hit-or-miss process and you may find that your first experiment is unsuccessful. Even if the finished result is not as you expected you will find that there is a great deal of excitement in opening the kiln door after a fiiring and looking in to see what effects have been achieved.

*١٩— Ibid : p, 120.

Firing the Completed pot

When the pot is completed, put it aside carefully to dry out thorougly. when you are ready for a firing, try to handle and stack the pots in your kiln with utmost care, remembering that this kind of surface decorations is very sensitive to the touch.

After the firing, the clay will have become pottery, but it must still be treated with great care because items fire at low temperatures tend to be brittle and fragile. Use your burnished and scatched pots a decorative items rather than for hard domestic ware.

*১৮ — ক্ষেত্রি কুমার : ম : লাই : লা: ১৬।

*১৯ — ম : য়াও : লা: ১৬,

(i) Dr. P. Gunindra Singh: op; cit. p.4.

(ii) শ্রীমোহন সিংহ (৫০) রাইখোংদা, লৈবনা তাকপীরকপা।

*১০ — Dr. P. Gunindra Singh : op. cit. p.4

*২১ - ক্ষেত্রি কুমার : ম : লাই: লা ১৬।

*২২ - Sarah Parr : cit : Pp. 122—124.

APPLYING GLAZE : see : ref : No. 14.

Dipping : This is the best and simplest way to glaze a pot. Stir the glaze thoroughly with your hand. Dip two fingers in the glaze, hold the pot with these fingers as lightly as possible and dip the pot into the glaze.

There should be enough glaze in the vessel for the pot to be completely submerged. Dip it in sideways, sliding it from side to side to avoid airlocks, left it straight out again An immersino of few ten seconds should long enough to give the pot an adequate of glaze.

Pouring:-If the pot is large or irreqularly shaped, glaze can be pourd into the pot. Deal with the inside of pot first. Take up some glaze in a jug, pour it into the inside of the pot, and swell the pot around until the glaze completely cover the inside surface ... ... Allow the pot to

dry slightly before glazing the outside. To do this you will need a bowl with two sticks, resting accross it. Stand the pot upside down on these two sticks, then pour the glaze around the pot until the surface is completely covered

Painting, dribbling, splashing :-Glaze can be painted on with a brush or dribbled and splashed on to form a design. It is difficult to paint glaze into a pot evenly.......use just a few brush strokes to from a design. Always let the first coating of the glaze dry before applying a second and make sure that the coating are not too thick.

Trailing :-Glaze can be trailed onto the surface of a pot as described for the technique of slip trailing.........

Waxing :-

Spraying :–This process is not very successful unless expensive pressurized sprays are used....

* ২৩—ক্ষেত্রি কুমার : ম: লাই: লা: ১৬।

II) Dr. P. Gunindra Singh : op. cit : p 4.

* ২৪—মুতুম্বা বাহাদুর : মনিপুরী আর্টকী ৱারী-শীঙ্‌বুন্‌ (ইম্ফাল, ১৯৭৪) লা:

i) ক্ষেত্রি কুমার: ম: লাই: লা: ১৬

* ২৫—ম: য়াও: লা: ১৬

ii) শ্রীমোহন সিংহ (৫০) ৱাইখোংদা লৈবনা তাকপিরক্পা।

* ২৬ — Dr. P. Gunindra Singh: op. it. p. 4.

* ২৭—Ibid : p. 4.

ii) ক্ষেত্রি কুমার : ম: লাই: লা; ১৬ ॥

iii) খুনুংময়ুম তোম্পোক সিংহ (৬০), শ্রীহিৱাসিং (৬০) অনদ্রোদা লৈবনা তাক্পীরক্পা ॥

লৈফু মথল, মশক অমসুং শীজিন্নফম

মৈতৈশিংগীদি হেক পোকপদগীনা শিবা ফাওবগী পুন্সিগী শাংলবা লন্বী অসিগী থৌদোক-ৱাথোক্, থৌরম-ৱারম, থৌদৌ-লাকতৌ পুন্নমক্তা ফু ঈরোইতা লোঈনৈ। অসুম্না লোঈনরিবা ফুশিং অসি মঙোন্দা হাপ্লিবা নত্রগা থৌরম-থৌদোক পাংথোক্পদা শীজিন্নরিবা মঙং অমসুং শীজিন্নবদা পুরিবা পোংলমশিং অদুগী শীজিন্নবগী থৌওং থৌদৌ অদুগী মতুং ইন্না মমিং থোনবা অসিনা নম্না চৎনরম্মী। অদুবু করিগুম্বদসু ফুগী ফুওং অমসুং ফুগী শরুক্-শিংশী মওং মতৌগী মতুং ইন্না মমিংসু থোন্নে। অদুগা মনিপুরদা শীজিন্নরম্বা অমসুং শীজিন্নরিবা ফুশিংগী চাও-শাংবা অসি চাওরাক্লা ৱাংবদা মিটর ১·৩০ দগীনা সেঃ মিঃ ৩ নেম্বা ফাওবা; মপুক কংথোকপা নত্রগা পাকপদনা সেঃ মিঃ ৩৫০ দগীনা সেঃ মিঃ ৭৫ পাকপা ফাওবা অমসুং ফুগী ফক্লাংগী থাবদনা সেঃ মিঃ ০·৫ দগীনা সেঃ মিঃ ২·২৫ ফাওবা থাবগী চাংদা লৈরম্মী। অদুগা হাঈরিবা ফুশিং অসি শীজিন্নফম অমসুং শীজিন্নবগী মতুং ইন্না মথল ১০ থোক্লা থাঈদোকপা য়াই, মখোঈশিং অদুদি :—(১) কেগাম,

(২) কম্বী (৩) লী, (৪) খুম, (৫) ব্রাল্লোং, (৬) চফ্, (৭) পুন, (৮) থরুং অমসুং (৯) ফুহিং (১০) ঙাংখা-অসিশিংসিনি। মখোয়শিং অসিবু পুল্লপ্পা লৈফু, লৈপাক্কী ফু নত্রগা লৈপাক্কা শাবা চফ্ কৌই। নুঙ্না শারগা নুঙফ্, কোন্না/ধাতুনা শারজা কোন্ফ্/কোফ, কোরীনা শারগা কোরীফ্ অসিনচিংবা অসুম্না খঙনৈ। হাঙ্গৈরিবা লৈফুগী মখলশিং অসি চাওরাক্পদি ঃ—

(১) কেগাম : কেগাম হাঙ্গৈরিবা লৈফ্ অথেন্বা মপান কাখৎপা মনীঙ য়েরুম্ অকৈবগী ভংখাঙ্গৈগুম কুংথবা নত্রগা এনামেণ্টকী প্লেটকী মওংদগী খজিক্কং লুথবা য়াম্লবদা সে: মি: ১৫ না ডাইমিটর ওইবা মকোঙ্গ মান্নবা মপাল নাইবা/নাইদবা লৈফুগী মখলনি। মসিগী মখল্ অসিদা সে: মি: ৫ মুক্রা ডাইমিটর ওইবা হরাও কুম্মৈদা থাউমৈ থান্নবা অমসুং মনিপুরগী য়ুম্তা ধূপ থান্বা ধূপ কম্বী ওইনা শীজিন্নবা মখল্সু লৈ, মখোঙ্গৈশিং অসি মওংমতৌগী য়েংলুরবদি কম্বাগী মখল্দা চিংই অমসুং মমিংসু কৌই। কেগাম অসি খোঙনাইবা অমসুং খোঙনাইদবা হাঙ্গৈতুনা মশক্মওং অনি শুনা লৈ। মনিপুরগী মফম অয়াম্বদা য়ম্না চংনরিবসি কেগাম খোঙ্নাইবা অসিনি। কেগাম অসি য়েনশাং হাপ্নুনা চানবা হাপকম ওইনা নম্না শীজিন্নৈ। হৌজিক্কী মতমদা তেঙ্গোংনা তৌরিবা মথৌশিং অসি লোঙ্গৈনমক তৌরম্মী। লাইথো-ভীন্থৌশিংদা য়াম্না শীজিন্নৈ।

(২) কমবী ঃ—'কম্বী' নত্রগা কমপী" হয়্গৈবসি ব্রাহন্থোক পীবা তারবদি কেগাম মপী, কেগাম অচৌবা হাঙ্গৈবনি। মসি কেগামগুম্না মপাল চুমথ্রিং নত্রগা লোইরোঙ্গৈননা হাইদোক্নুনা ফন্দোক্লগা মখা নত্রগা মনীঙ অহু কোন্দবা চপ-ভিংনা লৈতেম মান্নবা পোৎ হাপফম্নি। মপাল অসি সে: মি: ৩ ফাওবা য়াংনৈ। কম্বী অসি

সে: মি: ২০ দগী ২৮ ফাওবনা ডাইমিটর ওইনৈ। মসি লাইগী তীনগী অথেনপোং হাপ্পদা নম্না শীজিন্নৈ। হৌজিক্কী মতমগী পুখমগুম্বনি, অদুবু হৌজিক্তি লাইথৌ-তীনথোগী থবক থৌরমদদা নম্না শীজিন্নরে।

(৩) **লী** :-মহী হাপ্পুনা থক্লবা হাপকম/পাত্রবু লী হাঙ্গনা কৌই। লৈপাক্না শাবা ওইরগনা লৈরী, সনানা শারগা সনাগী লী অসিনচিংবা হাঙ্গরগা খঙনৈ। লৈরী অসি মওং মতৌ কয়ামুক্তা শানৈ। মীরৈপাক্কগী পুশিল্লকপা লৈরী কয়ামরুম অমসুং ককচীং লাইমনাইগী আর্কিওলোজিকেল এক্সভেসনশিংদা য়াম্না ফংই * ১। মখোঙ্গশিং অসিদি মখল মখা অয়াম্বা য়েক খোংপা অমসুং নুমিং মওং, * ২ মোইমিং লাল্লু, * ৩ হৈকোঙ্গ * ৪ অমসুং লাইয়েক, * ৫ লৈয়িগী কোঙ্গশিনবা ময়েক * ৬ শিংসি থোকহল্লি। মখোঙ্গশিংদুগী মনুংদা ঙ্গশিং হৈথনবা মচীন (Spout) পানবসু য়াওই। অদুগা মখোঙ্গশিংদুগী মচুশিংদি অঙাংবা অমসুং অমুবনি। লীশিংসি মরক্তা মহুপ কুপ্তবশিং য়াওরিবদু ফংলিবা খুন্দুদা শাবা ওই পনি হাঙ্গনা থাজে। লৈরীশিংসি মশক-মওং কয়া খেন্নরবসু লৈরী হাঙ্গরগা অদুম খঙনৈ। লৈরী খোঙনাইবা লৈতে, লী থাতুনা শাবশিংদদি উবা ফংই অদুগা মখোঙ্গশিংসি মঙক শাংবা মচীন খুবা অসি লীশিং অসিগী অকক্লবা মগুন ওইবগুম তোই। মখোঙ্গগী মশা অসি সে: মি: ৬ তগীনা ১৫ ফাওবগী ডাইমিটর ওইবগী চাও-শাংবনি।

(৪) **খুম** :- খুম হাঙ্গবা লৈফু মখল অসি পীক্লপ তৌবা ফু মখলদগী অচৌবগী কা-হেন্না চাওথিবা নত্তবগী থাক্ অদু ফাওবগী লৈফুশিং, মখলসিগী মনুং চল্লি। মখলসিগী লৈফুশিংগী লৈগদবা

মতৌদি মখা-লাওবা, মরাক্তাময়ুংগা ময়ুংনা শাংবা অমস্তুং মঙক্ক শাংলপ থেক্তোত্তুনা হাঙ্গৈদোক্লগা পানবা অসিনি। খুম অসি খোঙনাইবা অমস্তুং খোঙনাঙ্গৈদবা হাঙ্গৈদুনা অনি লৈ। মখোঙ অসি ফুগী ফুনীঙদা অকোঙ্গৈবা, মঙক্তা তৌরিবা মওং অতুগুম্না থেক্তোক্লুনা মপাক্লোমদা ফন্দোকপনি। ফু মখল অসি মমাঙঙৈদা থৌরম-থৌদোক অয়াম্বদা য়াম্না শীজিন্নবা ফু মখলনি। মসিগী চাও-শাংবসি সে: মি: ১০ দগী ৬০ ফাওবগী চাংদা য়াংবা খুমগী মখলশিং লৈ। মখোঙ্গৈগী ডাইমিটরদি মখোঙ য়াওদনা মখোঙ্গৈনা য়াংলিয়রতুগী ৬:৫ ওইবনা ফুতুগী অচৌবা ফিরেপ্পি।

(৫) য়াল্লোং :- য়াল্লোং হাঙ্গৈবদি লোংথোকপা য়ান, য়িরান/উয়ান হাঙ্গৈবনি। ফু মখল অসি য়েনশাং থোংনরিবা ফু মশক খুদিংমক চিংগনি। য়াল্লোংশিংগী চাও-শাংবসি য়ামদ্রবদা মী অনিগী য়েনশাং থোংবা চনবদগী মী ১০ গী য়েনশাং থোংবা ওকপগী চাং অতু ফাওবা চাওনৈ। য়াল্লোংশিং অসিদা লৈগদবা মওং —মতৌদি—মখা লাওবা, মঙক তেন্তক তৌবা, মশাগী মবুক য়াম্না কংথোক্লগা থেনবা অসিনি। ফু মখলসি মরেপকা মরাক্তা মরাক্তা ঙম্নপ লৈগদবনি। য়াল্লোংশিং অসিদি কুহীনা অকক্লবা ফুগী মঙক্কী মখা, পাম্বোম পানফম মপাগী অকোঙ্গৈবদা ফুগী মকোঙ্গৈ থুংনা পৌরপ তৌবা লৈয়ি অমা য়েক্কনি, লৈয়ি অতুগী মচীন অনি অতু শম্নহল্লোইদবনি। লৈয়ি অতুদগী অতেনবা লৈয়িশিং ফুগী ফুনীঙলোমদা চিংথতুনা য়েক্কনি। লৈয়ি অতেন্‌বশিং অতুগী মচীন্‌শিংতুস্থু অমত্তা শম্নহল্লোইদবনি। য়াল্লোংদি থোং-থাকপা, ভৌবা-তাউবা, ফুৎপ.-লোন্‌বনচিংবা থবক্‌শিংদা শীজিন্নৈ।

(৬) চাফু ঃ- চানবা থোংবা নত্রগা চাক থোংবা ফুবু চাফু হাঙ্গৈনা কৌই। অতুবু অশম্বা পাম্বশিংনা চফু হাঙ্গৈনা হাঙ্গৈ। ফু

মখল অসিদা চাক থোংলিবা ফু খুদিংমক চাওবা পীকপা থিদনা মনুং চনগনি। চফুশিংসিগী চাও-শাংবা অসি ৱাল্লোংশিংগী চাও-শাংবা অমসুং থাবা হেন্‌গনি। মথোঈগী চেনগদবা মওং-মতৌগী মগুন্দি খুমগী মওং-মতৌগা মান্নরগ মচীন খুরা হেনবনি। ফু মখলসি মরেপকা মঙানগা য়েংনবদা মরেপ্পা ঙমতক্তি তৌই অতুগা মবুক অহু মতুম তাবগী মওংদা চাং মান্নবা হেল্লি। মসি য়িৱান্না তৌবা থবক খুদিং মক তৌবা য়াই। ফু মখল অসিনা অতৈ ফু মখলশিংদগী মীয়াম্না পাম্নবা, তোঈনা শীজিন্নবা, ঙাইহাক লৈতনা শীজিন্নরিবা ফু মখলনি। অহুনা ফুশিংবু মসিনা খঙনবা নত্রগা ফুবু মসিনা মহুৎ শিন্দুনা শীজিন্নবগী ৱাফম অমা লাকখিরবসি। চফু অসিনা মৈতৈ অমগী পুন্সিদা পুবা থৌ ময়াম অসিনা অতৈ মখলগী ফুশিংগী শিজিন্নফমদগী অমুক্কী মতীক হেনখ্রে মহুদি শিংনা অতৈ ফু মখল তৌগদবশিং সুমসিনা হেক হেক শিন্‌বা থেংনৈ। চফুনা চান্নদবা লৈতবগুম তৌই।

(৭) পুন :- পুন হায়বা ফু মখল অসি মহী ওইবা পোংশিং লৌথোক-লৌশিন, পুথোক্-পুশিন, শোক্তোক-শোকচিন তৌনবা চফুগী অচৌবা থাক অতুদা মশাগী ওইনা ময়ায়গী ওইবা চাংদা লৈবা ফুনি। ফু অসিগী মরু ওইনা লৈগদবা মগুন্দি, মচীন অহু মশাতুগা য়েংনবদা হেনমন্না খুবা, মশাগী মবুক কংথোক্পহু মতুম তানা কংথোক্পা, মনীঙসু অহুম্মক মতুম তাবা মঙক্‌সু তেন্না মপাল্লোমদা কোথোক্লগা ফন্দোকখিবা অসিশিংসিনি। অসিগুম্বা মখলগী ফুশিং অসি নিওলিথিক্কী চক্কী মতমদগী লৈরে। ফু অসিগী মঙক অসি য়াওহন্দনা য়েংলবদি অকোইবী (বৃত্ত : Circle) গী শক্তমগী ফিরেপ অমনি। মসি ঈশিং শোক্তোক-শোকচীন্দা থ্বাইদগী হেন্না শীজিন্নবা ফু মখলনি, ঈমুং-মনুংগী মহী-মনাইগী থবক লাকপদা হেত্তমক শীজিন্নবা ফুনি।

(৮) খুরুং[৭] ঃ— খরুং হাঙ্গৈনা খঙনবা ফু মখল্ অসি অচৌবা ফুগী মখল্নি। ফু অসি চিঞ্জাক ওইবা মহী, মহীগী শরুক্ য়াওবশিং য়োক্রবা ঈমুং অমদা য়ামদ্রবদা অমদি চঙ্লবা ফূনি। ফু অসিগী ৱাং-চাওবা অমম্লুং থাবা অসি মিটর ০.৫০ দগীনা ১ ফাওবা ৱাংবা মিটর ০.৪৫ দগীনা মিটর ০ ৮০ ফাওবনা ডাই-মিটর ওইবা অমম্লুং সে: মি: ১.৫ দগী ২.৫ ফাওবগী চাংদা থাবা অসিনি। ফুগী ফুওংগী লৈগদবা মওংদি মরেপ্পা হেল্লপ তৌবা মঙক মপাল্লোমদা থেক্নুনা ফন্দোকপা. ফুগী ফুরেপ ফুদাগা য়েংনবদা মচীন্না খুরপ তৌবা, মনীঙ কোঙ্গৈরপ তৌবা অসিনি। ফু অসি পোং-চৈ মহী ওইবশিং হাপ্তুনা থম্বা, লৌবা, শেম্বা-শাবা অসিন-চিংবদা শীজিন্নে। মমাঙঙৈদা মৈতৈশিংনা মৈদা পোংলোঙ্গৈবা হৌদোক্তিঙৈদা লুচনবা মতমদা শীজিন্নবসু থেংনৈ।

ঙাংখ্যা[৮] :— ঙাংখা হায়বা ফু মখল অসিসু খরুংগুম্বা অচৌবা মখলগী ফুনি। ফু অসি ৱাংবা অমম্লুং থাবগী চাং অসি খরুগা চপ মান্নে, মি: ০.৫০ দগী ১ ফাওবদগী হেন্না ৱাংই অমম্লুং সে: মি: ১.৫ দগী ২.৫ ফাওবা থাই। ফু অসিগী খ্বাইদগী পাকপগী চাং অসি, ফুগী মঙক্কী মথাদগীনা মথ্বাঙ/ময়ায় য়ৌদ্রিফাওবগী মরক অতুদা লৈগললি। মসি চাওরাক্না সে: মি: ৬০ দগীনা ৭০ ফাওবনা ডাইমিটর ওইগললি। ফুগী ফুওং-ফুদাদি মঙকসু লাৱৈগী মওংনি অতুগা ফুশাসু লাৱৈগী মওংদগী খরা পোংথোক্-তোংথোক্পদনি। মসিগী মচীন অসি খরুংদগী য়াম্না হেন্না লাউই, ফূনীঙ অতুসু কোঙ্গৈবগী মহুত্তা চপ-তিংবা লৈমাঙ্গৈগুম তৌই। তশেংনমক চেপ্পা য়েংলক্লবদি মতুম তাবদগীদি কোনিকেল ওইবনা হেললি। অতুগা খরুংনা স্পেরিকেল ওইবা হেললি। ফু অসিগী শীজিন্নফম্ খরুংগা চপ মান্নে হাঙ্গৈরিবা ফু মখল অসি চক্পশিং-

দগী মৈতৈনা হেন্না শীজিন্নবরা হায়না থললি অমসুং চক্পশিংদি খরুংনা নম্না শীজিন্নে। শীজিন্নফম্ মান্নবদগী খরুং অমসুং ঙাংখা ফু মখল্ অনি অসি ফু মখল অমতগী মান্নবা মমিংগুম্না লৌনৈ।

(১০) ফুহিং :—ফুহিং হাঙ্গৈবসি ফু অহিংবা, মৈদা মুলহন্দ্রিবা, মৈ য়িক্ত্রবা ফু খুদিংমকপু ফুহিং কৌই। মসি মৈ য়িক্লগা শারিবা ফু অদু ওইরক্ই। অদুবু মৈতৈ লৈপাক্তা লাইরা-তীনরা, পোংশেম—যাদুগী রাখল কন্না ফাওরকপা অমসুং তান্ত্রিকী স্বভাবনা মৈতৈ সমাজদা ঈচেল ফাংনা চেল্লকুবা মতম্, মৈদিংঙু নাওজীঙলেন নোংদ্রেন খোম্বগী মতম্ (খৃঃ ১৮৫০-৮৬) অদুরাইদগী *৯ ফুহিং অসি লাই-তাই-লাইখুরুম্বা অমসুং পোংশক-যাদুদা শীজিন্নবা হৌরক্খি।

ফুগী মশক মমিং :—

মথক্তসু পঙ্খ্রে, মৈতৈগী ফুশিং অসি মখোঙ্গী-মখোঙ্গীগী মমিং মমিং অদুগী রাম্হোক, খঙনবী অমসুং হাঙ্গৈনা-কৌনবী অসি খঙলগা ফু অদুগী মশক খঙবা ঙমই। মৈতৈগী মনাওদি, পোক্লকশাংলকপগী মগুন, মীওই-মীতৌগী ময়াই অমসুং লৈফম-চাফমগী মতীক্তা মী অদুগী মশক তাক্লদে অমসুং খঙ্নদে, মহাক্ মহাক্তা তৌবা থবক অমসুং শীনফম্না মশক তাকপনিনা খ্বাইদগী হেন্না লেম্বা চংনবীনি। অদুনা ফুগী রাফমদসু মসিমক অদুম পান্শিনবা য়াই হাঙ্গৈবদি করিগুম্বা রাহৈ অমগী মতুংদা ফু রাহৈসি তুংতপ/তুংনপ/মৈতপ/মৈনপ ওইনা শীজিন্নরম্নবদি রাহৈদুনা মিং খঙনবা রাহৈ ওইরবদি পোং-মী অদু হাপ্পা নত্রগা শীজিন্নবা ফুনি, অদুগা থৌ পাংবা খঙ্নবা রাহৈ ওইরবদি থবক অদুদা চঙবা/শীজিন্নবা ফুনি হাঙ্গৈবসি খঙ্নগনি। মসিদগী হেন্দোকখিবশিং অদুদি অপূবা মিং ওইগনি।

মৈতৈ সমাজদা মৈতৈনা মৈতৈ ওইনা লেপ্লকপদগী শীজিন্নরকপা অমস্তুং শীজিন্নরিবা ফুশিংগী মমিং-মথা অমস্তুং মশকমশাদি মথাদা পীজরি ;—

(১) **কঙ্‌ক্রু নম্রগা কঙ্ক, ঙান্থক** ঃ মসি কেগামগী মখল্‌দা চিংবা, কংনা, চিংহুনা, হীদাকফ্‌ য়াওদনা খুৎনা পাঙ্গৈহুনা মৈখু থকবা ঙান্থক্কি। মসি চুম্নগী ঙান্থক্কা ৱাংবা অমস্তুং মনীঙগী শরুক চাওবা হাইরপ মান্নরবস্তু মথক্কী মপান ফন্দোক্‌পত্থদি য়াম্না পীকই। ভাঙ্গ, গঞ্জানচিংবা মৈখু থকপশিংনা মরু ওইনা শীজিন্নৈ।

(২) **কবোক ফু** :- * ১০ মসি কবোক চফ্‌ হাঙ্গৈরগস্তু খঙনৈ। কবোক হাপ্পনবা হাঙ্গৈবদি কবোক পোকপা মতমদা ফৌ হাপ্তুনা মৈদা শাহল্লগা কবোক পোকহন্নবা ফুনি। চফ্‌দা ময়াঙ্গৈ ওইরপ চাওবা ফাওবা শীজিন্নবা য়াই।

(৩) **কম্বী** :-মথক্তা পীজখ্রে। মসি কেগামগী মহুং শিন্দুনা খোইজু লৈখাম য়িকপা/থাবা অমস্তুং লাই-ভীনগী পোং-চৈ হাপ্পদা অমস্তুং পুথগ্না তৌবা থবক পুম্নমক্তস্তু শীজিন্নবা য়াই।

(৪) **কাংচুপ** :- মসিস্তু কেগামগী মখলদা চিংবা ফুগী মওং অমনি, কঙক্রুগুম্না কংনা চুপ্পা হাঙ্গৈবনি। মৈখু কংনা হীদাকফুদা হীদাক মনাগী মৈ থারবা মৈখু ঈশিং চুমথোকপা অত্থগুম চুমথোক্তনা কংনা চুপ্তুনা মৈখু থক্লবা খুৎশুনি। সেক্তা অমস্তুং অতৈ মফমসিংদা মথল মথেল য়াম্না ফংই। অস্তুম্না মৈখু থকপসি লাইয়িংথৌ খাগেম্ব (খৃঃ ১৫৯৭-১৬৫২) গী মতমদা খৃঃ ১৬১২ দা হৌদোকখি * ১১

(৫) **কুমফু** :-কুম্‌ হাঙ্গৈনা খঙ্‌নবা পাম্বী Strcbilanthes flaciedifius, fam, Acanthaceae অমা ঈশিং ঈচমদা ভীংনবা ফুনি। কুম পাম্বীগী মনা মশাশিংদা য়াপরিবা ওর্গনিক মেটারিয়েলশিংহুনা ঈশিংদা পথ্থ-পুমথরক্তুনা থুগাঙ্গৈরল্লগা মুগুক

মুবা মচু অমা পীথোরকৃই, মতুবু কুম মচু হাঙ্গনা কৌই। মতুদগী অমুবা মচুবু কুম হাইনা খঙনখিতুনা, ফি-রোন্নচিংবা মচু শংনবা অমুবা মচু থোকহনবা/তীংবা নঙ্গা কুম তীংবা ফু অতুবু কুম্ফু কৌই। ফংলিবা/তীংগদৌরিবা কুমগী চাং মতুং ইন্না ফুগী চাওবা-পীকপা লেপকনি। মচু শংবগী থবক্তা শীজিন্নবা ফুনি।

(৬) **কুহীফু নত্রগা ফুহী-চফু ঃ-** (মথক্তা ফু মচু শংবগী মতাংদা পীজখ্রে) পাম্বীগী মনা তীংতুনা মচু লৌননবা ফুনি। কুহী তীংবগী মচুসিস্থু অমুবনি অতুবু ঙাংলপ মুবনি।

(৭) **ক্বাফু :-**ক্বা (Betalnut or Areca nut) তীংতুনা নত্রগা হাপ্পুনা থম্নবা ফুনি। ক্বা তীংবসি কোমদা তীংনবনা অয়াম্বনি অতুবু কনা কনাগুম্বনদি থরুংদা নত্রগা ঙাংখদা তীংনৈ।

(৮) **কেগাম** : মথক্তা পীজখ্রে।

(৯) **থরুং -**:মথক্তা পীজখ্রে। থরুং অসি ৱাইয়ু/লাইয়ু/লৈয়ু, পুক্য়ুনচিংবা তীংবা/শুংবদা মরু ওইনা শীজিন্নবা মথল অনি লৈ, মথোঙ্গইতুদি থরুং অচৌবা অমতুং থরুং মচা অসিনি। মসি ফু অতুগী পীকপা-চাওবগী মতুং ইন্না খাইদোক্পনি। অতুগা নৌনা চংনরক্পদা ঙারি থরুং হাঙ্গবা ঙারি নম্নবা থরুং অচৌবা মথল অমত্থু লৈরি। ঙারি থরুং অসিদি মঙক অতৈ মথলগী থরুংশিং দগী হেন্না শাংই।

(১০) **খাউয়াইফু *১২:-**খাউয়াই হাঙ্গবসি য়াই ওইবা খাউ হাঙ্গবদি য়াইগুম্বা কান্নবা পোং ময়াম হাপ্পা খাউ হাঙ্গবনি। শেন/পৈশা হাপ্পা খাউবু শেনথাউ/ শেঙ্গাও কৌই। খাউয়াই/শেঙ্গাওগা মান্নবা ফু, শেনফু হাঙ্গরগা খঙনৈ। মসি শেন তুং-শিনবদা শীজিন্নৈ। অসিগুম্বা ফুশিংসিদা ফুমতুনা লৈরম্বা, মৈতৈগী অরিবা শেন ময়েক য়াম্না য়াওরম্বা থেংনৈ।

(১১ **খুজামফু/খুৎচামফু**:-খুজাম হাঈবদি খুৎ চাম্নবা নত্রগা হান্নবা হাঈবনি। অদুনা মসি খুৎ হামদোক্লুনা চাবা থকপা তৌন-বদা শীজিন্নবা পাত্র/ফুনি। খুজামফুশিংসি মরু ওইনা মথা লাউবা রাল্লোংগুম্বা নত্রগা কম্বী নত্রগা কেগাম অচৌগুম্বনি। মনুং খর হেন্না লুবগী রাদনি। খুজামফু অসিমু খোঙনাইবা খোঙনাইদবা হাঈদুনা থাঈদোক্লি। চাক চাবগী খুৎ হাম্বদা অমসুং চারমদায়গী খুৎহাম্বদা মরু ওইনা শীজিন্নে। খুজামফু অসি করি করিগুম্বা মতমদা উশিলগী থৌরম তৌবদা শীজিন্নে। খুজামফুদা ঈশিং হাপ্লগা ইশাগী মি অদুদা ইশাদা লাক্কদবা ফত্ত-হৌদী, দোষা-লাংফম শীন্নথোক্খিবগী রাফমসু পল্লি।

(১২) **খুম** ঃ-মথক্তা পঞ্জখ্রে। খুমগী য়াম্না অকক্কবা থৌরম-থৌওংদি মৈতৈ নিংথৌনা ফম্বাল তোংবগী মতমদনি। ফম্বাল তোংলমদায়গী মতম অসিদা অরাম্বমনা থাঈনদগী চংনরক্পা ওইনা লৈমা নিংথৌ খোঙ হামগনি, হাঈরিবা মতম অসিদা খুম শীজিন্নদুনা ঈশিং কনবগী থবক তৌই। খুম্ মথল-মথা য়াম্না লৈরি। উজু খুম,*১৩ মুসলমানশিংগী লাই খুরুম্লমদায়গী হকচাং শেংদোকপা, খোঙ-খুৎ হামদোকপদা ঈশিং হাপ্তুনা পীজিন্নে। হৌজিক্তি লৈফু উজু খুম শীজিন্নবগী মহুত্তা বোন্দনা *১৪ ওইনা সিলভরগী শীজিন্নখ্রে। লৈরী খুম্ অসি চকপা ফয়েংশিংনা মথাঈ-গী লুফু চন্বগী ঈশিং থাবদা লৈরী খুম্দা হাপ্তুনা থাই। লৈরী—খুম অসি খুমদসু চিংবা লীদসু চিংবা লৈফুনি। অদুগা খুম-শোই হাঈনা খঙনবা অপিকপা খুম মথল অমসু লৈরি। শোই হাঈবদি মচা, শোইনৌ হাঈবনি। খুমশোই অসিদি অশীকপা পোৎচৈশিং—সনাগী লৈতেংগুম্বা মমল য়াম্বা, মরু ওইবা পোৎশিং হাপ্নবা ওইনা শীজিন্নে।

(১৩) **খোঙহামপুন/খোঙহাম্পুন** ঃ-মসি অহিং তুম্মদায়দা ঈশিং লুমহুনা খোঙ-খুং হামদোক্লবগী থবক্তা নম্না তৌই হাঈহুনা খোঙহামপুন কৌই। হাঈরিবসিদস্থ নত্তনা ঈরু-মাঈথজবা অমস্থং অতৈ হিরমগী ঈশিং শাহনবা/লুম্বা মতমদস্থ শীজিন্নৈ। পুনগী মথলদা ময়াঈ ওইরপ চাওবা অমনা ওইবা য়াই।

(১৪) **ঘীফু নত্রগা ঘী চফু** :- মসি চফু মখল অমনা হেক্তা ওইবা য়াই। ঘী হাপ্পনবা চফুনি। ঘী অসি লাইগী-তীনগী থৌরম শিংদা নত্রগা চাবা থকপগী থবক্তা শীজিন্নবনা ফু অসি অশেং-অমাং অমস্থং অরু-লুদগী ৱাফম লৈ।

(১৫) **ঙাংখা** ঃ-মথক্তা পীজখ্রে।

(১৬) **ঙাংকোক** ঃ-ঙাংখাগী মকোক হাঈবনি। মসি ঙাংখা-শিংগী মন্থুংদগী অকবা মথলগী ফুবুনি। মসিদি খরুংগা য়ান্না মান্নৈ অমস্থং খরুংগুন্না মওং-মতৌ তন্বগী মাঈকৈরোমদা য়ান্না চঙশিল্লি। মখোঈ অসি করি করিগুম্বা মতমদা ঙাংখা অহুম হাঈনৈ। অহুনা ঙাংখাগা খরুংগা অমক্তা ওইনা লৌনরিবনি। ঙাংকোকশিং ঙাংখাশিংগা মথৌ-মঙম্ পুন্নমক মান্নৈ। ঙাংকোক অচৌবশিংসিদি মরু ওইনা য়ুচাক থোংবা, য়ু শুংবা অসিনচিংবা য়ুগী থবক্তা নম্না শীজিন্নৈ।

(১৭) **ঙাম্থক** :- ঙান্থক হাঈবসি কেগামগী মখলদা চিংবা লৈফুগী কাংলুপ্নি। ঙান্থক্কী মথৌ নত্রগা শীজিন্নফমদি মৈখু/হীদাক থক্পদা হীদাক অশেম্বহুগা মৈগা চাকথেক্লবা মতমদা ঙাম্থক্তা অনিহুগী হাপ্পবা হাপফম ওইনা শীজিন্নৈ। ঙান্থক্কী মখল কয়ামরুম লৈ। মখোঈশিং অহুদি-চুম্নগী ঙান্থক, ঙান্থক তেংনৌশাবা /ঙান্থক অউম্বী অমস্থং কঙক্র ঙান্থক (মথক্তা পীজখ্রে)

মখোঙ্গী অসিশিংসিনি। অসি কাংচুপ হীদাক থকপগী, লৈপাক্লা শাবা কাংচুপ অদুগী মৈখু চিংনবা মচে য়াওদবনি। মখোঙ্গী অসি মৈদিংঙু খাগেম্বগী মতম খৃঃ ১৬:৫ দা পুশিল্লকপদগী মনিপুরদা হোদোকখিবনি *১৩।

(১৮) ঙাফু :-মসি ঙাগী চফু হাঙ্গৈবনি, অকংবা ঙাশিং, ঙামুলৈরৌ, উকাবীলৈরৌ, ঙক্রালৈরৌনচিংবা, ঙা লীদুনা থম্নবা ফুনি। অসুম্না ঙা লীবগী মতমদা চৎনরকপগী ওইনা শীজিন্নরিবা মওংদি—ঙাফু অদুগী মনুংদা লৌথোক্তুনা কংহল্লবা ঙাশিং অদু হাক্লগা ফু অদুগী মচীন অদু কেগাম/কধী নত্রগা অতোপ্পা ফু মচা অমনা মখুম খুমজীল্লগা শঙ্গীনা অনিদুগী তাই-ফম অদু তৈশিন্দুনা থম্মী। মনুংদগীসু মনীন চংহন্দবা, মপান্দগীসু নোংশিং চঙহন্দবগী চেকশিন থৌরাং লৌখত্তুনা থম্বা ঙা লীনবা ফুনি।

(১৯) **ঙায়োকফু নত্রগা ঙায়োক চফু** ঃ- ঙা য়োক্নবা ফুবু ঙায়োকফু হাঙ্গৈনা কৌই। অহিংবা ঙাশিং, ঙমু, ঙাক্রা, পোরোম, উকাবী, অসিনচিংবা য়োক্তুনা হুমিৎ থরনি থম্নবা ফুনি। মখুম অমা কুপ্তুনা থমদ্রবদি চোংথোকখিবা নত্রগা হো-দোংনা চাথোক্‌খিবা য়াই হাঙ্গৈদুনা কুপ্পৈ।

(২০ ঙারী ফু :-"ঙারীফু" হাঙ্গৈরগা ঙাফু (১৮) বুসু খঙনবা য়াই অদুবু মৈতৈনা খ্বাইদগী পামজবা ঙারী হাঙ্গৈবা ঙানা শেম্বা ঙাগী মথেল অমা লৈরিবনিনা মথেল অসিদনা হেন্না খঙনবগুম তৌই। ঙারীফু হাঙ্গৈরগা খঙনরিবসি ঙারী হাপ্পবা, ঙসি-হয়েংগী শীজিন্নবা হাপ্পা অদুবু খঙনৈ। মসিদি অচৌবা ফুনা ওইনদে, য়াম্না পীক্তা পীকখিবসু নত্তবা মচাদি ওইবা অদুগুম্বা ফুদাদা ওইনৈ, শীজিন্নৈ।

(২১) **চিনি চফ্ :-** চিনি হাপ্পা ফুবু চিনিফু নত্রগা চিনিচফ্ হাঙ্গৈনা থঙনৈ। মসি অমুক মথল অনি শুনা থঙনবা য়াই অমনা অমুক লুংদাংগী শীজিন্ননবা/চানবা চিনি হাপ্পবা ফু অত্তুগা অমনা অঙাংগী অচাপোৎ ওইনা চিনি অঙাংবা খর হাপ্তুনা কৈথেল লুকমাঙ্গৈদা য়োনবা চফ্, মচা, অনিসিনি। মৈতৈদি মমাঙঙৈদদি চিনিবুদি চুহৈনা হেন্না শীজিন্নরম্মী অমসুং চুহীফ্ নত্তগা চুহী শেনফ্ নত্রগা চুহী চক্ষু থম্নরম্মী। মরম অসিনা চিনিচফ্ হাঙ্গৈরগা অঙাংগী অচাপোৎ অসিবু নম্না থঙনরম্মী।

(২২) **চাপানফ্/চাবানফ্ :-**চাপানফ্ হাঙ্গৈবসি চাকথোংননবা চাকথোং চফ্ মথল অমনি। মসি লাই-তীনগী লাইথৌতীন্থৌদা শীজিন্নে। মসিদা থোংবা চাক অত্তুগী মপান হাঙ্গৈবদি চমাঙ্গৈ তত্তু লাইগী-তীনগী শরুক্ তমদুনা থাদোক্-কংথোক্ই। লাইথৌ-তীন্থৌদা অফবা লাইশিংদা থৌনী-খাজঙজবগী থৌরমদা শীজিন্নবা ওইরগদি ফু অসিদা থোংলিবা চাক অত্তুগী চামাঙ্গৈ য়েংলগা অমদি চাক্কী মওং-মতৌ য়েংলগা লাইবক-নোংদম, খেল্-চাং য়েংই। মসিবু চাপান/চবান/চাকমাঙ্গৈ/চমাঙ্গৈ য়েংবা হাঙ্গৈনা থঙনৈ। মসিগুম্না খেল্-চাং য়েংবসি অকন-অথৌগী লুপী মৈতৈলুপী খুদিংমক্কা লুমিৎ খুদিংগী শীজিন্নে। অত্তুবু লাইথৌ-তীন্থৌগী য়েংবা নত্রবদি মসিবু চবান য়েংবা কৌদে, পাদম্বা হাঙ্গৈনা কৌই। অত্তুগা ফত্তবা লাইশিংগী মচাক থাকপা, মচাক-মথুম তম্বা মতমদম্মু অমদি পোংশেম-যাত্তুগী চাক থোংবা চঙলক্লবদি হাঙ্গৈরিবা চাবানফ্ অসি শীজিন্নে। চফ্‌গীদি মশক অকক্লবা লৈতে, চাক থোংবা য়ারগা লোঙ্গৈরে। ফত্তবা লাইশিংগী মচাক থাকপগী থৌরমদদি চাবান/চমাঙ্গৈ য়েংবগী থবকসি তৌদে। চবান থাবগী চাক থোংনবা চফ্‌বু চাপানফ্/চবানফ্ হাঙ্গৈনা থঙনৈ।

(২৩) **চনাংফ়ু** : চনাং হাঙ্গৈবদি চাক্‌কী মনাং/মফোন তাহ-ল্লবা অদু হাপ্পা ফুবু চনাংফু নত্রগা চনাং চফু হাঙ্গনা কৌই। মসি ফি শাবদা, লং মেৎপা অমস্তুং শেম-শাবদা শীজিন্নৈ।

(২৪) **চেঙ্‌হীফ়ু/চেঙ্‌হীচফ়ু** ঃ চেঙ্ চাম্বা নত্রগা তীং-বগী (ঈশিং ঈচমদা) মহী অদুবু চেঙহী কৌই। চেঙ্‌হী অসি থোঙ ত্রিবা চেঙ্‌গী শম-পু (Uncooked rice-sam pco) ওইনা কোক লুজবদা শীজিন্নৈ। হাঙ্গৈরিবা চেঙসিহী হাপ্পবা, লীহুনা থম্নবা নত্রগা মনম হুংশিনবা ময়াল হাক্তুনা ফুৎননবা ফুনি।

(২৫) **চাইরেন লৈরী** : চাইরেন লৈরী হাঙ্গৈবদি চাইরেন হাঙ্গৈবা ফুশা-ব্লানশাবা চকপা ফুরুপ্পা লৈপাক্লা শাবা লী, থক্লনবা মহী হাপ্পবা ফু নত্রগা হাপফম হাঙ্গৈবনি। মসিগী মওং মতৌ অসি শাগদৌরিবা শীনমী অদুগী ব্লাথলগী মথা পোল্লি। অদুবু মৈতৈ নিংথৌগী ফম্বনি তোংবদা নিংথৌ অমস্তুং লাইদা কংপদা লী অসি অনি (২) দি অককবা মওং-মতৌগী নমুনা অসিদগী হোংদনা অহুম্মক্ থম্মী। তশেংনমক্তি মসি খোম্ (পুক্‌য়ু) থক্লনবা ফুনি মৈতৈ নিংথৌনা ফম্বালদ তোংবদা চাইরেন্না লৈরী কংপা অসি শোঙ্গৈবা য়াদ্রবনি, অতৈ চকপশিংদি লৈরী কত্তে।

(২৬) **চৌব্রিফ়ু/চৌব্রিচফ়ু** : চৌব্রিফু হাঙ্গৈবদি অঙাংগী চৌব্রি, চাওথংলক্লবগী পীজনবা চাক থোংবা, অঙাং-চরা ব্লান্নবা চাক থোংবা ফু/চফুবু থঙনৈ। মসি পঙচাও-চাওবা ফু নত্তে ফু মচা অমনা হেক্ত ওইনৈ।

(২৭) **তোংলোঙ্গৈফ়ু** *১৬ ঃ তোংলোঙ্গৈফু হাঙ্গৈবদি উতোং লোঙ্গৈনবা, উতোং পানশিনবা/হাপচিনবা ফু হাঙ্গৈবনি। তোংলোঙ্গৈ ফুশিং অসি লোঙ্গৈনমক য়ু (কালৈ/ব্লাংলৈ অমস্তুং খোম/পুকয়ু/লাইয়ু/ লৈয়ু/ব্লাইয়ু/অতিংবা) গী থবক্তা শীজিন্নৈ। ফু মথল অসি চফগী

মওংদা ময়াঙ্গী ওইরপ চাওবা ফুশিংনি। তোংলোঙ্গীশিং অসি মখল অহুম শুই। মখোঙ্গীশিং অহুদি—(১) **তোংলাই অচৌবা**, মসিনা খ্বাইদগী হেন্না চাউবা তোংলাঙ্গী মখল্নি অমস্তুং য়ু থোংবা (distill) মতমদা মনীল্ ওইনা উতোংদা পুখোরক্পহু ঈংথরক্তু-না উতোংদগী মহী ওন্দুনা তারকপা য়ুহু লৌব-য়াবদা শীজিন্নে। (২) তোংলোঙ্গী চকোক/লোকথোং: মসি পুকয়ু-ৱাইয়ুগী থবক্তা শীজিন্নে। য়ু তিংবগী নহুগা ৱাই/য়াম/অথোংবা-চাক্লচিংবদা য়াংলী, হামৈন-চিংবা মচনশিং হাপ্লগা থম্লবহু ঈশিং থা থাহুনা পুকয়ু ওইনা থোক্লকপহু খুদক্তা তোংজৈ নত্রগা ৱাগী উতোং থাহুনা থক্লনবা য়ুগী হাপফম ওই। অতিংবা/পুকয়ু থকপদা শীজিন্নবা অথোইবা ফুনি অমস্তুং মসিনা ৱাইয়ুগী চাংগী খুজিং অমা ওইনা লৈবা, য়োনবদস্তু শীজিন্নে। (৩) তোংলাই য়ুকাঙ্গৈরী : মসি য়ু/কালৈ (ৱাংলৈ) য়াহুনা তোংলাঙ্গী অচৌবদা থন্বা অহু কাঙ্গীথোক্লবা ফুনি। মসিদি পঙচাপ-চাওবা ফুদা নত্তে, মসিগী খাঙতপ য়ৌনা মহী হাপ্লবস্তু খুং নামতনা পুবা ঙম্বগী চাও-শাংবনি। মসি য়ু অফবা মচীনগা অতৈ মনীঙদা তারকপশিংগা য়ানশিন্নবগী চোই-চাং ওনবদস্তু শীজিন্নে।

(২৮) **চফু/চাফু/শাফু** ঃ- মথক্তা পীজখ্রে।

(২৯) **চেঙফু** :- চেঙ হাপ্পবা নত্রগা চেঙ থম্লনবা ফু বু চেঙফু হাঙ্গীনা কৌই। চেঙফুশিং অসি চাফুগী মখলদা চিংবা ফুনি। মখোঙ্গীসি অচৌবা ফুগী কাংলুপ্তা মখোঙ খোঙনাইবা কাংবুনি। ফু অসি মৈতৈগী য়ুমথোঙ অমমমদা অমদি শোঙ্গীদনা লৈনরবা অচৌবা, মখা লাউবা মপান থেক্কংলপ তৌনা মপাল্লোমদা ফন্দোকপা মবুক অহু ফুগী ফুনীঙৱাইদা মপুঙ ফানা কংথোকপা ফুওংনি। চেঙফুগী মখুম অসি কম্বী অমনা নত্রগা অতোপ্পা মখা-হুদগী নত্রগা মচীন্দুদগী হেন্না চাওবা ফু অমনা খুম্নে।

(৩০) **থাল্লী** :-থালী হাঙ্গবদি থাননবা লী, লীগী মওং-মতৌ মান্নবা ৱাংবা হাঙ্গবনি। পোং-চৈ থেন্দুনা থম্বদা পো-চৈ, মরু ওইনা, হৈ-রা, লৈ-শু, অথুম-অহাওনচিংবা মীয়ামদা উৎননবা থৌরাং তৌবা পোংলমশিংদু হাপ্পনবা কম্বীগী/মখলদা খোঙনাইবনি । মসি সেন্না শারগা ক্বাসেন/কাওসেন্ হাঙ্গবা অহুগুম্বনি। লাইথৌ-তীন্থৌ, হরাও কুম্মৈ চাকচা-হৈজানবনচিংবদা হৈ-রা হাপ্তুনা য়েনবনচিংবদস্থু শীজিন্নে ।

(৩১) **নামাচাবীফু** :- মী অমথক্তং চাক থোংলগা চাবদা ওক্কদ-বা, পোংপাদগী নামা নাইতোম তারবদা ফূহুদা থোংবদা মতো-মতগী কোন্নগদবা চাফুবু কৌই। মসি চাফুদা চাং অমা লেপ্লগা পীক্পগী ৱাফমদনি। অঙাং উন্নবগী মৈনীঙকুনবা মতমদা মৈনীঙ কুল্লিবীগী ময়ামগা তিন্নদনা মতোমতগী থোংবা মতম অহুদা মসি নম্মা শীজিন্নৈ । লংফৈদা লৈবা মতমদা নত্রগা মী অমনা মতোমতা নাইতোম তারবদস্থু শীজিন্নৈ ।

(৩২) **নাউফমফু** :- ফু অসি খাইগী ওইনা য়োন্নরিবা মী অহুম-মরি চাবগী উয়ানমুক চাওবা চফু নত্রগা উয়ান অমনা ওইবা য়াই। মসিগী ৱাহন্থোক্তি নুপীনা অঙাং উন্নবদা অঙাংগা লোঙ্গৈ-লোঙ্গৈনরক্পা নাওফম (placenta) অদু হাপ্লগা ফুম্নবনি। চাবোকপগী মতমদা শীজিন্নরিবা অসিদগী হেন্না অতৈ হিরমশিংদা শীজিন্নদে ।

(৩৩) **নাহাইফু/নাহৈফু** :- না হাঙ্গবদি উনা, মনা অসিন-চিংবা হাইনবা ফু হাঙ্গবদি অশেংবা ঈশিং হাপ্লগ মৈতৈগী চংনবী মতুং ইন্না নাহৈয়েন নত্রগা নাহৈনাশিং হাপ্তুনা লাইথৌ-তীনথৌ অমস্থুং লাইদা-তীন্দা কংকদবা পোংলম-চৈরম শেংদো-ক্লবা লাইগী থৌগল তৌগদবা/খুরুমজগদবশিংবু শেংদোক্লবা অমস্থুং

অনম্-অথৌ কৌক্পা, তীনশেং-লাইশেংনবা তৌবা মতমদা নাহৈ-নাশিংহুনা ঈশিং লুপ্লগা মথক্কী থৌরমশিংসি পাংথোক্লবা ঈশিং খিকপা অমস্তুং নাশিংহু হাইবদা ঈশিং হাপফম ওইরিবা ফু অত্থুবু খঙনৈ। নাহৈনাশিংসি য়েক তবেংকী তোংঙান তোঙাননা লৈনৈ *১৭। অছুবু খ্বাইগী ওইনা অমস্তুং খ্বাইগী ওইবা থৌরমদা তোঈনা শীজিন্নরিবসি তাইরেন মরোং মনা য়াওবা থরাক (মশা নত্তবা) অমস্তুং পুংফাইনি। নাহৈফুগী অকক্লবা চাওবগী চাং অমস্তুং মওং লৈ।

(৩৪) পাংঙলপুন/ঈরাংপুন :— পাংঙলশিংনা খ্বাইদগী ইহান হান্না মৈতৈ লৈপাক্তা শাহুনা শীজিন্নখি হাঈহুনা পাংঙলপুন কৌই। মসি খৃ: ১৬০৭ কী অত্থুরাইদনি। মতুংদা ঈ-রাংবা /ঈশিংশোকপা নত্রগা ঈমু ময়োন শাৎপা, লাইজা ঈপান্ লাংবদা শীজিন্নবা পুন্নি হাইহুনা ঈরাংপুন হাঈনস্থু কৌনখি। ঈশিং শোক্লবা পুননি। মশা নানবা ফুগী মপান-লৈমাঈহু শিং নাননবা উরীকাং/কাংথীন্না নান্দুনা নানহনবা পুন্নি হাইহুনাপুন কংনানবী হাঈনস্থু কৌনৈ। মতম অমদা মীয়াম্না য়াম্না পাম্নবা অরু-অহেনগী ওইবা পুন্নি। মসিবু সনাপুল/সনাবুল হাঈনা শৈথারম্মী * ১৮।

(৩৫) তুবিয়া/তুব্যা ঃ মসি মৈথুহীদাক্ অশুবা মৈথু থক্লবহু হাপ্পা চফু মচানি। হীদাক অশুবসি হীদাক মনা (Tobacco-leave ; Nicotiana tabacum, fam, Solanaceae) ফৌ-দোক্তুনা ক্রেম ক্রেম্ লাওহল্লগা শুহল্দা মকুপ মকুপ তানা শুগা-ঈরগা উংনিংথৌ খজিত্তং, ১:৫ গী চাং হাপ্লগা চুহী অরিবা মুন্না অমস্তুং নম্না তোংলগা শেম্মী। অশেম্বা হীদাক অসি হাপ্পবা ফুনি।

(৩৬) থুম্ফু : মসিস্থু পঙচাও-চাওবা ফুগী কাংলুপ নত্তে। চাননবা থুম হাপ্পা চফুনি হাঈহুনা থুমফু নত্রগা থুম চফু হাঈহু। কৌই।

(৩৭) **পুন্‌মাং :** পুন্‌মাং হাঙ্গৈবদি অমাংবা পুন্‌ হাঙ্গৈবনি। মসি চাখুমদা পুশিনবা য়াবা পুন নত্তে। থোং-থাক্‌পা, চানা-থরুবা অমসুং লাইগী-তীনগী অশেংবা থবকশিংদা অমত্তা শীজিন্নবা য়াদে। চুন্নগী ঈরু-মাঙ্গৈথজবা, খোঙ্‌হাম্‌-খুংহাম্বা অমসুং অমাং-অশোঙ্গৈগী থবক্‌শিংদা শীজিন্নবা পুননি।

(৩৮) **থাউখুম্‌/থাউহাপ্‌ফু** :—থাউ হাঙ্গৈবদি অচাথাউ/হঙ্গাম্‌থাউ হাপ্তুনা থম্নবা খুম্নবু থাউখুম কৌই। ফুগী অতৈ মখলদা ওইবশিংগীনা থাউহাপফু কৌই। অনিমকসি মখোঙ নাইবা/নাইদবা য়াই।

(৩৯) **ফুশাফু** : ফু শাবা মতমদা ঈশিং হাপতুনা ফুহিং মিতম্নকপা, ফুহিংগী ফুমাঙ্গৈ নানবা অসিনচিংবা ঈশিং চঙবা মতমদা শীজিন্ননবা থম্বা ফু অদুবু ফুশাফু কৌই। মসি পীরুপ তৌবা থাংদোক-থাংজিন নাতে চাবা ওইগদবনি। খোঙ্‌নাইবা ফুনা হেন্না খুদোং চাই।

(৪০) **ফৌফু** : ফু অসি ফৌ হাপ্নবা ফুনি হাঙ্গৈদুনা ফৌফু কৌই। মসি অচৌবশিং হাঙ্গৈবদি থরুংগী চাও-শাংবগী ফুরেপ্‌-ফুরাক ওইরবদি ফৌ লীদুনা নম্রগা চাননবা মাঙ্‌দ-তাদনবা থম্বা ফুনি। অদু নত্তদুনা ফু মচা অপিকপা ফৌ খজিক্তমক হাপ্পা ওইরবদি কোং/কৈ মনুংদুদা ফৌগী মবেম্মা ফৌওইবী ফম্বাল লিংখৎপনি। ফৌফুশিং অসিবু য়াইফু হাঙ্গৈনা কৌদুনা কোং/কৈগী মনুংদা থম্লিবসি লাইরেম্বীগী খুবম য়াবদা শীজিন্নবা অসিননি। কোং মনুংদা থমদবা ফৌফু ফৌতীং ফুসু লৈ। মখোঙ্গৈ অদুদি ফৌ হুম্লমদায়দা পুমহুন হুনবা তারবদি মতোন থোকহন্নবগীদমক্তা ফৌ অসি তীংনৈ। মতোন থোক্লবা ফৌদু লৌবুক্তা থুনা হৌবা ঙম্বসিনা ফৌতীংফু থোক্লকপনি।

(৪১) **মিরেফন,/মিয়েংফ** :- মসি ঈশিং হাপ্পগা মতুগী মতুংদা তাবা মি য়েংলগা ঈরাং-থৌনী তৌবা অমসুং খেল চাং য়েংবগী থবক তৌই। কাক তানবা * ১৯ নুমিত্তা মিরেনফু অসি থিল্লগা মৈতৈ নিংথৌনা য়া কাখংলগা তারিবা য়া কাখংপগী মপা অহুদা কোনয়াই হুল্লগা থৌনী তৌই অমসুং য়োঈরেনহঞ্জবনা অফংবা খুদম-চাংদমগী মতুং ইন্না লৈপাক্কী অমসুং নিংথৌগী লাই-বক নোংদম য়েংবগী মহৈ/ফল লাউথোকই। মিরেনফু অসিদি লৈপাক নিংথৌগীনি। মী অতৈগী শীজিন্নবা অমসুং থবক মরম অসি তৌবা ফু অহু। মিরেন খোমফু * ২০ হাঙ্গনা কৌই। মিরেন খোমফুসু মিরেনফুগুন্না অহুম্মক চাওগনি।

(৪১) **মৈকোঈফু/মৈকোঈচফ** :- ফু অসি ফুঙ্গাগী মৈ-শেং হাপ্পগা অশিবগী পোংলোঈনবা মৈ হৌগংনবা হাপ্পুনা পুবা ফুনি। চফুগী মথল অমনা হেক্তা ওইবা য়াই। অশিবগী মৈনা পোংলোঈবা (মসি মৈতৈদা খৃ: ১৭২৫ দা হৌদোকখি * ২১) মতমদা পোংলোঈনবা শেম্লিবা শীঙলোন (লৈপাক্কা থারগা ৭) অহুদা মৈ চুবা অসি মৈ অহুনা শীঙলোন্দুগী অকোঈবদা তরেং-লক কোঈরগা ঈরাংপসি মৈতৈগী চংনবীনি। অমুন্না অশিবগী মৈ থানবা কোঈবদা পুরিবা মৈ অহু হাপ্পা ফুনি হাঈহুন। মৈকোঈ চফু হাঙ্গনা কৌই। অশিবগী থৌরম, হকচাং পোংশী-পোং-লোঈবা, মৈনা অশি-মংথিনবদা শীজিন্নে।

(৪৩) **মৈফ** :- মৈ হাপ্পবা ফুবু মৈফু নত্রগা মৈ হাপ্পুনা য়োকপা নত্রগা পুহুনা চংনবা মৈবু ফু মহুংদা হাপ্পবু মৈফু কৌই। পোইরৈতোন্না থমহুং শরা কংলৈদগী মৈ য়োকুনা ফুদা রাই থাহুনা পুরক্লগা অন্দ্রোদা মৈহু থারম্মী। অহুবু হৌজিক্তি মৈফু হাঈরগা মৈ হাপ্পা, নিংথনথাদা মৈ য়াইনবা, মৈ য়াওবা ফু (হৌজিক্তি

মখল-মথেলগী ওইনা ধাতুশিংনা শান্নরে) বু খঙনরে মমাঙতৈদি চেগাঈ কাগুপনা থম্লগা য়োক্লরম্মী হাঈদুনা চেগাঈ কাগুপ-মৈ হাঈনা কৌই।

(৪৪) অরোন্-ফু :- মহী ওইবা পোৎলমশিং মৈদা লোন্দুনা শাহন্নবা, মুল্লহন্নবা নত্রগা ফুৎননবা ফুবু অরোন্-ফু হাঈনা কৌই।

(৪৫) খামুফু * ২২ :- খামেনচপ্পা ফিবু খামু চপ্লবগীদমক্তা খামু [Solanum incidum, fam. Solanaceae গী মহী হাপ্পা ফুবু খামুফু হাঈনা কৌই।

(৪৬) চমেনফু জমেনফু * ২৩ :- নাপু মচু শংনবা চমেন/জমেন কৌবা উগী মবুদগী লৌবা মচুগী পোৎলম তদু হাপ্লবা ফুব চমেন/জমেনফু হাঈনা কৌই।

(৪৭) হিংঙোলফু :- * ২৪ হিংঙোল কৌবা মচু শঙনবা মহী হাপ্পা ফুবু হিংঙোল ফু কৌই।

(৪৮) মুকফু/কালিফু :- মুক হাপ্লবা ফুবু মুকফু কৌই। অমুবা মচু ওইবা নত্রগা থাউমৈগী তেঙ্গালীদগী শেম্বা অমুবা মুক হাপ্পা ফুনি হাঈদুনা কালিফুসু কৌই। মসি লাইয়িংথৌ খাগেম্বগী মমাঙদগী [মৈদিংঙু চালাম্বা (খৃ:১৫১৩—১৫৪৫] গী মতমদা লৈরম্বদি য়ারে * ২৫ অদুবু অশেংবা খুদম চাংদম ফংবদি মৈদিংঙু খাগেম্ব (১৫৯৭-১৬৫২) গী মতমদগীনি * ২৬। মুকফু শীজিন্নবা শাগৈ অসি লাইরিকয়েংবম শাগৈ অসিনি। লাইরিক-লাইশু ইবা-খোৎপা, য়েকপা তৈবনচিংবগী থবক্তা শীজিন্নৈ।

(৪৯) অতাইফু :- 'তাইবা' হাঈরগা মৈতৈলোন্দা অর্থ মরি লৈ, য়াননবা হাঈজদুনা য়াহনবা, য়োনবা/য়োহোকপা, তুশিনবা

অনম্বুং মচু মকশিনবা/রাওথোকপা। অহানবগীসি লৌরবদি ফু অসি নাইহেফুনি। অনীশুবগী অসিনা য়োম্থোকপগী চাং পুবা নম্রগা ওইবা ফুনি। মসি মহী ওইবা পোংলমশিং য়োন্নবগী চাং ওইবা ফুনি। অকোনবগী অনি অসিদি ফু রাহৈসিগা চুশিন্নদে। অতুনা ফু অসি চুহি, থাক্ত অসিনচিংবগী য়োনবদা শুন্নবা ফুনি।

(৫০) **অয়ানফু** :- ফু অসি মহী ওইবা পোংলমশিং লৈবা মতমদা চাং ওনবদা শীজিন্নবা ফুনি।

(৫১) **ঈকৌফু** :- ফু অসি ঈশিংদগী লাই ঈকৌথংপদা শীজিন্নবা, লাই অতু ফু অতুনা ঈশিং শোক্কংপা মতমদা ফু অতুগী মনুং য়াওরে হায়না লৌনরগা লাইগী থরাই-মি ঈশিংদগী কৌথংপদা চঙবা ফুনি হায়তুনা ঈকৌফু হাইনা কৌই। মৈতৈনা লাইয়িংথৌ লাইরেম্মশিংবু ঈশিংদা মথোঙ্গী মথ্রাই-মমি লৈ, হায়না চেংনা থাজে। অতুনা ঈশিংদগী লাই অতু কৌথংলগা ঈশিং ওইনা শোক্তুনা পুরক্লিবনি। অতুনা ফু অসিবু ঈশিং-দগী কৌথংলকপা লাইগী য়াইবী-মিরেল য়াওবা, ঈশিং য়াওবা ফুনি হায়তুনা ঈকৌফু কৌই।

(৫২) **ঈনীফু** :- ঈশিং য়াওবা ফুগী মনুংদা লাই য়াওই হায়না মৈতৈনা চেংনা থাজে। লাই য়াওবা লাইচা, লাইগী মচা ঈশিং অতুদা থৌনী থাজওজতুনা লাইগী খুদম-চাংদম য়েং-বা ঈশিং হাপ্পবা ফুবু ঈনীফু কৌই। অতোপ্পা মথল অমদা কুম কাংতুনা নোং তাত্রতুনা ঈকং থোক্লবদা ঈশিং নীননবগী-দমক্তা অঙোম নিংথৌবু কোংবদগী ঈশিং শোক্লুরগা পুরক্তুনা থৌনীনবা ফু অমা পী, হায়রিবা ফু অসিবুস্তু ঈনীফু কৌই।

(৫৩) **ঈয়োকফৄ/ঈশাইফৄ** :— ঈশিং য়োক্তুনা থম্মনবা ফৄবু ঈয়োকফৄ হাঙ্গনা কৌই। ঈশাগী ওইবা ঈফৄদি হাঈষ্ণনা ঈশাইফৄসু কৌই। ফৄ অসিদা কালেনগী মতমদা ঈশিং য়োক্তুবা মৈতৈগী য়ুমথোঙ খুদিংমক্ত থম্মৈ। ঈশাইফৄ অসি ঈহাইফৄ/ঈকৌফৄসু ওইনা শীজিন্নৈ অমসুং চুম্নগী ঈশিং শোক্পদা ঈরাংপুনগুম্নসু শীজিন্নৈ।

(৫৪) **ঈর‍্যাংপুন** ঃ— মথক্কী পাঙলপুন নং ৩৪ দা য়েংবিয়ু।

(৫৫) **ঈশিংপুন অশেংবা** ঃ— ঈশিং অশেংবা, অমাং-অশোই নংদনা হাপ্পা পুন লাইগী-তীনগী থৌরমদা শীজিন্নববা ঈশিং অশেংবা হাপ্পা পুন, নত্রগা থোং থাকপা, চাবা-থকপন-চিংবদা শীজিন্নবা য়াবা ঈশিং অশেংবা, ফত্তবা য়াওদবা হাপ্পা পুন। মসি ঈয়োকফৄ ওইনসু শীজিন্নৈ।

(৫৬) **চগুমফৄ** *২৭:— মসি উশব-মেলা, চাকচা-হৈজানবা, ভান্দ্রা, চাককৌবনচিংবা মীয়াম পীজবা নত্রগা চানবগী থৌরমদা অরেম্বা লুখাক-চগুমশিং অতু শেংজিন্দুনা হাপ্নবা অচৌবা ফৄনি।

(৫৭) **চাকথোংফৄ/চাকথোংচফৄ** ঃ— মথকক্কী ৩ শুবা ফৄদা য়েংবিয়ু।

(৫৮) **ঈরেপফৄ** ঃ— ঈয়োকফৄদা য়েংনিয়ু।

(৫৯) **ঈরানফৄ** ঃ— ঈশিং শোক্তবা ফৄবু ঈরানফৄ কৌই। অতুবু মসি মৈতৈ নিংথৌনা ফম্বাল তোংনবা নত্রগা লাই-তীনগী ওইবা থৌরমগী শীজিন্নবা অরাপপা মফমদগী ঈশিং শোক্লুবা নত্রগা লৌরুবা শীজিন্নরিবা ফৄ অতুবু ঈরানফৄ হাঙ্গনা কৌই। মৈতৈ নিংথৌগী ওইবা থৌরমশিংদা শুগ্নুদগী হেক হেক ঈরা-নবা চৎপা মতমদা ফৄ অসি নম্না শীজিন্নৈ।

(৬০) **ঈরান/য়িব্রান/উয়ান ঃ—** রাল্লোংদা য়েংবিয়ু।

(৬১) **ফু খোঙনাইবা ঃ—** মখোঙ পানবা নত্রগা মখোঙ লৈবা নত্রগা মখোঙ নাইবা ফুবু ফু খোঙনাইবা কৌই। খোঙনাইবশিংগী মখোঙ অসি, ফুঙ্গী লোঙচুম শাবা (tripod leg), কোঈনা খোঙনাইবদা অচম্বা খোঙপাক য়াওবা অমমুং খোঙপাক থেক্কংপা অসিনচিংবশিং লৈ। অদুবু ফুঙ্গী লোঙজুম শাবা অসিদি আর্কিলোজিকেল এক্সেভেসনদা ফংবা * ২৮ নত্তনা ঙসি ফাওবা মনিপুরদা শানবা উদে। ফু খোঙনাইবশিংগী ফুখোঙশিংসি মশাগা নপবা ঙাক্তনি।

(৬২) **য়ুংখুম/য়ুংফু/য়ুংচফু :—** ফু মখল অসি অহল লম্মন অশোনশিং, অশোন-অনাশিং, অনাবা মীশিংনা শীজিন্নবা মপান থোক্নবা নত্রগা ঈশিং চৎনবা, মশা শেংদোক্নবা ফুনি। ফু অসি পংচাও-চাওদে, খুম মচা মী অমনা চাবা অতুমুক্তং চাওবা ফুনি। অঙাং নুবীশিংনসু অহিংগী মতমদা শীজিন্নৈ।

(৬২) **য়াইফু :—** ফৌফুদা য়েংবিয়ু।। য়াইঙঙ, য়াইমু, য়াইখু-(তেখাও) নচিংবা য়াইশিং থম্বা হাপ্পা ফুবুসু য়াইফু কৌই। মসিগুম্বা ফুশিং অসি হীদাক-লাংথক্কী মাইবশিংনা য়াম্না মরু ওইনা শীজিন্নৈ। ইমুং-মনুংগী ঙসি-হয়েংগী ওইবা রাফমদদি য়েনশাংদা খারুবা য়াইঙঙ হাপ্পা ফুবু থঙনৈ।

(৬৩) **চিনকুপফু/চিনকুপখুম ঃ—** মসি চীন-য়া শেংবা, চীনখা তেংথোকপদা শীজিন্নবা ফুনি, চীন কুপ্পা হাঈবদি চীনতেংববু থঙনৈ। য়া কুপ্পা নত্রগা য়াকুবা হাঈরগা য়া থিনববু থঙনৈ। হৌগং কাংথৎপা ঙমদ্রবশিংনা চীন-য়া শেংবা, চীন-খা তেংবা, লোক-তীন ওথোক্পনচিংবশিংদা য়াম্না শীজিন্নবা ফু নত্রগা খুমনি।

(৬৪) **লফোই ওমফু, নল্লগা লফোই ওম্নবা খরুং ঃ—** ফু নল্লগা খরুং অসি লফোই খুৎশেম্না মুলহন্নবদা শীজিন্নবা ফুনি। লফোই মুন্দ্রিবা/মুনকাত্তবশিংবু ফু মনুংদা হাপ্লগা মথাদা মৈ থাদুনা মুলহন্নবা খরুংগী মখলগী ফুনি। মসি নত্তবা অতোপ্পা মখল অমনা ফু মনুংদা ফৌ/রাই নল্লগ চরু-রাইরু হাপ্লগা, মদুগী মরক্তা লফোই, হৈনৌ, অন্নাথবীনচিংবা উহৈ-রাহৈশিং শাগৎহন্দুনা মৈশা ফংহল্লগা ওম্নবা ফু মখলনি। অতৈগী শীজিন্নরকপদা ওমফু দমক হাইরগা খঙনগনি।

(৬৫) লইফু/লৈফু —(১) লৈপাক্না শাবা ফু মখল থুদিংমক্তপু লৈফু কৌই।

(২) ফু শানবা লৈপাক/লৈমু/লৈ.তান থোকপা/ফংবা মফম্‌শু লৈফু কৌই।

(৩) শজিবু চৈরাওবগী কোংবা লৈথোঙ ফাৎপগী থৌরম তৌবা কোংবগী নিংথেম পোকপা (পাথংবা) অমসুং অঙোম্ন পোকপা (কাইনৌ চীঙশোম্বা, পুরৈরোম্বগী লাইফমদা) লাইফম অনি অসিদা লৈপাক তৌরগা লৈথোঙ ফাংলি। লৈথোঙ ফাৎপগী তৌথোক্লবা লৈপাক অদু শজিবু লৈখুন ফুনবা (লৈথোঙ ফাংপা মতুং নুমিং ভরেংনিশুবা নুমিত্তা) থৌরমগী মতমদা হান্নবা তৌথোকখিবা মফমশিংদুদগী তৌথোকখিবা লৈপাকশিং অদুনা মশা মশাগী কাইদনা মেনবা/ফুনবগী থৌরম তৌই। হাঙৈরিবা নুমিং ৭ গী মতম অসিদা লৈপাকশিং অদু ফু অমমমদা মাগী মাগী তোংঙান তোংঙান হাপ্লগা কোন্নুংদা পুদুনা য়ুমজাও লাইরেম্মগী লাইশঙ মনুংদা থম্লগা, লৈখুন ফুনবগী নুমিত্তা করি করি য়াওবগে হাঙৈবদু য়েংলগা লৈপাকী কুম অমগী লাকদবা ঈশিং-নোংশিংকী ফিবম, মহৈ-মরোংগী

পোংথোক্কী ফিবম অসিনচিংবগী খুদম-চাংদম য়েংই। মসিদা হুমিৎ ৭ নি লৈপাক হাপ্তুনা থম্লিবা ফুশিং অহুবুস্থু লৈফু হাঙ্গনা কৌই।

(৪) ফু, ঈশাইফু/ঈয়োকফু নত্রগা পুন কাংনানবী অমদা ঈশিংদগী লৈমরেল (Supreme Mother Goddess) গী য়াইবী মিরেন কৌহুনা ঈশিং শোক্তুনা লৈমরেনগী থরাই-মিরেল পুরক্লগা য়ুমদা লৈমরেলগী ফম্বাল মঙম (সনামহী নত্রগা লাইয়িংথৌ সনা কাগী লাইয়িংথৌগা মাঙ্গয়োক্লবা অরাং নোংপোক থংবা মাঙ-সোক্ কাচিন) দা লাইরেম্বগী ফম্বাল ফম্বাক শারগা (ফম্বাক শাব-শিদা উত্তং হাঙ্গবা রা তহু য়াওদবা য়াদে) ফম্বাক মথক্তা লৈম-রেনগী য়াইবী মিরেন য়াওবা ঈশিং হাপ্লিবা ফু অহু থিনগনি। ঈশিং য়াওরিবা ফু অসিবু লৈমরেলমক্লি হাঙ্গনা নীঙজহুনা লাংচগদবনি। অস্থুন্না লাংলিবা ফু অসিবু লৈফু নত্রগা লৈমরেন ঈরাংফু হাঙ্গনা খঙনৈ। লৈমরেন হাঙ্গবদি মালেম লৈমগী মশক ওইবী ইমানা ফুগী মশক ওইনা ঈরাংচবগী মমিং লৈফু হাঙ্গনা থোল্লি।

(৬৬) **লৈরিখুম/লইরীখুম:—** মথক্তা খুম অমস্থুং লীদা য়েংবিয়ু।

(৬৭) **লোকফু/লোকখুম :—** চিনকুপফু নত্রগা চীনকুপ খুমদা য়েংবিয়ু।

(৬৮) **রাললোং :—** মসি অচৌবা মখলগী মী য়ায়া থোংহুনা চানবা, য়েনশাং থোংনবা ফুনি, অপিকপস্থু লৈ। মথক্তা পীজখ্রে।

(৬৯) **রাইতৈফু :—** ফু অসি থোইনা পঙচাও চাওদবা, থাং-দোক থাংজিন খুংলোইবা লম রাইতৈবদা শীজিন্নবা ফুনি হাঙ্গহুনা মমিং অসি থোনবনি।

(৭০) **রাইফু :—** রাইফু হাঙ্গবসি ফৌগী মকু হাপ্পবা ফুনি। রাইদা মৈ য়োকপা রাইমৈ/রামৈ য়োকপা অসি মৈতৈগী থাইনঙৈদগী

তৌরক্লবা মৈয়োক্কি। মরম অসিনা ব্লাই অসি তরাই তন্নাইনা হুন্দোক্তনা থম্লদে। ফুদা হাপ্লে মরম অসিনা ব্লাই হাপ্পা ফনি হাঙ্গৈত্নুনা ব্লাইফু কৌবনি।

৭১। **শঙ্গোমফু :** —শঙ্গোম্ হাপ্পা/হাপ্লবা ফুবু শঙ্গোমফু নত্রগা শঙ্গোমচফু হাঙ্গৈনা কৌই। শঙ্গোম অফবদি য়িব্লানদা হাপ্লে, য়োনবা মতম্দস্ু য়িব্লানগী চাংদা য়োন্নৈ।

৭২। **শঙ্গোমশেনফু :** —মসি শঙ্গোমগী অয়াম্বা চাং লেপ্লবা ফুনি, ফু অসি খরুং ময়াঙ্গৈ ওইবা অত্নুগা চাওবা মান্নৈ। চুহীস্সু শেনফুগী চাং অসি চৎনৈ।

৭৩। **চুহী/চুহীচফু :** —চুহী হাপ্লবা/হাপ্পা ফুবু চুহীফু নত্রগা চুহী চফু হায়না কৌই। থাইনদি চুহী অসি লীত্নুনা থম্লরম্মী। চিনী কাংলবা মতম ফাওবা ফুদা হাপ্তুনা থম্নৈ।

৭৪। **লুফু**[২৯]**:** —লুফু হাঙ্গৈবসি চকপশিংনা মখোঙ্গৈগী অশিবা মশা অত্নু মৈ থাত্নুনা পোংলোঙ্গৈরগা হকচাং তুমথ্রবা মতুংদা কেমহৌরবা হকচাংগী লু হাঙ্গৈবদি শরুশিং খুল্লগা ফ মন্নুংদা হাপ্লগা ফু অত্নু কেগাম/কম্বী অমনা মখুম খুল্লগা মথক্তা ফি শেংচিনবীত্নুনা (অশিবত্নুনা নুপা ওইরগা নুপাগী ফিজেৎ, নুপী ওইরগা নুপীগী ফিজেৎ শেংপী) লংনা ফাজিন্দুনা অপিকপা মুত্তি অমা শারগা অমুক লৈন্নুংদা শাগৈগী ওইবা মংফমদা ফমই। অস্নুম্না লৈরেমখাক শরু হাপ্পা অশিবগী অনিরক শুনা হাওশি মংথিন্নবা চকৃপশিংগী ফুবু লুফু হাঙ্গৈনা কৌই।

৭৫। **ফুরোনফু/ফুরোন**[৩০] **:**— ফু মশা অমদগী হেন্না অনি, অহুম, মরি, অসিনচিংবা অপীক-অপীকপশিংনা মন্নুংদা হাপ্লগা লোনশিন্নবা ফশিংবু ফুরোন হায়না কৌই। মসি মরু ওইনা লাইব্রাতীনব্রা, পোংশেম-লাংশেমগী হিরমদনা নম্না শিজিন্নৈ। অত্নুবু

চকপশিংদদি কুইনা লীহুনা থম্লবা অমসুং মনুংদা য়াওরিবত্থ লৈপাক্কী লৈরোনগা থেংনদনবগী মরমদা শীজিন্নৈ। মসিগুম্বা ফুশিং অসি লুফু চনবশিংদা য়াম্না তোইনা থেংনৈ। অহুগা ফুরোন চনবা মখল অমনা ফু অমগী মনীঙ্গী শরুক লৌথোকখিবা অতোপ্পা অমগীনা মঙক্কী শরুক লৌথোগ্রগা ফু অনিহু তাইশিন্নহুনা অমগী মপান্না অমবু উপশিন্দুনা লোন্নবা ফুরোনশিসু লৈ। অসিগুম্বা ফুসিদা ফু অহুমদগী তাদনা লোন্নবশিংসু ফংই। সেক্তাগী এক্সে-ভেসন্দা অসিগুম্বা মখলগীসি য়াম্না ফংখি। অহুগা অহানবা মখলগী অসিনা থৌবাল কৈবুংগী লমদা ফংখি। মখোঙ্গীশিং অসি চকপগী অশিবা পোংলোঙ্গীবগী ফুম্লম্বা ঙাক্তনি।

৭৬। **লুচনফু**[*৩১] :— ফূ মখল অসি ঙাংখাশিংনি। মখোঙ্গীগী মনুংদা মী মৈদা থাহুনা শরু খাঙ্গীদোক্পা নত্তবা, হকচাং লৈনুংদা ফুম্নগা পথ-পুমথহন্দুনা শরুশিংহু অমুক ফু মনুংদা হাপ্লগা ফুম্লম্বা ফুশিংবু লুচনফু হাঙ্গীনা কৌই। অসুম্না লুচনবা ফুশিং অসি খৃ: ১৯৯১ দা পুঙদোংবম খুলদগী ফংখি[*৩২]। অসিগুম্বা অনিশুবা থাক্কী পোংলোঙ্গীবগী মনাৎ অসি মৈতৈ হাঙ্গীবদি য়েক ৭ শলাই ৯ গী মীশিংনা খৃ: ১৭২৫ গী মমাঙদা পাংথোক্লরম্বগী লেমহৌবা মথাকশিংগী মরক্তা য়াওবা ফুশিংনি।

৭৭। **মংচনফু/মংজনফু** :—মং চনবদা শীজিন্নব ফুবু মংঙনফু হাঙ্গীনা খঙনৈ। ফু অসি মী অশিবগী মশা মৈ থাহুনা পোং-লোঙ্গীরগা উং লৌরগা উৎ অহু ফু মনুংদা হাপ্লগা শাগৈগী/ কাংলুপ-মরুপকী ওইবা মংফমদা মংচনবদা শীজিন্নবা ফু অদূবু খঙ-নৈ। মসি কৈবীগী হৈককচীঙদা খৃ: ১৯৯১ দা মরাং কাঙ্গীনা ফংখি [*৩৩]। মৈতৈ নিংথৌগীসু মওং অসিগা চপ মান্নবা কংলাগী মংলেন কৌবা মফমদা ফুদা উং হাপ্লগা মং চল্লি।

মসিবু মংলেন মংচনবা হাঙ্গনা কৌই। নিংথৌগী মচা-মনাও মুপা ওইবশিংদি কংলাগী মংনাওতাদা মং চল্লি অদুগা মচানিং-ঙোল, মচম-মচেশিং, নুপী ওইবীশিংদি মংখোঙতোন্দা চল্লি। অদুবু মংচনবা খুদিংমক্তা ফু য়াওই। মদুগুম্বা ফু অদুবু মংজনফু কৌই।

(৭৮) **শাফু ব্রাল্লোং** ঃ— শা ফুংপা উয়াল হাঙ্গবনি। মথক্তা ব্রাল্লোংদা য়েংবিয়ু।

(৭৯) **শুনু ফু** :— শুনু হাপ্পবা/হাপ্পা নত্রগা তীংবা নত্রগা শুনুগী ঈরু লোনবা **শুনু** মনীঙ ফমথহনবনচিংবদা শীজিন্নবা ফুবু **শুনুফু** নত্রগা শুনুচফু হাঙ্গনা হাঙ্গনা কৌই। চাননবগীদমক্তা শেম্নবা শুনু হাপ্পা ফুবু শুনু ক্বাকোক শুনুকোক হাঙ্গনা খঙনৈ। শুনু অসি তৈবা-খোৎপনচিংবা থবকশিংদসু য়াম্না শীজিন্নৈ। মহী য়াওবা পোৎলম ওইরক্লবদি মদু ফুদা লীতুনা/হাপ্তুনা থম্মী। মদুবু শুনুফু/শুনুকোক/শুনু চফু হাঙ্গনা কৌই। করি করিগুম্বা মফম-শিংদা মসিবু শুনুখুম হায়রগসু খঙনৈ।

(৮০) **সনাবুন/সনাপুন** :— পাংঙল পুন য়েংবিয়ু।

হৌজিক্কী মতমদদি প্রীথাইনা শাবা ওইনা খঙনরে, মসিদি কোন্না ১৯ শুবা খৃষ্ট শতাব্দীদা মনিপুরদা চঙলক্পনি। মসিগী মমাঙদদি পাংঙল-পুনবু খঙ্‌নৈ।

(৮১) **হীদাকখুম** :— হীদাক তুবিয়াবুনি। তুবিয়াদা য়েংবিয়ু। অদুগা অতোপ্পা খঙনবা অমনা হীদাক লাংথক্কী মাইবশিংনা মহী ওইবা নত্রগা মহী য়াওবা হীদাক শেম্বদা শীজিন্নবা নত্রগা হাপ্তুনা থম্বা ফু খুমবু হীদাক খুম কৌই। মাইবগী মহৈদা য়াম্না তোঙ্গনা শীজিন্নৈ।

(৮২) **হেন্তাকফু/য়েনথাক্‌ফু** :— য়েনথাক্, মনা-মশীঙ থাক্পা ঙাগী মথেনবু য়েনথাক্ কৌই। য়েন্থাকপু লোন থৈরক্তুনা হেন্থাক

হাঙ্গৈরগা খঙনৈ। হেন্তাক হাঙ্গৈবা চাননবা মথেল অসি লেঙবদা মপা লৈত্রবা য়েন, হোঙঙ্ অসি থারবা ঙা, ঙাথাদা থাক্তুনা শেম্বা হাঙ্গৈবদি হোঙঙ্ মকাগা ঙাখাগা শুম্বলদা শুদুনা চাং মান্নবা থিংলবা অমম্লুং মন্নুং ফাওনা তোংথাঙ্গৈরবা মতুংদা শেম্নকপা মথেল্‌নি। হাঙ্গৈরিবা মথোল অসি লির-লিরগা ফবা/হাওবা হেনগংলি। মরম অসিনা মসি চফুদা লীদুনা থম্নৈ। অস্থুম্না হেন্থাক হাপ্পা/লীবা ফুবু হেন্তাকফু হাঙ্গৈনা কৌই। হেন্থাক অসি শিংজু (mixture) নত্তে, পোৎলম্ অনি মৌনরগা থোক্লকপা কম্পাউণ্ড (compound) নি। মসিদা হোঙঙ্গী অরেঙ্‌বা মাংগ্রে, ঙাথাগী অথাবা লৈত্রে, অহাওবা পোৎলম অমা ওইনা থোক্লক্লে। মসি থাইলেঙদা লৈবা মীশিংনা মথোইগী মরোন্দা কাফ (kaph) * ৩৪ হাঙ্গৈনা কৌই। অসিগুম্বা হেন্থাক অসিগী হাপফম্নি।

(৮৩) রানতোন/ৰান্দোন ঃ— অপিকপা নামচাবী চফুগী লাম্বা ওইবা য়াবা উয়ালবু ৰান্দোন কৌই।

(৮৪) য়েলকম :—মসি মনা-মশীং, য়েনসাং-নাপীনচিংবা হাপ্তুনা থম্নবা হোরাইগুম্বনি। মথোঙ নাইবা/নাইদবা মখল অনিমক অতুম লৈ, কম্বীগী মখলদা খর পাক্লা শাবনি।

(৮৫) খেফু :— মসি চফুগী মখলদা অমনা হেক্তা ওইবা য়াই। "খে" কৌবা মচু শঙনবা মহী অহু হাপ্নবা ফুনি। খেউদা ৰাদা তৈনবা খেউ তিংলগা শেম্বা মহীনি।

রিফরেন্সশিং

* ১— A, k. Sharma : op. cite p. 3.

* ২ — মুমিংকুম্না মকোই অমা য়েক্লগা লৈয়িনা মঙালগী মশোং পানবা অকোঙ্গৈবা শক্তম

* ৩— মোইমিৎ লাল্ল্=মতুম তাবা, মমিৎ মানবা মশকঃ অকোঈবা মতুম্ অমগী মনুংদা মিৎ নাহাগুম্বগী মমি অমা য়েকপা শক্তম।

* ৪—হৈকোঈ ময়েক্ : মতুম তাবা, অকোঈবা হৈ মতুম মানবা শক্তম ।

* ৫—লাইয়েক : লাইরেলগী মশাদা লাংবা মতুম ওইরপ ওই-রপ তৌবা মফুৎ মফুৎ লাংবা শক্তম :

* ৬— লৈয়িগী কোঈশিনবা ময়েক।

*৭— A. k Sharma : op cit. p. 3
See photograph in State Archaeology Dept. Manipur.

* ৮ -Dr. Kunjeswari : Report on Pungdongbam discovery (Submitted to History Dept. Manipur University, Canchipur in 1991) See Photographs.

* ৯ — চৈঃ কুঃ লাঃ ৩২৫-৪০৭

* ১০— ক্ষেত্রি কুমার : মঃ লাইঃ লাঃ ১৯ ।

* ১১— চৈঃ কুঃ লাঃ ৩৪ ।

১২— ক্ষেত্রি কুমারঃ মঃ লাইঃ লাঃ ২২ ।

* ১৩ — Dr. Badaruddin (35), Lilong Haoreibi দা লৈবগা অইবগা খুঃ ১৯৯১ গী আগস্ত তাং ৫ দা উন্নবুনা ৱারী শান্নবদা তাক্পীরকপা।

* ১৪— মঃ য়াওং মঃ রিফঃ নং ১৩।

* ১৫— চৈঃ কুঃ লাঃ ৩৫
হাওবম মরাম্বগী কুমদি শক ১৫৩৭ খুঃ (১৬১৫)

তা ...... মৈথু হিদাকফুস্নুং মঙ্গনফুস্নুং মৈথু হিদাকফু চুপ্পস্নুং অহৈঙে হৌএ ॥

* ১৬ — ক্ষেত্রি কুমার: ম: লাই: লা: ২২।

* ১৭ — পোংথৌরোল (খুংয়ি)

* ১৮ — নোংশামৈ পুয়া খুংয়ি)

I) — রা: কু: শ্রীসনাহল, বিকম: ম: লাই: ১৬

* ১৯ — মৈতৈ লৈপাক্কী মৈতৈ নিংথৌ পাল্লিঙৈদা ফিজেং তান্নবগী হরাও কুম্মৈ ওইরম্মা মনিপুরগী অচৌবা হরাও কুম্মৈ অমনি।

* ২০ — ক্ষেত্রি: কুমার: ম: লাই: লা: ২২

* ২১ — চৈ: কু: লা:

মনিপুরগী নুঙ্‌ফু অমসুং নুঙ্‌ফু শাফম্‌, লম্মাংদোং থোংজাও,

'নুঙফু, হাঙৈরগা নুঙ্‌না শাবা ফুশিংবু খঙ্‌নৈ। লৈফম নত্রগা লৈপাক্না ফু শাবগী খুংহৈবা-শীনমীগী মহৈ অসি মনিপুরদা মথাঙৈ-থাঙৈনা আ-মমাঙহৈদগী চংথরিঙৈগী মরকসিদা নুঙ শুবগী খুংহৈবা-শীনমীগী মহৈ নুঙফু শাবা অসিমু পাব্বারী-পুরারীগী তাংকক্‌ অমদগী য়াল্লক্‌না চংথরকই অমসুং চংথরি। মহৈ-অসি মনিপুরদা য়াম্না অকক্লৈ অমসুং মীওই খরথক্তনা শীনফমসি পাঙৈ, মহৈসি হৈ। হাঙৈরিবা নুঙফু শাবগী খুংহৈ-বগী মহৈ অসি করম্না মনিপুরদা চঙলকখিবগে হাঙৈবহৃদি হৌজিক

ফাওমগীদি থিজিন-হুম্‌জিন্‌বগী মনুংদা লৈরি অমসুং কনানা, কদায়দা, কৈদৌঙৈ, কদায়দগী অমসুং করিদগী শীনফমসিগী শীনশ্‌গী-মহৈ অসি লৈপাকসিগী লৈহাওদা লিংখিবনো হাঙ্গী-বসিংসু থৌহু নুঙগী থম্মোইনুংদগী পুখোকপা ঙমদে। অত্তুবু খৃ: ১৯৯১ গী সেক্তা এক্সেভেসন্দদি নুঙ্‌ফুগী শরুক ওইবা নুঙগী ঙাম্বক্‌ য়াওরে *১। মরম অসিনা মহৈ অসিগী পোৎথোক্‌ মনিপুরদা ১৬ শুবা অমসুং ১৭ শুবা খৃস্ত শতাব্দীদদি লৈরে অমসুং শীজিন্নরম্বা য়ারে *২।

অমরোমদা ফু মথলসিগী ফুশা (শাবগী তৌরিবা থৌওং-খৌদৌ) য়েংলুরগা থৌওং-থৌদৌসিবু, শান্নবগী হিরমসু ওইরবসু, মশক্‌ খঙ্‌লক্‌পদি মৈদিংঙু লোইতোংবগী মতম্‌ (চৈ: কু: চাও: খৃ: ১১২২-৫০) দগী হাঙ্গবসি মখাগী ৱারোলশিং অসিনা উৎলি :-* ৩

………'মৈদিংঙু লাইরেন লোইতোংবদি" ………
কৌরৌ নুমিংমদি নোংচুপ পাঙনখুল্‌ পোইরৈ মৈতৈ নহা হুংশোন নুংনাং খুংবু কোনথাং চারন লেং তারি মিতম য়েংনা চিংশান্ন-খিয়ে। কৌরৌ নুমিংমতি পামেল্‌ উরাই হল লংশুং খাংচেং কি দোরী মিতম্‌ চিংনা পাউতোঙ্গখিয়ে। ….. "

শীনশ্‌ শীনফম অসি মনিপুরদা নৌরিবা মহৈনি হাঙ্গবসি, মনিপুরগী চীঙগী লমদম "নুঙ্‌বী" কৌবা খুল্‌দা ৱুঙ্‌ চীঙ্‌মী ইচিন ইনাওশিংনা মহৈসি হৈরম্বা অমদি শীনকমসি পাঙ্গরম্বসিনা হাইবা ঙমদে। অত্তুবু লৈফু-ফুশা ৱানশাবগা, নুঙফু ফুশা-ৱানশাবগা, নুঙফু ফুশা-লাকশাবগসিদি অহানবগীসিনা হল্লি হাঙ্গবসি (মনিপুরদা মতাংদা) মাদি চেনফম্‌ লৈতবগুম তৌই। মরমদি মনিপুরদা নুঙ্‌ফু ফারিবা চীঙমী খুল নুঙ্‌বী [উখ্রুল

ডিস্তীক] অমসুং তম্মীখুল থোংজাও * ৪ অনিমক লৈফু শা-রক্পা অমদি শারিবা অমসুং শারম্বা ওাক্কনি। লৈফু শানা থোংজাও চকপশিংনা চীঙলক-মাল্লক ওইবা মফমসিদা লৈফু শান্নবা লৈপাক লৈপেককফম খুদোং চাদবদগী খুন হোংহ্নন অতোপ্পা লমদমদা খুন্দাখি হাঙৈবসি খুনগী মম্মিং অসিনা খুদম-চাংদম ওইরি। অদুগা খুনসিদা খুন্দা-লৈতাহৌবা য়ুম্নাক-শাশৈশিং— মখোঙগী য়েকলুপ মথাক নহ্নগা অতোপ্পা য়েকলুপ্, যুরুপকী মীশিংনা শীনফমসিগী মহৈসি হৌদোক্লম্বা য়াই। অদুগা লুঙ্ফু শাবগী থৌদৌ-থৌওং অসিনা ফুন্ত্রে/ফুন্দ্রে [ফুগী নাভাদা লঙৈবা: ফুগী মওংদা উরু উরু লৈবা: মসিনা অচুম্বা ব্রাহম্নোক্ * ৫ ওইপদ্রা হাঙৈনা থঞ্জে খেংপাগী থৌওং-থৌদৌগা নরুবা, মান্নবা অমসুং মরী লৈনবা অসিনা ফুন্দ্রে খেংপা অসিনা শীনফমসিদগী মতৌ তম্নিবরা নত্রগা শীনফমসিনা ফুন্দ্রে খেংপদগী মতৌ তম্নি-বরা অমদি মওইরে, মরমদি মান্নরা থৌওং অসি পুম্না মতম মান্ননা হৌমিন্নবসি নোংমা-নিনী খোঙ্না চৎপদা য়োবা ওম্বা মফম অনিদা তৌনদে। য়েংলগা-উরগা মতৌ তম্নবা হাঙৈবদি মীওইবগী শীথোররুবা লমচংনি।

মনিপুরদা ফুন্দ্রে খেংপা নত্রগা ফুন্দ্রে শীজিন্নবগী অহা-নবা হৌখিবসি মৈদিংঙু সেনবী খাগেম্ব (খৃ: ১৫৯৭—১৬৫২) গী মতমদগীনি * ৬ শীনফম অসি মুসলমান লানফা মচীন-মনাও কুন্দলখা অমসুং জমান খথা অনি অসিনা খৃ: ১৬০৭ কী কী অহুরাইদা হৌদোক্লম্মী * ৭। অহানবদা পাঙল্ ফুন্দ্রে লোই-শঙদমক লিংথৎলম্বী * ৮ অদুবু মমৈথংদা মৈতৈ ফুন্দ্রে লোইশঙসু লিংখংখি। অসুম্না পারারী - পুরারীগী বৃত্ত মনুংদা লৈরিবা থৌদোক্কী চক্রসি য়েংলুরগা নুঙফু খেংপদগীদি ফুন্দ্রে খোংপসিনা

হাল্লি। অসিশিংসিনা মরম ওইদুনা নুঙফু শারকপগী হৌরক্-পা। অসি খু: কুমচা ১৭ শুবগী মন্নুংদা ওইরম্বা য়াই।

নুঙ মথল অমসুং পোংচঙ্-চৈজঙ্

লৈফু শাবগা নুঙফু শাবগা মনিপুরদা চংথরিবা খুংহৈবগী শীনফম অনিসি মথক্কী মাঙ্গৈকৈরোমদা য়েংলবদি ওন্না-তৈনবা মওংনি, অমনা অমোংপা পোংচাক্কা মিতম্ব নি; অমনা মৈ চঙবা, অমনা মৈ চঙদবা পোংচাকশিংনি। থোংজাওশিংনা নুঙফু শাবদা শীজিন্নরিবা নুঙ মথল অনি অথোংপা লৈঙোই-নুঙ্গী ময়াঙ্গ ওইরপ পৌবা নুঙ মথলগীনি। হাঙ্গৈরিবা নুঙ মথল অসি মনিপুরগী চীঙগী লমদমশিংগী মফম অয়াম্বা ফংদে * ৯ অমসুং য়াম্না হোঙনা ফংবা নুঙসু নত্তে। হাঙ্গৈরিবা নুঙ মথল অসি লম্মাংদোংগী মমীঙ্গী লমখৈরোমদা শন্দোক্লিবা থোংজাও চীঙ হাঙ্গৈবা চীঙ্ অসিদা ফংই * ১০। চীঙ অসিগী মন্নুংদসু থোংজাওরোক্কী লোকচাওদা ফংবা নুঙগা লৌমীরোক্কী লোক্তা ফংবা নুঙগা মান্নদে। থোংজাওরোক্কী অসিদি মহুপ পৌবা লৈঙোইনুঙ (course sandstone) ওইনা তৌই। লৌ মীরোক অসিদদি নুঙফু শাবা য়াবা থোক্তি থোংপা মহুপতি ময়াই ওইরপ পৌবা, ময়াঙ্গ ওইরপ কুপ্পানুঙ মথলসি ফংই। লম্মাংদোং থোংজাওগী ফুশাবশিংনা নুঙ্ফু শানবা পোংচাক-নুঙ লৌরিবা পেক্লিবসি মফম অসিদগীনি * ১১। অদুমু হাঙ্গৈরিবা মফম অসি থোংজাওখুন্দগীদি ফনা লাপ্লি।

হাঙ্গৈরিবা শীনফম অসিদা পোংচাক্-নুঙ নত্তনা চঙলিবা খুংগু-খুংলাঙ্গৈশিং অমসুং অতৈ পোংচঙ মচাক মথুমশিংদি :— ১) নুঙ্তৌয়োং, ২) নুঙ্খেং থাঙ, ৩) য়োংচৈ অচৌবা (জম্ফং)

৪) নুঙ হাপ পোল্লাং, ৫) নুঙপেফম-শীনশ ফম, ৬) নুঙ লৈ-ফুন্দ্রে, ৭) নুঙ খেৎ থাঙ ৮) নুঙখেৎ পাইজা মাঙ্গীকোন, ৯) নুঙখেৎ পাইজা মাঙ্গীতিং, ১০) নুঙখেৎ পাঙ্গীজা মচা, ১২) নুঙথঙ অচৌবা, ১৩) নুঙথংমচা, ১৪) নুঙথং ময়াঙ্গী, ১৫) মেক্রুক, ১৬) অচাথাও, ১৭) কেরোসিন থাউ, ১৮) ফুন্দ্রে চিংনবা থৌরী, ১৯) নুঙফু থম্নফাল অসিনচিংবশিংনি * ১২। তশেংনমক হাঙ্গীবা তারবদি নুঙফুশাবগী থৌওং-থৌদৌ অসি কাংথোঙ-লৈবী ফৃশানি।

পীজরিবা ময়াম্ অসিগী মনুংদা নুঙলৈ-ফুন্দ্রে অসি নত্তনা অতৈশিং অসিদি থ্বাইনা থঙনরিবা পোৎশক্ ওাক্তনি। ফুন্দ্রে হংলাক্' (সেক্: কলঃ মেচিন্) অসি মপান্ননি নুঙফু শাবগী থুং-হৈবগী মহৈ অসিনা মাঙ্গী পাক্লা শীনফম চংথবা ওম্লিবসি * ১৩। নুঙ লৈ ফুন্দ্রেগী মশা অসি মনুং ফুনবা মতুম তাবা উতুপ-উকক্ অমনি। মসিগী নাকল্ অমরোম্দা সেঃ বিঃ ২৫ রোম ওইবা অচৌবা মমাঙ্গী অমা অমসুং অমরোমদা ডাইমিটর সেঃ মিঃ ১০-১৫ ওইবা মমাঙ্গী মচা অমা অমসুং মমাঙ্গী অনিগী লাপ্পবনা সেঃ ৬০/৭০ ওইবা মশাং অমনি। মশাং অসিগী অচৌবা মমাঙ্গী অতুগী ময়াঙ্গীমক্তদা নাচৈ মতেক অতেনবগুম্বা ময়োং অমা উগী মথোঙ অথাবা চেৎনা য়ৈশিন্দু উচন চানা নান্থোক্তনবা ফারগা নুঙলৈ-ফুন্দ্রেগী মশাগী মমাঙ্গীতু হল্লগা চপ য়ুংনা (৯০°) সেঃ মিঃ ১০ রোম লেংশিন্দুনা লৈবা য়ানবা শেম্লগা হংলাক ওইনা ফাগনি। অতুগা অচৌবা মমাইগা মমাঙ্গী মচাতুগগী মরক্তা থৌরীনা অনি-রক নম্রগা অহুম্নক য়েৎলগা থৌরীতু হঙ্গৎ-হন্দা মচীন অনিদা পাঙ্গীতুনা চিংবা মতমদা নুঙলৈ-ফুন্দ্রে মশাতু মশাগী ময়োক্তা উরু উরু উংবা য়াহলগদবনি অমসুং অপীকপা ফুন্দ্রে মশাগী মমাঙ্গীতু কোম্না উরু

উরু লৈবদা অপনবা লৈত্তবা ওইহনগদবনি। নুঙলৈ-ফুনৈহ্নু শীদোক-শীজিনবা অমসুং পানখৎনীঙবা মতমদা পানখৎপা য়াবা ওইগদবনি।

পোৎচাক-নুঙপেকপা ঃ নুঙফু মিতঙা

খুৎশু খুৎলাঈনচিংবা পোৎচঙ-মচাকশিংসি থোরাং তৌহনা লৈরবদা নুঙতৌয়োৎ (শয়ন্তী : মমাঙঙৈদদি চুমগী রানা/উনা মথোক পানবা লৈতৌয়োৎ শীজিন্নরম্মী, নুঙ খোংথাঙ থাঙজৌ), য়োংচৈ অচৌবা (জফৎ) নুঙথং অচৌবা ময়াই, অমসুং নুঙহাপ পোল্লাং পুহনা নুঙ পেকপা চংকদবনি। নুঙফু শাবশিংনা থোংজাওভীওগী লৌমী লোক য়ৌরগা লৈঙোইনঙদা মচু ঙৌরপ তৌবা মহুপ য়ামস্থু কুপ্তবা নুঙচাক য়েংই। মথোয়না নুঙ লৈফম্ ফংলবদা নুঙতৌয়োৎনা তৌহনা ফক্কদবনি। অফক্পা নুঙশিংহু নোংমহুগী নত্রগা শাগদৌরিবা ফুগী মশীঙ শুনবা নত্রগা ওকুনবা ফক্কবা মতুংদা শাগদৌরিবা ফুগী মশক্ মওংগী মতুং ইন্না নুঙহুম পোৎচাক খনগনি। অসুম্না খনগংলবা পোৎ-চাক-নুঙ অহু নুঙখোং থাঙনা নুঙফুমিতমগনি। অসুম্না পোৎচাক নুঙশিংহু য়ান্দুনা খোত্তুনা শেম শাবা লোঈরগা নুঙহাপ পোল্লাংদা হাপ্তুনা পুরক্কদবনি। চাওরাকপা নুঙফুগী ময়াঙ ওইবা ফিভম শেম্লবা নুঙফু মিতঙসি পুরকপসিনা নুঙ মশা অপুম্বহু পুরকপদগী লুম্বগী চাং হুম্বা, মতম চঙদবা অমসুং খুৎ চঙদবা হেল্লি।

নুঙপৈফম-শীনশঙ ঃ নুংফু শাবা

থোংজাও (লম্মাংদোং) গী নুঙফু শাবগী শীনশঙ তৌঙানবা তপ্তা শাহনা লৈনদে। লৈনরিবা য়ুমগী মাঙ্গোল নত্রগা শঙ্গোঈ

মচী অমদা হেক্তমক ওইবা য়াই । শীনশ্‌শঙগী মরু ওইরিবা হাঙ্গী-ববু নুঙলৈ-ফুন্দ্রেদু মশা কোম্না থম্বা, ফুন্দ্রে চিংফম নীঙথীনা লৈবা অমসুং ন্‌ঙফু মিতম্বা অমদি ন্‌ঙফু অরোঙ্গীবশিংদু থমফম চন্নগা লোঙ্গীরে, শুমাঙদা ফাওবা অদুম তৌনৈ ।

ন্‌ঙফু শাবা হৌনবা ন্‌ঙলৈ ফুনদ্রে অদু পান্‌শিন লাক্‌-শিন্দুনা শেম-শাগদবনি । ন্‌ঙফু শাবগী শীনফম অসিদি ন্‌পী শীনফম নত্তে, ন্‌পা শীমফম্নি । অদুগা শী।ফম অসি মী অমথক্তনা শুবা য়াবা শীনশ্‌সু নত্তে, মী অনিনা শুগদবনি । অমনা ফুন্দ্রে চিংগনি, অমনা ন্‌ঙখেং থাঙ নক্রগা পাইজা পাঙ্গীদুনা ন্‌ঙ নক্রগা পাইজা পাঙ্গীদুনা ন্‌ঙখেংকনি । অসুম্না নুঙ খেংপা অসিনা ফুগী ফ্‌ওং শেমগদৌরিবনি ।

মতমসিদদি মৈক্রুক্কা থাউগা ফু মচা অমদা পুন্না লোন-মিন্নগদবনি । মৈগী মৈশা মতীক চানা ফংলক্‌পা মতমদা মৈক্রুক নক্রগা উগী মনপ কনশিন্দুনা লৈরম্বদু থাউদুদা শৌদোক্কল্লগনি । অসুম্না অশাবা শৌদোকপা মহীওই-মপঙ ওই তৌবা চনাং মান-বদু নুঙফু মিতম্বদু নপ্পনবা মনপ ওইনা শীজিন্নগদৌরিবনি । হৌজিক্তি নুঙফু মিতম্বা অদু নুঙলৈ-ফুনদ্রেগী অপকপা মমাঙ্গী অদুদা মেক্রুক অমসুং থাউ লোন্দুনা শেমখিবা মনপ (গম) অশাবদুনা কিভম চানবা শেমদুনা নপশিনগদবনি। হাঙ্গীরিবা মনপ (গম) অসিনা থজিক থজিক ইংথরকপগা লোঙ্গীননা নপ্পিবদু চেংশিল্লকপা অসুম অসুম হেক্সিলক্কনি। অসুম্না গম অদুনা পুমইং ইংথলবা মতমদদি পোংচাক্‌-নুঙগী নুঙফু মিতম্বদু মতোমতা য়াম্না চেংমা নুঙলৈ ফুন্দেগী অপিকপা মমাঙ্গী অদুদা নপ্তনা লৈরগনি।

হৌজিক্তি ফুন্দ্রেদু চিংননবা থৌরী থুগদবনি থৌরী অদু য়ামক্রবদা অনিরক্তা ওন্না চংলগা য়াগনি । অদুগা থৌরিগী মচীন অনিমক খুৎ নামা নামনা পারগা হঙ্গং-হন্দা চিংগদবনি।

অস্থুবা চিংলুকপসিদা ফুন্দ্রেগী মচা অহু অমস্থুং মহুগী অপিকপা মমাঙ্গদা নপ্লিবা হুঙফুমিতস্বা অহু মাঙ্গৈকে অনিমক্তা হাঙ্গবদি ক্লোক্রাইজ অমস্থুং এন্টি-ক্লোক্রাইজ মাঙ্গনা য়াঙ্না, য়াংনা অমস্থুং থুনা শীল্লোন-শীঞ্জিন উরু উরু মতোমতগী ময়োক্তা লৈগনি। অস্থুম্না উংলিঙৈসিদনি ফুওং শেমহৌগদৌরিবসি।

শাগদৌরিবা ফু অহুগী মওংগী মতুং ইন্না হুঙ্ খেংথাঙগী মখল খনগনি, কুংথহনগদবা অমস্থুং তোংথোকহনগদবা য়েংহুনা হুঙখেং থাঙ, পাইজ মাঙ্গকোন অমস্থুং মাঙ্গতিং শীজিন্নহুনা উংলিবা হুঙ্ অহুগী মনাক্ নক্লা থাঙ্গী নত্রগা পাইজগী ময়া পুশিন্দুনা খেংকনি। অস্থুন্না হুঙফুগী ফুওংদা দরকার লৈরোঙ্গদবা মফমশিং অহু চাথোক্কনি। উরু উরু লৈহুনা উংলিবা হুঙ অহুদা খেংতুমা হুঙ্ অহুগী মনাক নক্লা থাঙ্গী নত্রগা পাইজগী ময়া পুশিন্দুনা খেংকনি। অস্থুমনা হুঙফুগী ফুওংদা দরকার লৈরোঙ্গদবা মফমশিং অহু চাথোক্কমি। উরু উরু লৈহুনা উংলিবা হুঙ অহুদা খেংতুনা, য়িংতুনা, চাথোক্তুনা অমস্থুং হোত্তত্নুা ফুওং শেম্বা লোঙ্গরবা, পাম্লিবা ফুগী ফুওং তারে হাঙ্গনা লেপ্লবা মতুংদা ফুন্দ্রে চিংবা লেপহনগনি অমস্থুং হুঙ্ থাঙ্ থাবা লেপ্কদবনি।

ফুওং লেপ্লবা হুঙফু অহুদি ফুন্দ্রেগী অপীকপা মমাঙ্গহুদা চেংনা অহুম নপতুনা লৈরি। অহুনা হুঙ অসি খুংনা নত্রগা পাঙ্গল শীজিন্নহুনা মুকথোকপা-মুকথাঙ্গবনচিংবা তৌহুনা লৌথোক্কদবা নত্তে। মথক্তা পঞ্জখিবহুনি, মসিদা শীজিন্নরিবা মনপ (গম) অসিদি ইংল-ইংলগা হেন্না চেংশিননবনি। শাহল্লবা মতমদা শৌদোক্লক্তুনা পেথোক্লক্লগা কোমথোক নান্থোক্লক্কদবনি। মসি পুত্তী Putty) গী ওইবা পোংশক পোংলম্নি। মরম অসিনা হাঙ্গরিবা নপশিল্লবা মনপ (গম) অহু মৈ থাহুনা মৈশা পীরগা শাহনগদবনি। অহুম্না

তৌরবদি গম অদু শৌদোরকতুনা নুঙফ অদু ইরাই লাঙ্গৈনা লৌথোকপা য়াগনি।

নুঙ্ফ অদু লৌথোক্লবা মতুংদা অরোইবগী শেম-শাবা ওইনা সিরিয অমসুং রেটীনা নান্থোকতুনা লৈমাঙ্গৈ খর অমুক হেন্না নানহন্নবা থৌরাং তৌবা য়াই। অসুম্না মৈতৈ য়ুমথোঙ খুদিংনা পানরবা লম্মাংদোংগী মোরোক মেৎনবা নুঙ্দেংকোৎ লম্মাংদোং খৈদেলদা পুথোরক্ই।

পোত্থোক অমসুং তুংলমচৎ :

লম্মাংদোং থোংজাওগী নুঙফশিং অসি তশেংনমক মনিপুরদা চৎলি, হোঙই অমসুং পামনৈ। অদুবু খুংহৈবগী মহৈ অসিদা মাইপুননা অমসুং শীনফম-শীল্লেং খঙবা মী য়াম্না তাংই। খ: ১৯৮৪ দা শীনফমসিদা শীন্থারিবা য়ুমথোঙ মশীঙ অহুমথক্কনি. হৌজিক ফাওবদসু মসিদগী হেঙ্গৎপা ঙমদে। অনৌবা ধাতুগী য়ুগ মথংদা মেচিনগী য়ুগ অমসুং মথংনা এটোমিক এজ অমদি নিউক্লিয়ার এজ হাঙ্গৈদুনা ওন-ওন্দুনা লাকপসিদা অনৌবশিংনা অরিবশিংবু য়োংশিনখি। অদুগীসু মথক্তা লমগী শন্না মচী শাংবা মীরৈবাক্কী পোৎনা হেন্না পামনবা মহৌশাগী ওইবনা ঙসি লম্মাংদোং থোংজাওগী নুঙ্ফ, নুঙ্গী খুংগুগী পোৎথোকশিং অমসুং অতৈ-অতৈ কয়া থাঙ্গৈনগুম পুৎথোক্লবা ঙমদ্রে। (১) নুঙগী পেসুম, (২) নুঙ্গী চেপচক্রি, (৩) নুঙ্শুম্বল অফৈবা, (৪) নুঙ্গী চাইশেল, (৫) নুঙ্গী চক্রি (৬a) নুঙ্গী হিদাক, (৬) ঙান্থকশিং (৭) নুঙগী কাংচুপ, (৭) নুঙ্গী খুদেং (৮) নুঙ্গী খুজাই, (৯) নুঙ্গী থরুং অসিনচিংবা পুম্নমক লোঙ্গৈনা মাংখ্রে, অমত্তা পুৎথোক্লবা উদ্রে।

হৌজিক হৌজিক পোৎথোক্ ওইনা পুথোক্লিবা পোৎলম-শিংদি (১) নুঙতেঙ্কোৎ/নুঙদেঙ্গোৎ মখল্, মওংৎ-মতৌ মান্নদবা কয়া, (২) মখল-মওং কয়াগী লীশিং (৩) চন্দন তরুবা নুঙ্, (৪) মরূ-মরাং তরুবা নুঙ্ফান, (৫) হৈ-চম্পা, কমলাগুম্বা মহী শুম্নবা, হৈশুম তেঙ্গোৎ, ৬) নুঙ্গী মরূ-মরাং শুনবা সুম্বল্ মচা (খোল) (৭) ঈশিং-হৈদোক্-হৈজিন তৌনবা খুম (জগ) শিং অসিশিং সিনি। হাঙ্গৈরিবা পোৎলম্শিং অসি চহি খরগী মতুংদদি মিয়ুজিয়ম পিস ওইরক্কদ্রা হাঙ্গৈনা খন্দবা ঙমদে।

* ১—A.K Sharma : Op. cit. : P. 4

* ২—সেক্তা এক্সেভেস্নগী সাইন্টিফিক ডেটিং তৌনবা সেম্পল পুখিবতুগী ব্রাবোল ল্যাক্তবনা কলচরেল কম্পোরেটিভ স্তডী ডেটিং তৌরদা সেক্তাগী খরাইদগী হেন্না লিরবা লৈরোন (Phase No 1) অসি ১৭ শুবা খৃষ্ট শতাব্দীদা হৌবদগী (১৬৫০ + ৫০) লোরগা হাঙ্গজ-পীজরনি।

* ৩—শ্রীওইনাম ভোগেশ্বর সিংহ : নিংথৌরোল লম্বুবা, অহানবা শরুক (ইম্ফাল, ১৯৬৭) : লয়: ৮৪

* ৪ লম্মাংদোং/বিষ্ণুপুর/বিসেনপুর খোলটাউনগী মনাক্তা লৈবা থোংজাওরোক হাঙ্গৈনসু খঙনবা মৈতৈ তাবা চীঙগী খুল অমা, বিসেনপুর ডিষ্ট্রিক্টী মনুং চল্লি। থোংজাও অমদি থৌবাল ডিষ্ট্রিক্টী মনুং চন্না ব্রাবগাই লমথাঙ্গৈদগী লম-জাও — লাংমৈদোং — থৌনাওজম — য়েল্লাংখাংপোকপী — থোংজাও হাঙ্গৈনা লৈ। মসি বিসেনপুরগী থোংজাও চকপ-শিংনা খুল হোংলক্লগা খুন মমিংসি পুরক্তনা কৌরবা নত্রগা মতুগী ওন্ন-তৈনবা থৌরমদা তৌবনি। অদুবু থোংজাওরোকনা লিবা হেল্লমদবা মাল্লি।

Appendixes

কাংখোঙ্‌লৈবী ফুশাগী ফু

ফু শাবগী কাঙ্‌খোঙ, মেসোপোতামিয়াদা লৈখিবসি খৃষ্টনা পোক্কদবা কুমশীঙ ৪,০০০ রোমগী মমাঙগী মতমদগী লৈখ্রবনি, অতুগা ইজিপ্তসু খৃষ্টনা পোক্কদবা কুমশীঙ্‌ ১,০০০ রোমগী মমাঙগী মতমদা লৈখ্রবনি *১। হাঈরিবা ওল্লৈগী মতমগী ফুশা কাঙখোঙ-শিং অসিদি ইচম্‌ চম্বা, হুঁঙ, চেক, উনচিংবগী মশা পুম্নফুন ফুন্‌বা কাঙখোঙ্‌ মপাক অমথক, ময়োৎ/মচৈ অমদা তোংহল্লগা লৈ-হনবা ফুশা কাঙখোঙশিংনি *২। মখোঈশিং অসিদগী মথং মথং চাওখৎনরক্কুনা মখল-মখা অয়াম্বা ফর-ফরবা কয়া পুথোনরক্কুনা শীজিন্নরক্লবা মতম অসি ফাওবদা চীনা অমসুং জাপান্দদি হৌজিক ফাওবদা খুংনা লৈ-বা ফুশা কাঙখোঙ মখল শীজিন্নরি। মসিদা অকোঈবা মপাক্‌ অতুগী মপানগী মকোঈ অদুদা কাচীন নাইবা অহকপশিং থুংনা হাপই অমসুং মপাক্কু তৌওংকুম্বা মচৈ অমদা লেংশিল্লি। ফুশাবত্থনা কাচীন নাইবা অহকপশিংগী মন্নুংদগী অমদা চৈতেক অমনা থিঞ্জিন্দুনা লেংহল্লকপদা লং নাইবগী তরেং (চরখা) গুম উরু-উরু লৈহল্লি অমসুং খোঙ্‌জেনগী অরুম্বনা মাঙখিবগা লোঈননা অকোঈবা মপাক্কু লেপ্তুনা উংহন্দুনা থম্মী। * ৩

হাঈরিবা মখল অসিগুম্বা থুংনা লৈহন্‌বা নম্রগা উংহনবা ফুশা কাঙখোঙ অমথক মৈতৈ পুয়ানি হাঈনবা মমিং অনি থোন্দুনা ফোংলকপা লাইরিক অমথক্তা পল্লি। পল্লিবা মতাং অতু লৌ-খংচত্থনা মখাদা উৎচরি :—

“কুমার ফুসাপা নুংয়িয়া সেক্‌ কৌপনা তরেং চাকা লায়না সনাপুল অমা সাপতো লয়ঙাং চামি-সিৎনা সারপকা, প্রসেনা

লান্‌চিংলেন্‌কা মৈতিংঙু সনা মখোঙখাতা কৎপতা নিংথৌ পুক্লিং হরাও থোই সমু খুংনা পায়না মিংয়েং সানখৈরপকা নিংথৌ পুক্লিং থুংলপাকী ... ... *৪"।

অদুগা হাঙ্গৈরিবা লাইরিক অসিগী অচুম-অৱানগী মাঙ্গৈ-কৈরোমদগী য়েংলক্তুনা লাইরিকসিগী ওথোরিটীগী ফিবম থিরক্‌-পদা লাই রিক অসি সনা কোন্নুং পণ্ডিত লোইশঙনা মপান ফরিবৈ, মগুন লৈরিবৈদা লাল্লি হাঙ্গৈদুনা ককৎথংলম্লবা লাইরিক্কি হাঙ্গৈবগী খুদম্‌-চাংদম্‌ মখাদা পীজরি :—

.... ॥ "মাইস্না দেবসিংগী কুম শক ১৭৯২ (খৃ: ১৮৭০) ......ফাইরেল থা ১৩ নি ইরাইদা ক্ষেত্রিময়ুমগী মৈহৌবরোল নাগরি ১ পাঙন লাইরিক ১—২মা পুখংলকপবু পাঙন্‌ লাই-রিক্কি চুমদে হাঙ্গৈদুনা মথুংনা চাম্‌থোক্‌হল্লে ।নাগিরদি হন্থি ॥*৫

মরম অসিনা লাইরিক অসিগী ওথোরিটী অমসুং ওন্থে-ন্টিকেসন লোজবা ঙম্‌দে । অদুবু হাঙ্গৈরিবা হুরিয়া সেক্‌ কৌবা মুসলমাল্‌ নুপা, হৌজিক্কী বঙ্গলাদেশকী লমথৈ মন্নুংদগী লাক-থিবা লানফা অসিমদি চুম্বনি হাঙ্গৈবসিগী খুদম-চাংদম লৈ *৬। মহাক অসি হান্নদগী ফুশা-ৱানশাবা মী ওইরক্লম্বা য়াই হাঙ্গৈবসি মখাগী অসিদগী খঙ্‌বা ঙম্‌ই, মদুদি :—

.... "হৈরাংখোংজম মোনশাংগী কুম শক ১৫২৮ (খৃ: ১৬০৬) ইবুংঙো শানোংবনা চিংদুনা য়াংকোইরোমদা ময়াং লাকএ হা*-দুনা চৎএ । লাইয়িংথৌ খাগেম্বনা ময়াং ঙম্‌লোঁএ ॥ শা-নোংবসুং থাম্‌লোঁএ । শামু ৩০ লোংমৈ ১০০০ পাঙন পারা ১০০০ থাঙ শাবা, কোন শাবা খুং হৈবা, পেরে, পুংতোং, কাপৈ শাবা ধোবী, শগোন শেনবা শামু শেনবা অসি খৈবিক লোক্‌লোঁএ ॥

পাঙন অচঙবা খৈবিক্তি লোয়শঙ্ অমা লিংলৌএ ॥ লান্দি ১০০০ ফায়এ ॥" * ৭

অতুগা হাঙ্গৈরিবা মুসলমাল হুরিয়া সেক্তা লাক্লি মফম অসি পাসা/শিলোট/শিলেট/শ্রীহত্তাগী মনাক্তগীনি *৮। শিলোট খৃষ্ট কুম্শীঙ্ ১৩০০/১৪০০ শুবগী মতমদা অৱাং-নোংপোক ভারতবর্ষগী খ্বাইদগী মমিং চৎপা সহর, কংলৈনি। অতুনা মসিগী অকোঙ্গবদা অমদি বঙ্গগী অৱাং-নোংপোক্কী চীদায়সিদা কাঙ্খোঙ অউংবীগী ফুশা লৈরম্বা য়ারে। অতুনা হুরিয়া সেক্কী মতম্সিদদি মখোঙ্গীগী মরম-হুনা খুংলোঙ্গনা শীজিন্নরম্বা য়ারে। অতুবু অৱাং, খা-নোংপোক অমসুং ময়াই থংবা এসিয়াগী লমদমদা তাবা মোঙ্গোলোইডশিংনদি কাঙ-খোঙ অউংবীগী ফুশা অসি শীজিন্নদে, হৈতে, খঙদে অমসুং চৎনদে। অতুবু ফুশম শাগৈগী চীন্বুঙ্-চীনফাদা পুতুনা লাকপা মখোঙ্গীগী শাগৈগী হৌরকফমগী ৱারোলদা *৯ হুরিয়া সেক অসিনা মৈতৈ লৈপাক্তা খৃ: ১৬০৭ কী অতুৱাইদা কাঙখোঙ্গী মকোয়গী ময়োং অতু থোঙগী থোঙনা পানবগুম্ মখাদা হন্দোক্পা ফম্বাক্কী অহ-নবা মফমতুদা তাহল্লগা কাঙখোঙ্গী ময়োঙ্তুদা থৌরী/মরী ওন্দুনা লৌরগা তরেং মশা অমদা ওন্দুনা অমুক্ চংলগা লৌশিন্নতুনা থমই। তরেং মশা অতুগী খুংপাঙ্গফম মচৈ অমা তরেং মশাগী অতুগী ময়োং ওইরিবা মচৈ অতুদা পাল্লি। পাল্লিবা খুৎপা-ঙ্গফম পানবা মচৈ অতু লৈ-বা মতমদা তরেং মশা অতু লৈ। তরেং মশা অতুনা লৈ-রক্পা মতমদা য়েৎলিবা থৌরী অতু চিংতুনা জর-জর চংহল্লি। অসুম্না চংলিবা থৌরীসিনা অমুক ওল্লগা লৌরিবা কাংখোঙ্গী মপাক্কী ময়োং অতুসু উরু-উরু লৈহল্লকই অমসুং মতুনা কাংখোঙ মপাক অতু কোঙ্গনা উরু-উরু লৈ-হল্লি। অসুম্না লৈ-রিবা চাক্া অতুগী মখোক নদ্রগা ময়োং অদি অসি পুন্না শাবা

মওংনি । অস্থুন্না লৈ-গদৌরিবা ময়োং অদুগী মথক্তা শাগদৌরিবা খুং নান্নবগী ফুহিং মিতম্বা অদু থম্লগা কাঙখোঙ তদু লৈহনগদবনি। অস্থুন্না চাং মান্ননা লৈ-রকপা অসিনা ফুদুগী লৈমাঈদা নোংশিংকী তক্রবগী মপাঙ্গল অদুনা ফুগী লৈমাঈগী লৈপাক মরীক্শিংদুগী মওং-মতৌ, ফিবম ফিরেপ, মান্নহনবনা লৈমাঈদু নান্হল্লি ।

অহরোমদা খৃঃ ১৯৯১ গী সেক্তাগী আর্কিওলোজীগী লৈন্নুং তৌথদুনা অরিবা মতমগী পোংলম-চৈরম থিবগী লৈরোন মথক্তগী পুন্না লৈরোন ৮ তৌথবদুদা মখা ইথংবা থংবা ৮ শুবা লৈরোন, লৈশা ওইবা অদুগী মথক্তা নল্লিবা ৭ শুবা অমসুং ৬ শুবা লৈরোন অনিসিগী মন্নুংদা ফংলিবা ফু অমসুং চেগাঈশিংগী মন্নুংদা কাঙখোঙ লৈবী খুৎশাগী ফু অমসুং ফুচেংশিং য়াওই হাঈদুনা আর্কিওলোজীকেল্ সর্ভে ওফ ইন্দিয়াগী সেক্তা এক্সেভেনগী ডাইরেক্তরনা য়ান্না কন্না ক্লেম তৌখি * ১০ । অমসুং মনিপুরগী আর্কিওলোজীষ্টশিং হেবিটেসন্ সাইট থিবগী অকোঙ্গবদা কোঙ্গনা চত্তুনা থিবা অমসুং য়েংবা চংপদুদা কাঙখোঙ লৈবী ফুশাগী ফু মচেংশিং ফংই হাঈনা হাঈনখি অমসুং থাজনখি * ১১ ।

মথক্কী রাফম অসিদা মনিপুরগী অখঙ-অহৈ কয়ন্না নৈনখি, "মনিপুরগী করিগুম্বা মফম অমতদা খৃঃ ১৯৭০ গী মমাঙ্দা কাঙখোঙ লৈবী ফুশাগী ফু অমতা শাদে, মরম অসিনা ফু মথল অসি মনিপুরদা ফংফম থোক্তে ।" হাঈনা অখঙ-অহৈ খরনা য়ান্না মরীক চুম্বা শানা হাঈ, অদুগা পরা ওইনা থৌওইনা তম্লক্লবশিংনা হুইল্ পোটরীনি, হাঈনা কন্না মশক তাক্লবা লাক্লে। অদুবু মনিপুরদা ফংবা লিটরেরী ইভিডেন্স, ওরেল পৃজার্ভ টেডিসনেল

টেল অমদি ফংলিবা ফুগী ফু-দাদা লৈরিবা ফু, পুন্‌কংনানবী অসি-নচিংবসি য়েংল্লুরগা কাঙখোঙ্ লৈবী ফুশা অসি মমাঙ্‌ঙৈ, খৃষ্ট কুমশীঙ ১৬০৭ তগী ১৭০৭ ফাওবগী মতমসিদা হিংলম্বা/লৈরম্বা য়াবগী থাজবা লৈ। অতুবু হাঙ্গৈরিবা খুংগুং অসি খুঙ্গং অতৈগী খুৎনা শাবা ফুশাগী লাম্বা তৌবা ঙমদবদগী খৃষ্ট কুমশীঙচা ১৮ শুবা চঙলকপগা লোঙ্গৈননা"মনিপুর থাদোক্তুনা চংখিরম্বা য়াই নত্রগা মৈদিংঙু খাগী ঙম্বা [খাগেম্বা: পোইরৈ নিংথৌহনবা : সনা হিহোন্‌হন্, ময়াং ঙম্বা (খৃ: ১৫৯৭-১৬৫২)] গী মতমদা মপুন্সি তেন্না চহি ৪/৫ দং হিংলম্বা য়াই অতুগা মৈতৈ সমাজগী চংনবীনা মতুবু য়োংশিনখিরম্বা য়াই।

অতুগা সেক্তাগী আর্কিওলোজিগী পোংথি-লৈতৌবদা ফংবগী মতাং অসিদা পঞ্জনীঙ্‌বদি সেক্তা ফংলিবা পোংফংসিগী অতৈ পোংলমশিং-অরংবা কাংচুপ (Glazeware terracotta hooka or Glazeware smoking pipe) [হৌজিক হৌজিক্ মনিপুর য়ুনিভর্সিটি, কাঞ্চিপুরগী মিয়ুজিয়মদা লৈবা], মচু কাংচেং মচু (কোফি কলর চুদাদা য়াক্‌শিন্‌বা মচু) গী অমস্তুং অতৈ ধাতু /কোনগী পোংলমশিংসি নৈনতুনা মখোঙ্গৈগী হৌরকফম অমস্তুং লাক্‌ফম্ থিরকপদা মতু মণ্ডলে (Mandalay) দা খুদোম্বী থিল্লি *১৩। অতুনা লৈপাক্লা শারিবা, ফু, লী, অমস্তুং অতৈ অতৈশিং, ধাতুগী পোংলম-চৈরম্‌শিং অমস্তুং নুঙ অমদি লিক্লীগী লীক্ পরেংগী মরুশিং অসি মপান্দগী পুশিল্লক্‌পা ঙাক্তনি। অতুনা কাঙখোঙ্ লৈবীগী ফুচেংশিং অসিগী ফুশিংসিস্তু পাগান্ * ১৪ (মণ্ডলেগী লমথৈগী শরুক্তগী হেনবা মফমগী সহর, বর্মাগী কোন্নুং ওইরম্বা মফম) দগী পুশিল্লক্‌পা ওইগনি হাঙ্গৈবা রাফম লৈ।

হাঙ্গৈরিবা কাঙ্‌খোঙ্ লৈবী নত্রগা তরেং-মশানা উংবী নত্রগ

চাকা লৈহূনা শাবা ফুশাগী খুংশুগী পৃথিবীদা চংনরিবা মওং মতৌ অমস্থুং মচং মনাংকী চাওরাকপদি :— * ১৫

CHOOSING A POTTER'S WHEEL,

The potter's wheel existed in Mesopotamia as early as 4000. B. C. In Egypt it appeared rather bater, but its use is rewarded in paintings of the Third Dynasty, ffourished about 2000 B C. These early wheels were simply large discs made of wood, stone or baked clay, mounted on a fulcrum The potter had to spin the disc with his free hand or bare foot.

Although more sophisticated wheels are available today, the hand wheel still used in China and Japan.... ... ...

The first major develpment was the invention of the kick wheel. Here the wheel head on which the pots were formed was attached to a long spindle which connected it with the foot-operated fly wheel below. This meant that the potter could work in a comefortable position with both hands free. Later improve ments have resulted in wheels with variable speeds, side treadle wheels so that the potter can work, sitting down and power wheels. The basic principles, however, remain very simple.

Kick wheels :-There are two main types of kick wheel available: the momentum wheel, sometimes called the continental wheel : and the crank wheel.

Electric wheels :- There are several different types of elecric wheel from which to choose.

Beginning to throw pots.

The term. "throwing' refers to the cenrifugal force which is created by the spinning wheel-head and which throws the prepared clay outwards. The principle of creating a pot on the wheel is to use your hands to oppose this force with just right amount of restraint to make the clay spin in the centre.

Making a simple cylinder

Before hollow shapes can be made on the wheel the clay must be centred. This means that the ball of clay must be revolving smoothly and evenly in the exact centre of the wheel-head. If it is not perfectly centred to begin with, the clay will be impossible to control. Begin with half a dozen balls of clay and practice with these. Be prepared to waste clay in these early stage.

Centring the clay :

Arrange materials and tools so that they are within easy reach. Place the bowl of water behind the wheelhead so that you can moisten your hands regularly as you work without having to stretch too far.

Dampen the wheelhead but dont wet it. Then moisten your hands as it is important to keep the clay damp all the time or your hands will stick to it. Be careful not to make it too wet or it will turn into unworkable mud.

Press a ball of clay firmly onto the centre of the wheelhead and then set the wheel going quickly in an anticlockwise direction. With the left hand cupped around the clay and the right hand along the top apply equal pressure. This movement should firm the clay down and set it spinning evenly. Remember to keep the arms and hands as steady as possible.

Coning :-The next movement is called coning: Clasp both the hands around the clay and push forward from the wrists. This will force the clay upward into a cone shape. As the clay rises follow it upward with your encriling hands,

Now depress the cone with the pnale of the left hand, at the same time using the right hand to pull the clay towards the centre of the wheel. This up & down coming movement should be repeated several times to work the clay into good, even consistency and to remove any air bublbes that may still be trapped in it.

.........When the clay has been worked several times in this way it should be saftly centred. When it is centred it will spin smoothly when the hands are quite still.

Hollowing out :— Cup the left hand around the clay to support it. With first finger of the right hand make a depresson in the centre of the clay. Use the thumb of the left hand to keep the finger in study and press down into the clay until the finger tip is almost own to the wheel head.

Keeping your finger at the bottom of the pot, pull it directly towards you. This movement forms the base of the pot. At this stage the side wall of the pot should be about 2·5 cm (1in) thick. If the pot is still in control and spinning evently, you can start to pull up the walls.

If you have lost control of the clay, it may be necessary to start again from the beginning.

Pulling up the walls :—Place the fingers of the left hand against the inside wall of the pot and the knuckle of the right forefinger against the outside, with haud in this position squeeze the sides of the pot upward. This movement gives the pot height and thins the walls.

Move hands upwards slowly and steadily with the clay, applying even pressure all the time. Do not allow the top to flare out or you will lose control.

Removing the pot from the wheel :—When you are ready to remove a pot from the wheel, first make the rim neat, With the pointed wooden tool, trim surpus clay from the bottom edge of the pot. Then stop the wheel. Take the cutting wire in both hand and press it firmly on the wheel head in front of the pot. Push it away from you bretween the base of the pot and wheel heed......... The pot now slide off wheel head......onto a wooden board.

অশুম্না মথল মথলগী ওইবা ফুশিং কাংথোঙ লৈবীগী খুংশা অসিদা শাগনি। চোংলিঙৈদা নত্রগা ফুহিংনা কংলবদা

লৈতেং লৈরোং হাপকদবা, ময়েক থোকহনগদবা পুন্নমক থোমহন-হনগনি* ১৬। অতুগা ফু অহু ফুয়িক লৈরঙ/মৈফমদা মৈ য়িকনি। মৈ য়িকফমদা হাপ্পা য়াবা লৈতেংশিং, য়েকপা, খোংপা, মচু শংবা, তৈবা, নম্বনচিংবা পুন্নমক তৌরগা ফু অহু ফুশাবা লোঈশিনগনি।

অমুমনা কাংখোঙ চাকা লৈহন্দুনা শাবা খুংশা অসি মনিপুরনা নীঙতম্বা ফংলবা মতুং চহি ২৭ গী মতম, খৃ: ১৯৭৪ গী অতুরাইদা থেংজাও পোটরী কো-এপরেটিভ সোসাইটী লিমিটেডনা শনগাড়ী কাংখোঙ চাকা শীজিন্নদুনা লৈহল্লগা ফুশা অসি হৌদোকখি। অতুবু মসি হৌজিক ফাওবদা মাঙ্গ পাক্লা চৎথরে হাঙ্গবদি ঙমদ্রি। মসি ফাওবা হাঙ্গবা হোংনবগী ফিরেপ অমা মশক তাকপগী ওইনা লৈরি।

* ১—Sarah Parr. ; Op. cit. P· 45.

* ২—Ibid . P. 45.

* ৩ – Ibid : P. 45.

* ৪ – i) শ্রীভোগেশ্বর সিংহ ; এম, এ, জনাব, খাঁ: নোংশামৈ (পুয়া) (ইম্ফাল, ১৯৭৩) : লা: ৩৪

ii) রা কু: শ্রীম্নাহল সিংহ, বি, কম্: পাঙল্ থোরকপা (ইম্ফাল, ১৯৮৫) : লা: ১৬ ॥

* ৫ —চৈ: কু: লা: ৩৯০ ॥

* ৬— বি, কুলচন্দ্র, বডরউদ্দিন : ম: লাই: লা: ২৬—২৭০

হাঙ্গরিবা মুরিয়া সেক অসিগী চাদা নাওদাশিংনা পাঙল, মুসলমানগী য়ুম্নাক 'ফুশম' কৌবা অসি লেপখি। 'ফুশম' হাঙ্গবসি ফু শাবা মযুম্ হাঙ্গরনি। মহাক্লা নত্রগা মাগী চাদা নাওদানা ফু শাবদগী নত্রগা হান্নদগী পুরক্ শীনফমদগী থোনবা য়ুম্নাক মমিংনি।

i) নোংচুপ হারম্লোন (খুংয়ি) : ২ ।।

ii) ময়াং পাংগুল্লোন্ (খুংয়ি)

iii) মহাক্কী চাদা নাওদানা ওইথিবা য়ুম্নাক ফুশম্ য়াম্না হোঙনা মনিপুরদা হৌজিক হৌজিক লৈরি।

* ৭—চৈ: কু: লা: ৩৩।

* ৮—বি, কুলচন্দ্র, বডরউদ্দিন: ম: লাই: লা: ২৬—২৭

* ৯ --এম, দি, অবদুলরহমান (৫৪), লিল্লোংদা লৈবগা অইবগা খৃঃ ১৯৮৯ গী জুলাই তাং ১৮ দা উন্নবদা লীরকপা।

* ১০—A. K. Sharma, Superintending Archaclogist, Prehistory. Branch, Nagpur, A. S. I. Sekta Excavation 1991, (His report to, A. S. I) P. 3-4.

* ১১—Jayant Bhusan Bhattacharjee : Op. cit. P. 120.

* ১২—কাংনা নাল্লগা শাবা পুন্নি হাঈহুনা কাং নান্বী কৌবনি।

ফুশা-ব্রানশাবগী খুংগু-খুংলাঈশিংগী মরক্তা য়াওরিবা কাং-মখল নব্রগা উরীকাং (লা:) অহুনা নাল্লগা হাঈবদি লৈপাক কংলগা ফুহিংগী ফক্লাংশিং লৈমাঈ উরীকাংনা তকথোক্তুনা শেম-শারগা ফু য়িক্কনি : ফুয়িকপগী ইংথরবা মতমদস্থু ফুগী ফক্লাং লৈমাঈগী নানবগী চাং মান্নদবহু কাং অসিনা তকথোকতুনা নীঙথীনা নানবা মান্ননবা খুং চঙনা শাবা, অমগী অরু-অহেনগী ওইবা ফুনি। অস্থুন্না কাং অসিনা তকপা, নানবা, লৈমাঈ শিংপা অমস্থুং লুহন-নানহনবা অসি মৈতৈ চে Manipur Meitiei

Local made indigeneous paper) দস্নু তৌই। হেক নান-হনবগী থবক অসি তৌরকপদা 'কাং-নানবা' হাঙ্গৈবা অপুন ৱাহৈ অসি হেক্তা শীজিনৈ। অদুনা কাংনা নাল্লগা শাবা ফুনি হাঙ্গৈদুনা পুন কাংনানবী. পুনকংনান্বী কৌথিবনি।

পাংঙলপুন্, পাংঙলগী পুন্নি. পাংঙলনা শীজিন্নবা শাবা পুন্নি হাঙ্গৈদুনা পাংঙলপুন কৌবনি।

* ১৩—Michael Macintyre : Spirit of Asia : (B. B. C. C, London, 1980) : P: 255.

In the villages clustered around Mandalay and the ancient Capital, Pagan, skilled craftman continue to produce Buddha imanges in bronze and marble and to decorate bamboo-ware with traditional designs. The techniques they use are many centuries old.

* ১৪—

* ১৫—Sarah Parr: op-cit. : Pp. 45—53. ॥

* ১৬—Ibid: P. 106.

The decorative made available, to the potter are many fold, ranging from the traditional scratched designs of the premitive clay worker to the highly complex effects that can be achieved by using oxides, modern chemical

glazes and enamels. Roughly decorative effects can be devided into two main catagories: those worked directly onto the clay body, and those envolving the appliication of of another material.

ৱারোঈশিন্-ৱাকৎ

মথক্কী ফুশা-রানশাবগী ৱারোলশিং অসিদগী খঙলে, মহিদি, মনিপুরদা চংনরিবা ফুশা রানশাবগী খুৎশা অসি য়াম্না খুমুং ওইবা, অনেম্বা থাক্কী খুংশানি। লৈপাকসিদা মথাঙ্গী-থাঙ্গীনভৈদা হৌদোকথিবা অহুদগী খর মথৈ হাপকৎলগা শাবা নত্তনা মরুওইবা থৌরম-থৌদৌ মথৈ হোংড্রি। তশেংনমক্ মসি সাউথ-ইষ্ট এসিয়াগী নমুনা অমসুং ৱায়েল-কাংলোনগী মথাদা শাবনি অহুবু মনিপুরগী মরমদা গুপখঙ-খঙদবা পোইন্থুগী মরুপশিংনা মখল-মখেল্গী মনীঙথোঙলোমদ্গী চঙলকপা ওইনা উৎনবা লাক্লে। মমাঙথোঙ পান্দবা শঙ্গোঙ্গী শঙশাঙদা লৈবা থা-ৱাংদা থোঙজাও পানবশিংদা ময়ুম ওইবশিংনা হাঙলিবা নোংপোকথোঙ অসিদা থোঙ্গুনা চৎথ্রবদি কংলৈ নাৎ ফংবা কংলৈ কয়া শোঙ্গদনা থেংনগনি। মতমগী থোঙ-জেলনা পুরকপা অরিবনা অনৌবা পোল্লকপা, অনৌবনা অমুক লিশল্লকপসিদা অমসুং অরিবনা অমুক নৌথোক্লকপা ফংদ্রবা মনিপুরগী ফুশা-রানশাবগী শীনফম্, অনৌবা মেচিনগী য়ুগ অমদি নিউক্লিয়ার ইনর্জীগী মতমসিদা খুংথারগদবা অনাবগী ফিবমদা লৈরে। অরিববু হুংশিবা অনৌবদা তাউরিবশিংনা অরিবদগী শুমথরকপা অনোবনি হাঙ্গবসি নীঙশিংবিহুনা অনৌবগী মতমসিদা অরিবগী পোৎলম-চৈরম অমসুং পোৎচাক-মচাকশিংদা থাজবা

থমহূনা কলচরগী শম্বল থীংহৌদ্রবনি খুজোক অমা থক্তা ভাইরবা অরিবা মোঙ্গোলোইড ষ্টোক্তা চনবা মী কাংলুপ মচা অসি পৃথিবীগী লৈমাঈনা চুপশিনগ্রগনি। মৈতৈগীনি হাঈহূনা লৈজরিবা খরসিদি থীবা-ফজবা থিদনা ঐখোঈগী থিজিনবগী তাবুনুংদা হাপচিলহৌসি নত্রবদি ময়াং ক্বাকশিংনা চেম্নোক্তুনা মচোই মচোই তাগ্রগনি।

সেরামিক্/ষ্টোন্ৱোয়ার/পোর্সীলেন্

